নচীন রাম রাম শোম্না নাতা ও। রাম মতিক নীংখিবা রাঘব মতৌ অখোইবা শ্রীরাম মতিক চুনববু য়াথং পান্দম থঙনা রাহয়রে। রাম মংশাবলি নিংথৌরেন অচেৎপদি কচেং থাং-খৈনাইনা রাহয়বনে। রাবন নিংথৌরেন মকোক তরা পানবা পানবোম কুম মমিৎ কুনগুবা হকশাং খাম্বী মৈতাল লাগুম্বা. কুম্ভকর্ণ হকচাউবা ধনেশ্বর লনমাবা বিভীষন মরিমগা মচন স্পর্নখা হিংচাবী ত্রিজতা অহেনবাগা মখোয় তরুকমা পোক-মম্নয়ে হায়য়ে। রাবন কুম্ভকর্ণ স্পর্নখা অহুম্মদি মতৌ মথম্ননা হিংচাবা শাগৈরেন্দা পোকয়ে হায়দবরা। কুবের বিভীষন ত্রিজটা অহুম্মদি বিষ্ণু অংশ মস্তুংমাল কলা মথায়মগীনে। অসাইঙৈগী রাবন নিংথৌরেন মপল বিশ্বশ্রবনা শাৎঙৈগীহৌনা খোইয়ম ব্রহ্মা নামুংবগী সনা মখোঙথাদা পুজা ইরাৎমনগী ব্রহ্মা লনকু ফংজবগী মালেম চিথেক তরামদা পাঙ্গল মপা তাময়ে হায়দবরা। মশাবী কুবের ধনপতি লনমাবনা সমুদ্র লাইজ ইয়াইলাংনা ইন্দ্র সরারেনগী অমরা মরৈবাকপু চোইনৌ সনা অঙাংবনা মালেম লৈবাকশেম্না কাঞ্চন সনা অহিংবনা স্থান ফম্বী খুদিংদা শঙদেং-শানা পাল্লবগী সনা লঙ্কা লৈময়োনও তৌম্না কোয়ে হায়দবরা। লঙ্কা লৈময়োন্দা ধর্ম্ম অংশ কুবেরনা আনন্দ মুংঙাইখোইনা পাল্লববু রাবন মশানোনা চেংলৌ মিৎখিৎলবগী হিংচাবা লমচং অতাক্না ব্রহ্মা থৌজালরাগী পাঙ্গল খুৎঙমথি কুবের লৈবাকমুম্না গত্র মাগী শাকৈরেন পম্লৌ পাম্নাচা কুবের লোশিংববু কৈলাস মনা চীং-শাংমদা তাম্লোক্লে হায়দবরা। রাজা দশননদি রাজ্য মরৈবাক লঙ্কা মপুংয়াইদা সনা মপালশা মনিক্য মহৈয়ান লঙ্কা পল্লু য়ুংববু মরেপ য়ুথক ৮০ গু পল্লোন ৭ কোয়বদা রাঙনবা রাজা দশানন শির তাংজ লুরেনতোন তরামদা সূর্য্য মুমিৎখোক্‌ম আনন্দ মুঙাইমখৈ লৈতনা অশুম পাল্লবদা মায়াদানব হিংচাবা

মমোম মন্দদরি অহেনবী মশক চন্দ্রমুখি মান্না থম্বাল হকশাংওইবী খ্বাংখাংজেংতাবু খোইরা অশিংখাই খ্বাংদাননা নৌংথাইবীবু লঙ্কা সিংহাসন্দা পানমন্নরবগা রাবণ দশানন্না ধর্ম্মবিচার ব্রাথিদনা বোনৌ নোংজা খুদিংদা দেবসর্ব্ব লাই অয়াম্বু রাবণ মথম্মনা বৈবি য়েক্লববু ওইরবগী মালেম চিংথেক তরামদগী রাক্ষস হিংচাবা দেব লাই খৈবিকপু পাঙ্গন মথোম্নগীনা রাবণ মখোঙখ'দ সেৱা থৌখম্নরে হায়দবরা। অতুম্মুঙ মমোমদে দেব নাবি অপচরি রাক্ষসী হিংচাবী রাজা-কৈন্যা অহেনবীশিংবু লৌশিং তরাম্লনা রাবণ মতু ওইরে হাযদবরা। রাবণ পাঙ্গন ইথক থক্লম্ননিগীনা অৱাং নোংমদোন ইন্দ্র সরারেনগী আনন্দ নুংঙাইবা পুষ্প শীং-লেন লৈয়াম পোকপবু বাবণ নিংথৌরেম্না তুলাই রথ খোঙওক্লৈননা মাঙহল্লুয়ে। কুবের লননিংথৌ ধর্ম্ম অংশ শংশংবা শান্ত পূক্নীং তপ্পা কৈলাস সনাচীংদা য়াঙ্গোইজববু ভাংজ খোংখুনথিনা চাহি শিঙবুম ও শুনা লালশোক মখৈ লৈতনা পাঙ্গন খুৎচম-থিনা শোক্লরবগা কুবের লন্নিংথৌম্মুঙ লঙ্কা মপূং য়াইদা রাবণ মখুৎবাক্তা চল্লে হায়দবরা। ইন্দ্র সরারেন্নচিংনা দিগ মাফকৈ ঙাকপা তরামম্মুঙ ধর্ম্ম যমরাজ রায়েনবা বরুন নোংলাই অগ্নি দেবতা পুম্নমবু খাক্তনা শমু তুংনা পরৈ লালগাশানা লঙ্কা মপূংয়াইদা পুরক্লবগা ইন্দ্র সরারেনবুতি ছত্র শেকপিন থম্নয়ে ধনেশ্বর লননিংথৌবু ভাণ্ডার কৈশঙনয়ে ধর্ম্মরাজ রায়েনববুদি হুপ্পাতোনগাচিংনা লাংগোই শজিক ফাম্নয়ে। অগ্নি মৈরৈমবু রাবণ মাঙদা মৈহৌনয়ে। লক্ষ্মী ফৌয়াই লৈমবু চফু তিল্লাংশৌ ইরানখোইদৌ ওৎনা মথেল লুক্কোই শেমনয়ে বরুন নোংলাই অহেনববু পুল্লাং পাবোৎ লাক্লা লাইজ ঈশোকহল্লে। সূর্য্য থবি শেনগোইরেম্না সনা লঙ্কা মপূংয়াইদা মুমিৎ য়াম্না শাহল্লে। রাবণ মশঙ্গাই চোইনৌ সনা মপাক্লা য়ুমকুপ্পা কোরি পরৈওইনা

লিক্লাই যুম্না তারেংবা'ই নোংপোক চকমিশংনা নাকথিং যুমকোইনা লাংগোই মোইশায়ানা রাচেৎ কাইদোযচম্না সনা ফৌকোৎশেন্না তম্ফা হেরা মুক্তা মনিক্য থীঙমদা তারা থবান-মিচাক্কুম গৃহসনা যুমদা লোইদাম থানিংথৌ চন্দ্র মকোয় ফাবা প্রদীপ থাউমৈওইনা রাবন মাঙদা ঙান্নরে। কে'রৌ নোংদামদনা খোইযম ব্রহ্মা না'মুংববু বেদ লাইরিক শীনয়ে পবন নোংশিং নিংথৌবু রাইশেং শুমশিংনযে। নারদ মুনিরেনবু পেনা চক্র খোংনযে। শুক্রা ইবাইনা রাবন মাঙদা লেপ শমু মথুৎলোব স্তুতি শীংলেন লৈশিথোন্নয়ে হাযদবরা। রাবন কঞ্জাউবাগীনা মুনি ঋষি পূন্নমনা যজ্ঞ মণ্ডম তৌববু বিঘিনি যৈথায়বগী দেবসর্ব্ব লাই পূন্নমবু রাবন শমু মথুৎবাক্তা থুম্নবগীনা লৌশিং মথোয়গী পাঙ্গন খোকঙম্দরবনিগীনা মুংশি মখৈ লৈতনা দুখ অরা নংলে হায়দবরা। রাবন নিংথৌবেনগী থয়াঙ মতানবোম শয়ি মৈতান অরাবগুম্ববু মালেম লৈবাক লৈমনা ঙমদবা ক্রোধ কঞ্জাউববু থোক লাইজ ইথকুম্বগী মতৌ নীংথিদবা লমচৎ ওম্মোকপবু রাহৈ পরেংচানা কীর্ত্তিবাস অহৈবনা শেমলমশৈনে।

সনা অযোধ্যা লৈবাক্কী রাজা দশরথ নিংথৌরেন মতৌ ইন্দ্র সরারেনগুম্ব, নিংথৌ মমান্নবনা সেবা থৌখন্নবা বিক্রম থয়াংমথৌমনবু নোংশা মচুম তাগুম্বা অস্ত্র শাস্ত্র খুৎশু খুৎলাই লাইরিক লাইশু পুন্নমবু চংখোনবা ধর্ম্ম লম্বীযেংনা রাজ্য লৈবাক ঙাকপা রাজা নিংথৌ পুন্নমগী রাজ চক্রবর্ত্তি খোইকোয়বনা রাজা দশরথ নিংথৌবেন্না চীংঙু রঘু নিরঞ্জয় অহেনবা শ্রীরামচন্দ্র নীংথিববু পুত্র মপারিবু ওইনা পোক্লগদবগী কর্ম্ম থৌরম অয়াম্ববু বাহম্নক্কে। কৌশল নিংথৌ মমোম্নোন কৌশল্যা অহেনবগী চেংলৌ শকপাম্মোঙবু ভুমি লৈবাক ঙাম্নবীগী মপল কৌশল

নিংথৌনা মমোম কৌশল্যা অহেনবী নোবি মপথ। শকপিবু সময় মতম ওক্রবগী রাজা মাগী পুরোহিতপু অযোধ্যা মপুংয়াইগী রাজা দশরথ নিংথৌরেনবু পাউকৌহনবগা লোমনা নিংথৌনা মমোম কৌশল্যা অহেনবীবু দশরথ নিংথৌ নীংথিবগা সনা ফুলাই তোংনা অযোধ্যা মপুংয়াইদা মরাল হুহোং পোতচাদাং বীরক্লে হায়দবরা। দশরথ নিংথৌনা অযোধ্যা রাণী কৌশল্যা নীংথিবীগী বিবাহ লুহোঙ অহানববু বীতিবাস চৈহেন শেপ্পম-শৈনে। অসিসুঙ মদোমদে।

মযুক্ক মপুংয়াইগী কেকোয় নিংথৌরেন্না নপা মতিকমংনা রাজা লৈবাক ভাকপা মমোম কৈকোয় নাপিনা। মতিক লৈবাগী চেংলৌ শকপাক্তেঙনা লৈবাক পুম্না চানবী রজা কৈন্যা কৈকোয় অহনবীবু লুহোঙ মতম ওক্নবগা চাহেক লৈবাক্মদী রাজা নিংথৌ পূন্নমধু পাউকৌকনবগা মমোম কৈকেয় অহেনবা মথম্মনা রাজা সভালেংনা তিনবরক্তগী মমোমা স্বামী মনোং থৌবু খনজম্লনে। হায়না মযুক্ক মপুংয়াইগী সাম্বল চাহেংকদনা হুনিং লীশিং অমাথেক্কুম নিংথৌ লেংনা। তিনবগী কৈকোয় অহেনবীবু নিংথৌ মরক চৎলক্কবকু ক্লুমিদাংথানা। থোক্নকপগুম নিংথৌ অয়াম্বনা উববগী বাহম্নখিয়ে। রাজা কৈন্যা অহেনবী অসিবু কোরৌ নোংমদোনগী অপছরি জগোইশবীবু কুম্নকপরা গন্ধর্ব্ব অশৈ শকপি লন্তাউর্শসিবু ওইরবরা তৌইগুম তিলোত্তমা চেংলৌ শকহেনবী ওইরবরা পুর্ব্বরাজা নিংথৌ মমোম্নোন ইন্দুমতি নীংথিবীনহুম্ন অযোধ্যা নিংথৌরেনবু মথম্না স্বামীজি কোরৌ মনোংথৌবু ওইনগে হায়না নীংখনখিয়ে। নিংথৌ ত্রেখোয় লেংনা তিনবরক্তগী দশরথ নিংথৌরেন্না থোইনা চেংলৌ শক্কোই হেনয়ে। রাজা কৈন্যা অহেনবী অসিনা চেংলৌ মিৎচুনখিঙ্গেরে

হায়না লাইন্নরিবা কেকেয় নিংথৌ মমোম্নান কৈকোয় অহেনবীনা রাজা দশরথ নিংথৌরেনবু স্নামী কোরৌ মনোংথৌবু ওইগে নীংখল্লবগী দশরথ নিংথৌ সনা মখোঙথাদা হংস কাংডা লমচৎননা চেকা খম্বীরংচাক লিংথেংনা রস অথুম্না চেংলৌ মিংশোক্লনা কৈকোয শমু মখুৎথোনলে চম্পা লৈগী লিক পরেং অচোননবু দশরথ থাবা শিকশিলমদা কৈকোয শমু মথুমোম্না ভুকপিশিয়ে হায়দনবা। রাজা নিংথৌ অযাগদি রাজ্য মরৈবাকপু ইন্দানখিদে হায়রে। দশরথ নিংথৌরেন্দি কৈকোয় অহেনবীগা মথক মপু হায়গী বিবাহ লুহোংবা মশীংগুনা অযোধ্যা মপূংয়াইদা ইন্দনখিরে হায়দবরা। কৈকোয় লুহোঙ যায়মবা অসিবু কীর্ত্তিবাস শেম্নহৈবনা শেম্নমশেনে। দশরথ নিংথৌরেনগী শমু ওইবমফগী কৌশল্যা কৈকোয় অনিমক্তুং মন্দ্রামদে। —

রাজা সৌমিত্র নিংথৌ মমোম্নান যোইবু স্নুমিত্র নীংথিবী থেইন চেংলৌ পাতমলে ওবী পুকশি লুইথাম্লবী স্নুমিত্র নীংথিবীবু কৈক্য মশা ফাবগীদমক সৌমিত্র নিংথৌরেনগী পুরোহিত মন উপায় অথেইবানা দশরথ নিংথৌরেন্দা মশানৌ কৌশল্যা কৈকোয অনিমবু যোইবু পাউতাক্লা রাণী শানফোংদনা পম্বা যায়নৌ শদানবা নৈনাশনা চোইনৌ সিংহ লৈবাক্তা রাইথুংলবগা মমন সৌমিত্র নিংথৌরেন্না মমোম স্নুমিত্র অহেনবীবু কোরৌ চুমিং অকবা খেল্লেন মতমকবদা বিবাহ লুহোঙ লমচৎ হাপ্পা সনা ফুলাইতোংনা সিংহ মরৈবাক্কী সনা অযোধ্যা লৈবাক্তা মরান লুহোঙ খোঙদেংখিয়ে হায়রে। স্নুমিত্র লুহোঙ অকোনবা রাণী মশা অহানবা অসিবু কীর্ত্তিবাস অহৈবনা লেংলমশেনে হায়দবরা।

সনা অযোধ্যা লৈবাক্তা রাজা দশরথ নিংথৌরেন্দি কেমা

মখোৈ লৈতনা আনন্দ নুংঙাইথোইনরে হায়দবরা। অযোধ্যা মপুংয়াইগী মদাইরেম প্রজা লৈবাক অয়াম্বশিংনা কোরৌন্নমিং খুদিং সনা শেলপাক চাকচনববু অমরক হন্না চানদে নিন্তি নুমিৎ খুদিং দান ধর্ম্ম তৌবা ত্থুখ অরা লৈতববু চহি লীশিং অমা শুনা পাল্লবগা দশরথ নিংথৌরনসুঙ লুহোঙয়ে নাম্নি নুপী অয়াম্বীলক্কগী সুমিত্র অহেনবী চেংলৌ শকপান্থোংনা অযোধ্যা লৈবাক ঙালবীবু সময মতম করম্বদা চীংঙু লাইবকথিবী ওইরবগী দশরথ নিংথৌরেন্না থেংকোইখিয়ে। মশানৌ কৈকোয় অহেনবীবু থোইনা চেংলৌ মিৎচুরবগী প্রাণ থরায থমনা য়োয়নরে। বিত্থাধবি জগোই শাবী লৈরাং মশুং মানবদি সৌভাগ্য লাইবকফবীবু ওইরবগী শনি মিৎযেংরাগীনা দশরথ নিংথৌরেন্দি লৌশিং পূর্ণীং থোক্তনা অযোধ্যা রায়েন্নীংদরবগী রাজ্য মরৈবাক্তা লাংহৈ কুমশীং তরানিথোইশুনা কেরৌ হনকাং নিক্না নোংলেন চাইজি মরাঙহৌবীদরবগী কোরৌ নুমিৎমদা নারদ মুনিরেন্না দশরথ নিংথৌরেনগী কোলোই মশঙ্গাই চংখিববু দশরথ নিংথৌরেন্না আসন মাগী ফম্নাফান্দা ফমহাল্লবগা কোয় রেংহাওথোইদিং তরা চেংমচং দুর্ব্ব তিংথোগা শমু মখুৎলোন্না পূজা ইরাৎলবগা নারদ মুনিরেন্না রাহমখিয়ে। হে দশরথ নিংথৌরেন ও রাজা নরৈবাক্তি লাংহৈ কুমশীং তরানিথোইশুনা কোরৌ হনকাংলবগী অযোধ্যা লৈবাক অয়াম্বনা দুখ নংলে অদুসুঙ মদোমদে। দশরথ নিংথৌরেন ও নংগী নতৌ অয়োনবনা দুখ অরা য়াম্না নংহৌরকঙৈনে হায়না রাহম্নবদা দশরথ নিং-থৌরেন্না রাহমলকয়ে। ঐদি করিগী লালফেৎ থংঙমদবনো দুষ্ট অয়োনবসুঙ পূম্না লৈতে দুংঙান কনা অমা লৈতে। অযোধ্যা ইপাুংয়াইদা ঐবু করি রায়েন শোইয়ে হায়রগদবনো ঐ থংঙমদে হায়খিয়ে। নারদ মুনিরেন্না হে দশরথ নিংথৌরেন

নংগী পায়মা উনগোইম্মুংদা শনি থাংজ অকনবা রুহিনি থরালপিচাকস্তুঙ চংলবগী ইন্দ্র সরারেম্না লাংহৈ কুমশীং তরানিথোইশুনা নোং চুদরে তুলাই রথ খোঙওইননা অযোধ্যা নরৈবাক্তা নাগর থুনগংখায়না নমু পোংবচা শজি শঙাই ঙারা ঙাশিং মুম্ম হারো উচেক রায়া জীবজন্তু থরায় পানবা পুম্নমগী শব্দ খোঙ্গেন ভারুও হায়না পাউতাক্লবগা মুনি মফমলেন্দা হনরাইখিরে। অসাইঙৈগী মুনি পাউতাকখোনগী রাজা দশরথ নিংথৌরেম্না তুলাই লেংজাউ খোঙওইননা হাওরৈ খানা পাং-বলম্দা নাগর থুনগংখায় মালং মুংশিৎ মনা লোয়না পনম চংথোকখিবদা পক্ষী মথংলেন চেল্লা মরুদ্বীগা পামেল উতোনথক্তা পোনবী চীনওক্লা চেল্লা চীন্দিংনা রাহমখিয়ে। হে চেল্লা ইথংলেন ও লাহল হয়ি চকঙৈগী সূর্য্য শাখৈরেনগী মখৈ চিন্তা পুক্লীং অরাববু পুম্না লৈরক্তে। দশরথ কল্প মহাকথক অসিদা লাংহৈ কুমশাং তরানিথোইশুনা কোরো হনকাংনিরুবগী লাইজ ঈশিংনা চেল্লা ঐখোয়গী অহার ইচিঙ্গাক রাৎলে। দশরথ নিংথৌরেনগী ভুমি মরৈবাক অসিদা মুমিৎ শীংবুম য়াম্না য়াং-গোইরবদি আয়ু ঐখোয়গী পুন্সি শুদনা আহার ইচিঞ্জাক রাৎপগী প্রান থরায়তংনা লোংমলঙৈনে। পামেল উয়ামহোবা পোনবী ঐখোয়গী কাইদোংফম চেল্লা পোংবৈফম অসিবু নমদা হুম্না চেল্লা পুত্র ইপারি তরেৎমবুখিনা ইন্দানখিরসে হায়না অঙ্গম রাহম-ঙাম্ববু নাতারবগী দশরথ নিংথৌরেম্না পোনবী মায়য়োক্লনা কো-লোই অমেংবনা রাহমখিয়ে। পোনবী নখোঙলেংনা চেল্লা নফম হোংবীগুনো লাইজ ঈনাচিংনা আহার চিঙ্গাক রাৎলবদি চীংঙু নোংদম্বনা লনকুবীরকঙৈনে অঙ্গম থোখায়ে হায়দবরা। অযোধ্যা লৈমাবা রাজা দশরথ নিংথৌরেম্না পাঙ্গন মপাতাম্বগী কোরো নোং-দকানা ইন্দ্র সরারেন্দা রাহমখিয়ে । চীংঙু থংবা নোংনিংথৌ সচি মপুরেন নংনা চীংঙু নকুমতম্ব লাইজ ইথাবীদরবদি অমরা নরৈ-বাকপু লৈবাক পুম্না লোকঙৈনে হায়রবগা বাসব পাখং য়োয়রেনবনা রাহমকয়ে।/ দেহে নংগী হকশাংদা রুহিনি তোংজেং থরানপিচাকা শনি

মিংথয়েং তাংজম্বগনা গৃহ যুমথুংজরিয়ে হায়না পাউ দবা। রাজা দশরথ নিংথৌরেন্না শনি মথে ঙখাদা লাপ। প উগ্নেমিটিং শনি মিংথয়েং তেলবাল্লবাগী লংগেই শাগেল নিপাকমনা রথ তুলাই শেম্ববু তুলাই চাক্লেনতেক্লা রথ চোইনা কেম্নবগী দশরথ নিংথৌরেন্দি মালেম লৈদা ফেন্থরক্লবব জটায়ু পক্ষী চেকনিংথৌ মিংথয়েং শানকৈরবগী সূর্য্য মচেংপামচাদা নাউযানবা নিংথৌ রেন্নে বংশ শাগৈ মাঙলইনে। চেক শাগন তুফাংশন পোনবী শাগনথক্লা তুলাই রথ শেম্মা চারি চিথেক মরিমদা ধ্বজ ফিবল খন তুলাই মপূং ফাহৌরকবদা দশরথ নিংথৌরেন। চেক্র। মতিক হংনা পক্ষী মতিক থাংনবগী পোলবী চেকনিংথৌ চেক্রা শাফু কনবা নংদি জিব ঐগী থবায় ঙ কপিয়ে পঙৌ লেপ্পোশিন গুম্বনে হায়না। চীংলেন পল্লংল। অমদি থৌজু নুংগাএই চাংচাউ থোইবা অমদি তেৎনৌ যেংপু ওইনা শত্রু মাংন্তক ভয়াংনা মৈশুংওই খাগী মৈগানিং শীংলেন চন্দোন্নে ননশ। শীংওইনা দশরথ নিংথৌরেনগা জটায়ু পক্ষী চেকনিংথৌগা মিত্র লম্নোই অচেংপবু ওইনখিয়ে হায়দবর। পোলবা চেকনিংথৌদি চেক। রাকাফমদা হনরাইখিরে হায়দবরা। কাত্তিবাস শেমহৈবনা মিত্র লম্নোই অনিমগী রারী চীশং থোইরেন হিগুম্বব য়াথং লেংলমশৈদি আসনে।

রাজা দশরথ নিংথৌরেনসুঙ থিংলো নীংনাতেনা শনি মাঙদা লেপ্পবব শনি চীনগোই ময়াথংনা রাহমঙাময়ে। অযোধ্যা খুৎনিংথৌ নংবু পায়মা লৌশিংতাম্না শনি ঐগী মাঙওই লেপহৌরবনো। লাইন হয়িচকইদা প্রাকৃতি মপারি গনপতি অহেনবসুঙ মিংথয়েং ঐগী চৈথাখোনগীনা তাজ লুরেলকেল্লবব ইন্দ্র সরারেন মথুংনেৎ ঐরাবোৎ অঙৌবগী লাংগোইকোক

অনিলোঙববু তাংজ লুরেন অমা থাইনা পাল্লৌয়ে হায়বগী কোলোই মমিংথোংবু গজানন.ও তৌনা কৌয়ে। মিংয়েং ঐগী পান্দম খোল্লা খোইয়ম লাইগী মচানস্তুঙ তাংজ লুরেন ঙালনা লাংথিয়ে। সূর্যোবংশ মচেংবচাদা নাউরানবা রাজা নিংথৌ- রেনবু নগুইগীদি প্রাণ থরায় তৎনা নোমনহনদুনে তৌইগুম পায়মা নংগী উনগে ইন্দ্রংদা বর অমতত্তুম লননিজথি ও হায়রবগা রাজা দশরথ নিংথৌনা পাউথুনখিয়ে। হোয় হে শনি নরনকুদি অযোধ্যা ইরৈবাক্তা কোরৌ হনক.ংনিরববু লাইজ ঈথ.বী ও বর লম্নিজরবগী রাজা দশরথ নিংথৌরেন্দি খে.ইয়ম মরনকুগীনা শুংডাইমথৈলেংনা অযোধ্যা মরৈবাক্তা হনরাইথিরে হায়দবরা।

রাজা দশরথ নিংথৌরেম্না কোরৌ নেংবুম অমা খেল্লেন মতম ফবা অমদা পনম নোংশিৎ লাংনা রায়রা শাদানগে হায়না যাত্রা খোউশাল্লকপবু শাতুপ শাঙাই শয়ু লৈরাং জীব জন্তু থনায় পানবা করি অমত্তবু মিৎয়েং শানখৈতরবগী স্রর নদি লাইজ ঈ'রন্নাইবু ইন্দানখিবদা অন্ধক মুনি মিৎতাংবনা পুত্র মপারি বালক নারা অপিশানা মপলগী তরা চাংথোংনবা সনা পুল্লাং খুন্তুনা ঈমু ময়োন শৎপগী পুল্লাং ঈরিকথোনবু গজ শামু লুবংবগী শব্দ খোঞ্জেন মান্না নাতারবগী দশরথ নিংথৌ রায়রা মত্তলচা শব্দ খোঞ্জেন তানা পাক্ষুমতেনবু লারিথমোয়তিংনা তেলর.ইরববু উনবী চক্রমলেংনা চৈবীরবদা অন্ধক মুনি মপারি নারা অপিশানা রাহন্নকয়ে। হে দশরথ নিংথৌরেন ও! ইপল পন্থৌ নিংথৌ পলেম ইমা পোকমাবীগা অনিমবু চেংলৌ মমিৎ ফুল্লবগীদমক মপারি নারা অপিশা ঐনা ইপল অনিমবু কোরৌ নোংদামদনা তরা চাহমরিয়ে। অপরাধ লঙজ করি লৈবগী ঐবু চৈবীবনো ইপল অনিমনা ঐবু চেংলৌ

শকউদরবগী প্রাণ থরায়তৎনা নোংমলঙৈনে রায়রা তেলবালশৎ ফৈরা তান্দাপমনা ইপল অন্ধক মুনিরেন পলেম ইমাগদি শ্রীফল তলা উখোঙখাদ মরান য়ুমওইনববু তান্না থিনবীও অস্থম রাহম্নবগা প্রাণ থরায়তংনা নোংমনখিরবদা দশরথ নিংথৌরেন্না ফৈরা তান্দাথোংনা মুনি সনা মখোঙখাদ পাউতাক্লবগা অন্ধক মুনিরেন্না মপারি নোংমল্লে হায়ববু নাতারবগী দমক মপারিবু চেংলৌ শকউদা ফৈরা তান্দাথোংনা মীকপখিয়ে। পারি নংনা কোরৌ নোঙ্গারবদি নপল ইপিণ্ডাস্থঙ চফু তিম্নাংশৌংমদবগী তরা চাথোংদনা নোংমলঙৈনে হায়না মীকপ্লিঁদা দশরথ নিংথৌরেন্না খোইয়ম কোলোই মমিংথানা সূর্য্যবংশ মচেংমাদা নাউয়ানবা ঐগী রায়রা ইর্তৈলচাদা নপারিবু নোংমল্লে হায়না পাউতাক্লবগা অন্ধক মুনি অথোইবনা রাহম্লকয়ে। দশরথ নিংথৌরেন ও ঐনা ইপারি খাইনবগী দুখ অরা নংনা তরা চাবুক লাম্বগুম নপারি মুংজানববু পোক্লবগা প্রাণ থরায় তৎপবু লাম্নং ও হায়না শাপ মীচৈরবগী দশরথ নিংথৌরেন্না মুনি চীনগোই নয়াথং অসিবু কোরৌ নোংবুম কদোনোংস্থঙ মাঙফরোইয়ে মুনি নরনকুগী পারি মুংজানববু শংলবদি প্রাণ থরায় মাঙলবস্থঙ প্রামুরোইয়ে হায়রবদা। রাজা নিংথৌরেনও মুনি ইখোঙখাদ অপরাধ লঙজরাগী বর লনকু ফংজরে। অযোধ্যা নপুংয়াইদা যজ্ঞ মণ্ডম তৌরবগা খোইয়মু বিষ্ণুশিদবা মথম্ননা অংশ মখায় মরিওইনা নপারি প্রথম অহানবদি দেবনরায়ণ শংশংববু পোক্লঙৈনে। চহি কুমশীং তরানিথোইগুরবগা মুনি ঐগী শাপ মীচৈথোম্না প্রাণ থরায় তৎনা কোরৌ নোঙ্গারঙৈনে পাউমেল্লবগা দশরথ নিংথৌরেন্দি অযোধ্যা মপুংয়াইদা হনরাইখিরে হায়দবরা। অসাইঙৈগী অন্ধক মুনিরেনস্থঙ মপারি পামুংশিরাগী প্রাণ থরায়তৎনা কোরৌ নোঙ্গাখিরে হায়দবরা।

অযোধ্যা লৈমাবা দশরথ নিংথৌরেন্দি অন্ধক মুনি মীচৈখোনগী বর লনকু ফংজবা রারী নুংঙাইবা অসিবু কীর্ত্তিবাস শেমহৈবনা শেমলমশৈনে। অসাইদৈগী মুনি মীচৈখোনগী দশরথ নিংথৌরেম্না মদাইরেম অযোধ্যা লৈবাক্কী পাত্র লেংনা তিনবদা রাহম্নরিঙৈ সমর হিংচাবনা ইন্দ্র সরারেম্নচিংনা খোইয়ম লাই অয়াম্ববু হুয়েল লালশোক ঙমজরাগী। ইন্দ্র সরারেম্নচিংনা হে দশরথ নিংথৌরেন ও সমর হিংচাববু পাঙ্গন উংনা প্রাণ থরায় লৌবা ও। চীংঙু ঐখোয়গী শেকচুপ পন্দাই ওই ও হায়না রাহম্নবগা দশরথ নিংথৌরেন্দি ইন্দ্র ময়াথংতানা থৌদোংখিয়ে। তুলাই রথ খোঙওইননা কোরৌ নোংদকানা দেব গন্ধর্ব্ব রায়রা মচেলচা অথৌববু লীচিং নাকোংফংনা তেন্তারবগা দানব হিংচাবা পুম্নমবু নেংমলহল্লবগা সমর হিংচাবনা লালফম নাইয়োকয়ানা রায়রা মতেলচাবু তেলবী নোংজুনা নুমিৎ মঙাল খুম্না হুয়েল লাল শোক্লরবদা দশরথ নিংথৌ রায়রা মতেলচা তেনবী থাশাবনা সমর হিংচাববু তাংজ নুরেন কক্না লালশোক খুংঙম্নবগী ইন্দ্র সরারেনবু অমরা লৈবাক পিরবগী দেব সর্ব্ব অয়াম্বনা দশরথ নিংথৌরেনগী থয়াঙ মথৌমনবু প্রশঙ্গ থাখৎনরে হায়দবরা। দশরথ নিংথৌরেন্দি দানব খুংঙম্নবগী অযোধ্যা মপুংয়াই সনা কোয়্নুংলেন্দা। রাইথুংলবগী মশানৌ কৈকোয় অহেনবী পদ্মা থম্বাল মানবীনা স্বামী মপু অরোইবা লালশোক অরা শোনখৈনিল্লববু অরা মতিক খঙনা ভক্তি সেবা লাইরেক্ক পুক্লাং মথোইতোংনা খৌথনম্নগী লালশোক অরা কোক্লবগী দশরথ নিংথৌরেম্না মচান মোমোননোক বিনয় য়াথংমেঙনা কৈকোয় মশানৌদা শানৌ পুক্লিং করি ননীংবনো বর লনকুবীগে হায়না পাউহংববু কৈকোয় লৈমা অহেনবীনা পাউখুমখিয়ে। সময় মতম করিগুম্বা অমা থোক্লবদা বর লননিজগে হায়জারৌয়ে।

মতৌ অমুম্তুঙ চরৈ ফিকোম্মুং গুহ্য দ্বার থোঙলেনখৈ অচিনবদা য়াইরোং লাইপুম থুংয়ে অমুম্তুঙ মদোমদে পায়মা উনগোই-মুংদম্তুঙ পুকলাই লাইমন থুংলবগী মদাইরেম পাত্র অঙম্বদা রাহম্মখিয়ে। তয়মশিং ও রাজা ননিংথৌ ঐদি লাইথুং পোৎলুম পিরক্লে আয়ু ঐবু পুন্সি মতোল্লোম্মবরা কোরৌ ঐনা নোঙ্গা-রবদি সূর্য্য ঐগী মচেং পামাচাদা ধারা লেপ্লৌশিন্না অযোধ্যা ইপুংয়াইদা সনা সিংহাসন অসিদা লেপ্লৌগদববু লৈতে তয়ম-শিং ও! ব্যাধি লাইথুং কোক্লবা ধবন্তরি হিদাক হৈববু পাউকৌহল্লুরবগা ধবন্তরি হিদাক হৈবনা নিংথৌ লাইশেংলবগা। হে ইবুঙো দশরথ নিংথৌরেন ও পুকলাই লাইথুং অরুম্বদি ঔষধি হিদাক চানা ঙমঙেনে চরৈ ফিকোম্মুংগী য়াইরোং লাই-পোম থুংবদি মুখ চীনবানফংনা চুপথোকহাল ও হায়না রাকৎলবগা। রাজা নিংথৌরেন্না শানৌ রাণী অহেনবীশিং ও ব্যাধি লাইথুং অনাবা অসিবু মুখ চীন্নাফংনা কনা চুপকবনো পাউহুংববু কৈন্যা অহেনবীশিংনা কনা পাউথুমঙমদখিয়ে। কৈ-কোয় অহেনবীনা শমু মথুং লোম্না পাউথুমখিয়ে। স্বামী কোরৌ ইনোংথৌও নদাইরেম ঐ, য়াইরোং লাইপোম তমথিবা অসিবু মুখ চীন্না ফংনা চুপথোক্কে হায়না চুপথোক্লবগা নিংথৌ লাইথুং অরুম্ববু অনা লাইকোক্লবগী শানৌ কৈকোয় অহেনবীও পায়মা নবুকমুংদা নীংজববু স্বামী ননোংথৌ ঐ লনকুবিগে হায়না বচন য়াথং মেংনা রাহম্মকয়ে। কৈকোয় অহেনবীনা শমু মথুং লোম্না পাউথুমজরকয়ে। অযোধ্যা লৈমাবা হে ইবুঙো তা ও। লাইহল অরা লালশোক থৌকাউনোংগী থৌজাল নরনকুম্তুঙ হৌজিক দয়া নথৌজানগা অনিমবু লৈজখিহনো। হয়েং কর্ম্ম থৌরম থোক্লবদা সম্মা নথোঙখাদ পুক্নীং লননিজগে থৌজাল চেপ্পা লনকুবীও রাহমনরবা অসিবু নমু পোংবচাশিংনা শান্ত

পুক্সীং তপ্পা নাত্তারবদি সংসার রাংমা লান্নখিয়ে। কৈকোয় থৌজালরা দশরথ ননকুশৈদি ক্বসিনে হায়দবরা।

রাজা দশরথ নিংথৌরেন্না রাজসভা অয়াম্বদা রাহমখিয়ে। তয়মশিং ও লাহন অন্ধক মুনি মিৎতাংবনা রাহমলম্ববু লৈয়ে। মপারি মুংশিরাগী প্রাণ থরায়ত্তৎনা নোংমল ও হায়বদি মুনি চীনগোই ময়াথংদি শীংলেন আরেম্ববু ওইরবরা। পারি রাজা লৈবাক ঙাকপবু শাক্তরবদি সূর্য্য মুমিৎ শাগে মাঙহলঙৈনে রাহম্ববু নাতারবগা মদাইরেম পাত্র অঙম্বশিংনা পাউথুমখিয়ে। হে দশরথ নিংথৌরেন ও পুত্র নপারিবু শাৎকে হায়রবদি অশ্বমেধ যজ্ঞ মণ্ডম তৌও হায়রবগা রাজা নিংথৌরেন্না সুমন্ত্র শাথৌববু পাউকৌরে। দশরথ নিংথৌরেন্না ঐগী কর্ম্ম থৌরম পাঙনবা পৌরস্ত মুনিরেনবু পাউকৌরু ও হায়রবদা সুমন্ত্র শাথৌবনা অযোধ্যা মনিংথৌদা রাহমখিয়ে। বিভন্দ্র মুনি মপারি ঋষি শৃঙ্গ মুনিবু যজ্ঞ মণ্ডম তৌরবগা পায়মা উনগোইন্নুংদা নীংজবা আশা পুক্সীং পাঙঙৈনে লাহল অঙ্গ মরৈবাক্তা নোংলেন মরাঙ হৌদরববু মানা কোরৌ নোংজ্হানয়ে অন্নম পাউদম্বদা লুমাবাস নিংথৌ অঙ্গ মরৈবাক্কী ঋষি শৃঙ্গ মুনিরেনবু পাউকৌরুরবগা অযোধ্যা মরৈবাক্তা রায়থ্‌ংলরে হায়দবরা। ঋষি শৃঙ্গ মুনিরেনবু মুনি মতিক য়েংনা রাজা নিংথৌরেন্না শমু মথুৎলোন কাউবীচৌগালুক্লা মুনি সনা মখোঙথাদা পুত্র মপারিবু পোকচগে হায়না বর লম্বিরবগী মুনি য়াথং অমেঙবনা হে রাজা নিংথৌ ও স্বয়ং ভগবান অথোইবনা পুত্র মপারিবু ওইনা পোকলঙৈনে। লাহল অন্ধক মুনি মিৎতাংবা শাপ মীচৈবাবু য়োন্দনা রাইথ্‌ংলঙৈনে পায়মা নবুকম্নুংদা চিন্তা অরা চংগুনো যজ্ঞ মণ্ডম অচৌবরক্তগী অশ্বমেধ মণ্ডম তৌও বিষ্ণু মপুম অমনা নপারি মরি ওইনা শাংঙৈনে হায়রবদা দশরথ

নিংথৌরেন্দি মুনি য়াথং তানা হরাউ য়োইথোন্নবা রাজামাগী পুরোহিত বশিষ্ঠ মুনিরেনবু দশরথ নিংথৌনা ভক্তি নমঃ তৌনা রাহম্‌খিয়ে। মণ্ডপ পোৎয়াও অযাম্বা সামগ্রী শীংগুনা সুমন্ত্র অঙম্ববু শমু মথুংলোন মুনি পূক্লাং তপ্পা যজ্ঞ মণ্ডপ তৌবী ও রাহম্নবগা বশিষ্ঠ মুনিরেন্না পাউকৌখিয়ে। হে সুমন্ত্র শাথোবা ও মণ্ডপ পোৎযাও অয়াম্বদি যব লোইমোম ফৌ ময়োন তরা চেং মচং কাওরেল মপীমচা শলখোম দুধ অহিংবা দধি অফম্বা ঘী খোইহি ইরাৎ পোৎসু লোক ও। মণ্ডপ স্থান মফম ফারা শেম ও। ঘীফু পুল্লাংমপৈ লীশিং মরিযুম্নুঙ পাবোৎ মপৈ থীঙমদা শ্রীফল উমযোনগী সরোবর ঘা হৈনবা কেটি মপৈ অহুমসুঙ শগোল শামু থীঙমদা মপৈ কুন্থাহনা মণ্ডপ পোৎযাও অসি খৈবিকপু ভাণ্ডার লনকৈ শা ও। যজ্ঞ মণ্ডপ তৌনবা খোইয়ম লাইফংথৌগী শঙলেন অম্মা তৈনা শা ও। মণ্ডপ পোৎয়াও রাভনা থৌরংলু ও হাযববু মুনি যাথং তারবগা সুমন্ত্র অঙম্বনা যজ্ঞ মণ্ডপ তৌনফম্বু লৈনাশেম্ মণিমুক্তা থাম্মা গৃহ শঙদেং শারে। সংসর পুম্নমগী রাজা নিংথৌফম্বা চোইনৌ সনা মপাক্তা লাংগোই মোংশযানা রাচেৎ কইদোইচল সনা ইতাইখোম্না ফক্লাং যুমকোযননা শঙলেন মশীং চাম্মম্নুনা মুনি ঋষি অয়াম্বগী শঙকোয়গবেশা গৃহ শঙদেং তয়াংদি লখা মশীং লাকঙমদনা শঙ শারে। রাজা সভা অয়াম্বগী চেইনৌ সনা ফান্দেং সনা খুজাই মথুংসু অহার মচিঞ্জাক সামগ্রী মশীং অয়াম্বসু কৈরেলতৈনা শা দান শরুক শিং বা দক্ষিনা লয়েম্নবা চোইনৌ সনা লুপা মনিকগ্রা থীঙমদা ভাণ্ডার লনকৈথন্না থম্নবগা বশিষ্ঠ মুনিরেন্না রাজা দশরথ নিংথৌরেন্দা মণ্ডপ পোৎযাও অয়াম্বা পুম্নমবু স্বরে হাযনা পাউতাক্লবগা দশরথ নিংথৌরেন্না মালেম চিথেক মরিমদা তুংখোঙলোইশিনা উনবী পুক্লাংখন

নিংথৌ মশকথানা বার্নে পাউকৌহল্লে। মিথিলা মরৈবাক্কী জনক ঋষি নিংথৌরেনগা সম্মোলো লৌমলো। অর্কপা নিংথৌ মচাশুঙ যাত্রা থোঙশাল্লক্লে অঙ্গ মরৈবাক্কী লুমাবাস নিংথৌরেনসুঙ সংসার পুম্নমগী নিংথৌ অয়াম্বসুঙ মাইকৈ খানা পাংবলমগী রাজা নিংথৌ লখা কুনভরেংমসুঙ নোংলেন লাইনা পাংবলমগী নিংথৌ মরিক্ তককমসুঙ যজ্ঞ মণ্ডমতৌনাফমদা নিংথৌ মশীংশু বার্নে মপূমরাক্তনা রাইথুংলরে হায়দবরা। দশরথ নিংথৌরেন্না নিংথৌ অয়াম্বগী রাজা চক্রবর্ত্তি থাযেনবনিগীনা ইশা তুগুম্ববু তুগ'চুং চক'মাম তুগুম্ববু শোংগা কাঙনয়ে হায়য়ে। বশিষ্ঠ মুনিরেন্না হাওশিংঙমগাচিনা মুনি মঙাইরোই লৌশিং কুনশুনা যজ্ঞ মণ্ডম তৌনাফমদা মন্দির কোযনা ফমফম্লবদা ঋষি শৃঙ্গ মুনিরেন্না সরোবর ঘাইহেনববু শন্ থুকাশু ঘী থোইদিং য়াওনা দশরথ নিংথৌরেনগী পুত্র মচা পোক্লবা থোইযম মন্ত্রশোন্না সরোবর ঘীহৈথোক্লে। রাজা দশরথ নিংথৌরেন্না যজ্ঞ মণ্ডম তৌনফমদা ম'নবা খুত্পা প্রণাম মালেম লৈদাপক অষ্টাঙ্গ মফম শোক পঞ্চাঙ্গ মরেনথীনা বর লম্লিরিবৈ শূন্য অতিংঙাদগী রাবণ মংকোক ওরা পানববু প্রাণ থরয লৌনবা থোইযম বিষ্ণুশিদবা স্বয়ং মহকশাংনা পোক্রবৈনে হযববু শূন্য অতিংঙাদগী বিষ্ণু খোঙ্জেল ভারবগা ঋষি শৃঙ্গ মুনিরেন্না রাজা দশরথ নিংথৌরেন্দা রাহমখিয়ে। হে দশরথ নিংথৌরেন ও চাংঙু আজ্ঞা ময়াথংবু নাতা ও। লঙ্কেশ্বর লৈমাবা রাবণ নিংথৌ মাঙনবা চীংঙু নবায়ণ শিদবনা পোক্রবৈনে হায়না রাহমরিবৈদা দেবলেংনা তিনবনা পুষ্প শীংলেন ওইনসনা নেংজুনা জয় য়াইফশোনববু নাতারবগী রাজা দশরথ নিংথৌরেন্দি মুংঙাই পুক্লীং চঙলে হায়দবরা। কৃত্তিবাস শেমহৈবনা শেয়্লবা রাম বারী অহানববু য়াথং ঙমথংনাইনা শেয়্লমশৈদি অসিনে হায়দবরা।

দশরথ নিংথৌরেনসুঙ খোইয়ম কোরৌ রায়েনববু পুত্র নপারিবু ওইনা তানফংজ ও হায়না নোংদমখোনগী যজ্ঞ মণ্ডম তৌনফমদা মুংগ্রাইমখিলৈতনা ফমফমলে হায়দবরা। রাবণ নিংথৌ হিংচাবা থয়াং মথৌমনগী খোইয়ম লেংনা ত্রিনবনা কোরৌ নোংমদোন্দা য়াঙ্গোইফদরবনিগীনা পঞ্চানন তাংজ লুরেন মণ্ডা পান্না হেনমোইবা ব্রহ্মা সনা মখোংখাদা য়াথং অনোনবনা রাহমজরবগা। দেব লাইরুপ অয়াম্বা চীনগোই ময়াথংবু ব্রহ্মা মচীন মরি পানবনা রাহম্বা নাতারবগা। হে খোইয়ম লেংনাতিনবা নখোয়বু ভয় অকিববু পুম্না লৈগুনো। লাহন রাবণ হিংচাববু প্রাণ থরায়তংনা নোংমলগদববু আয়ু পুন্সি গুজিল্লক্নে। দশরথ নিংথৌরেন্না পুত্র মচা পোকচগে হায়বগী দমক যজ্ঞ মণ্ডম তৌজরিয়ে। হরি খোইযম শিদবনা পুত্র মপারি ওইনা পোকলুগনে খোইয়ম অয়াম্বশিং ও। ঘৃত শলখোম অহিংবগী সমুদ্র শলখোম ইরেনপুংদা চীংঙ্ বিষ্ণু নামুংবনা য়াতাফম্বু চীংঙ্ খোংখুনলী বিনয় য়াথং অমেংবনা রাকৎচরুসে হায়না ব্রহ্মা চীনগোই ময়াথংবু খোইয়ম অয়াম্বনা নাতারবগা ঘৃত শলখোম অহিংবগী লাইজ ইরেনপুংদা অনন্ত তাংজলিল্লা নিংথৌ তোক্লেন লীশিং অমা পানবনা সনা ছেকপিন ওই লক্ষ্মী সরস্বতী অনিমনা খোইয়ম নাক্তা খন্না বিষ্ণু য়াতাফমদা দেব লাই অয়াম্বনা মানবী খুতপনা লৈশী লৈথোন্নখিয়ে। থম্বাল লৈকা নিপানথক্তা চীংঙ্ নিরঞ্জয় কৌনা ফম্ফম্বা মায়া মশালওনবু কনা অমতনা খণ্ডবা চীংঙ্ নখোংখাদা উনবী পুরুীংপীনা নীংজরবগা নমু ম্রীওইববু খোইয়ম কৃপা নথৌজানগী মুক্তি ফম্বীরেনবু শমু খুত্তা থুম্না পীনবা লাইসুঙ নংনে। চীংঙ্ নঙনথাবা স্বরূপ চেংলৌ শকপাম্বোংবু খণ্ডবা প্রভু কোরৌ ইনোংথৌ ও দানব হিংচাবা পুন্নমবু জিব থরায়লৌনা চীংঙ্

ঐখোয়বু শেকচুপ পন্দাইওইনা ঙাকপিও ব্রহ্মা মহেশ্বর অনিমানা ফংফদবা নংনা নদাইরেম সংসার পুম্নমবু শয়েঙ পানগাতিংনা ঙাকপিঙেনে। লঙ্কা মনিংখৌ রাবণ হিংচাবনা ব্রহ্মা লনকুবাগী পাঙ্গন খুৎঙমথিনা খোইয়ম ঐখোয়গী কোরৌ মখননা থৌথা-ফম্বীরেন্দা চীংঙ্নংনা শেম্বীবা তাইবংপান পুম্নমক্তুঙ স্বষ্টি মালেম লৈকোয় মাঙহল্লে হায়না চাংঙ্ অয়াম্বনা বিষ্ণু সনা মখোঙথাদা কোলোই অমেংবনা রাহমজখিরে। য়োইময়াই তাউদনবা সূর্য থবি শেনকোয়রেং অপানবক্তুং মশাবী লোইদাম থাজ পাখংবক্তুং রাবণ শোংগীরাগী থোকফদরবনিগীনা সংসার মঙাল মমলে। কোরৌ মখনমদা তারা থরাম্মিচাক্লা তোংজেংলেংনবফক্তা বায়ু খমগোল অহুম্বনা মালং লেঙলেংফদরবগী সমুদ্র ঈরেনপুংনক্তুঙ তরং ঈথক হৌদরে হাযদবরা। গন্ধর্ব্ব অশৈ শকফমদা অপ্সরী চুকোই শাফদা লোইদাম মেরাথা বসন্ত শীংলেন লৈপাম্থানচিংনা ছয় ঋতু মতম তককমক্তুঙ পুম্না ওইফদনা পৌরস্ত মুনি মনোং-য়াই বিশ্বশ্রব মপারি রাক্ষসী হিংচাবীগী পায়মা উনগোইম্নুংদা নাউয়ানবা রাবণ হিংচাবনা ব্রহ্মা লনকুবাগী খোইয়ম ঐখোয়গী স্থান ফম্বীরেনবু কোরৌ নোংখোঙ কায়হল্লে। রাবণ হিংচাবনা মালং ম্নুংশিৎলাংনা খেল্লা তোযদাওগে হায়রবগা। খোইয়ম মাইকৈ ঙাকপা নিপানমনা রাবণ মাঙদাচৎনা থৌখল্লবগা চীংঙ্ ব্রহ্মা সনা মখোংথাদা রাহমজবনে হায়ববু। চীংঙ্ বিষ্ণু শিদবনা নাতারবগা তাইবং পানবা পুম্নমগী ঈশ্বর মপুরেন দেব নরায়ণ শিদবনা স্বরূপ চেংলৌ শকউদনা দেব বচন খোইয়ম লাইরোন অকুববু রাহম্লক্কে। সূর্য্য মচেংবমাচানা নাউয়ানবা অযোধ্যা লৈমাবা রাজা দশরথ নিংথৌরেনগী গৃহ শঙগাইম্নুংদা অবতার শালওন ইপুংফানা শানফোঙলুগে। তপস্যা খোইয়ম লাইবু নীংবা চরৈ ফিশেৎতাম খোইমা নারোনম্নুংদা নাপী

অশোংচংনা তপস্যা লম্মোইকঙৈনে। বানর লান্মী অয়াম্ববু খ্বা লমলোইওই য়োংয়াম মরুপ থোম্না সীতা মগুংলাংগী রাবণ থরায় মাংহনগনি। ইন্দ্র সরারেন ধর্ম্ম যমরাজ রায়েনবা মুমিং থা খোইয়মলেংনা তিনবা নখোয় খৈবিক্কী মায়া নাশালওন্না রাবণ য়োংমুরা শাফবীশিংগী পায়মা উংগোইমুংদা গর্ভ নপুংফানা খ্বা য়োংযাম ওইনা পোকলুও পবন মুংশিংনিংথৌ ঔরস মপুরেন্না পোক্লুবা খ্বা পাখং অতেংবদি চাংঙু ঐগী পাঙ্গন ইতিক মাম্নঙৈনে। দেব সর্ব্ব নখোয় খৈবিক্কী য়াঙ্গোইফম কোরৌ মথনমদা মুখ অয় লৈতনা হনরাইখিরো। চাংঙু ঐসুং অযোধ্যা মপুংয়াইদা অবতার ইপুং ফকগে হায়না খোইয়ম বিষ্ণুশিদবগী দেব বচন নীংথিববু নাতারবগা চাংঙু লাইকপ অয়াম্বসুং স্থান মখোয়গী ফমীরেনবু ইন্দানখিরে হায়দবরা। য়োইবু লক্ষ্মীকমলা অহেনবীনা বিষ্ণু সনা থুযারেন্দা শমু থাংচপনা রহমজরকয়ে। প্রভু কোরৌ ইনোংথৌ নংদি অযোধ্যা মপুংযাইদা পূর্ণ নপুংফানা নমুপোংবুওইনা শানফোংলুগে হায়রবদি মুমিং শীংবুম কয়ানিদা চেংলৌ শক উনসিবনো? হায়ববু নাতারবগা চাংঙু নরায়ণনা পাউথুমখিয়ে। মিথিলা মরৈবাক্কী রাজা নিংথৌ থোইখোইবা জনক ঋষি নিংথৌরেনগী সনা শঙ্গাইমুংদা নমুমীবুক চংদনা শানফোংলুঙৈনে। য়োইবু লক্ষ্মী কমলা ইশানৌও। স্বামী ননোংথৌ ঐনা বিবাহ লুহোং খোঙদোংঙৈনে। লক্ষ্মী নগুংলাংগীবু রাবণ থরায় মাঙঙৈনে হায়রবগা লক্ষ্মী খোইমোম লাইরৈমসুং মুংঙাইমখৈ লৈতনা হন্নাওরে হায়দবরা। নরায়ণ শিদবনা বৈকুণ্ঠ কোরৌ নোংমদোন্দগী অযোধ্যা লাই পাখংবু ওইরুগে হায়বগীদমক অসাইঙৈগী দশরথ নিংথৌরেম্না যজ্ঞ মণ্ডপ তৌরিবা কুম্মে কোম্নুংরেন্দা লারক্কে হায়দবরা। অকাশ অজিংঙাদগী কোল্লৌ মথনমদা দেব সর্ব্ব লেংনা তিনবনা শব্দ

য়ারা খোঙ্গেল্লেন জয় য়াইফ শোল্লক্লে হায়দবরা। ঋষি শৃঙ্গ মুনিরেন্না সরোবর ঘীহৈথোই পূর্ণাহুতি তৌনা যজ্ঞ মণ্ডম লোম্বগা চীংঙু বিষ্ণু শিদবনা পোক্লৈঙেনে হায়ববু দেবলেংনা তিনবা অঙ্গা ময়াথং নাতারবনিগীনা। রাজা দশরথ নিংথৌরেন্না মুনি সনা খুয়ারেন্দা শমু মথুং লোল্লিহৈঙেদা যজ্ঞ মণ্ডম তৌনফমদগী চারু মতুম অনিবু নরায়ণ তেজ মঙালপক্লা চোংথোক্লকলে। মুনি অয়ান্বদি শংশং মিংথিংলে হায়দবরা। ইন্দ্র সরারেন-নচিংনা জয় য়াইফবগী শব্দ য়ারা খোঙ্গেলথোক বাংলেন পুং-থংতৈনা ভাবং শেনফ ঁয়েরে হায়দবরা। মুনি লেংনা তিনবা ধারা লাক্লৌশিনবশিংনা রাহমখিয়ে। হে দশরথ নিংথৌরেন ও যজ্ঞ মণ্ডমনুংদগী ভরা চতুম মান্না চারু মতুম অনিদংবু থোক্লক্লে হায়না পাউত্তাকপবু নাতারবগা রাজা দশরথ নিংথৌরেন্না চারু মতুম অনিনবু শনু খুত্তাথুম্না রাজা য়েংইকোনুং কোম্নুং অচন-বদা কৌশল্যা কৈকোয় অনিমদা পুত্র মপারিবু পোক্লৈঙেনে হায়না শমু খুৎশিন্নরববু সুমিত্র অতোনবীনা য়াথং পুক্নীং অমেঙবনা বারম মরীতীনা রাহমজখিয়ে। স্বামী কোরৌ ইনোংথৌনা শমু খুংশিন্নবদি করিনো মোনম্নু মুজালন্তগী চীংঙু লাইবকথিবী জীব থবায় পাল্লিহৈঙেদা তমল থক্লৈ কুম্বী লৈরাং মসুং মাপ্লে হায়না রাহমজববু নাতারবগা কৌশল্যা নীংথিবীনা চারু খুত্তাগুনা স্বামী মনোংথোদা রাকৎচখিয়ে। শানৌ সুমিত্র অহেনবীদসুঙ চারু মথাইমবু পিজগে পাউত্তাক্লবগা রাজা নিংথৌরেন্না শানৌশিংও উনবী নখোয়বু পুকমান্নরবদি চামন্ন ও হায়খিয়ে। নিংথৌ সনা ময়াথংগী কৌশল্যা কৈকোয় অনিমদগী চারু মতুম অনিমবু মখাই মরিমা ওইনা থাইথোক্লবগা চারু মথাই অনিমদি সুমিত্র অতোনবীনা চারে হায়রে। কৌশল্যা লৈমরেন্না রাহমখিয়ে চারু মথাই অনিমবু তংলবগা পুত্র নপারি অনি শাৎঙেনে হায়রবগা

ইপারি অনি শাংলবদি শাবী নপিঙচাগী নপারি কনিমনা। হৈনা মতুংইন্না সেবা থৌখলহনগে হায়রবদা রাণী অহুম্মদি মসা। লৌচ-জুগওইনা ফমফম্লবদা চারু মতুম অহাওববু শম খংথাং মায়না চামন্নরবগা গৃহ মাগী সনা য়ুমদা য়াচংখিরে হায়দবরা। দশরথ নিংথৌরেলগী অশ্বমেধ মঙম আচৌববু সমপ্ত মনুষ্যশিং মুনি ঋষি ব্রাহ্মণ ক্ষেত্রি বৈশ্য শুদ্র রাজা নিংথৌ পুরুষ্কার শক্ন মফমলেন দেশ মরৈবাক্তা হলরাইখিরে হায়দনরা। অযধ্যা মরৈবাকী নর পোংবচাশিংসুঙ নিংথৌ য়ুথং অখুববু তনা নরান য়ুমকুমখিরে। কৌশল্যা কৈকোয় সুমিত্র অহুম্মনা চারু মতুম চাবগী রাহায় মশা তহানবদি অসিনে হায়দবরা।

রাজা দশরথ নিংথৌরেন্দি আনন্দ লুংচাইথে ইরে হায়রে। রাণী মশানৌ অহুম্মসুঙ পুষ্প শীলেন লৈগী কাংথোংবক্তো য়াতারিঙৈ অহিং য়ুথক তহুম হৌখিনা সমন্ন মঙম চংবা। শ্রীহরি লাইয়িংথৌ শঙ্খ চক্র গদা মেইবুং মখিদা পুংনেবা সুবর্ণ তিংথৌগুম শ্যাম শংবাল্লবা দেব নারায়ণ মথান্দা লাংশ মরিওইনা কৌশল্যা। কৈকোয় সুমিত্র অহুম্ম। গন মথাক্তানা তেজ মঙাল চংববু রাণী অহুম্মগী খোয়েন মচেৎ চান্দ মচুক্তোঙ-নরবগী অয়ুক খোয়েন মঙথৈনরবদা মশাবু রাজা নিংথৌরেন্দা শুদ্ধি মঙবাউ তমজখিয়ে। রাজা নিংথৌরেন্দি গদ হুরাপথোইরে রাণী অহুম্মগী পায়মা পিবুরুংদা মহাবিষ্ণু শিদবনা চংবনিঙ্গীনা উনবী পুক্লীং মকতনা লৈপাক পুম্না ঙাল্লবগী কোয়রৌ মমিৎ খুদিং রাজা নিংথৌরেন্না পাউহংখিয়ে। শানৌ রাণী অহুম্ম ও নখোয়গী পায়মা উনগোইন্নুংদা নীংজবদি আহার চীঞ্জাক করি চানীংবানা পাউহংববু। রাণী অহুম্মনা হে ইবুংঙো নশানৌ এখোয়না চানীংবদি মালেম চৌংলৈবাকপু চানীংয়ে হায়রবদা। অযোধ্যা

নৈমাবী অত্রুম্দি লোইদাম নিলমাওথানা কোরৌ মুমিৎ খুদিং ল'ইজ ইনৌক'গুম গর্ভ মপূংফানা নাউনৌগে তৌগুম্ববগী মশানৌ র.নী অহুম্দি অৱা ল.ইখোনভা নৈমা খোঞ্জেনথোক পিরেম খক্মাতারে। অনা না'উকনগুবী অয়াম্বসুঙ সনা য়োইকোম্বুংদা চংলকলে। বসন্ত শীংলন নৈপাম্থা তলা উরৈশংবা চৈত্র লমতা থাগী শঙক্রান্তি নিনমাঙ থা কোরৌ মুমিৎ মাপন্নি পানবদা মালেন চিথেক মরিমবু মাইকৈ পুম্না ঙাল মালং মুংশিৎ তপ্না শিৎনা সূর্য্য মুমিৎ য়ুংথাকপা সময় মতমফবদা কৌশল্যা পাটে-শ্বরী সনা ফম্বাল ফম্বানা পায়মা সনা উনগোইমুংগীবু নাউনৌরে হায়দবরা। হে নর মীওইশিং ও পায়মা নখোয়গী উনগোইমুংদা রাম রাম শোম্না তাও। শূন্য অতিংঙাদ দেব সর্ব্ব অয়াম্বনা জয় য়াইফমিংবু কোরৌ নোংখাকথোনগুম শব্দ য়াৱা খোঞ্জেন মনিম নাশিনা শেংরে। তাইবং নোংশাপান অযোধ্যা মপুং-য়ায়দা চক্রনাও নাইশিংথৌবু নাউনৌরে হায়দবরা। দশরথ নিংথৌরেন্দা ছত খোঙলেইশীনা থুনা পাউকৌরবদা রাজা নিংথৌবেনা রতন লনমকনাচিংনা সামগ্রী মশীংগুনা কোরৌ লনথারে হায়দবরা। মশানৌ কৈকোয় অহেনবীসুঙ মপারি গুণ মতিক নৈববু শাৎলরে। সুমিত্র নীংথিবীনসুঙ পুত্র মপারি অনিদংবু নাউনৌরে হায়দবরা। চীংঙু নিরঞ্জয় অথোইববু অযোধ্যা সনা সিংহাসন্দা নাউনৌবা সময় মতম অতুদা রাবণ নিংথৌরেনগী সময মতম গুরবগী গয়া হকশাংনিক য়াৱা তুকুপচুংনা সনা লুচপতোনবু মালেম নৈদা অনা ভয় অকিববু চংলক্লে হায়রে। দেবসর্ব্ব অযাম্বা রাবণ মখুৎবাক্তা চল্লিবশিংনা অকাশ অতিংঙাদ হে রাজা দশানন ও দুষ্ট লিনজেল ফত্তবা নংবু প্রাণ থৱায় লৌরগদববু তেজ নরায়ণ শিদবনা অযোধ্যা মপুংয়াইদা বিষ্ণু শংশং ফাউররে। অসি কোরৌ মুমিৎমগীমখৈবু হে রাবণ

নিংথৌরেন ও নংবু শোংবাগীররোইয়ে পাঙ্গন ঐথোয়গী অথোক্পবা ওয় হিদাক শিদববু পোক্নরে হায়না। শব্দ য়াবা থে ঙেনরাংবা লাউথরকয়। রাজা দশরথ নিংথৌরেম্না মপারি লাংলক্লা কোংয়াও রাথকথোন কৌশল্যা সনা নিংগোইগী লৌইদাম্ন পূর্ণিমা থাগুম চেংলৌ শকোই হেনয়ে হায়বগী নমক শ্রীরামচন্দ্র নীংথিবা দশরথী অহেনবা ও তৌনা কৌয়ে। কৈকেয়ী মপ রিদি মিৎয়েং শানথৈথিবদা থোইনা চেংলৌ মিৎচুয়ে হায়বগীদমক ভরত অহেনবা ও তৌনা কৌয়ে। সুমিত্র মপারি অনিনদি মতৌ থোইনা নীংথিয়ে হায়বগী লক্ষ্মণ নীংথিনা শত্রুঘ্ন অহেনবা হায়না মপল দশথর নিংথৌরেম্না কোলোই অসুম নিংথেনয়ে হায়দবরা। মপারি সনা বাপিহন রাম শ্যাম অহেনবু মপল দশরথ নিংথৌরেম্না চেংলৌ মিৎকোই থললগী গরিং হরাউ চংলে হায়দবরা। চীংচু রামজি থে ইকোইগা মশাগৌ ভরত লক্ষ্মণ শত্রুঘ্ন অহুমগা এজা গুরুযীনা বিদ্যা লইরিক ওম্নবগা রঘুপতি লাইয়িংথৌ রাঘব অহেনবদি বেদ মরিম। শাস্ত্র লাইরিক কুম্না-মম্নিমবু পূর্ণ মপুংফারে হায়দবরা। রন চেঙ্গ মঙল অর কনা নম্নু চেংলৌ মিৎপু ঙক্লে। চিংথক শ্রীরামগী রজা বৈকুণ্ঠ অহেনবীশিংনা গদাধর রামজি মাখিংথৌবু স্বপ্ন। বেরৌ মনোংথোবু ওইগে হায়না শঙ্কর মহাদেবগী সনা মথেংথোক্না পূজা ইরাৎচখিয়ে হায়দবরা। বৈকুণ্ঠ মপুরেন রামচন্দ্র থোই-কোয়বনা মপল দশরথ নিংথৌরেন পলেম মমা কৌশল্যাবু ভক্তি সেবা তৌববু সিমা মখৈলৈতে হায়দবরা। রাম সনা মখোংখাদা কৃত্তিবাস অহৈবনা শেম্নমশৈনে। রাজা সভালেংনা তিনবা নখোয়বু রাম রাম শোম্না তাবী ও।

জনক নিংথৌ মমোম্নোন জন্ম মপোক অহানববু রাইম্নক্কে। শান্ত পুক্নীং তপ্না নাতা ও। চীংচু লক্ষ্মী শিদবীনা তাইবং

নোংশাপান অসিবু থোইনা চেংলৌ শকপাম্থোঙনা ঙমজয়ে নীংথি পান্দম লৈতে হায়য়ে। তমফা লক্ষ্মী নীংথিবীনা হিমালয় উনগী-চীংদা বিষ্ণু শালওন মতম য়েংনা তপস্যা কোরৌ লনশারিঙৈদা রাবণ নিংথৌরেন্না তুলাইরথ থোঙওইননা লাররুবদা লক্ষ্মী নীংথিবীগী চেংলৌ মশক উরবগা রাবণ পুক্নীং অয়াংবনা পাঙ্গন খুৎঙমথিগে নীংলবগী লক্ষ্মী শিদবীনা শাপ মীচৈলম্বগা মালেম লৈখারোন্দা লিংথখিরে হায়দবরা। মিথিলা মরৈবাক্কী জনক ঋষি নিংথৌনা যজ্ঞ মণ্ডম তৌগে হায়বগী অরন্যনাপি ফাল্লিঙৈ অকাশ অতিংঙাদগী অপ্সরি চুকোই শাবীনা লংথরকপগুম চেংলৌমিৎপুলংনা পাইথরকপবু কুমহৈ নীংথিয়েংববু মালং চৈ-রোইনবগী য়োইবু চরৈ মুংজানফি নীংথিবীবু হকশাং খুমফাম্না লমথববু নীংথি পুক্নীং হুলোয়ে হায়দবরা। খোযমা নাপি-ফানবশিংনা তেংপাক খারোম্নুংগী লাংগোই লোঙখুম মচীনথোংনা ডিম মরুম ওইনা থোইদোক্লে। খোয়মা নাপি ফানবশিংনা হি-করিনো হায়না পাউশোম্নরবগা মিথিলা মালেম লৈকোইফম্বা সনা মখোঙখাদ কৎচখিয়ে। জনক ঋষি নিংথৌরেন্না হে তয়ম লৈবাক কোইবশিং ও মতৌ করম্বনো রারম মতৌ খঙদে হায়না ডিম মরুম নীংথিবা অত্তবু নিংথৌ মখুৎনা খায়থোক্লবদি ডিম নাউম্বোম পীবুক্লুংদা তমফা লক্ষ্মী শিদবীবু লৈঙামলে হায়দবরা। চেংলৌ শকপাম্থোঙনা ভূমি মালেম লৈবাক ঙাললে অসুম চেংলৌ মিৎপুঙক্লা উনবী পুক্নীং শুমনা য়াব্রা খোঞ্জেন খোক্লদনা মিৎয়েং শানকৈরিঙৈ বৈকুণ্ঠ কোরৌ নোংমদোম্বগী দেব সর্ব্ব অয়াম্বনসুও য়াব্রা খোঞ্জেন লাউনা হায়থরকয়ে। হে মিথিলা নিংথৌরেন ও চীংঙু লক্ষ্মী শিদবীনা নোংথৌ সনা লৈবাকপু নমদাহন্না পোকপিরবনে কোলোই মমিংথোঙবু সীতা কাইরৈমা কৌ ও। হে জনক নিংথৌরেন ও নংগী রাণী কম্বাল কয়ীদা

চেংনা নাউয়োকহল্লো হায়রবু দেব শব্দ খোঞ্জেন তারে হায়দবরা। রাজা নিংথৌরেন্না মশানৌ রাণী অহেনবীদা ৱাইথুংলুরবদা রাণী মশানৌ মিথিলা লৈমাবীনা মচীন ফিনা থুম্না চিনবাল মোমোন নোক্লা স্বামী কোরেৌ ইনোংথৌও কৈন্যা অহেনবী অসিবু স্থান মফম কদায়দগী থঙজরকপনো অসুম পাউহংববু জনক ঋষি নিংথৌনা পাউথুমখিয়ে। যোনি মীবুকচংদনা গর্ভ নাউপুদনা পূর্ণ মথমনা মপুংফানা পোক্লবী কোলোই মমিংথোংবু সীতা ও ত্তৌনা কৌয়ে। শানৌ নংনা পোকপগুম চেংনা নাউয়োকপিও। অসুম ৱাহম্নবগা মলয়া অহেনবীনা চীংঙু লক্ষ্মী শিদবীবু ফাওররে হায়না হরাউ পূক্লীং চংনা নাউয়োক্লবদা য়োইবু সীতা লাইরৈমদি কোরেৌ মুমিৎ খুদিং লাইজ ঈনৌকাগুম বাহু মতালবোম্ব অনিমা মৃনাল থস্বৌ মতামান স্বরূপ চেংলৌ শকপাম্থোঙনা থাজ মঙাল-হেনবী খ্বাং থাংজেংতাবু লাংবল খোইরা খ্বাঙদানা থবা লিকশিলম্বু তাওজিং খাকোক হৈগুদ্বী হকশাং থম্বাল মানবী নিতম্ব নীংজোন পোংনা নীংথিবী ফৈরা তাজিনবু পুম্নংলংচাক পুমগুম্বী খুবোম থাঙথোংলম্বু পুন্নুং নেমবরাগুম্বী খুনীং মোইদোনতাবু হিংঙোন রক্ত ঙাংগুম্বী হকশাং ফিজেৎ অয়াম্বীনা বিজুলি নোংথাংকুপকুম্বী য়ারেন খোংজিতাবু সনা হাজংয়ৈগুম্বী নাতোন নাচিত্তাবু তিলোক থোইদিং মপালগুম নাতোন মতাহেনবী পিগুম পা-কোইলম্বলৈবু লোইদাম হুমনি পানবা থাগুম্বী সিন্দুর তোমথিম্মনা কাজল মিংকোইহেনবী শম্ব্যাং য়েনকাপ থোক্তবী লাইবক খেলাইথোঙবু সিন্দুর তোমথিম্নবী লোইদাম থানিংথৌগুম্বী লক্ষ্মী মরমচংপু চেংলৌ মিথয়েংথৌনাতাবী নমু পোংবচাশিংনা সীতা মশক উরবগা পূক্লীং হকশাং কাউনবী সীতা কৈন্যা মথোক্লকপিবু লক্ষ্মী মপুংফারবগী মপল জনক ঋষি নিংথৌনা লক্ষ্মী মপানববু নীংখলগে হায়না সংসার পুম্নমদগী রাজা নিংথৌ খৈবিকপু হুত

খোঙলোইশীনা পাউকৌহল্লুরবদা সয়ম্বর লুহোংফমদা তাৱা থৱানপিচাক্লুম নিংথৌ পৱেং ফম্লবদা জনক ঋষি নিংথৌৱেম্না রাজা সভারক্তা রাহমখিয়ে। সভা লেংনা তিনবশিং ও ঐনা সংকল্প রাশকপবু নাতাবী ও। নোংপোক মহাদেবগী লীরুং মখুৎগু গুণ মতিক লৈবা অসিবু লীরুং খেংজিহাপ লীচিং নাকোংফংলবদা ইমোম কৈক্যা অহেনবীবু মরান লুহোং খোঙ-দোংবীগে হায়না রাহম্লবগা। নমু পোংবুম হুন্দহুমদোইনা লীরুং লেংথোঙননা সভা মীয়াম মাঙদা থম্লরবগা ময়ুং য়ুথক অহুম শাংববু রাজা নিংথৌ খৈবিক্লা চেংলৌ মিৎথিংলবগী উনবী পুক্লীংঙক্লা নিংথৌ কনানা থাংঙমোই হায়বগী লোম্না হনখিবসুঙ য়াউয়ে। নিংথৌ অৱৈবশিংনা লীরুং খুৎশুলাক মুথ মথাচিক্লা থাংজববু লেংবীদরবগী নিংথৌ তাংজমক্লুক্লা ফমফম্সু য়াওরবদা রাজা নিংথৌ অয়াম্বদি তংজ ইকাইথোক্লা লীকং থাংঙমদরবগী তাংজ মক্লুক্লা হনরাইখিরে হায়দবরা। য়োইবু সীতা লাইরৈমগী জন্ম মপোক অহানবা রাহায় মশা মুংঙাইববু কৃত্তিবাস অহৈবনা শেম্লমশৈদি অসিনে হায়দবরা।

সনা অযোধ্যা মরৈবাক্কী রাজা দশরথ নিংথৌৱেম্না পুত্র মপারি মরিমবু ঙাইরোইননা গঙ্গা তীর্থ ইরুগে হায়না যাত্রা খোঙশাল্লকপবু রাজা গুহ নিংথৌরেনসুঙ মদাইরেম সেনা লাম্মী অয়াম্বগা গঙ্গা ঈকুপচগে লাকপদা লমওক্করবদা হুয়েন লাল-শোক্লরে। দশরথ নিংথৌ রায়রা মতেলচানা তেলবী অথৌবনা গুহ নিংথৌরেনগী সেনা লাম্মী অয়াম্ববু শমু মখুৎ পুম্না থম্লে। রাজা গুহ নিংথৌনা শ্রীরামচন্দ্র থোইকোইববু চেংলৌ মশক উরবগী গুহ নিংথৌরেন ঐবু লাহন ব্রাহ্মণ অথোইববু ওইরময়ে পাপ মহৈ য়ানবগী চণ্ডাল অমাংববু ওইনা পোকলয়ে। গর্গ

মুনি অথোইবনা ঐঙোন্দা বর লনকুপিনয়ে। শ্রীরামচন্দ্র থোই-কোইববু চেংলৌ শকউরবগা পাপ অরুম্ববু কোকঙৈনে হায়রময়ে হায়না রাহমজরবগা রাম দয়া মথোজাম্না গুহ নিংথৌরেনগী পাপ অরুম্ববু কোকনয়ে হায়য়ে। অসাইঙৈগী সেনা লাম্মী অয়াম্বা শমু তুংদা পরৈ লৈবা অহুমুঙ থাদোকপিরবগা রাম সনা মখোঙথাদ ভক্তি সেবা তৌজরবগা রাজ্য মরৈবাক্তা হনল্লাইখিরে হায়দবরা। চৌংঙ্ রাঘব অথোইব ও নদাইরেম ইরাকমনা ধর্ম্ম নপোক অহাননবু রাহয়ক্তে।

রাজা দশরথ নিংথৌরেন রাম অহেনবসুঙ গঙ্গা স্নান তৌরবগা সন্ধ্যা সময় মিৎয়েং নারনবদা ভার্গব সৎজন মুনিরেম্না বর লনকুবীখিরে। হে দশরথ নিংথৌরেন ও পুত্র নপারি রাঘব অহেনবা অসিবু বৈকুণ্ঠ মপুরেম্নে থরায় নংগী নমিরেনবু পুন্য মহৈ চুম্না য়াম্লে হায়না নৈবেদ্য প্রসাদ অথোইববু চামম্নরে হায়দবরা। দশরথ নিংথৌরেন্দি মুনি মরানয়াইদা ফায়েং নোংফাইরময়ে। রাত্রি ইম্নুংশোইয়াইমদা ইন্দ্র সরারেম্নচিংনা দিক মাইকৈ ঙাকপা দেবতা অয়াম্বনা কোরৌ নোংমদোনগী ধমু লীরুং য়াইওইবা দিব্য রায়রা মক্তবরু ভার্গবসৎজন মুনিরেন্দা পিরময়ে। মুনি অথোইবনা লীরুং য়াইওইবব রাম শমু মখুৎ-বাক্তা শমু খুৎশিন্নরবদা হরাউ মথৈলৈতমা পুক্লীং মরাংকাইরে। মুনি সেবা থোখল্লমবগা সনা অযোধ্যা মরৈবাক্তা হনল্লাইখিরে হায়দবরা। রাজা সভা লেংনা তিনবা পায়মা লৌশিংথোইবা থোইয়ম লাইবু নীংবশিং ও তাংজ নরৌতাম জয় রাম রাম শোন্না তাও।

রাজা দশরথ নিংথৌরেম্না মপারি রাম ভরত লক্ষ্মণ সত্রুঘ্ন মপ্নিদনা অযোধ্যা লৈবাক ঙাল্লিঙৈ বিশ্বমিত্র মুনিরেম্না দশরথ

নিংথৌরেন্দা রাহমখিয়ে। হে দশরথ নিংথৌরেনও মুনি ঐনা ইন্দাল্লকপদি যজ্ঞ ঐখোয়গী বিঘিনি য়েথায়রবা দৈত্য হিংচাববু রাক্ষস ভাক্লবা নপারি সনা রাপিহন রাম নরায়ণ অথোইববু থৌশীবীও রাহম্ববু রাজা নিংথৌরেন্না মুনি সিরাপ মীচৈ নংলগনে হায়বগী মপারি রাম মুংজানববু উনবী খোয়থৈমুংদদি পিনীংদা অজ্ঞা য়াথং থাঙমদনা থৌশীখিরে হায়দবরা। লক্ষ্মণ লৌশিং-বম্ভ মশাবীগী হৈনা মতুংইন্না রিশ্বমিত্র মখোয় অহুম্মবু মুনি মরানয়াইদা ইন্দাল্লকয়ে। রাম লক্ষ্মণ অনিমদি খোয়মা নারকচং অরা মথৈলেতা তরা চ'বুক লাম্লববু রামচন্দ্র অথোইবদা মন্ত্র লাইশোন তাকপিরবগা মুনি থৌজানরাগীনা তুখ অরা লৈতনা হরাউরে হায়য়ে। রাম লক্ষ্মণ অনিমনা অরন্য নাপিরক জসিদা করি লৈবনো হায়না পাউহংববু হে রামজি অথোইব ও তারকা হিংচাবী মৃতু অশিববু নমু মউন হুনা চরৈ ফিশেংওইনবী নমু মীকোক অকংববু কুণ্ডল নাশিনববু লৈয়ে হায়না পাউতাক্লবগা। শ্রীরামচন্দ্র থোইকোইবনা কাণ্ডীব লীরুং মখুংশু কোরৌ চুমি-থাংগুম্বা খুংশু তমফা থিনববু লীখিঙ নোংখাক চৈরোইনববু শব্দ খোঞ্জেন তারবগী লৈরোন নোংলোন তরেৎমদগী প্রাণ থরায় পানবা পূন্নমনা মিরেন থাবু থংনা শোংকিনববু হেরা থৌওইদনা তারকা হিংচাবীনা নমু মীকোক লিকশিনা কোক্লেন অনিদি নাশিনবা শমু মহকশাংবু চীংলেন পলংলাগুম চাউথোইবগী মরেপ নোংথৌফংনা হকশাং মতৌ নীংথিদবীনা রাম থৌওইদনা চংলক্লবগা হে রাম অহেনবও শাস্ত্র পূক্লীং তপ্পা নাতা ও। তারকা হিংচাবী ঐবু মীউন ফিশেং ওইনা শিংলি নারি অয়াম্বনা লংশুং ওইনা মীকোক লিকওইনবী ঐগী শাউন ফমফম লৈতরে হায়না পায়মা ঐগী ওনগোইমুংদা অরা পোৎলুম পুনা নীংভম্ববু অসি কোরৌ মুমিৎমদা শাউন ফমফম রাৎলরোইয়ে নউন ফমফম

ওইনগে হায়না থাহন্নবু। চীংঙ্‌ রাঘব অথোইবনা মচীন মোমোন নোক্না লীক্লং খোংজিহাপ ঐসিকতেলবী য়াইওইববু লকা তেলমৈলাক সন্ধান পানগাচুম্না থমোই অথিবদা তেল্লবাল্লগা য়ুথক হুমফুতরা শাংনা হুয়েন লাম্ভরববু দেব লাই অয়াম্বনা নোংশা লালহৌ তয়ে। রাম্‌ পাঙ্গন অথোইবনা তারকা হিংচাবীবু মাঙহল্লবগী বিশ্বমিত্র মুনিরেন্না মন্ত্র লাইশোল য়াওনা তম্বীরে। বিষ্ণু চক্র, ধর্ম্ম চক্র, দিব্য চক্র, গজানন কোবা শব্দ ধারা তেনবী য়াইওইবনচিংনা অস্ত্র খুৎশু খুৎলাই চংথোম্না মুনি লনকু ফংজরবগী রাম্‌ নরায়ণ অহেনবদি আনন্দ মুংঙাইরবগী হকশাং তুখোঙ চুংলে হায়দবরা। বিশ্বমিত্র মুনিরেন রাম লক্ষ্মণ অহুম্মা ঙাইরোইননা ব্রাহ্মণ লাইগী কোম্মুং চংখিরে। রাঘব অথোইবনা হে মুনি অথোইবও কোম্মুং নীংথিবা অসিবু করিনো পাউহংববু বামন লাইগী কোম্মুং অচনবনে। কোম্মুং অচনবা অসিদা কুণ্ড পুখরি লৈয়ে তাইবং নমু পোংওইবনা স্নান ঈরুরবগা জন্ম মপোক তরেৎলক্কী মহাপাপ কোকয়ে। শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমনা পুখরি মপান কোয়না চৎলম্লবগা য়াংলৌ লমথাঙমদা মদন কোম্মুং মরালয়াইদা চীংঙ্‌ রঘু রামজিনা কনাগী কোম্মুং মরালয়াইনো পাউহংববু মহামুনিরেন্না হে রাম লক্ষ্মণ অনিমা ও অসিদি মদন কোলোই মিংনা হেনবগী কোম্মুং মরালয়াইনে হায়রবদা। য়াংলৌ লমথাঙমবু চৎখিরবদা ভগীরথ গঙ্গা ঈরেনপুংগী লৈরাই চাংজৌ য়োরবদা চীংঙ্‌ রাম অহেনবনা লাইজ ঈরেনপুং অসিবু করিনো পাউহংববু। হোয় রাম লক্ষ্মণ ও গঙ্গা ঈরেনপুংও তৌনা কৌয়ে। তাইবং নমু পোংওইবনা পাংনা ফংকদবা ঈনে। গঙ্গা মতিক অরুববু হায়গে নাতাও। হায়িঙৈগী নয়ুনিংথৌ রাজা সাগর অহেনবনা পুত্র মচা পোক্তবগী কুণ্ড মুনিরেন্দা রাত্রি অহিং নোংদামদা দিবানোংহাঙদনা সেবা

থৌখলমলগী মুনি মরনকুবু মপারি অশ্বমন্থ সুমতি অনিমনাচিংনা মপারি লীশিং তরুক শুনা পে,কয়ে। অদোং ঙথোই নাইদনা পাঙ্গন মতৌ মান্নয়ে। মপারি সুপ্পা হনবা অশ্বমন্থ কৌবদি পাপী লমচং চংয়ে হায়বগীদমক মপল সাগর নিংথৌরেন্না লাংগোই শগোলথানা যজ্ঞ মণ্ডপ তৌয়ে। মশানৌ চাতরুকমদি শগোল মতুংইন্না লাংগোই শাশেলহল্লে। সময় মতম অহুদা ইন্দ্র সরারেন্না যজ্ঞ মণ্ডমশাবু হুখিরবগী মালেম লৈথারোনগী কৌপিন মুনিরেন্না ধ্যান পুক্লীং লেপ্পা কোরৌ ভক্তি ওইরিঙৈ মুনি নাক্তা শাম্বু,প্পুরে। রাজা নিংথৌ মপারি লাংগোই শাশেলবগা লাম্মী অয়াম্বনা বিচার রাখিদনা মুনি হুরানশীবাবাগী লাম্মী চৈথালুম্মা চৈশিল্লবগীদমক মুনি শাপ পাউথিবাগী রাজা নিংথৌমচা যৌবন মথোক্লকপা লীশিং তরুকমবু উফুল নোংলৈ ওইনা নোংমলহল্লে। রাজা ভগীরথ নিংথৌরেন্না ইরেং মপু অমনবশিংবু কোরৌ নোঙ্গাহনগে হায়বগীদমক হেমার উনগীচীংদা চহি লীশিং তরুক-শুনা তপস্যা কোরৌ লনশামনগী বৈকুণ্ঠ কোরৌ নোংমদোনগী গঙ্গা অমৃত শিদববু লৌথরুরবগা ইরেং মপু অমনবসুঙ গঙ্গা স্নান তৌনা কোরৌ নোঙ্গাখিহাল্লে। রাজা ভগীরথ নিংথৌনা কোরৌ নোংমদোন্দগী লাইজ ঈথিরুইয়ে হায়বগীদমক গঙ্গা মমিংথোংবু ভগীরথ তৌনা কৌয়ে। বিশ্বমিত্র মুনিরেন্না চীংঙ্ রাঘব শিদবদা গঙ্গা লাইজ ঈরেনপুং গুণ মতিক অরুববু ফাওনা রাহমশৈনে। শাংলৌ লমখাঙমা য়োরবগা গৌতম মুনি অথোই-বগী তপস্যা মরান য়াংগোইফমদা মুংলেন মতৌ শংশংবা অমা লৈঙাম্ববু চেংলৌ মিৎথিৎলবগা রাম লক্ষ্মণ অনিমনা মহামুনিরেন্দা স্বরূপ চেংলৌ শকপাম্বোঙ অসিবু করিনো পাউহংববু মহামুনি-রেন্না পাউথুমখিয়ে। হে রাম লক্ষ্মণ অনিমও ইন্দ্র সরারেন্না গৌতম মুনি অথোইবদা বিত্তা লাইরিকতম সেবক মপারিব্

ওইরৈদা ব্রাহ্মণী অহল্যা মুনি ভার্য্যা ওইরমথাবীবু পাপী পুক্নীং-চংনা লাম্নরবগী মুনি শাপ মীচৈখোনগী ইন্দ্র সরারেন্দি গয়া মহকশাংদা যোনি লীশিংমবু পুহালয়ে। অতুগীবু সহচরী অহল্যা অহেনবীদি থৌদ্থ মুংবু ওইরে হায়দবরা। ব্রাহ্মণী অহল্যানা মুনি স্বামী ইনোংথোও লাংহৈ কুমশীং কয়ানিদা অপরাধ লঙজ কোকও হায়বনো পাউহংলবগা। নরায়ণ শিদবনা রাম শংশং পোক্লবদি সনা খুয়া শোক্না অপরাধ লঙজ কোকও হায়রম্নবগী থৌদ্থ মুংবু ওইয়ে হে রাম অথোইব ও। অসুম পাউতারবগা রাঘব নিরঞ্জয় শিদবনা অহল্যা মুংলেন শক্কোইওইবীবু রাম শমু মখুৎওইনা শোকপিরবগীদমক অহল্যা নীংথিবীদি মুনি স্বামী মনোংথৌগী সনা মখোঙখাদ ইন্দানখিরে হায়দবরা।

য়াংলো লমতুপমা চৎখিরবদা বিশ্বমিত্র মরানয়ায়দা রায়থুংলবগা মুনি ভার্য্যা ওইরম থাবীশিংনা জল লাইজ ইরিক্লাইবু সনা খুজাই হাল্লবগী হৈরাং অশংয়েং তাঈজিং অমুন খন্না চুহি শলখোম চেংপাক কবোক লালু খোইতুম আহার চিঞ্জাকস্থনা পানা কা পুংবুলেম্না য়োয়নরে হায়দবরা। হয়েং কোবা নোংগা শোয়রবদা মুনি ঋষি লেংনা তিনবনা যজ্ঞ মণ্ডম তৌগে হায়না মুনি কোয়না ফম্নবদা শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমনা লীরুং খুত্তাগু রাম তেজ মঙালনাইনা ফমফম্মরে হায়দবরা। সময় মতম অদুদা দৈত্রি হিংচাবা মারিচ সুবাহু অনিমনা মুনি যজ্ঞ য়ৈখায়গে হায়না তাঞ্জিল্লকপবু চেংলৌ মিৎথিৎলবগী। রামচন্দ্র খোই-কোইবনা হে রাক্ষস হিংচাবও নপিঙভাগী কোলোই নমিংথোঙবু করি কৌবনো পাউহংববু? অসুর হিংচাবনা হোয় মহিরাবন মপারি কোরৌ নোংশীংচংগুম্বা মারিচ অথৌবা কৌয়ে। লোয়্না অপাম্বা অসিদি সুবাহু অথৌবা হায়না কৌয়ে। তপস্যা লাইবু

নীংবা অয়াম্বসুঙ চিঙ্গাক অপেন ফংনা চাঙমলে। রাম লক্ষ্মণ নপিঙঙাবু চিঙ্গাক মথেনহোংনা অসি কোরৌ মুম্বিৎমদা শমু নশা চাগে রাক্ষস হিংচাবা ইপিঙঙাগী পায়মা ইবুকথম্না চাগে পাউ-খুম্নকপবু। চীংঙ্ রাঘব অথোইবনা নাত্তারবগী কাণ্ডীব লীরুং য়াইওইববু খুস্ শেংশৈমুক্লা লীরুং খোংজিহাপ্লে। তেনবী য়াইওইববু রায়রা তেনকাথোং তেনকা খুদোল চপ্পা সন্ধান পানগা তম্না মচীন মোমোন নোক্লা লীচিং নোংখাক চৈরোয়ননা তেলরায়রবদা রাক্ষস সেনা লান্মী অয়াম্বদি মালেম লৈদাত্তুনা নোংমল্লে। রায়রা তেলবুম মঙানা অসুর হিংচাবা সুবাহু অনিমবু তেলবান কোক ঈকানা নোংমলহল্লে। মারিচ হিংচাবদি প্রাণ থরায়ঙক্লা রাম য়াইয়োক য়াঙমদবগী সনা লঙ্কা লৈবাকপু তানা হুয়েল লালজেনখিরবগীদমক। চীংঙ্ শ্রীরাম অহেনবদি লালক্ষম নিপাথোক্লা রাক্ষস লালয়াম তুহল্লবদা লীরুং খুৎশুথম্না লালশোক অব্রা পোৎথোক্লে হায়দবরা। মুনি ঋষি অয়াম্বসুঙ পুক্লীং অব্রা কোক্লে হায়দবরা। যজ্ঞ মতোন লোম্লবদা মুনিলেংনা তিনবনা বাম লক্ষ্মণ অনিমবু পাঙ্গন মতিক য়েংনা য়োইনরে হায়দবরা। রাম পাঙ্গন উরবগী বিশ্বমিত্র মুনিরেন্দা জনক নিংথোরেন্না মমোম সীতা লাইরৈমগী বিবাহ লুহোঙবাবু লালফেৎ রাহম্লবগা মিথিলা মরৈবাকপু ইন্দানখিরে। বিশ্বমিত্র মুনিরেন্না চীংঙ্ দেব নরায়ণ শংশংবা রাম শ্যাম অহেনবও। জনক নিংথৌ মরানয়াইদা গর্ভ নমু মীবক চঙদনা মতোম নাউনৌবীব্ লৈয়ে হায়য়ে হায়না পাউতাক্লবগা। রাম দশরথি অহেনবনা বিশ্বমিত্র মুনিরেন ও নমু গর্ভ মীবক চংদনা কনান মতৌ করম পোক্লবনো হায়না পাউহংববু মহা মুনিরেন্না দেব কোরৌ রায়েনবনা নোংদম মথৌ-থাগী মিথিলা মরৈবাক্কী জনক ঋষি নিংথৌরেন্না মঙম নাপি ফানবদা ডিম মরুম ওইনা থোক্লকপবু মালেম পৃথিবী লৈবাক পুম্না

ঙাল্লে। নমু মীবুক হুবী সীতা লাইরেম্মা পান্দম মপা লৈতবী কৌয়ে। সীতা লৈমরেল কৈন্থা অহেনবীবু হকশাং মপুংফানা লুহোং মতম ওক্লবগী মপল জনক ঋষি নিংথৌনা খোইয়ম মহাদেব শিদবনা পিনবা লীরুং ঐগী ইখুৎশু য়াইওইবা অসিবু লীরুং খোংজিহাপ্পা লীচিংনাকোংফংবা পুরুষ নিপা অথোইবদা মরান লুহোং খোঙদোংবীগে হায়না সংকল্প রাশকপবু লৈয়ে রাহুম্বগা মুনি রাহায় তারবদা রাম লক্ষ্মণ মুনি অহুম্মদি মিথিলা মরৈবাকপু ইন্দানখিরে হায়য়ে। জনক নিংথৌ মরৈবাক সয়ম্বর লুহোংফমদা কার্ত্তিকবীর্য্যার্জ্জুন নিংথৌরেম্নাচিংনা রাবণ নিংথৌসুঙ উগ্রসেন থোইকোইবসুঙ সিংহ নোংশা ফান্দা নিংথৌ পরেংফম সংসার পুম্নমগী রাজা নিংথৌ লক্ষা হুমফুমাথোইমসুঙ মুমিং পরেং থোকুম ফমফমলে। বিশ্বমিত্র রাম লক্ষ্মণ অহুম্মসুঙ মুনি মরুপওইনা ফমফমলে। রাজা নিংথৌরেন্দা বিশ্বমিত্র মুনিরেম্না রাহমখিয়ে। নিংথৌ মঙম অচোববু করম তোবগে পাউহংববু হোয় মহা-মুনিরেনও মঙম পোৎয়াউ অয়াম্ববু থৌরাংবীও হায়রবগা নিংথৌ য়াথং ইম্না লুহোং পোৎয়াও অয়াম্ববু পূর্ণ মপুংফানা থৌরাংলবদা জনক নিংথৌরেনগা মমোম সীতা লাইরৈমগা রাজা সভালক্তা মগুলি ময়াইলাংনা ফমফম্নবদা। সীতা মঙাল অরাবী মুমিং তরা থোকুম্না ফমফমলবদা নিংথৌলেংনা তিনবনা মিৎয়েং শান-খৈরবগী উনবী পুক্লীং ঙক্লরে হায়দবরা। য়োইবু সীতা লাইরৈমা শমু মখুৎতোম্না চম্পা লৈগীলিকপু পরেংয়েত্তাশু কণ্ঠ থবা লিকশিলমদা মালতি লৈওম্বোকপু লিকশি খাওম্নবদি বিজুলি নোংথাংকুপকুপ্পী খ্বাং খাংজেংফম মেনোংখুৎনা ওনববু সনা তোয়-জুপ চম্না লকা শরিক থাংবগী শরিক খোজেল্লেন মখোল খিং খিং হৌববু পোলবী শেন্দাংখোনগুম মুংঙোনবী শমু মখোঙ-তোল্লা সনা নোপুর খোঙশিখোনববু নমু পুক্লীংহুবী মালতি

লিকওম্থোক্লা কুণ্ডর নাশি হেনবী। খুয়া লৈখাওলম্বু থম্বাল লৈকা মানবী নাতোন থোইদিং মপালগুম নীংথিবী চেংলৌ শক্কোয়থোঙবু পূর্ণিমা মপূংফাগুম থাজ শক্কোইহেনবী। খাং নোংশা খাওদান পিগুম পাকোই লৈবু কাওীব লীরুং তিংগুম্বী থাবা লিকশিলমবু কদম্বর লৈ ওনথোক্ন্বী তাংজ মশমতোনবু চামর লাইশম হেন্না নীংথিবী য়ারেন মুক্তা মান চীনবাল তয়াল হৈগুন্না খুবোম চংলৈ হেনবী হকশাং ফিশেৎ লমঙালবী খুৎশিৎ মুক্তা থিনববু কঙ্কন খুৎশিথোন য়াথং রস অথুম্বীবু লমচৎ রাহায়নবী। থৌরি রত্ন লিকশিলমদা থবাক পূন্না ঙালবী রাজা মুনি ঋষি পূন্নমনা সীতা নীংথিবী অসিবু শেনবী চাংদম কোন মচংগুম চেংলৌ শক্কোয়হেনবী অসিবু সময় মতম করম থোক্লগবনো হায়নখিয়ে। জনক নিংথৌরেন্না হে রাজা নিংথৌরেন পুন্নমা ও লীকং তমফা থিনবা অসিবু লীরুং খোংজি হাপ্না লীথিং নোংখাক চৈরোইঙম্বা নিংথৌ অকনবদা ইমোম সীতা লাইরৈমা কৈন্যা অহেনবী অসিবু বিবাহ লুহোংবীগে বাশরুবগা রাজা নিংথৌশিংনা চরৈ খাওন্ননা ফিশেৎ চরৈ কন্না কন্না শেৎ শয়েং পানগা তিং মুখ মখা চিক মমিৎ কোরিহৌনা পাঙ্গন নিপা থোক্কে হায়না লীরুং খুত্নম পায়না থাংখৎচববু ধনু লীরুং মতিক অরুবনিগীনা তাংজ খুভম লেঙবীদে। নিংথৌ মথংশিংনা থাংঙমদরবগী কার্ত্তিকবীর্য্যাজ্জু'ন পালবোম লীশিং অমা পানবনা পাঙ্গন মতিক উৎনা লীরুং খুৎযুমলাক্লা থাংবদি লীরুং খুভমমদি লেঙজয়ে। লীরুংখোংজিমাদি হাপঙমদে হায়য়ে। রাবণ মকোক তরা পান্না পাঙ্গন মতিক উৎনা পালবোম কুনমনা পাঙ্গন নিপা থোক্কে হায়না লীরুং খুৎযুমলাক্লা থাংখৎপবু শমু মখোঙলেঙনা থর থাংখৎচয়ে হায়য়ে। লীরুং খোংজি হাপঙমদনা তাংজ ইকাইথোক্লা নিংথৌ মকমলেন্দা হনজিনখিয়ে। লবন হিংচাবম্রুঙ

লীরুং থাংঙমগবরা খঙদে হায়না সনা লীরুং থাংলুববু শমু খুৎনানথোক্লবগী তাংজ ইকাইচংনা হঞ্জিল্লবগী রাজা নিংথৌ অয়াম্বদি পাঙ্গন নিপা থোকঙমদনা লীরুং থাংঙমদ ক্ষেত্রি নাপল মাঙলবগীদমক মৃতু অশিবগুম ইকাই কোকঈকানা ফমফমলে হায়য়ে। বিশ্বমিত্র থোইকোইবনা হে জনক ঋষি নিংথৌরেন ও। নিংথৌ অয়াম্বশিংগী গুণ মতিকতি উরে তৌইগুম নমোম সীতা কৈস্যা অহেনবী অসিবু নিংথৌ নমায়বদা পঙনা লুহোংফরোইয়ে। পায়মা ঐগী উনগোইমুংদা নীংথনবদি মুনি ঋষিলক্তা ফমফম্বা লোইঙ্জিং নোংহৌগুম লাইজ ঈনৌমানবা অসিবু দশরথ নিংথৌ মপারি অহনবা রাম শ্যাম অহেনবাও কৌয়ে। শমু মাগী তুংদা ফম্বদি মশানৌ' লক্ষ্মণ ও কৌয়ে। নমোম সীতা অহেনবীগী য়োইবু মতিক্লা লক্ষ্মী মমায়গবরা মিৎয়েং শানখৈও হায়বদা সীতা সুন্দরি নীংথিবীনা মুনি য়াথং তারবদা চক্ষু মিৎমৈ হাইনা য়েংখিববু রামচন্দ্র মিৎশোক্লা মিৎয়েং লংশুং তনো থবিনা হরাউবা য়োইময়াইনা খেংকারকপদা পাৎথাই থম্বাল্লৈনা থবাল লৈকাফম্না মুমিৎ মাইয়োক্লবা মুমিদাং লোইদাম থাজ পাখংবনা চন্দ্র শক্তোই হেন্না থোক্লকপদা থরো লৈমুংশিনা শীংলেন লৈকা ফম্না থাজ মাইওক্লবগুম, স্বামী ইনোংথৌনে হায়না চিত্ত পায়মা উনগোইমুংগী পুক্লীং অশেংবনা পুষ্পমালা ঙক্তোইলিকপু রাঘব সুন্দর নীংথিবগী থবা লিকশিলমদা শমু খুৎনা হ.প্না আশা পুক্লীং অরেপ্পনা কৎচরে হায়য়ে। সীতা লক্ষ্মী শিদবীনা পায়মা উনগোইমুংদা রাখনখিয়ে। জনক নিংথৌরেন্না মমোমগীদমক সংকল্প রাশকচাউনা লীরুং য়াইওইবা অসিবু লীরি থমোইতিংও হায়রবদা রাম কমল হকশাং নৌথোইয়ে সনা লীরুং থাংঙমদরগবরা হায়না উনবী চেনকুমচেনকানা মুংবংলে হায়য়ে। তৌইগুম রামচন্দ্র থোইকোইবা অসিবু স্বামী ইনোংথৌবু

য়োন্দনা দেব নোংদম্বনা লনকুবীস্নো হায়না নীংজববু শ্রীরাম অহেনবনা অন্তর্য্যামী পুক্নীং খল্লে। জনক ঋষি নিংথৌনা মুনি পাউত্তাকরাগী শমু মখোঙহৌ রাম সনা মখোঙথাদ ছত্র শেকপিন অঙৌবা আরংতি থাজ শকোইতয়া থরাক লৈনাথাংবগা পুষ্প লৈগী ঙকোই শেম্ববু সনা শেলপাকথক্তা হাপ্লা শমু থাংচপ্পনা রাহমখিয়ে। হে শ্রীরামচন্দ্র থোইকোইবা দশরথ নিংথৌ মপারি দশরথি অহেনবাও সনা লীরুং হাপ্লা থাংহন্দরে অপরাধ লঙজরে য়াইবী কনহৌনিকপিগুনো হায়না পুক্রমজরবগা। হোয় হে ইমান জনক নিংথৌরেন ও। থোইয়ম মহাদেব মালংছম্বগী লীরুং য়াইওইবা অসিবু গুণ মতিক লৈবনে লীরুং থেকঙমরোইগবরা খঙদে। শানৌ লক্ষ্মণ ঙাইরোইননা লৈবাক তুংঙানবদগী পাইখু ঐনা লমলাপ্লকপা অসিবু মুনি পাউথেমখোনগীনে হায়না পাউ-খুমলিঙৈ। বিশ্বমিত্র মুনিরেম্না রাম রাহায় লৎনা য়াথং অরাকতয়া রাহমখিয়ে। নপল দশরথ নিংথৌরেনগা নিংথৌ মতিক মান্নবনে রাহায় শংদাননা পাউথুমঙাইবু লৈতে। সময় মতম করে রাম নংগী ধনু লন মরুবু শমু খুত্তা থুম্না নথম্না লৌজখিও অসুম তিমেল্লবদা। সীতাপতি লাইয়িংথৌ শ্রীরামচন্দ্র নীংথিবনা মুনি য়াথংলেন্দগী সনা লীরুং থেকে হায়না নোংশা মচুম তাবগুম থোক্লকপবু। পদ খোংকাপ অথাং খুদিংদা বিজুলি নোংথাং কুপকুম্না রাজ সভালক্তা লেপ্পা লীরুং খুত্তা থুম পাঙন মখৌহৌনা থাংথৎলবগা খোইয়ম খুকলু শেংসৌনা খুতোল চম্পা লৈহাউ মালবনা লীরুং খোংজিহাপ তেলকা খুদোলচপ লীচিং নাকোং রাংমা লাম্না চিংথেক্লবগা লীরুং থাঙতেকখোনবু কোরো নোংখাক খোনগুম নাতাররশিংনা সংসার পুম্নমগী প্রাণ থরায় পুম্নমদি মালেম ভুবাক্লনা নাপী য়াদচিক থরায় নোংদ কাঁনা শোংগীনয়ে হায়রে। চীংঙু রাঘব অথোইবনা খোইয়ম মহাদেবগী লীরুং

মখুৎগুবু চিংথেক্লবগী সমুদ্র ঈথকহৌবনা চীংলেন পলংলাগুম চোংখৎলে। দেবসর্ব্ব অয়াম্বনা ব্রাহ্মণ পুম্নমক্তুঙ লীরুং চিংথেক্লবগী হরাউ পুক্লীং চংলে। কোরৌ নোংমদোনগী পুষ্প শীংলেন ওইনম্বনা নোংজুনরে। দশরথ নিংথৌ মপারি দশরথি অহেনবা রামচন্দ্র থোইকোইবনা রাজা সভা মাঙদা ধনু লীরুং চিংথেকপগী রাহায় অহানববু মদাইরেম ক্লর্ত্তিব।স লৌশিংবনা রাহায় পরেং চানা শেম্নমশৈনে। রাম রাম শোম্না নাতাবীও'

অশাইঙৈগী মালেম চিংথেক তরা'মদগী রাজা নিংথৌ পুম্নমনা উনবী কলহৌ নিক্না রাতাথিরে। দশরথ নিংথৌ মপারি বালক নরা অপিশা থিকলেন রায়য়োকনরিবা অসিনা সীতা থম্বাল মানবী অসিবু লৌখিবদি কল্লকয়ে। রাম লক্ষ্মণ অনিমদি চকমোম থাম্বী মৈদা বীচার রাথিদনা নোংমনহন্নরসে। রাজ কৈন্যা অহেনবীদি শমু ঐথোয়গী খুত্তা থুম্না পুজেমসে হায়না রাতানরবদা। রাজা নিংথৌ অয়াম্বদি দোলাই রথ তোংনা লীরুং খুত্তাগুনা হুয়েন লালহৌরকপবু সিংহ নোংশা অথৌবগা শ্রিগাল লমগী হুইগা হুয়েন লালশোক্লবগুম শোক্লরে। রঘু রামশিদবদি লীরুং খুত্তাগু তেনদোং নমদা হুননা লালকম মাইয়োক য়ানা লীচিং নাকোং ফংনা সন্ধান পালগা তম্না তেলরাইরবদা রাজা নিংথৌ পুম্নমবু তেনবান চৈথারবদা মালেম লৈদা ওননা নোংমলনরে ঈমু লৈদা তানা শরেল লৈখোম তৈরে। নিংথৌ তাঙজা লুরেনতোনতনা থরো কাঙহুম ওনগুমলে। নিংথৌ লাম্মী কোঙাইনা হুয়েন লালশোকফমগী চিংথেক মরিমদা শগোল শামু খোঙওইননা রাম লক্ষ্মণ অনিমবু লাম্মী পরেং কোইনা তেনবী নোংজুননা লালহৌ নোংদকা হুয়েন লালশোক্লরিঙৈ রাম নব অনৌবনা রাইরা তেনবুম লীশিং তরা

থোক্লা পাইখিবনা শগোল, শামু, দোলাই, খোঙমী, রথ, ফিরান সেনা লাম্মী পূম্নমবু তেনবান তুখোঙ লোইরবগী লালশি মথৈ লৈতরে। থিংলো য়াইথদা মরোং চৈজেলবা রাজা নিংথৌ সেনা লাম্মী শকথঙনদনা থরাই নোংদাকা মীরেন থাবু খংনা হুয়েন লালজেলনরে হাইয়ে। তাইবং নোংশাপান অসিবু প্রলয় মাঙলমদাইদা অগ্নি মৈরম তরানিথোইমনা চকমোম মরাঙ হৌগুম লালশোক মতৌ লৈতনা নিংথৌ থরাই ঙক মীরেন নোংদা কানা শোংকিনরবগী, নিংথৌ পূম্নমনা পুরুমনরে হায়দবরা। সনা মিথিলা লৈময়োনগী নিংথৌ পুরোহিত মনাওয়োক্লা হে জনক নিংথৌরেনও, সনা অযোধ্যা লৈবাক্কী রাজা দশরথ নিং-থৌরেনবু খোঙলোই থুনা পাওকৌহল ও হায়না থৌশীরবগা। বামন মনাওয়োক অথোইববু লৈনা শিনা পাউকৌহনখিববু, দশরথ নিংথৌরেননা ব্রাহ্মণ রাহোনববু পাউহংখিয়ে। কোলোয় নমিং করি কৌবনো, লৈবাক কদাইলমদগী লাকপা পাউহংববু ব্রাহ্মণ মনাওয়োক অথোইবনা হোয় রাজা নিংথৌরেন ও; মিথিলা লৈবাক্কী জনক ঋষি নিংথৌগী বামন মনাওয়োক অথোইবনে। নিংথৌ নঙগী পুত্র নচা অহানবা রাম লক্ষ্মণ অনিমবু বিশ্বমিত্র মুনিরেননা ঙাইরোইনরকপগী জনক নিংথৌ মমোমলোন সীতা কৈন্যা অহেনবীবু বিবাহ লুহোংগে হায়বগী দশরথ নিংথৌ নংবু পাউকৌরবনে হায়রবগী। হয়েং কৌবা মনোং শোয়রবদা ভরত শত্রুঘ্ন বশিষ্ঠ মুনিরেল অযোধ্যা লাম্মী অয়াম্বগা দশরথ নিং-থৌরেলগা যাত্রা খোঙশানরক্লবদা। য়াংলো লমথাংদা রাজা দশরথ নিংথৌরেনবু লমওক্লরে হায়দবরা। মিথিলা লৈবাক্তা রাইথুংলবদা রাজা দশরথ নিংথৌরেন্না রাম লক্ষ্মণ অনিমবু কৈরা তাজিনথোং থজাই লেংওন চুপ শমলাং তোনগানাল মচিন থম্বালবু চুপ্না য়োইনরবগা। জনক ঋষি নিংথৌনা রাম

সীতা লুহোং পোৎপু শংলৌ থোৱাঙলবগীদমক। মুনি ঋষি দেবসর্ব্ব অয়াম্বনা মথং পরেংশিন্না ফমফমবদা বিশ্বমিত্র মুনিনা জনক নিংথৌরেননা বাহমখিয়ে। ঐগী ইমোম কৈন্যা অহেনবী উর্ম্মিলা নীঙথিবীদি লক্ষ্মণ অকুনবদা বিবাহ লুহোংগে। মাণ্ডবী নীঙথিবীদি ভরত য়াইমবদা বিবাহ লুহোংগে, শ্রুতকীর্ত্তি অতোনবীদি শত্রুঘ্ন অতোনবদা বিবাহ লুহোংগে। অমুম কৈন্যাদান তৌরবগা সয়ম্বর লুহোংফমদা কুম্মৈ মরাঙ হৌরবগা শাস্ত্র লমচৎইননা জনক ঋষি নিংথৌদি সীতা সুন্দরি প্রদিপ থম্বাল মালবীদি অলঙ্কার ফিরোল নীংথি নীংথিবগা রাম সনা মখুবাক্তা পীরে হায়রে। মমোম কৈন্যা অহেনবী অহুমসু লক্ষ্মণ ভরত শত্রুঘ্ন অহুমদা শমু খুৎশিন্নরে হায়দবরা। লুহোং লনউনপোৎ সামগ্রী মশীংসুনা য়োইনরবদা রাজা দশরথ নিংথৌনা সেল্লৌরেম মিথিলা লৈমাবও সময় মতম ওকলে। বর নরনকুগী নমোম কৈন্যা অহেনবী ইহুইরোন মরিমগা ইপারি যৌবন মথোরকপা মরিমক্তা হরাও মখৈ লৈতনা অযোধ্যা লৈবাক্তা ইরান ওন্দেথরগে হায়রবদা। জনক নিংথৌরেন্দি কোলোয় মাগী শঙ্গাইরুংদা চংখিরবগা মমোম সীতা লৈমবু ফৈরাতান্দাথোং থজাই লেংওন চুপ শমলাং তোনগা নাননা ইমোম জানকী অহেনবী নঙবু ইপননা পঞ্চ প্রাণ থরাই মঙামবু থমনা নাওয়োকচবনে। হয়েং অযোধ্যা নপুংয়াইদা গুরু নঙগী ইষ্ট কশারেন ঈশ্বর নপু অরোইববু সেবা থৌগনববু উনবী শেনলোংনিককুনো হায়না বচন য়াথং অমেংবনা বাহমলবদা খেল্লেন মতম ফবদা মপন জনক নিংথৌরেননা দোলাই চিথেক মরি নাইবদা সীতা চন্দ্রমুখি অহেনবীনাচিংনা মমোম কৈন্যা নীংথিবী মরিমবু প্রদিপ মৈরা থানবগুম্না সনা দোলাই খোঙওইননা রাজা দশরথ নিংথৌরেনসু রাম লক্ষ্মণ ভরত শত্রুঘ্ন মরিমসু সনা দোলাই লেংজাওথক্তা

মুমিং মঙা থোককুম কমফয়বদা মিথিলা মরৈবাকী রাম সীতা লুহোং অচৌববু পুঙ পেরে মোইবুং শিঙ্গা থোপথি দুন্দুভি য়াইবুং থীমা শব্দ খোঞ্জেন নোংদা কা থেল্লেন মতম ফবদা মিথিলা লৈবাক নীংথিবদগী অযোধ্যা লৈবাক তালনা ইন্দাল্লক্লবদা ব্রাহ্মণ মাঙুইচং জনক নিংথৌরেনমু পত্র লমথাং য়ৌনা থিনবীরবগা সনা দোলাইথক্তগী মাল্লেমলৈদা কুমা রাজা দশরথ নিংথৌরেনগা মশেন মবাই অনিমদি শয়েং লোনজিন্নবা পানবোম লীয়েংননা নম: নম: পুক্লম্মরবগা জনক নিংথৌরেনমু মিথিলা মরৈবাক্তা হলরাইখিয়ে হায়দবরা। রাজা দশরথ নিংথৌরেন মপারি মরিমসু সনা দোলাই তোংনা য়াংলৌলমদাং ঙালবদা লোইজিং নোংহৌ-দনা অমম মথৈ লৈতরে হায়দবরা। সময় মতম অতুদা চীংঙ্ পরশুরাম পাঙ্গনবনা তিমেন মথুৎশু তাশোন য়াইওইববু শমু য়েত্তাপাই ধমু লীক্লং খুত্তাশু শরিমহকচাং থাম্বী মৈখাং কোনশুম্ববু থোইনা নীঙথিবা নমলী থাবুং মাম্না নীঙথিবদা তেনদোং নমদাহুন তেজ মঙালথোক অস্ত্র মথুৎশু যম নিংথৌশুম্ববু শমু খুত্তাশু শমলাং জটা য়েৎতবা চিনবাল সনা কোরিমাল তাত্র কোরি মপাক্লা থাঙনপ্পনা হেনমোইবা পরশুরাম পাঙ্গনবনা রাজা দশরথ নিংথৌরেনবু মিৎয়েং শানগৈরবদা মচিন মোমোন নোক্লা রাহমলকয়ে।

হে দশরথ নিংথৌরেন ও নংনা যত্রা খোঙশাল্লকপবু কয়ে। তৌইশুম সময় মতম অতুদা পুত্র নপারি মরিমা নহুইরোন মরিমগা সনা দোলাই তোংলকপা অসিবু। অসি কোন্নৌ মুমিংমদা লোইমোম ফৌ কবোক তরা মাইপানবীবু লম্লোঙ চবান থাশুম্না মুমিং শাগৈরেন্দা নাউয়ানবা নিংথৌ নমান্নবালক্তগী নিংথৌ লৌশিং লৈতবা নংবু প্রাণ থরায় লৌগে হায়ববু হন্নু

ময়াই কারে হুয়েন লানশোক্লনীংদে। লাম্মী অকনবা লৈতরবদি অয়োধ্যা নরৈবাক্তা ইন্দানখিও। তনবা নিপা থোক্লা লানশোক মায়োক য়াগে নীংলবদি রায়রা ইখুৎশু অয়াম্বগী চাকচা ওই-হনগে তাইবং নোংশাপান অসিদা নিংথৌ পাঙ্গন অশোনবা নংগুম্ববু অমা লৈতে। হৌজিক শমু ইখুৎবাক্তা বংশ নংগী শাখৈ মাঙহনগে। হে দশরথ নিংথৌরেন ও নংনাচিংনা শাখৈ লাম্মী অয়াম্বদি খোয়মা নারোনন্নুংগী পশু য়ারৌশাবু ওইরে। চীংঙ্ পরশুরাম ইপা তাম্বা ঐদি য়ারৌ শাদানববু মাল্লে অসি কোরৌ মুমিৎমদা শমু ইখুৎবাক্তা নোংমলঙৈনে অস্ত্রম রাহম্ববু দশরথ নিংথৌরেন্না নাতারবগী। হে পরশুরাম অকনবা নংদি বিষ্ণু অবতার শংশংবনা ত্রিভুবন লৈরোন নোংলোন অহুম্মগী পাঙ্গন নমান্নববু কনা অমা লৈতে। হে পরশুরাম পাঙ্গনব ও জনক নিংথৌ মরৈবাক সনা মিথিলা মবৈবাক্কী ইহুইরোন লুহোং-লুবগী ইরান ওন্দেরকয়ে হুয়েল নংবু লানশোক্লগে লাক্তে। পুত্র ইপারি মরিমবু তয়ম ননাই মশেন্নে অস্ত্রম রাহম্ববু রাচানদে। হে দশরথ নিংথৌরেন ও কোলোই ইমিংথোঙবু ভৃগুরাম ও কৌয়ে। নপারি দশরথি অহেনবদি রঘু রাম ও কৌয়ে। কোলোই করিগী মিংমান্নবা মিংতাংলগবনো হায়না য়াথং অরাক তম্নবগী দশরথ নিংথৌরেন্দি অকি পূক্নীং চংলবগী। হে পম্থৌ ইপা ইবুংঙো দশরথ নিংথৌরেন ও! করিগী পাউথুম নোম্না রাহমলুবনো? নপারি ঐগী পাঙ্গন ইতিক লৈরিমখৈ হুয়েল লালশোক্লগে ইপন ও। হঙোই পাঙ্গনশোনবনা তাংজলিনগী মায়োক য়াঙমদে যোগী পূক্নীং লেপ্পা পায়মা উনগোইনুংবু বিঘিনি য়ৈথায়বনা কোরৌ নোংবুম কদৌনোংস্নুঙ চৈথাইঙমদে। ঔষধি অথোইবা হিদাক লৈঙৈদি লিল্লা তাংলৈ হুপুবনা ঙমক্ষ-দবা ছুগুম্ববু বিচার রাথিদবা অসিনা চীংঙ্ পাঙ্গন ইপাতাম্বা

নপারি ঐবু লৈরিবদি চীংগু কদৌঙয়গবনো? ঙৈষধি হিদাক শিদবদি নপারি ঐনে অহুম রাহয়বদা রাঘব নরায়ণ শিদবনা হে পরশুরাম পাঙ্গনব ও ঐগী অপরাধ লঙজববু তাংজ শমুম-মরমলৈতে। হুয়েন লালশোক্লনীংদে হায়ববু নাতারবগা ভৃগুরাম অকনবনা সমুদ্র ঈথকহৌগুম কপ্পাওমখৈলৈতনা রায়রা মতেলচাবু লাংবন থোইরেন পাইগুম কাপ্লকপবু লোইদাম নোংজুথাগী নোংলেন মখোঙফুইনা চুবগুম্ন। অযোধ্যা লান্মী অয়াম্বা শগোল শামু হুলাই থোঙমী ধ্বজ ফিরাল ছত্র শেকপিন পুম্নমাবু রায়রা তেন্তা অমরক্তা কাপথেক্লবগীদমক অযোধ্যা সেনা লাল-জিংবশিংদি রাম সনা মখোঙখাবু তাম্না হনথোক্লে। ভৃগুরাম অকনবদি লালশোক ঈথক হৌ তেনকাপ চৈরত্নরবগী অযোধ্যা লান্মী পুম্নমদি তেলবান তুখোঙ লোইরবগী থরায় নোংদকানা শোংগীরবগীদমক চীংগু রঘু রাম শিদবনা খোইয়ম লীরুং মখুৎশু কোরৌ চুনিথাংগুম্ববু লীখিং নোংখাক চৈরোয়ননা সন্ধান পানগা তম্না সিংহ খোন্দাননা তেলরায়খিববু মালেম লৈখারোনগী তাংজ লিল্লা অয়াম্বনা মুমিৎ মঙাল খুম্না অমম মখৈ লৈতরে হায়দবরা। শূন্য অতিংঙাদা য়াংগোইবা বিদ্যাধরি অয়াম্বসুঙ স্থান মখোয়গী ফম্বীরেন্দা লৈফদরে হায়দবরা। কোরৌ নোংমদোনগী ইন্দ্র সরারেম্নচিংনা খোইয়ম লাইরুপ অয়াম্বসুঙ লালশোক কুমৈ য়েংগে লারকয়ে হায়দবরা। শ্রীরাম পরশুরাম অনিমদি লীরুং খুৎশু রায়রা তেলকাপ্নরে হায়দবরা। রাম রায়রা মতেলচা য়াইওইবা থাম্বী মৈরিক চোংগুম্বনা পরশুরাম শমু মহকশাংদা তেলবাল্লবগী বসন্ত শীংলেন লৈপাম্থাদা লৈরাং নারোইতোংনা মপাল ঙাংনা শাবগুম তেলখুন ঈঙাং থোক্লে। তেলবী য়াইওইবশিংনা য়াংলৌ লমৈ চাক্লুম চাকহৎলবগী পরশু-রাম পায়মা উনগোইহুংবু লাইজ ইমুংপঙকুম্নিডৈ উনবী মথল্লনা

লৈনীংশিংনা রাক্ষস হিংচাবা হাৎনা তেল ক্ষেত্রি অথোবা মন্না তেল সংসার পুম্নমবু বিজয় খুৎঙমতেলগা তেলবী অয়াম্বা থমনুং যম নিংথৌগুম্বা খংনংথাশাবগুম্ভ বরুন নোংলাই তেলগা তাংজ লিনগী তেলস্থঙ কোরৌ নোংশীংজংনচিংনা খুৎগুপুম্নমবু চৈরক্তনা লালশোক নম্জিলতারক্লবগী লৈরোন নোংলোন অহম্মপু মালেম লৈখোঙনিক্লবগীদমক রাঘব উত্তম লাইপাথংদি পায়মা উনগোই মুংবু লাইজ মুংপঙগুম্নবদা অনৌবা উনবী লৈনীংশিংনা শ্রীরাম মতেলচা ব্রহ্মাস্ত্র তেলবী লমখমতেলবু রায়রা তেলরায়রবগী পরশুরাম শমু মখুৎশু অযাম্ববু রায়রা তেম্বা অমরক্তা কাপথেক্লে অসিস্থ মদোমদে। তেলবী মঙাদংবু লীরি তেলকাথোংনা রায়রা নমকাপ্নহৌরবগী পবশুরাম অকনবনা অসি কোরৌ মুমিং-মদা ইপোক পুন্সি লোম্নবরা হায়না শমু মখুৎবাক্তগী লীরুং খুৎশুথানা শমু মখুৎরোল নম: নম: শমু থাংচপ্‌না রাম সনা মখোঙখাদা শীংলেন লৈশী লৈথোনজখিয়ে। নদাইরেম ঐবু চীংঙ, সনা নখোঙখাদ অপরাধ লঙজববু লৌবীদনা ক্ষেমা ধর্ম্ম তৌবীও দাস খুৎফা নাইনা মপু অরোইবদা চংলবদি পুম্না বারৌবীদে হায়দবরা। তত্ব মচি ওইনানীংনবা লাইস্থঙ নংনে। সৃষ্টি মালেম লৈকোয় শেম্বীবা প্রলয় মাঙহনবস্থঙ নংনে। সরস্বতি লাইরৈমনস্থঙ উনবী পুক্নীং ফংফদবা ঈশ্বর মপুরেন নংবু লাহন বৈকুণ্ঠ কোরৌ নোংমদোম্নদি বিষ্ণু মতিক অরুববু পূর্ণ মপুং ফারময়ে। হৌজিক নমু পোংবু ওইনা শালওল্লবা অসিদা নতিক নির্গুণ চংখোল্লিবরা হায়বগীদমক নদাইরেম ঐনা চীংঙ, নতৌ থংগে হায়বগী হুয়েল লালশোক্লবনে। হে প্রভু ইবুঙো নংবু হুয়েল লালশোক্লগদববু পাঙ্গন ঐগী ইতিক লৈতবনে চীংঙ, সনা নখোঙখাদ অপরাধ লঙজথোইনা হুয়েল লাল-শোক্লরবা অসিবু ক্ষেমা ধর্ম্ম তৌনা প্রাণ থরায় ঙাকপিও হায়না

মানবী খুতপ্না ভক্তি নম : তৌরবদা। চীংঙ্ রঘুরাম অহেনবনা হে পরশুরাম অকনব ও, মহামুনিরেম্না তম্বীবা চীংঙ্ ইখুংগু অসিবু কোরৌ নোংবুম কাদৌনোংসুঙ মাঙকরোইয়ে হায়দবরা। পরশুরাম অকনবনা পায়মা উনগোইমুংদা খেলা হরাউচংলবগীদমক রাম রঘুপতি অথাইবা ও খোইয়ম রারা নাতেলচাম্নুঙ মালেম লৈদা লোৎনা মাঙকরোইয়ে। গয়া ইহকশাংদা তেলবাল তুখোঙলোইনা কোরৌ নোঙ্গাবসুঙ কাফরোইয়ে। কোরৌ নোংথৌ মথোঙথিংবীও হায়না ব্রাহ্মখোনগী চক্রবর্ত্তি য়াইরংচান্না রায়রা তেলবুম মঙা কাপ্না বৈকুণ্ঠ মথোঙজিল্লবগী ভৃগুরাম অকনবদি কোরৌ নোংদ কাদরে হায়রে। ত্রিভুবন মরোল অহুম্মগী সনা নমিংলেন অচৌববু সীতাপতি লাইয়িংথৌ দশ-রথি অহেনবনা লালফম নিপাথোক্না বিজয় য়াইফরবগীদমক মপল দশরথ নিংথৌরেলনা হরাউ পুক্নীং চংলে হায়দবরা। রাজা দশরথ নিংথৌ মপারি রাম লক্ষ্মণ ভরত শত্রুঘ্ন জানকী সীতা লাইরৈমনচিংনা মমৌ কৈন্যা মরিমসুঙ সনা ফুলাইতোং পম্থ লম্নাইঙাল সনা য়াইপুং মনিলনাই পেরে শিংগাখোং শঙ্খ মোইবুং থিনকান্না অযোধ্যা রাজা মরৈবাক্তা নগর লৈকাই খুনগং অয়াম্বনা জয় য়াইফশোম্না দ্বার থোঙজিন খুদিংদা পূন্য ঘোটখিন প্রদীপ থাউমৈথান লাইজ ঈমাইচোন লোইমোমফৌ কবোকসুঙ অম্রা নানৌথেৎ ধ্বজ ফিরালথান ধুক মৈক্রুক য়াউনা প্রজা অয়াম্বদি শমু মখুংলোম্না পুক্নমঙামরে। অযোধ্যা মরৈ-বাক্তা য়াইফ খোঙ্গেনথোক দেব গন্ধর্ব্ব খোইয়ম লাইরুপ অয়াম্বনা কোরৌ নোংমদোনগী পুষ্প শীংলেন ওইনম্বনা লৈরিক নোংজুনরে। দশরথ নিংথৌরেন্দি সনা মাগী সিংহাসন্দা রাই-থুংলবগা অযোধ্যা লৈমাবী রাণী কৌশল্যা বৈকোয় সুমিত্র অহুম্মনা কোরৌ মনোংথৌবু মাইয়োক্ন মপারি রামথাফংনা রাণী

মহুইরোন মরিমবু শয়েংপানগালাক ঙকথি লুম্নাংকোন শম্নাংতোনগী নাল থজাই লেংলোই চুপ্পা য়োইচাল্লময়ে হায়দবরা। পুত্র মপারি মরিমস্তুঙ মপল রাজা দশরথ নিংথৌ রাণী সনা খুয়ারেন্দা শমু থাঙচপ্পনা পুরুম্নরে হায়দবরা। মমাল দশরথ নিংথৌরেনগা মশানৌ লৈমা অহুম্মগা বচন য়াথং অমেঙবনা মপারিশিংদা লনকুবীথিয়ে হায়দবরা। মদাইরেম সনা অযোধ্যা লৈবাক্কী পাত্র অঙম্মবু সভা মকুপপৈ পুং পেরে মোইবুং শিঙ্গানা বাংলেন পুংতোংয়ৈ কর্ত্তান শেলখিঙতৈ মৃদঙ্গ পুংলোন থোক্লা শব্দ খোঙ্জেন নাইবা পুম্নমবু খোঙ্জেন নোংদকা মুঙাই মখে লৈতনা নির্ত্তক চুকোইশা কুপ্পে মতোল্লোম্নবদা। রাণী কৌশল্যা কৈকোয় সুমিত্র অহুম্মবু শমু খুৎশয়না মপারি রাঘব অথোইবস্তু সীতা শমু খুৎশয়না ভরত লক্ষ্মণ শত্রুঘ্ন অহুম্মস্তুঙ রাণী কৈন্থা অহুম্মপু শমুপালওইননা সনা য়াইকোনমুংদা য়াচংখিরে হায়দবরা। মদাইরেম পাত্র অঙম্মস্তুঙ মরান যুমথিখিরে। সনা অযোধ্যা লৈবাকপু তুখ অরালৈতনা অ'নন্দ মুংঙাইথোইনা পাল্লে হায়দবরা। কীর্ত্তিবাস অহৈবনা য়াথং পরেংচানা রামায়ণ অরুবা আদিকাণ্ড অহানবগী রারী লেংলমশে অসিবু শাস্ত পুক্লীংতপা নাতারবদি পুত্র মপারি অফববু শাৎয়ে মরান গৃহ য়ুমদাংশাংদা ধন লনয়াম লোয়নৈয়ে। পাযমা উনগোইমুংদা নীংজবম্নঙ পাঙয়ে। পাপ ইরেনপুংগুম্মস্তুঙ কোকনয়ে পুক্লীং ফথোইবদি লাইজ ঈরেনপুংগুম চংলকয়ে। রাম মপোক অরুবা আদি কাণ্ড মশা অহানবা অসিবু শঙদিং ফিদোল লোমগুম্না লোইখিরে হায়দবরা।

অযোধ্যা কাণ্ড

অসাইহৈগী সনা অযোধ্যা লৈবাকপু আনন্দ মুংঙাইথোইনা পাল্লবদা কোরৌ মুমিংমা অযোধ্যা সনা লৈবাক্কী মন্ত্রি নিপানমা সুমন্ত লৌশিংবনচিংনা য়াকারক্লে। পাত্র লৌশিং মাঙওইনবা সুমন্ত লৌশিংবনা হে মন্ত্রি নিপানম ও ! সনা অযোধ্যা লৈবাক্কী শ্রীরামচন্দ্র নীংথিবা কমলজ মিংলোং থম্বাল মানবা অসিবু মপল রাজা নিংথৌরেম্না মুনি মন্নকু বর অচৌববু ফংজরবগী যজ্ঞ মঙমতো মুনি ব্রাহ্মণ মীপুম খুদিংদা দান ধর্ম্ম তৌনা তানফংজবা চৌংঙু অবতার শংশংবা অসিবু রাজা নিংথৌওইনবা শংলৌ করম থৌরাংসিবনো হায়না মন্ত্র রাতানরিঙৈ দশরথ নিংথৌরেম্না পাউকৌজিনখিরে। হে ইদাইরেম মন্ত্রি নিপানমা সুমন্ত লেশিংবা নংসুঙ নাতা ও ! হৌজিক সময় মতম অসিদা রারী করি হায়সিবনো ? নিংথৌ ঐবু পাঙ্গন ইয়েংতানা অহল মতম ওইজিল্লক্লে হায়না রাহম্নকপবু সুমন্ত লৌশিংবনা হোয় রাজা নিংথৌরেনও নিংথৌ নংবু সূর্য্যবংশ শাথৈ অথোইবদা পোক্লবা রাজা নিংথৌরেম্মে হায়ববু সংসার পুম্মনা খঙলিয়ে। নিংথৌ পুক্লীং অথোইবনা মুনি ব্রাহ্মণ খুদিংদা দান দক্ষিণা তৌববু পুক্লীং চৈরেপ্পা নিংথৌ নমান্নবাশিংবু রৈরি য়েক্লা লৈতবা রাজা নিংথৌরেনও

অরণ্য কাণ্ড

অসাইণৈগী চীংঙ্‌ শ্রীরামচন্দ্র অহেনবদি য়োইবু মশানৌ সীতা চন্দ্রমুখি নীংথিবীবু খুৎশম পলরায়ননা মশানৌ লক্ষ্মণ অকনবনা তেন্দোং নমদাপো সনা লীরুং লেংদথোংনা শ্রীরাম মাঙদাচৎনা বনবাস লপ্পোইখিববু সীতা শমু মখুদোন নীংথি-বীবু খুয়া কুরোনহু মালেম লৈচেং নেৎঙমদরবগীদমক য়াংলো লমদাংশাংগী পামেন উখোঙ খুদিংদা অরা পোখা তোইনা চৎখিববু দণ্ডক উমং অণ্ডকপবু য়োরবদা রামসীতা লক্ষ্মণ অহুম্মদি পঞ্চবতি সনা খোংনাংনারেঙবগী পামেনউখোঙখাদা চীংঙ্‌আশ্রম লৈনফম্বু ওইনরে হায়দবরা। রাম সীতা লক্ষ্মণ অহুম্মদি মুম্মিং শীংবুম য়াম্না লৈরবগী তাইবং সংসার পুম্নমনা হায়নখিয়ে। রাম লক্ষ্মণ অনিমদি সীতা মশানৌবু পুরিয়ে হায়নখিরবগীদমক রাবণ নিংথৌরেম্না মদাইরেম দানব হিংচাবশিংদা রাহমখিয়ে। হে তয়ুম খোঙলোই অয়াংবশিং ও নখোয়দি সমুদ্র রাংমা লাম্না পাইখি ও। রাম লক্ষ্মণ অনিমনা সীতা মশানৌবু পুরি হায়রে মিৎয়েং শানথৈরু ও হায়না থৌশিখোনগী। রাবণ মদাইরেম খোঙলোই অয়াঙবশিংদি লাইজ রাংমা লাম্না দণ্ডক উমং চং-লক্লে। দানব খোইবুং মরোচাউনা পঞ্চবতি সনা খোংনাংখাগী রাম সীতা লক্ষ্মণ অহুম্মপু চেংলো মিৎথিংলবগী থিংলো নীংনা তেনা রাবণ মনিংথোদা রাকৎচখিয়ে। সনা লঙ্কা লৈমাবা ইবুংঙো তাও নদাইরেম ঐখোয়না মিৎয়েং শানথৈরুববু রাম লক্ষ্মণ অনিমদি সীতা ঙাইরোইননা পঞ্চবতি সনাখোংনাংমখাদা

গৃহ মরুম ওইনা লৈরিয়ে হায়না রাহমবদা খোঙলোই মরাখংদগী রাজা দশানন মকোক তরা পানবদি লোভ অপাম খোইনা মচন সূর্পনখা হিংচাবীবু পাউকোয়ে। হে ইমোম সূর্পনখা অহেনবী নংবু নাত্তা ও। নহাক্‌নিংথৌ ঐগীদমকপু সমুদ্র ইরাংবা দণ্ডক উমংলেন্দা রাম লক্ষ্মণ তপস্য লাইবু নীংবা অনিমবু লৈতাম্‌ঙৈনে, ইমোম নহকশাংবু ব্রহ্মা মরনকুগী চয়ে নীংখিশেৎনা চংখিও হায়না পাউমেনববু রাক্ষস হিংচাবীনা শমু খুৎলোয়না পাউখুমজখিয়ে। হে ইবুঙো রাক্ষস মপুরেন ও নংবু নাত্তাবী ও! শ্রীরামচন্দ্র কৌবা অতুবু বিশ্বমিত্র মুনিরেনগী সেবক মপারিনে হায়য়ে। চাহি মঙা গুরকপা নাম দিক্ষ্যা তৌরবদগুম তাড়কা সুবাহু অনিমবু নোংমনহলয়ে হায়য়ে। মশানৌ গুণ মতিক-লৈবা লক্ষ্মণ অহেনবা অতুনসুঙ যজ্ঞ মঙম অচৌববু ঙাকয়ে। সময় মতম অত্থৈঙদি অঙাং অপিশাবু ওইরোবনে হৌজিক মতম অসিদদি পাখং যৌবন মথোক্লকপবু ওইরঙৈনে। তাইবং নোংশাপানগী বীর পাঙ্গল থোইয়ে হায়বা অমমমশিংনা মমাঙ শংশাংবদা লেপঙমলুরোই হায়না রাহমজববু নাত্তারবগী। নিংথৌ আসন মফমেনগীবু য়াঙনা হৌখৎলবগা শারেন শাময়োমচিংনা অহার চিঙ্গাক অয়াম্ববু লৌরক্লবগী পুক্লীং অহাউগ্‌রা চাহল্লবদা রাবণ য়াখং অমেংবনা অমরক পাউথেমজখি। হে ইমোম সূর্পনখা অহেনবী ও শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমবু অহার নচিঙাকপু ওইরবগা মশানৌ সীতা লাইরৈমবু নহু রাবণ নিংথৌ ঐঙোন্দা পির ও। ইমোম কোলোই নমিংলেনবু চৎঙৈনে হায়না হন্না হন্না পাউথেমজরবগী সূর্পনখা হিংচাবীসু হোয়য়ারে। রাবণ থবায় মমিরেনবু চীংঙু বিধাতানা য়েক্লবনে প্রাণ থবায় কয়বনা কোকঙমগবনে কোকঙয়রোই রাবণ পুজি চেংজেল কৌজিনক্লবনে। নমু মীওইশানগীদি লাংহৈ কুমুম তরা লৈরিঙৈনা শিগদবা পান্দম

মপা ছান্না খঙইনয়ে। লঙ্কেশ্বর লৈমাবদি কাল মৃত্যু অমন খয়ৈ-পাউখেম্বীনা য়োংচিন্নখিরবগী নিংথৌ মথন্নগী থৌরম অয়াম্ববু খঙজ ঙমদে। শাখৈ মরূপ মাঙনববু লঙ্কা নিংথৌ ওইনা পোল্লরে। মতৌ মাগী ভুব অয়োনববু উনা কোয়ৌ নোংমদোনগী দেবসর্ব্ব লাই অয়া-ম্বনা ঙাইনোক্লখি হায়দবরা। অসাইডৈগী সূর্পনখা ছিংচাবীসুঙ ময়া ক্বিশেং অয়াম্ববু শাল্লৌ মথংয়েংনা শেথলে। তাইবং মরোল অহুম্ববু ঙমজরবদা নিংথৌ মমাঙ শংশংবদগী তপা খোঙশাল-লক্লে। লঙ্কা সমুদ্র য়ুথক চান্না পাকপবু লান্না রাম সীতা লক্ষ্মণ লৈরিবা লমদা চংচিল্লক্লে হায়য়ে। চীংঙ্ মমাং শংশংবদা ফাওররবগীদমক রাক্ষসি তুংঙানবী অহুবু চেংলৌ মিংথিংলবগী চীংঙ্ পুক্লীং ইরৈচন্না বাখনখিয়ে! হৌজিক মতম অসিদা মুজা চেংলৌ শকহেনবী অসিবু মক্ষম করিগুম্বদগী লাক্লিগবনো হায়না নীংখনখিয়ে। রাম নামুংবনা হে কৈন্যা অহেনবী ও নংবু কনানো হায়না পাউহংববু রাবণ নিংথৌ মচন সুর্পনখা ছিংচাবীনা নমু মীবুকগুম্না পাউখুমজরকয়ে। হোয় রাম নামুং-বা ও মোয়্ ঐগী স্বামী অরোইবদি হা হা হু হু হায়না কৌয়ে। দেব গন্ধর্ব্ব তালোই মরুমবীনে মুজা ইঙংলাংগীদমক থংলেন ইপুঅরোইববু হাৎলবগীদমক তাইবং নোংশাপান্দা ইদোম লেপ-ঙমদরবগী সনা নখোঙথাদা লাকপা অসিবু তয়ম ননাই ওইবগী য়ুম্নাই থৌরম অয়াম্ববু তৌনা য়োইনা খৌথনচগে হায়না বাহমজরকপবু। রাম নামুংবনা হে শানৌ জনক নিংথৌ মনোক্লোন নংবু নাতাও নারি গুপী অহেনবী অসিনা তয়ম ঐখোয়গী ইনাই ওইগে হায়রবা অসিবু বাখন ও হায়রবগী সীতা লাইরৈমনা হোয় রঘুপতি মপুরেন ও য়োইবু ঐব্ 'বাখন ও হায়রবদি য়াথং মাগী হায়জবাব্ লৌবীদরবদি ভুব 'অয়োন খোকঙৈনে হায়না পাউখুম্বব্ খোইয়ম নিরঞ্জর অহেনবনা

হোয় শাবৌ সীতা লাইরৈমাও চীংঙ্ ঐখোয়গী তপ ধর্ম্ম অখোইবস্তুন রাওনরঙৈলে হায়না পাউমেল্লরবগী রাম নামুংবনা রাহমখিয়ে। হে কৈক্য্যা অহেনবী ও, ইশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংববু পামেন উখোংখা অসিদা লৈবনে চংখি ও হায়রবদা, সুর্পনখা হিংচাবীদি লক্ষ্মণ অকনববু তান্না চংখিবদা নীংখনজখি। অসি কোয়ৌ সুমিৎমা অসিদা শ্রীরাম লক্ষ্মণ ইচিক্কাকপু ওত্থরবগা মশানৌ সীতা লাইরৈমবু শমু খুত্তা থুম্না ইত্থ রাবণ লিংথৌ মাওদা রাইথুংঙৈনে। হায়না হরাউ পুক্লীংচং সুংঙাই মরাংকায়না লক্ষ্মণ মমাও শংশংবদা ফাওক্লরে। হে যৌবন মখোক্লকপা নংবু নাতাবী ও। ঐবু গন্ধর্ব্ব তালোই মরুম অপাম্বীনে। থংলেন ইপু অরোইববু খোইমোম লাই হিংচানা হাৎলবগীদমক রাম নচিন ননাওগী সনা নখোঙখাবু লীজয়রকপনে। নশাবী রাম মামুংবদা হায়রুবস্থ রাম সীতা অনিমনা থবানা নংগী ফম্বীরেল অসিদা মোমু ঐবু পুক্লীংচেৎনা থৌখনজরু ও হায়না থৌশিরকয়ে। ঐবু সনা নখোঙখাদা তয়ম ননাই ওইজগে মুংশি ইতিক খওবীও হায়না পাউমেনজরুববু লক্ষ্মণ লৌশিং-বনা পাউথুমখিয়ে। হোয় হে নারি সুপী অহেনবী ও। কোলোই নংগী নয়াথং হায়থোক্লকপা অসিবু য়াথংঅওকপা মহাকনে। তৌইগুম শমু ইহকশাং থরায় ইমিরেম্নাচিংনা রাম নামুংবগী তয়ুম মনাই ওইয়ে হায়ববু সংসার পুম্মনা খওলিবনে হৌজিক মতম অসিদা ঐবু করিগী ভক্তি সেবা তৌরবনো রাম সীতা অনিমগী সনা মখোঙখাদা জন্ম ইপোক খুদিংবু দাস মনাই ওইনা পোকচগে হায়বগী হৈনা মতুং ইনজরিয়ে। হে মুজ্ঞা নীংথিবী নংবু তালোই নাক্তাথানা লুম্নেন ঐগী অপাম্বীবু ওইঙম্লোই হায়না রাহমখোনগী। রাক্ষসি হিংচাবীদি লোংখি মাইরৈচম্না অনৌবা অমরক খোইয়ম সনা মখোঙখাবু

ইন্দাল্লক্রে। রাম নামুংবনা হে গন্ধর্ব্ব তালোই মরুম অপাম্বী ও নংবু গন্ধর্ব্ব নরৈবা রুজুম হনরাইখিরো হায়রনা বাহমথবু পাউরাদনা কোলোয় ময়াথংবু অমুত্ত ইচেমনা সীতা লাইরৈমদা বাহমজরবগী রাক্ষসি য়াথংতানা রাম মশাবীদা বাহমখি। হে প্রভু ইবুঙো তাও ও গন্ধর্ব্ব মরুম্বী চিনগোই ময়াথং অসিবু মুংশি মপাউ ওহোকপনে। চীংঙু বাক্য অথুম্ববু শানৌ লক্ষ্মণ আহেনবনা হেপথোকপিরোইয়ে হায়রনা বাহমথোনগী রাম নামুংবনা অনৌবা পাউমেনহৌয়ে। হে নারি মুপী শকহেনবী নংবু ইশানৌ লক্ষ্মণ মুংজানবদা হনরাইখি ও। থৌজান মাইওকপিডামেঙনে হায়রবদা রাক্ষসি শালওন হৈবদি পূক্নীং অকি চংববু নমদা হুন্না লক্ষ্মণ মকমলেন্দা অমরক হনরাইখিয়ে। রাম সনা ময়াথংবু হায়রুরবগী লক্ষ্মণ পায়মা লৌশিংথোইবনা পূক্নীং ওন্না ওন্না থনলুরবগী নারি মুপী অসিবু মায়াহিংচাবীবু নরিঙনে হায়রনা খঙলুরবগী রাম সীতা অনিমনা থৌশিররকপবু লেপ্না ওইররে হায়রনা নীংথনখিয়ে। স্থূর্পনখা হিংচাবীনা বাহমজখি তনবা নিপা ওইবালকগী অহেন মিংচুব ও, নংগী তয়ুম ননাই ওইনা য়াজোই-জগে। ঐবু গন্ধর্ব্বগী তালোই মরুম অপাম্বী মহাক্রে। সনা নথোঙখাদা কোরৌ নোংজা থুদিংবু সেবা থৌথনজগে হায়রনা পাউমেনজরকপবু। লক্ষ্মণ অকনবদি ক্রোধ কনজাও থোইনা হৌথংলে। নীরুং থুত্তাওনা রায়রা মতেনচা তেনবী অথৌবা অমবু নীরি তেনগাথোংনা কাপথোকখিববু স্থূর্পনখা শমু মনা-তোন অবাংববু শোইথোক্লে হায়দবরা। রাক্ষসি হিংচাবীদি লক্ষ্মণ তেনবান অনাথোন থাঙ,ঙমদা থরায় নোংদাকা মিরেন থাবুথংনা কোরৌ নোংলাউথোনগুম শাইখিরে। রাবণ নিংথৌ মমাঙ শংশংবদা ন্নিংশা শংহোয়রনা রাকংচখিরে। ইছু রাবণ নিংথৌরেন সনা লঙ্কা লৈমাবঙ নমোম ঐগী শমু ইনাতোনবু

লক্ষ্মণ মতেনচানা শোইথোক্লবগী সীতা মশানৌবু পুরকঙমদরে। তেনবাল চৈথাখোয়া নমোম শমু ইহৎশাংদা অনা লোৎলুহ চংজিল্লক্লে হায়না পিরেন থকমাতা তীনথোক মতম মায়া চোংলবগী। রাবণ মকোক তরা পানবদি সুর্পনখা শমু মনা-তোন ইঙাং ফাক্লেমববু য়েংনা, রাবণ থবায় লাইথংনা, মিপাই কোকঈকা, ক্রোধ, কপ্পাওথোইনা, মদাইরেম লঙ্কা লাম্বী অকনবা খর দুষন অনিমবু থুনা পাউকৌহল্লে। তয়ম খর দুষন অনিমা-নপিঙঙাদি রাক্ষস লীশিং তরামরিপুনা শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমবু দুয়েন লালশোক্লকও। শানৌ মচিন মনাওবু প্রাণ থবায় হ'ৎলবগা মশানৌ সীতা লাইরেমবু লঙ্কা ইপুংয়াইদা পুরক ও হায়না রাহয়বদা। খর দুষন অনিমদি রাবণ নিংথৌমাঙগী তন্না যাত্রা খোঙশাল্লক্লে হায়দবরা। লালশোক খোঙশান থীন্দনা সমুদ্র রাংমালান দগুক উমং চংনা দুয়েন লালহৌরক-পবু কোরৌ নোংলাউখোনগুম নাতারবগী। শ্রীরামচন্দ্র নামুংবনা হে শানৌ লক্ষ্মণ অহেনব ও রায়রা নতেনচানা গন্ধর্ব্ব তালোই মরুপ্পীবু শমু নাতোন লেম্না হনরাইহনখিরবগীদমক। দেব গন্ধর্ব্ব অয়াম্বনা দুয়েন লালহৌরকপবু নরিঙেনে হায়না রাহয়কপবু মশানৌ লক্ষ্মন লৌশিংবনা পাউথুমখিয়ে। হোয় হে প্রভু ইবুং-ঙো তাও ও। অসাইঙেগী নারী সুপী অহেনবী চরৈ নিংথিশেৎনা চেংলৌ মশক শেম্বী অত্থু গন্ধর্ব্ব তালোই মরুপ্পীদি নরিরোই-য়ে। রাক্ষস মায়া শালওন হৈবীশিংনা লৌনম মীবুক দুরববু নরিঙেনে হায়না নিংখনলুরবগী নদাইরেম ঐনা শমু মনাতোন লেনখিবনে। চীংঙ্শান্ত পুক্লীংতপ্পা ফমফমবীঙাম ও হায়ল্লবগা লক্ষ্মণ লৌশিংবনা মিৎয়েং শানথৈরুববু দানব হিংচাববু ওইর-বগী থিংলৌ নীংনাতেনা খোইয়ম মশাবীদা পাউদমখিয়ে। নদাইরেম ঐনা মিৎয়েং শানথৈরুববু গন্ধর্ব্ব অয়াম্বনা দুয়েন

লালহৌরক্তে মদাইরেম দানব হিংচাশিংনে হায়না রাকৎচরবদা। অসাইবৈগী খর দুষন অনিমদি লান্দান চৈরক্তনা চংলক্লবগী চীংঙ্ চেংলৌমিৎথিৎলে। লক্ষ্মণ লৌশিংবনা হে প্রভু ইবুঙো তাও ও নদাইরেম ঐ হুয়েন লালশোক্লগে হায়না রাহমজববু। চীংঙ্ মশাবীনা শানৌ লক্ষ্মণ মুংজানবা নংদি অঙাং যোবন নথোক্লকপনে দানব মায়ওক য়াহিগুনো। খোইয়ম নশাবা ঐনা হুয়েন লালশোক্লবৈনে চীংঙ্ ইমাঙ শংশংবদদি দানব মাবু হায়দবস্থু খমন্নুং যমনিংথৌনচিংনা খাংঙন্নোইয়ে। হায়না লীরুং খুত্তাগুনা চংখিবৰু মতৌ পান্দম্ অমদি য়াওরৌ শায়াম-লক্তা শারেন নোংশা খাঙনৌবনা চংখিবগুম। চীংঙ্ পান্দম মপানববু পুন্না লৈতে অরাং নোংমদোনগী কোরৌ রায়েনবন-চিংবা শোংকিনখি হায়দবরা। অযোধ্যা লাইপাখং রাম শ্যাম অহেনবদি খোইয়ম সনা লীরুং মথুৎশু মাঙদববু লীরি তেনগা থোং লকা তেনদোনচপ সন্ধান পানগা চুন্না চংখিরবগী। লঙ্কা লালজিংবা খর দুষন অনিমনা মিৎয়েং ত্তেলবান্নবদা য়ারা তুকুপচুংনা শোংকিনৈয়ে। অসি কোরৌ মুমিৎমঅসিদা হুয়েল লালশোক্লবদি প্রাণ থরায় মাঙখৈনে। লঙ্কা ইপুংয়াইদা হন-রাইসে হায়রবস্থুঙ রাবণ ইনিংথৌবু শোংকিয়ে। হায়না রাহম্নরবগা দানব মখোয়গী রায়রা মতেনচানা রাম থক্তা উপচিল্লক্লে। রায়রা অনৌ অনৌ নমকাপনরবগী নোংলেন মখোঙফুইনা চুবগুম মায়কৈ মখোঙমন্না তেলরায়রবস্থুঙ। রাম্ শমু মহকশাংদা রায়রা তেলচংবীদনা তেলবী লেন্না মাঙ-লবগীদমক দানব হিংচাবশিংদি থরায় নোংদাকা মিরেনথাবুথংনা শোংকিনখি। সেনাপতি লালজিংবা অনিমদি তাংজ লিলগী তেল অথৌবশিংবু খন্না কাপ্লকপবু খোইয়ম রায়রা মতেলচা [illegible]ড় তেলবী অথৌবাবু লীরি তেলগা থোংনা কাপথোক্লবগী

তাংজ লিলগী তেলপু মাঙহল্লে হায়দবরা। দানব মতেলচাশিংবু তেলবী লেম্না মাঙববু উনা চকয়োম মৈগী তেলবু কাপলকয়ে। শ্রীরাম নামুংবস্বুঙ বরুণ লাইজ ঈশিং তেলবু কাপ্লবগী চক-য়োম মৈগী তেলবু মুৎহল্লে। দানব হিংচাবশিংদি খোয়মা মমায়লৈদনা হুয়েল লাল্লাউববু খোঞ্জেন নোংথককা তেলবী চৈরৎতনা কাপচিল্লকপবু খোইয়ম রাম নামুংবা অযোধ্যা অতেংবনা লালফম মৈশা লাংনা রায়রা মতেলচা চন্দ্রবান তেলবী থা-শাববু সন্ধান পানগা তম রায়রা তেলরাই অমম্নক্তা খর দুষন অনিমবু নোংমলহল্লে হায়দবরা। রাম নামুংবদি লালফম নিপা থোক্লবগী নোংশা লালহৌতম্না। লাউথোক্লকপগীদমক কোরৌ নোংখাকখোনগুম্বা দানব লাম্মী অয়াম্বশিংবু কর্ণ মনাকোংফুম্না শিহল্লে হায়য়ে। চীংঙ্‌. রাম নামুংবস্বুঙ লালফম য়াইফথোইনা য়োইবু মশানৌ সীতা চন্দ্রমুখি নিংথিবীগা আনন্দ মুংঙাই-থোইনা লৈরে হায়দবরা। অসাইঙৈগী দানব প্রাণ থরায় হিংনা লাঞ্জেন লাইখংনখিবাশিংনা রাবণ মনিংথৌদা শম্ভু থাং-চপনা রাকৎচখিয়ে। সনা লঙ্কা লৈমাবা রাবণ ইনিংথৌ ও নদাইরেম খর দুষন অনিমনাচিংনা দানব লাম্মী লিশিং তরাম-রিমদি রাম রায়রা মতেলচাদা লৈমৈ অহুকপা রানজেং অহাববু ইল্লেন চাউগোই উপ্পগুম শ্রীরাম রায়রা মতেলচাদা নোংমল্লোরে হায়না রাকৎলবদা। রাজা দশানন মকোক তরা পানবদি লাইজ ঈরৈচনগুম উনবী লাংতরুনা রাহুমকয়ে। দশরথ নিংথৌ মপারি রাম লক্ষ্মণ অনিমা অসিদি, তপস্যা লাইবুনিংনা বনবাস লম্বোইবদি নত্তরে। লঙ্কা ইপুংয়াইদহুম থৌরম ওম্বোকপা মতৌ নত্তববু থোকহল্লরে হায়না পুক্লীং চিন্তা তৌনা মুংওল্লে হায়-দবরা। নিংথৌ উনবী লৈনিংশিংনা অনৌবা রাহমখিয়ে। ইদাইরেম পাত্র লেংনতিন্নবলক্তগী হে তয়ম ত্রিশিরা গবক্ষ

অনিমা ও নপিঙঙাবু লাও ও হায়না পাউকৌরবদা। মদাইরেম অনিমনা শমু মখুৎলোম্লনা নিংথৌ মমাঙশংশংবদা কমকম্লবগা লঙ্কেশ্বর লৈমাবনা রাম লক্ষ্মণ নারা অপিশা অনিমা অসিদো তপস্তা লাইবু নীংবদি ওইদরে। হে তয়ম নপিঙঙাবু লাল-শোক খোঙশাম্ল খীনগুনো হায়রবগা। লালশোকমথৌ হৌনবা নিংথৌ সনা কাগোকম্লুংগী পানা শমু থুংশিম্লনা পিজরবদা। তয়ম অকনবা নপিঙানা দানব ঐগী লাম্নী অকনবা লখা অমা পুনা হুয়েল লালহৌথি ও। রাম মচিন মনাওবু থমম্লুং যম নিংথৌগী দ্বার মথোঙচিন্দা থুনা থাদোক্লমলু ও। ইমোম স্পূর্পনখা অহেনবীবুসু শমু নাতোন লেপ্লকয়ে নিংথৌ কোলোই ইমিং থিনববু থৌরম মঙাওনা পিথোক্লকয়ে। নিংথৌ ঐবু সংসার পূম্লমদা তাংজ ইকাইয়ে হে তয়মশিংও, হায়না অস্লম বাহম্লবগী। মদাইরেম অনিমসু রাবণ মনিংথৌবু শমু য়েৎওই কোইনা পু-রুম্লবগা নিংথৌ সনা মখোঙথাগীবু যাত্রা খোঙশাল্লক্লে হায়দবরা। ত্রিশিরা তাংজ লুরেন অহুম পানবনা শমু মাঙদাচৎ গবক্ষ চকমোম মৈথাংথৌগুম্বনা শমু তুংদা চৎনা দানব লাম্নী লখা অমা পুনা হুয়েন লালহৌরক্লে। চীংঙ রাম লক্ষ্মণ অনিমনবু হুয়েন লালশোকুগে হায়না নোংশা লম্লাওতম্না দণ্ডক উমং অশোংববু চংজিল্লক্লে হায়য়ে। শ্রীরাম নামুংবনা পাউমেনথি হে ইশানৌ লক্ষ্মণ অহেনব ও। কোরৌ অসি মুমিৎকী হুয়েন লালহৌরকপা অসিবু মতৌ করম্বনো মিয়েং শানথৈরু ও হায়না বাহমখোনগী লক্ষ্মণ অকনবনা চোংলৌ চিংকুপমরম মিংয়েং শান-থৈরুবগা থিংলো নীংনাতেনা খোইয়ম মশাবীদা। হে প্রভু ইবুংঙো রাম নামুংব ও। নদাইরেম ঐনা মিংয়েং শানথৈরুববু অরাং লাহুম্লোংগী দানব হিংচাবা খর দুষণ অনিমনাচিংনা রাক্ষস জিলীং তরাম্বরিঙনা নোংমলহল্লবসুং শোংকিদনা হৌজিক

তমরক দানব লাম্মী লখা অমা পুনা হুয়েল লালহৌরকপা অসিসুঙ য়োন্দনা চীংঙু নখুৎবাক্তা নোংমনঙৈনে হায়না রাহম্ন-রবগা; রাম নামুংবসুঙ য়াইবী মন্নুংহৌনা নোংহাম্মথিয়ে। ময়ুম লঙ্কা লাম্মী অয়াম্বনা লালশোক চৈরত্তবদি রায়রা মতেলচা ত্রিমেল খাংনংতা তেংনৌ য়োংকি গুক খুংগু অথৌবা অসিশিংনা চীংঙু নোংজুনরক্লবগীদমক। খোইয়ম রাম নামুংবা ত্রিভুবন মরোল অহস্তগী মবুংঙো তেংনৌ য়োংগী হুইরেন ওইবদি, বায়ু নোংশিৎ মরাঙহৌবদা পামেল উনালেংবগুম লালফম তমথিবা অতুদা চীংঙু মতোম্মা হুয়েল লালশোক্লখি হায়দবরা। দানব হিংচাবশিংদি রায়রা মতেলচা তেলবী অথৌবশিংবু লেম্না মাঙববু উনা দানব থবায়নোংদকানা শোংকিনখিয়ে হায়য়ে। লঙ্কা লাল-জিংবা ত্রিশিরা অথৌবনা লীরুং খুত্তাগু হেল্লা থৌওইদনা রায়রা মতেলচা তেলবী অথৌবা অমা কাপথোরকপবু। তেলবী যাই-ওইবদি মাযকৈ মথোঙথরা। পাইজিল্লক্লবগী তেলবী অথৌবা অমনা চীংঙু সনা হকশাংলেন্দা পাল্লরবগীদমক। রাম নোংশা খাংনৌবদি দানব থওইদনা রায়রা মতেলচা গন্ধর্ব্বান কৌবা তেলবী অথৌবা অমবু সন্ধান পানগা চুম্না কাপথোকখিববু। দানব হিংচাবশিংদি থবায নোংদ কা মিরেল থংবু থংনা লালজেন লাইথংনখিরবগী। গবন্ধ ত্রিশিরা অনিমদি প্রাণ ঐথোয়গী থরায় মাঙলাইদম অসিদা সহায পাঙ্গন ওইনববু পুক্নীং করমনা থৌরাংসিবনো। থিংলৌ নীংনাতেনা লঙ্কা ইপুংয়াইদা হনরাই-খিসে হায়বসুঙ রাবণ ইনিংথৌবু শোংকিয়ে হায়না রাহমনখিয়ে। দানব লালজিংবা অনিমদি রায়রা মতেলচাবু তেলবী মাঙওই কাপ্পা শ্রীরাম নামুংববু তম্না ইঞ্জিল্লক্লবগী। খোইয়ুম রাম নামুং-বসুঙ বায়রা মতেলচা তেলবী মাঙদবা খুর শমকোক থাঙশাবনা ত্রিশিরা তাংজ লুরেনতোন অহুম পানববু মালেম লৈদ তানা

শোইথরে। খোইয়ম উনবী কনহৌনিক কঙ্গাওমখৈ লৈতনা রায়রা অমরক নমকাপ্পখিবনা দানব লালজিংবা গবন্ধ অকনববুসুঙ নোংমলহল্লে হায়দবরা। খোইযম শ্রীরাম নামুংবগী বিক্রম থয়াওমথোমন লালকম নিপাথোকপা অসিবু তাইবং নর পোংবচা নখোয় পুম্নমদি তাংজ নরৈতোন্দা জয রাম রাম শোল্লা নাতাবী ও।

অসাইবৈংগী দানব হিংচাব প্রাণ থংাযহিংনা লালজেন লাইখংনখিবশিংনা রাবণ মনিংথোদা শমু থাওচংনা রাকৎচখিয়ে। সনা লঙ্কা লৈমাবা ইবুংঙো তাও-ও! নদাইরম ত্রিশিরা গবন্ধ অমিমনাচিংনা দানব লাম্মী লখা অমসুঙ রাম রায়রা মতেলচাদ নোংমল্লোরে হায়না রাকৎলবগী রাজা দশানন মকোক তরা পানবদি সংশোয় রাম্নুংপঙগুম্না ক্লংঙনখিযে। রাম লক্ষ্মণ লম্বোইবা অনিমা অসিদি লঙ্কা লৈবাক তারুববু ওইররে। মপল দশরথ নিংথৌরেম্মা পাঙ্গন মপাতাম্না করম পোল্লবনো। বীর অকনবা অসিবু মতৌ করম শোক্লসিবনো। তৌইগুম হৌরেন অঙালবনা ময়ুম চংখিরবগী সন্ধ্যা সময় মতমদা মশানৌ সীতা লাইরৈমবু হুরুপে। সীতা মুংশিমৈদা প্রাণ থায় মাঙজৈংনে। সীতা সুন্দরি নীংথিবী অহবু নিংথৌ ঐগী শমু নাক্তা থাঙনে হায়না নীংখল্লবগী মদাইরেম মারীচ হিংচাবগী মরান য়ুম্বু তানা চৎখিরে হায়দবরা। রাবণ নিংথৌরেন্দি য়াবা খোজেল লাউনা রাহমখিয়ে। হে তয়ম মারীচ লৌশিংব ও নংবু নিংথৌ ঐগী সম্বন্ধ মরী অচেৎপনে হায়বগীদমক নিংথৌ ঐনা অসি কোরৌ সুমিৎমা অসিদা রাহম্লক্কে। স্বহায় পাঙ্গন ওইবী ও। ইমান নংগী নয়া নশালওন ওম্বোকপা কুরঙ্গ শক্তি ওই মণিমুক্তা থিনবনা উনবী পুক্লীংহুনা পামহৌঙনে। রাম পায়মা মবুকঙ্গুনা

শারেন তুংইন তাম্নখিবদা গৃহ ময়ুম অতিংববু ওইরবগা সীতা খুংতা চনঙেনে হায়না রাহম্ববু। মারীচ লৌশিংবনা পাউ-খুমখিয়ে হোয় রাবণ ইনিংথৌ ও। রাম ন'মুংবা অত্তবু লাইল নারামখুঙৈগীহৌনা পাঙ্গন মপা তাম্বনে। নারা অপিশা অহুনা বিশ্বমিত্র মুনিরেনগী যজ্ঞ মণ্ডম তাম্না লাকপদা যজ্ঞ ভাক্লববু খণ্ডদবগী। রাক্ষস হিংচাবশিংনা কর্ম্ম মণ্ডম য়েথায়গে হায়না চংখিবব্‌ রামচন্দ্র নামুংবনা রায়রা মতেলচা অমতবু লীরিথযোই তিংনা কাপ্লকলবগী ককাশ্বর স্ুবাহু অনিমবু শিহলয়ে। রাবণ ইনিংথৌ ও রাম মানা লাক্লবদি লঙ্কা নপুংয়াইগী সনা পল্লোন তরেংমনাচিংনা উযুল নোংলৈ ওইঙেনে। প্রাণ ঐগী থরায় ইমিরেনস্বও হিংফররোই হায়না পাউখুমজববু। রাজা দশানন মকোক তরা পানবদি উনবী কনহৌনিক্লা রাতাথিখিয়ে। হে মারীচ হনম্নুব ও সম্বন্ধ ঐগী মরী ওইবত্রু হায়বনে প্রাণ থরায় মাঙহল্লিঙয়ে হায়না রাহমখোনগী। মারীচ হিংচাবনা হোয় রাজা নিংথৌরেন ও নদাইরেম ঐ নিংথৌ সনা য়াথং ইম্না রাম সীতা লক্ষ্মণ পূক্লীংহগে হায়না শমু মহকশাংবু কুরঙ্গ শক্তি ওই য়াও-রৌ তুখোঙ খুদিংবু মুক্তা মরেং থিনবনা সীতা মাঙথাননা উহল্লবগী সাতা লাইরৈমনা রাহমখিয়ে। হে স্বামী কোরৌ ইন্নাংথৌ ঐবুলোইবা ইবুংঙো রাম নরায়ণ শিদবও চীংঙু নংবু মিংয়েং শানখৈবীও কুরঙ্গ শক্তি নীংথিবা অসিবু শারেল চংনা ফাবীরবগা য়োইবু নশানৌ ঐনা শাউন থৌরীহল্লা শাম্নগে হায়না রাহম্নকপা অসিবু চীংঙু শ্রীরামচন্দ্র সনা মখোঙখাদা মদাইরেম কীর্ত্তিবাস অহৈবনা হুংশি অরা লৈখৈ তানা লাম্নংববু তেংথারমম্নে হায়দবরা। খোইয়ম বিষ্ণু শিদবা রাম শ্যাম অহেনবনদি মায়া শক্তি ওম্নোকপনে হায়না খঞ্জবগী পূক্লীং চিন্তা তৌনা খোইয়ম মতোম হুংওল্লে হায়রে। চীংঙু ইরাইবকপু

বিধিনোংদম য়েক্লকপবু লৈরিঙৌনে হায়না লীরুং খুত্তাগু রায়রা তেন্দোংল্লুংগী তেলবী অথৌবা অমবু শংলবগা লক্ষ্মণ লৌশিংবদা রাহমখিয়ে। হে শানৌ লক্ষ্মণ অকনবা নংদি শান্ত পুক্লীংতপা সীতা ইশানৌবু ঙাকঙাম ও হায়না পাউমেনববু। মশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংবনা হে প্রভু ইবুংঙো নংবু য়াওরো শক্তিকানা নরানথুনা ওন্দেরকও হায়জখিয়ে। দেবসর্ব্ব লাই অয়াম্বনস্তঙ কোরৌ নোংমদোন অরাংবদা য়েংনখিয়ে। হে খোইমোম ইঙাইরোই চীংঙ ইহিশাংশিংও রাবণ নিংথৌরেম্না প্রাণ থরায় মাঙগদববু সময় মতম ওইচিল্লক্লে হায়না পাউশোন্নখিয়ে। বিদ্যাধরি অহেনবীগী মরুপনস্তঙ চুকোই খোঙলৈ থোক্লা শায়ে। গন্ধর্ব্ব মরুপ অয়াম্বস্তঙ অশৈ খোনমান শকয়ে হায়দবরা। রাম নামুংবদি শান্ত পুক্লীংতপা সন্ধান পানগা তম্না চংখিববু শক্তি মায়া শালওনবদি য়াওবো মথুংতোলবু মালেম নৈদা তানা চোংনা চাংনা চংলবগীদমক রাম তেন্থা চৈরংখিয়ে হায়দবরা। কুরঙ্গ শক্তি ওম্বোকপদি চীংলেন অঙমচোংনা মায়া শালওনখি। চীংঙ রাম নামুংবদি খোইয়ম য়াইবী কনহৌনিক্লা রাওইখিয়ে। য়াওরো শক্তিতেং নমু মীহিংনম অসিবু খোয়মা নারোনম্নুং অসিদা রাক্ষস হিংচাবাশিংনা ঐবু লৌনম মশক ওইররে হায়না শারেন তুংইন তান্নখিববু খোইমা নারোনমুং অশোংবা পামেল উমংলক্তা চেঞ্জিনখিরে। রাম নামুংবস্তঙ য়াইবী মম্নুংহৌনা য়াওরো তুংইন তানখিয়ে হায়দবরা। খোইয়ম শ্রীরাম নামুংবা নংবুস্তঙ রাকমনা লৈজহল্লমখিগে।

অসাইঙৌগী য়োইবু মশানৌ সীতা লাইরৈমবু লক্ষ্মণ অকনবনা মশাবী রাম সনা য়াথংলেনবু লুদাথোংনা সীতা লাইরৈমবু ঙাকচরি হায়রে। চীংঙ ফম্বীরেনবু হাঙলবগীদমক রাবণ

নিংথৌরেন্দি থোয়বুংমরৌচাউনা মায়া শালওনখিয়ে। প্রাণ মাগী থরায় মাঙলমদাই কংজিল্লক্লবগী লমচৎ মতৌ লৈতা শালওন মহৈ অয়াম্বা ছিংচাবা মশাল ওম্থোকপনা মশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংববু পাউকৌথোক্কে হায়না নীংজিল্লক্লবগী রাবণ মহৈ অমা তৌথিবনা সীতা লক্ষ্মণ অনিমবু নাতাহল্লে। শ্রীরাম রায়রা মতেলচাদম্বুঙ রাবণ মহৈ অথোইববু চংহল্লবগী তেলবী অথৌবনসুঙ লক্ষ্মণ কোলোই মমিং ফাম্না পাউকৌরকয়ে হায়। হে শানৌ প্রাণ থরায় ইমিরেনগী চান্নবও হায়না অসুম পাউকৌরক্লবগী লক্ষ্মণ লৌশিংবনা নাতারবদা রাম ইশাবীবু য়াংলৌ লমথাং অমদা রাক্ষস হিংচাবশিংগা লমওক্লরবগী ছুয়েন লানশোক্লরবরা হায়না নীংখনজখিয়ে। সীতা লাইরৈমদসুঙ মশাবী রাম সনা য়াথংলেনগুম নাতাহলয়ে হায়দবরা। য়োইবু সীতা নামুংবীদি রাক্ষস হিংচাবগী মায়া শালওন থংঙমদনা য়োইবু পুক্লীংগুম্না রাহমখি। হে ইশানৌ লক্ষ্মণ অহেনবা নংবু নাতাবরা থোইয়ম নশাবী সূর্যবংশ শাখৈরেন অথোইবদা পোক্লববু সীতা ঐগীদমকপু মৃগ য়াওরৌ শাদানখিয়ে শারেন নীংথিবা অস্তুবু ফারবগী পাউকৌবরা হায়না পাউমেল্লকপবু মশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংবনা হোয় সীতা লাইরৈমা ও থোইয়ম ইশাবীনা চীংঙ্ মাগী শমু মতুংথোকপদা জিব থরায়পানবশিংবু চংফরোই হায়না থম্লময়ে। লক্ষ্মণ ঐবু শমু ইথোঙ লেংফরোইয়ে হায়না পাউথুম্ববু য়োইবু সীতা লাইরৈমনা লক্ষ্মণ ময়াথংবু রাচানদনা রাহমখিয়ে। হে শানৌ লক্ষ্মণ অহেনব ও ইশানৌ ভরত শত্রুঘ্ন অনিমনসুঙ রাজ্যলৈবাক্ল মুনহৌয়ে হৌজিক মতম অসিদসুঙ সীতা ঐবু ঙাকও হায়না থম্লময়ে। থোইয়ম ইশাবী লৈতরবগা সীতা নাক্তা থাগে হায়না নীংলিবরা। চীংঙ্ মাবু লৈতরবদি য়োইবু ইহকশাং অসিম্নঙ তাংবংনোংশাপান্দা করিলৈসিবনো সীতা থরায়

মাঙলগে হায়না রাহুমরুবগী।" লক্ষ্মণ লৌশিংবদি প্রাণ থরায় নিক্লা কর্ণ নাকোংকুন চীংঙু বিক্ষুশোল্লা রাহুমখি। হে রাম প্রিয়া চান্নবী লক্ষ্মী চীনগোই নয়াঙ্ক অসিবু বাক্য নম্নাথং থোকপিগুনো। লক্ষ্মণ ইপোক খুদিংবু চীংঙু সনা মথোঙখাদা পোকচগে হায়না নোংহাল্লিবা মদাইরেমনে। চীংঙু সনা হুক-শাংলেনবু পম্বো ইপা শাৎমাবা রাজা দশরথ নিংথৌরেনগা পান্নমবা লাইয়িংথৌনে। সীতা নহকশাং অসিন্নুঙ পালেম ইমা সুমিত্রা মহাক্নে। রারম মতৌ অসুম্বদি হায়বীগুনো রারম অসি খঙনা দয়া থৌজালবী ও হায়না পিরেন খকমাতানা রা-হুমজরবগা। লৌরুং মাগী খোংজিতোম্না মালেম নৈই তরেৎলক ইনা রাহুমখিয়ে। পালেম সীতা লাইরৈম নংবু নশানৌ লক্ষ্মণ ইতুং থোকপদা জিব জন্তু থরায় পানবনা চংলরুবদি ভম্ম উৎফুল ওইনা তুমও হায়না শাপ মীচৈরবগা। লক্ষ্মণ লৌশিংবদি তেন্দোং নমদা হুন লীরুং খুত্তাগুনা রাম সনা খোঙখুন লীখিয়ে। মাইকৈ মতময়েং চীংলেন অঙম-কা খোয়মা নাযায় খায় পামেল উরকচংনা রাম খোঙখুন লীখিয়ে হায়দবরা।

অসাইঙৈগী রাবণ নিংথৌ হিংচাবমুঙ সীতা লাইরৈমবু হুগে হায়বগী খোঙকাপ খুনা থাং তাংজ মকোক তরা পানববু মকোক মাপন লোৎচিন্নে তাংজ লুরেনতোন অমা পান্না দানব মতৌ ওম্বোকপদি বাহু মতানবোম কুনমসুঙ শমু মখুৎ অনি পান্না মান্না শালওক্নে। সর্ব্বাঙ্গ হুকশাং পুমমবু মালেম বিভুৎকৈ শম্নাং জটা লুন্নাপু সুত্রিক ঙকোইনা য়ারেন খোংকাংঙৌ য়াতা লিক্লাং পরেংশিন পানব কৈউনইন কুলি নাকনয়েপ চৈঙলেং-খোংনা তানপুন্না খোক্লেন হুংনৌখোং নোংপোক মহাদেবগী কোলোই মিংলেন শক্রা চুকোই খোঙলৈশানা চৎজিন্নে হায়।

লম্বোই চরৈ ক্লিশেংননা সীতা মাঙদ ক্লাওরয়ে হায়দবরা। য়োইবু সীতা লাইরৈমদি লম্বোই মশকয়েংনা য়ুংওনখিয়ে। রাবণ নিংথৌরেন্দি সীতা মশক উরবগী পুক্নীং হরাউচংনা পাম্নমা উনগোইয়ুংদা নীংথনজখিয়ে। সীতা সুন্দরি নীংথিবী অসিবু মালেম চিথেক তরামদা চেংলৌ মশক মান্নবু পুম্ন লৈতে চীংঙু বিধাত্তানা করম নোংদমম্বনো চেংলৌ থোইনা অহেন মিংচুগে হায়না অস্থ্ম নীংথনখি। সীতা লাইরৈমদি পুক্নীং অরাচং য়ুংশি খোয়বুওংনা সীতা পিরেল থক মাতা লক্ষ্মী তাংজ মরুলুক খোঙবী লৈখৈ য়েংনা য়ুংওপ্লে হায়য়ে। য়োইবু খোম্লেন মঙ-লাংচানকুম্ববু করম থোক্লরবনো। ইশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংববু চীনলেঙ ইয়াংথংগী চংহনখিরে। হৌজিক মতম অসিদা লাক্লিবা অসিবু মতৌ করম্ববু ওইরিগবনো খঙদরে। স্বামী কোরৌ ইনোংথৌ রাম নামুংবগী চীংঙু সনা য়াথংলেনবু য়োইবু কর্ণ ইনাকোংদা মালং নোংশিং পাউগুম নাতারবগী শানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংববু চীংঙু তাংজ খোঙথুন লীহনখিবদি শীংলেন অরেম্ববু ওইরয়ে ইতোম থোয়মা নারোংনমুং অসিদা করম লৈহৌরবনো হায়না মীকপখিয়ে। কীর্ত্তিবাস লৌশিংবনা সীতা লাইরৈমবু চোর হুরাল্লবা অসিবু চীংঙু শ্রীরাম সনা মখোঙখাদা রাহমশৈনে তাইবং নর পোংবচা নখোয় অয়াম্বদি চুপলেন নাম্না য়ুংনা নাতাবী ও।

ভিক্ষারি তরা চানিবদি তানপুরা খোক্লেন য়ুংনৌখোংনা রাহয়কয়ে। হে সুন্দরি অহেনবীও লম্বোই ঐবু মীরৈবাক নিংথৌ পানব খুদিংগী তীর্থ লাইকম কোয়রকলে। অসি কোরৌ মুমিংমদি দণ্ডক নংগী উমংলেন অসিদা ক্লাওরয়ে তরা ঐবু চাপিজ ও। কোরৌ মুমিং মঙালিগুনা ব্রত তরা চাহেল্লক্লে

হায়না রাহয়কপবু সীতা লাইরৈমদি পুক্নীং অকিববু হুঞ্জেকওমদনা পাউখুমখিয়ে। হোয় হে মহামুনিরেন তপস্যা লাইবু নীংব ও। মুনি নঙোন্দা ঐনা তরা চাপিজনববু পুম্না লৈতে ইরান লোল-য়ুময়াই অসিবু স্বামী ইপু অরোইববু লৈঙমদে। খোইয়ম লাইবু নীংবনদি গৃহ য়ুমদা চংনা ফয়েং নোংকাইফরে'ই পামেল উখোঙ-খাবু নরান নখোয়গী হুমওইক্তবু ওইনরিবা হায়বা অত্তুনে হায়না পাউখুমবগী। লম্বোই লাইবু নীংশানবনা হে সুন্দরি অহেনবীও লম্বোই ঐবু হিংসা করিগী নীংনবনো হায়না থিংলো নীংনাতেনা চংশিন্নখিববু সীতা লাইরৈমদি দানব মতৌ অয়াম্ববু শানখঙ-দবগীদমক য়োইবু পায়মা উনগোইম্নুংদা নীংখনখিয়ে। হৌজিক সময় মতম অসিদা তপস্যা লাইবু নীংবগী মুনি শাপ মীচৈ অরুম্ববু শমু ইহকশাংদা অপরাধ লঙজ থোক্লৈঙনে হায়না নীংলুরবগী। সীতা লাইরৈমনা অমরক অনৌবা হম্না পাউকৌ-খিয়ে। হে তপস্যা লাইবু নীংব ও উনবী নখোই শাউনা হনরাইখিবনো থিংলো নীংদেরক ও হায়না পাউকৌরবগী। দানব হিংচাবদি হরাউ পুক্নীংচং থিংলো নীংনা তেনা হলরাইরক্লে হায়। লক্ষ্মী মমাঙ শংশংবদা ভগবান চরৈ ফিশেৎননা লেপ্লরবদা জনক নিংথৌ মমোম্লোন য়োইবু সীতা লাইরৈমনা লক্ষ্মী মচীন মোমোন নোক্লা রাহমখিয়ে। হে লম্বোই লাইবু নীংব ও স্বামী ইপু অরোইবদি কুরঙ্গ শজি তানখিববু লাকতরবগী মশানৌ লৈরাং অতোনবনা মালেম লৈই তরেৎলক কোয়না ঐবু থম্ময়ে। শনৌ লৈরাং অতোনবদি মশাবীগী হৈনা মতুংইন্না তাংজ-খোঙখুন লীখিববু লাক্লরিবা অসিদা লম্বোই নংনা পুক্নীং শোংকাঙলৈতনা চংলক ও হায়না পাউকৌববু। রাজা দশানন মকোক তরা পানবদি পায়মা উনগোইম্নুংদা ভয় অকিচংনা রাখনজখিয়ে। হৌজিক মতম অসিদা মালেমলৈইম্নুংদা চংখিরবদি

নিংখৌ ঐগী শমু ইহুকশাবু উৎফুল মতম মান্না তুমডেনে হায়না নীংলুরবগী য়াথং লৌনগনা হায়খিয়ে। হে সুন্দরি নীংখিবী ও লম্বোই ঐবু গৃহ য়ুমচংলক্লোই নংনা তরা চাপিজগে হায়রবদি শমু নখোণ্ড হৌনা পিজর ও হায়রবু। সীতা লাইরৈমনা অসি কোরৌ মুমিং অসিদা ঐনা শুরা চাপিজদরবদি মুনি মীচৈ অরুম্বনা লাইথুং পোৎলুম চংলডেনে হায়না লম্বোই লাইবু নীংবদা সীতা মখোণ্ডহৌনা পিজববু লৌবীদনা সীতা খুজেংলাক্লা থৌ-খায়ে। য়োইবু মহুকশাং নীংখিবীদা বজ্র নোংশীংনা তারবগুম সীতা শমু হুকশাংনিক থরায় নিলমাণ্ডননা য়োইবু মিরেনথাবু খংনা লান্নংলে হায়দবরা। রাবণ নিংথৌরেন্দি সীতা তাংজ মশমজি নীংখিবীবু শম্লাং খুৎতাকলাক্লা হুলাই মথুনেত্তা থাংথংলে হায়দবরা। লঙ্কা নিংথৌরেন ছিংচাবদি ভয় য়াইকখোইনা সীতা খুত্তা চন্দ্রবগী হরাউ পুক্নীংচং মুংঙাইমরাংকায়না হুলাই শাখৌ-রবদা সীতা লাইরৈমদি য়াওনা খোঞ্জেনখোক্লা মীকপক্লে। হে রাম প্রভু ইবুংঙো তাও ও। নংদি নশানৌ লক্ষ্মণ অহেমবগা মকম করিগুম্বদা লৈখিরবনো কল্লকয়ে হায়না খোইবু মিংলোণ্ড থম্বাল মানবী অনিমদা পিরেন চাইজি মরাণ্ডহৌ খুদাংপিকমত্তে মুংশি মত্তৌফমু লৈত্তনা অনৌ অনৌ মীকপখিয়ে। ইশানৌ লক্ষ্মণ অহেনববু কোলোই ইয়াথবু য়াথংকত্তা হায়থোক্লগী য়োইবু নাক্তালৈত্তনা চংহনখিরে। রাম নরায়ণ থোইথোইবা মংম্বুণ্ড সীতা ঐগীদমক কুরঙ্গ শক্তি তাদহনখিববু করিগী নরান ওন্দে-রক্তবনো কল্লকয়ে। য়োইবু নশানৌ ঐবুদি রাবণ নিংথৌরেন্না য়ুম্নক নাইফাণ্ডম ফাররে রথ মথুৎনেত্তা হাপ্পা পুরিবা অসিবু চাঁওঙ্ সনা নখোণ্ডথাদা পোনবী উচেকওইনা কয়ম পাইজিল্লকফদবনো কল্লকয়ে। চাঁওঙ্ দয়া নথৌজানবু কয়ম চালহৌথীয়ক্কবনো হায়না মীকপখিয়ে। ত্রিভুবন ময়োন অহুম্বগী মবেম্মা লক্ষ্মী শোকফদথী

অদুবু য়োইবু তাংজ মশম পায়না পুরিয়ে। লঙ্কেশ্বর মৈমাবদি নোংপোক মহাদেবগী থোইমোম মরনকুনা সীতা খুত্তা চল্লে। ঋরম মত্তৌ অমসুঙ অপরাধ লঙজ মৈতনদি প্রাণ থরায় মাঙবিয়োইয়ে। রাবণ নিংথৌ মথক্কী নিংথৌ দোষ অয়োন থরায় মমিরেনবু মাঙজঙেনে। তাংজ লিল্লাথিশিংবু অঙাং নারা অশিশানা পায়রুবগুম সীতা খুত্তা চন্না পুরিবা অসিবু শংলৌ মথোরাং য়েল্লাং মঙমদম অদুনা নিংথৌ থরায় মমিরেনবু মাঙ-জঙেনে। রাজা দশানন মকোক তরা পানবদি হুলাই শাথৌ থোইরিয়ে। সীতা লাইরৈমসুঙ রথ চুলাইথক্তা শমুখোঙবু থীয়া মীকপলিবা য়োইবু মত্তৌ মুংশি অদুবু য়েংনা কোরৌ নোংম-দোন্দসুঙ ইন্দ্র শোরারেয়চিংনা দেবসর্ব্ব লাই অয়াম্বদি চৌংঙ্ ঐথোয়গী বৈরিয়েরুবা রাবণ নিংথৌ হিংচাবা মকোক তরা পানবব্ প্রাণ থরায় মাঙননবা চৌংঙ্ বিষ্ণু শিদবা স্বয়ং মহকশাংনা নর মীবু ওইনা সনা অযোধ্যা মৈবাক্তা অবতার শংশংপোক্লবা মহাবিষ্ণু অসিনা দণ্ডক-উমংলেন অশোঙবগী পঞ্চবতী সনা খোংনাংমথাদা মৈরয়ে। ত্রিভুবন মরোল অহুম্মগী মবুংঙো রাম নরায়ণ শিদবগী শমু মথুংবাক্তা নোংমল্লঙেনে হায়না রাহয়খিয়ে। রাবণ নিংথৌরেনসুঙ সনা চুলাই শাথৌথোইনা কোরৌ নোং-লোনপাইরিঙৈ য়োইবু সীতা নামুংবীদি রথ চুলাইথক্তা শমু খোঙবুথীয়া মীকপ্পকলে। হে রাম কোরৌ ইনোংথৌ ঐব্ লোইবা ইব্ঙো তাও ও। নংদি ইশানৌ লক্ষ্মণ অহেনবগা মফম কয়িগুম্বদা মৈথিরবগী চেংলৌ শকউনদনা সীতা খোয়েন মঙল্লানচানগুম্বব্ করম লায়েংলরবনো সীতা থরায় ইমিরেনব্ তাক্পিরো। চৌংঙ্ কল্পীরেনব্ গৃহ অত্তিংবব্ ওইরবগী হেল্লা থৌঙইদনা পুরিবা অসিব্ মত্তৌ করম ওইসিবনো চৌংঙ্ নংনা

নচিংহনবাইরকপবু থীনলবদি য়োইবু ইশকতোন মুংশি কোঙোই ইরারেপপু নাতাররোইয়ে। রাক্ষস হিংচাবা অসিবু মতৌচ্চরম্বনো ওক্তোকয়ে তাংজমরুতোনবু তরা পানয়ে শয়েং মতানবোম্সুঙ কুনগুইয়ে চেংলৌ মশক উরিঙৈনা য়োইবু থরায় ইমিরেনবু লেপঙমদরক্লে হায়না রাবণ শমু মথুৎবাক্তা জনক নিংথৌ মমোয়োম্না মীকপথিয়ে। অসুম মীকপপবু মেঘ নোংহৌরকপদা রতন সনা উরীনা য়েৎলুবগুম সীতা পিরেন ঈচেম্বনা য়োইবু হকশাং পুম্নাচোৎ। হে প্রভু ইবুংঙো শ্যাম সুন্দর চেংলৌ শক্তোইহেনব ও মহাপাপ্পীরেন অসিনা সীতা ঐবু হাৎলরে। শারেন নোংশা থ্বাংনৌবগী মতুবু মৃগ য়াওরৌ শানা হুবগুম হুরাল্লিবা অসিবু উরবগা প্রাণ থরায় মাঙৈনে। হৌজিক মতম অসিদা পলেম পম্ভৌ অনিমা স্বামী অয়োইবনচিংনা লৈতরে। খোইমা নায়োনমুং অশোঙবা পামেল উখোঙথাবু ওইবনিগীনা সম্বন্ধ মক্কী অয়াম্বশিংবুসুঙ চেংলৌ শকউনয়োদে। হে প্রভু নংনা মিৎয়েং কবিগী শানখৈরদবনো মহাপাপ্পীরেন দুষ্ট তমথিবা অসিনা কোরৌনোংলোনথক্তা চেক্লা মগুংমানগুম কোয়নালংনা পুরিয়ে। সীতা চীংঙু লাইবকথিবী ঐবু তাইবং নোংশাপান্দা পোক্লুরবগী সংসার পুন্নমদা য়োইবু ঐগা মান্নবী অনিগুনা লৈতরে। রারম ঐগী থলফাত্তবনা মতৌ অয়োনবা রারম ওন্নতৈনববু থোক্লরে। শারেন মগুংলাংগীদমক স্বামী হকশাং অনৌবা নংগী থুয়া থম্বাল নীংথিবা অক্তনা চীংলেন য়োঙম-কা পামেল উরকচৎ খোইমা নায়ারথায় শায়বা লীকং লিংনা অরাহুইরাংশোন সনা লীরুং চৈশৌননা নদোমনোংথোইরিঙৈনে। হে শানৌ লক্ষ্মণ অহেনবা নংসুঙ নশাবী রাম শিদবগী চীংঙু সনা খোঙখুল্লেনবু লীখঙদরবরা। শানৌ নংদি মায়া থোক্লেন অরেম্বনে হায়না থঙয়ে। য়োইবু ঐদি কন্নম থঙলৌদরবনো

কল্লকয়ে। রাবণ নিংথৌরেল্লা চোব হুর'ন তম্না পুররে হায়না মীকপচববু কোলোই কনানা পাউথুমবীরক্তবগীদমক অমরক তেং-থাজখিয়ে। শানৌ মুংজানবা নংনা নশাবী ঐগী চীনলেও নীংথিদববু য়ারোবীগুনো ধর্ম্ম লাইনীং নহৌশানা সীতা মুংশি লৈখৈত্তারবী ঐবু ঙাকপির ও। নশাবী রাম নামুংবগী শমু ওইরমথাবী ঐবু রাক্ষস শমু মথুংবাক্তা করম নোংমনশিবনো শানৌ নংবু ক্রোধ কপ্পাওথোইনা হৌজিক মতম অসিদা থরায় ইমিরেনবু ঙাকপির ও। খোইয়ম ইশাবী রাম কমলজ মিংলোও থম্বাল মকা মানবা নংমুও মায়কৈ কদাইলমদা লৈখিরবগীদমক য়োইবু নশানৌ চেক্লা মগুংমানগুম্না পোনচেংমুংদা চম্লবী ঐবু চীংঙু সনা নখোঙথাদা করম পাইজিল্লকফদরবনো কল্লকয়ে। হায়না রাম লক্ষ্মণ অনিমবু অমুম মীকপ তেংথাজববু খোয়মা মারোনমুংগী য়াওরৌশা পোনবী উচেক অয়াম্বা পামেল উ-রা পুম্নমদি কোলোই য়াথং হায়ঙমদা তাংজ মরুলুক্তা মতোম মতোম নোংথোইনরৌয়ে হায়দবরা। জনক নিংথৌ মমোয়োন্দি রাবণ তুলাইথক্তা লোইদাম নিন্দুংথাগুম শকওং মচেংনাইনা মুংওন-খিয়ে হায়দবরা। রাবণ নিংথৌ হিংচাবদি কোরৌ নোংথাঙমা লৈচিনশিফালক্তা থায়না তুলাই শাথৌখিববু য়াংলৌ লমথাঙমা য়ৌখিরবদা। পক্ষি চেকনিংথৌ জটায়ু পাঙ্গন মপা তাম্বগী পোনবী য়াকাফম্বু য়াংলৌ লমদাংশাং ওইবগী রাবণ তুলাই পাইজিনখিবদা সীতা তেজ মঙাল অরাবীবু কোরৌ চুমিতাং-থালগুম লাম্না উঙামলবগীদমক চেক্লা লৌশিংবনা রাখনঙাময়ে। হৌজিক মতম অসিদা কোয়ৌ নোংলোন পাইনা লাক্লিবা অসিবু রাবণ নিংথৌরেন লঙ্কা লৈমাববু লেপ্পা ওইয়ে। রথ খুংনেত্তা হাম্না পুরকপি কোরৌ নোংলোনথক্তা তেজ মঙাল নাইরকপি অসিমুও সীতা লাইরেমবু মাল্লে। শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমসুও

পঞ্চবত্তী সনাথোংনাং মখাদা লৈরিবনে। রাবণ মকোক তয়া পানবা অসিনা মতৌ করমওইনা লাকলিগবনো বারম খংলু-ঙমদরে। সীতা লাইরৈমবু রাবণ নিংথৌরেন্না হুরকপবু লেপ্পা ওইরে হায়না নীংথরূময়ে। পোনবী কাইদোংফম্বু য়োরবদা চেক্লা লৌশিংবনা পাউহংখিয়ে। হে সুন্দরি নীংথিবী ও নংদি কনানো হায়না পাউহংববু সীতা পিরেন থকমাতানা হোয় পক্ষি লৌশিংব ও ঐদি রাম নামুংবগী মশানৌ সীতা লাই-রৈমনে। কুরঙ্গ শক্তি নীংথিবা অমনা য়োইবু ইশাঙ শংশংবদা চেংলৌ মিংথিংহল্লরবগীদমক ইশাবী রাম নামুংববু শক্তি তুংইন তাম্নখিবগী চীংঙু মতুংথোকপদা ফয়েং নোংকাইফম্বু গৃহ য়ুম্নেন অতিংবা রাম মতুংথোকপদা সীতা খুংঙমথিনা পুরকয়ে হায়না পাউতাক্লবদা। চেক্লা জটায়ু পক্ষি চেকনিংথৌ অকনবনা সীতা মুংশিরাবু নাতারবগী পক্ষি চেকনিংথৌদি য়াইবী মমুংহৌনা রাতাখিখিয়ে। হে রাবণ নিংথৌরেন ও নংবু উনবী শেল্লোং নিক্তনা নাতাবী ও চেক্লা ঐনা রাহমক্কে। নিংথৌ নংনা চীংঙু রাম নামুংবগী মশানৌ শমু ওইরম থাবী ঠাকুরাণী অসিগুম্বীবু ধর্ম্ম লমচৎথোক্ত পাপী লমচৎ অতাক্লনা করিগী চুর খুরাল তম্মক-পনো। নিংথৌ নংগীদমকপু চীংঙু ব্রহ্মা অশেম্বনা সনা লঙ্কা লৈমথোনবু রাজ্য লৈবাকচানা রাজা নিংথৌ ওইহনবা নত্তবরা। লঙ্কেশ্বর নিংথৌরেন নংদি ধর্ম্ম লমচৎ থোক্তে মালেম সংসার পুম্নগী রাজা নিংথৌরেন নমাম্নবশিংনা চত্তবৃ চৎপা নায়া শালওনতৈনা মায়া মৃগ য়াওরোশাবু উহল্লবগী রাম নামুংবদি থোয়মা নারোনমুংদা চৎহনখিরে। হে রাবণ নিংথৌরেন্ ও। নংনা নিংথৌ সনা চোঙলেনথানবওইহনা সিংহ লোংশা মতুম্বু বারম করি নীংনা হুরক্লিবনো। শারেন নোংশা য়াতাফম্বু হাঙলবগী সীতা খুত্তা চল্লক্লে হায়না অহংকার নাপল হাংজরকপা

নংবু। তনবা নিপা ওইবরক্তগী চণ্ডাল অমাংবা অধর্ম্ম চন্নদরবা নংনা সীতা লাইরৈমবু হুররক্লবদি অসি কোরৌ মুমিং মসিদা প্রাণ থরায় নমিরেনবু মাঙহনগনে। হুলাই নখুনেৎপুথানা য়োইবু সীতা লাইরৈমা পাদ থম্বাল মানবীবু চেক্লা ইমাঙ শংশংবদা লেপ্লা থম্মও নিংথৌ থবায় নমিরেনসুঙ মাঙলরোইয়ে। চেক্লা কোলোই ইয়াথংবু হোয়য়াদরবদি অসি কোরৌ মুমিংমগী ইপিঙঙা হুয়েল লালশোক্লবা অসিদা চেক্লা খোঙগাও অমরকনা রাবণ থরায় মাঙহনগে হায়না রাহমখোনগী নিংথৌউনবী পুক্লীং ঙক্লা রাখনখিয়ে। হৌজিক ঐনা চেক্লা মমাঙ শংশংবদা সীতা লাইরৈমবু থম্মলবদি নিংথৌ পাঙ্গন অশোনববু লেপ্লওইরে। নিংথৌ ঐবু তাইবং সংসার পুম্মদা কোলোই মিংলেন থীববু ওইগনে হায়না নীংখল্লরবগী। রাবণ নিংথৌরেম্না অনৌবা রাহমকয়ে। হে পক্ষি চেকনিংথৌও নংগা হুয়েল লালশোক্লববু খোয়মা মাইওল্লোইদবা লঙ্কা নিংথৌরেন্নে। চেক্লা নংত্থম লালশোক নমাইলৈগনো লালকম নিপা থোক্লসে হায়না রাহমবগা। রাবণ হুলাই মখুৎনেৎপু থোথায়ে হায়দবরা। পক্ষি মাঙওইলেপ্লা লীক্লং খুৎশুপায়না পাউমেল্লকয়ে। হে জটায়ু পক্ষি চেকনিংথৌও নংদি পোনবী কোরৌ নোংলোন পাইবাচেক্কে। নিংথৌ ঐদি দানব হিংচাবনে। রাক্ষস ইচিঙ্গাকপু ওইরবসুঙ দুষ্ট অয়োনববু পুম্না লৈতে চেক্লা নংনা নিংথৌ ঐবু কোলোই মিংলেনথিববু করিগী রাহমকপনো। নিংথৌ ঐনা পুরকপি অসিদো রাম ওইরম থাবীনে পোনবী নতু মুল্লদে চেক্লা নংনা কোলোই য়াথং ফত্তবু করিগী ঙাইনোক্লঙাম্বনো কন্নকয়ে। অসি কোরৌ মুমিংমবু ইপিঙঙা হুয়েল করিগীবু লালশোক্লগবনো হায়না পাউমেনববু। চেক্লা লৌশিংবনা হোয় রাবণ নিংথৌরেন ও নংবু। মহাপাপীরেন দুষ্ট লিন্নজেন ফত্তবা হায়বা অত্তুনে শাস্ত্র

পুক্লীংতপ্পা নাতা ও ঐ বাহমক্কে। লাইল মাঙগী খোক্লম হৌনবকপবু লৈয়ে। রাজা দশরথ নিংথৌরেল সৈত্য বাচুম গুবা অতুনা মপারি সূর্যবংশ শাখৈ অথোইবদা প্রদিপ থাউমৈ থানগুম অযোধ্যা সনা লৈময়োন্দা নিংথৌ সনামিচু ওইনা অবতার শংশং পোক্লবগী কোলোই মমিংথোঙবু শ্রীরামচন্দ্র হায়না কৌয়ে। লৈরোন নোংলোন তরামন্নিগী মবুংঙো মহাবিষ্ণু অসুম্বগী শমু ওইরমথাবী সীতা লাইরৈমা অসিবু ত্রিভুবন মরোন অহম্মগী মবেম্মা অসুম্বীবু রারম করি নীংনা হুরক্লিবনো। মপল রাজা দশরথ নিংথৌরেল অতুমুঙ লাইল চেক্লা নারাখুঙৈগী হৌনা মিত্র লম্মোই অচেৎপবু ওইরিবা মহাক্কে। লম্মোই মপারিগীদমকপু চেক্লা থরায় ইমিরেনবু লেপঙমদরক্কে। সম্বন্ধ ঐগী মরি অচেৎপা মহাক্কে হায়বগীদমকপু চেক্লা থরায় ইমিরেনবু লৈরিমখৈদি রাম মাগীদমকপু চেক্লা ঐনা ঙাকঙৈনে। সীতা লাইরৈমবু থম্মমদরিবাঁ মখৈদি ঐনা থাদোকঙমলোইয়ে হায়না অসুম রাকনববু। রাবণ নিংথৌরেম্মা খোইমা নারোনমুংগী পামেল কাইদোংচেক নংবু অসি কোরৌ মুমিংমগী হুয়েল লালশোক্লবা অসিদা চেক্লা থরায় নমিরেনবু রায়রা ইতেলচাদা য়োন্দনা নোংমলহলগে হায়রবগা। রাবণ য়াইবী কনহৌনিক থাঙশ মতমপাম্মা লীরুং মথুৎগুবু তেৎনৌ লীরিখিংনা রায়রা তেলয়াম কাপ্পক্লবগী। চেক্লা পাঙ্গনবমুঙ হেলা থওইদনা পোনবী কোরৌ নোংলোনপাই পাইমা মবুকমুংবু পুক্লীং মওন মওন খজ্জা লালকম তমথিবা অতুদা পুক্লীং লাইরেকচন্দনা হুয়েল লালশোক্লরে হায়দবগা। গরুড় চেকনিংথৌগী মপারি চেক্লা পাঙ্গল মপা তাম্বমুঙ পোনবী কনহৌনিক্লা 'শাগন তুক্কাং মুথোক্লবগী রাবণ মতেলচাবু মালং অয়াঙবনা লৈচিলশিক্কা হুমগুম্মা হুমথোক্কে হায়রয়ে। তেলবী লেম্মা মাঙহম্লবগা চেক্লা লালশোক

তমথীবা পোনবী মখুদোন অচৌবা অনিমনা রাবণ থম্মোই অথীবদা কাওক্লরবগীদমক্ক রাবণ মকোক তন্না পানবদি রথ মখুৎনেত্তা কুমার চক্রলৈগুম তাংজ কোকঈকানা খাঙলবগা হুয়েল অমরক লাললীংশিংনা শোক্লখিয়ে। চেক্লা শাহুমকনবদি পবন নোংশিং নিংথৌরেন মালং অয়াঙবনচিংনা নোংশিং চাম্ম নিফুমাথোইমবু ঙমজখি হায়দবরা। রাবণ নিংথৌরেন জটায়ু পক্ষি চেকনিংথৌগা অনিমদি কোরৌ নোংলাউথোনগুম্না শোক-নবে। রাবণ খুত্নম কিনজাউথিন চেক্লা খোঙকাওশোয়নদনা হুয়েল লানশোক্লখিয়ে। কোরৌ নোংদোন্দসুঙ ইন্দ্রশোরারেম্না চিংনা দেবসর্ব্ব লাই অয়াম্বদি লালশোক কুমৈ য়েংববু মুংঙাই মথে লৈতে হায়রে। চেক্লা রাবণ অনিমদি শয়েং শোয়নদা পানবোম হেম্নদনা শোক্লরিঙৈ চেক্লা খোঙকাও তমথীবা অহুবু য়েংনা রাবণ পায়মা উনগোইদা নীংখনখি। হৌজিক লালশোক অসিদা নিংথৌ ঐনা পুক্নীং লাইরেক চল্লবদি চেক্লা মরান ওইনা নোংমনঙৈনে হায়না নীংলুরবগী রাবণ ক্রোধ কল্লাও-থোইনা হুয়েন লালশোক্লখিয়ে। হুয়েল লালশোকফম অহুসুঙ লাহুল ইন্দ্র শোরারেনগা রাবণ নিংথৌরেনগা অনিম্মনা লাল-শোক মথে লৈতনা শোক্লরবগা রাবণ নাপল রাংনা চীংঙু ইন্দ্রশোরারেনবু ঙমজখিবা হুয়েল লালশোকফম অহুনে। রাবণ নিংথৌরেনসুঙ তেনবী অথৌবা অমবু লীরিতেনগাথোংনা কাপ-খিববু। পোনবী থক্তা উপ্না পানলুবসুঙ হেল্লা থওইদনা পোনবী রাইবী কনহৌনিক খাঙশা মতমপাম্না অসি কোরৌ মুমিংমা অসিদা রাবণ থরায় লোগে হায়না চেক্লা চীম্নাকংনা তুরুরবগীদমক রাবণ মহকশাংবু রক্তঈঙাংথোক্পনা শীংলেন লৈ মছি লৈরাং নাবোইতোংনা মপালঙাংনা শাবগুম ঈঙাং কাক্লেমরে হায়দবরা। রাবণ নিংথৌরেন্দি লালশোক চৈরতনা রায়রা

মত্তেলচাবু তেলবী নমকাপ্পরবগী চেক্লা লৌশিংবদি রাবণ তেলবান রাম্নবগী চেক্লা পাঙ্গন মথেত্তানা শোক্লখিয়ে। কোয়ৌ নোংম-দোনগী দেবসর্ব্ব অয়াম্বনস্বু শক যাম্বা খোঙেনলাউনা পাউ-মেনথরক্লয়ে। হে জটায়ু পক্ষিচেকনিংথৌ ও পাঙ্গন নত্তিকউরে হায়না থাথংপিখিয়ে। লঙ্কেশ্বর লৈমাবা রাবণ নিংথৌরেনস্বু য়াইবী কনহৌনিক্লা থাঙলেন মথুংশু তরোঙবনা চেক্লা শাগন অনিমবু তুপ্পা য়ানথরবগীদমক পোনবীচেকনিংথৌদি চেক্লা পাঙ্গন লৈত্তরবগী মালেম লৈত্তারক্লে। অসুম মালেম লৈত্তাখিববু সীতা লাইরৈমনা চেংলৌ মিংথিংলবগী জনক নিংথৌ মযোম্নোন লক্ষ্মী নামুংবীদি পিরেন থকমাত্তানা রাহুমক্তরকয়ে। হে চেক্লা লৌ-শিংব ও! পোনবী নংবু ইপন লৈরাং মানগুম্বা মহাক্নে নমোম সীতা চীংঙু লাইবকথীবী ইগুংলাংগীদমক অসি কোয়ৌ মুমিংবগী মখৈবু চেক্লা অমলশিংদা চপ্নববু হায়রস হায়না মীকপখিয়ে। চেক্লা নংগী থবায় নমিরেনবু তত্তরিঙৈ অসিদা সীতা কোলায় ইয়াথংবু পাউমেক্লরমগে। হয়েং রাম প্রভু কোয়ৌইনোংথৌনা য়োইবু মশানৌ ঐগী সীতা খোঙথুন লৌরকপদা রাবণ নিংথৌ-রেম্না হুলাইমথুংনেংতা হাপ্পা পুখিরে হায়না পাউদম্বী ও। ত্রেতা যুগ য়াইমবগী লাংওন মপোক অসিদদি চীংঙু মাবুহেম্না লীতা পুক্লীং অমাতৈনা চংলয়োইয়ে। প্রভু মাগী সনা থুম্নারেনবু য়োইবু ঐগী পমোইলৈকানুংদা নির্ম্মল মকপা লৈতনা মীংজরিবী সীতা লাইরৈমনে। চেক্লা থবায় নমিরেনস্বু রাম নরায়ণ নীংববু চেংলৌ শকউনদরিবমখৈদি শিক্করোইয়ে হায়না লনকুবীরনয়ে। চেক্লা লৌশিংবস্বু চেংলৌ মিংনা য়েংনা মদোম নোংথোইজ-রোরে হায়েনবনা। রাবণ নিংথৌরেনদি লানকম নিপাথোক্লা হংস পোনবী মথক্লা হুলাই পাবোংশেম্না পাইখিববু য়াংলৌ লমথাঙমগী শুবাথম কোবগী চেক্লা কাইদোংকসু য়োখিরবদা জটায়ু

পক্ষি চেকনিংথৌগী মশাবী কোলোই মফিংথোংদি সম্পাতি ও তৌনা কৌয়ে। চেক্লা সম্পাতি মপারি কোলোই মমিংথোঙদি সুপার্শ্ব হায়না কৌয়ে। চেক্লা পাঙনবা ঙম্বু পোনবী মণ্ডাই-রোই চেক্লা মছিশাংপুরমনা তাংজইকাইখুরবা পাঙন মমারবু কনা য়াওদে হায়রে পোনবী যৌবন মথোক্লকপনে। চেক্লা মাবুদি জটায়ু পক্ষি চেকনিংথৌগী মশাবী সম্পাতি মরীনে হায়রবু খঙদবগী রাবণ নিংথৌরেনদি তুলাই মপুৎনেৎপু চৈরংখিদে হায়। রাবণ নিংথৌরেন্না চেংলৌ মিংয়াং নকচিনখিরবদা নিংথৌ পায়মা উনগোইসুংদা ভয় অকিচংনা মদোম নীংথনজখিয়ে। পামেল উতোল অরাংবদা চেক্লা কাইদোংঙবা অসিবু জটায়ু পক্ষি চেকনিংথৌ ঐনা হুয়েন লালশোক্লরম্বা অতুগী মশানৌ সম্পাতি অকনবগী মপারি সুপার্শ্ব কৌবা চেক্লা পাঙন মপাতাম্বু ওইতাম্লে হায়না খঙলবগী রাবণ নিংথৌরেনদি থোইবুং মরৌচাউনা কো-লোই অমেঙবা য়াথং নীংথিবনা পাউকৌনরম্লবগা চেক্লা কাইদোংফম্বু হেনখিরে হায়রে। সুপার্শ্ব অকমবম্বুঙ মপল চেক্লা নোংমলবাবু খঙদবগী হুয়েল লালশোক্লহৌদে। রাবণ নিংথৌরেনসুঙ রথ মথুৎনেৎপু তুলাই শাথোথোইনা কোরৌ লোংলেন পাইখিবনু। য়াংলৌ লমথাংমগী ঋষিমুখ চীংলেন পালংলা সুংঙাইববু য়ৌ-থিরবদা। ঋষিমুখ সুংঙাইবা অতুদসুঙ বালী নিংথৌ মশানৌ সুগ্রীব লৌশিংবনাচিংনা জাম্বুবান হনুমন্ত নল নীল মিত্র লয়োই মরিমবু ঙাইরোইননা পামেল উথোঙথাদা ফমফমঙাময়ে। রাবণ নিংথৌরেনসুঙ রথ তুলাইথক্তা সীতা লাইরৈমবু পুরকপদা খ্বা য়োং পাথং মিত্র লয়োই মরিমবু উরবগীদমক সীতা চেংলৌ মিংপালথোং নীংথিবী অনিমদা পিরেন ইচেল্লনা রাহমজরকয়ে। হে বানর য়োংনিংথৌ লৌশিংবা নংবু নাক্তাবী ও! সীতা পাইমা উনগোয়সুংগী রাক্ষস অয়াম্বা অসিদো নংনা খঙবীরৌ ও ঐঙী

তুথ অরাবা অসিবু সনা অযোধ্যা লৈবাক্কী শ্রীরামচন্দ্র লাইরিংথৌ লৈরোন নোংলোন পুন্নমগী ইবুঙো তুষ্ট লিনজেন কত্তবশিংবু লঙজ মতিকয়েংনা শাপ রাবকনবীরবগা অপরাধ লঙজ কোক-হল্লে। খোইয়ম মাবু নীংবা ভক্ত লেংনা তিন্নবশিংবুদি মালেম মনমশীনা রাকয়েহিবু ওইনা লানবীরিবা রাম নরায়ণ শিদবা অতুনা। মপাল রাজা নিংথৌরেনগী সৈত্য রাশকইন্না রাম সীতা লক্ষ্মণ ঐখোয় অহুমনা বনবাস লপ্পোই চৎলকপবু। য়াংলৌ লমথাংমা পঞ্চবতি সনাখোংনাং মথাদা মুমিৎশীংবুম য়াম্না ফয়েং নোংফাইরিঙৈ মারীচ হিংচাবনা কুরঙ্গ সনাশক্তি ওইনা ঐবু চেংলৌমিৎথিংহল্লবগীদমক। যোইবু ঐগীদমকপু শক্তি তুংইন তানখিবদা রাবণ নিংথৌরেম্না সীতা লোম্না হুরকয়ে। হয়েং স্নামী কোরৌ ইনোংথোনা য়োইবু ঐগী তাংজ খোঙখুন লী-রকপদা রাম সনামখোঙথাদা পাউদম্বী ও হাযনা শমু মহকশাংগী সীতা চরৈ ফিরেম্নি খাই কঙ্কন মখুৎশিন্নুঙ হুন্দ্রময়ে হায়দবরা। সুগ্রীব লৌশিংবনা রাহমখিয়ে। হে নোংশিংনিংথৌ মপারী হনুমন্ত অকনব ও হোজিক মতম অসিদা সীতা লাইরৈমবু মুনহৌসে হায়ববু পুইন্থ মহৈলৈতে রাবণ লমহুই মাল্লবা চোর হুরালবা অসিবু নিংথৌ মথমগী দুষ্ট অয়োনবনা প্রাণ থরায় মাঙজঙৈনে হায়না থোখামজিল্লে হায়। রাবণ নিংথৌরেন্দি লঙ্কা মপুংয়াইবু তাম্না পাইখিবদি সমুদ্র য়ুথক চাম্ন পাকপবু লাইজফৈনা শমথিবদা রাবণ পায়ম উনগোইহুংদা নীংথনখি। সীতা লাইরৈমা অসিবু মফম করিগুম্বদা থমশিবনো নমু মী-হুকশাংনিগীনা রাক্ষস হিংচাবশিংগী চেংলৌ মশক থঙদরিবীনে। দানব হিংচাবা অমমমশিংগী চেংলৌ শকউনরবগা সীতা থরায় মাঙববু থোক্লঙৈনে। অশোকবন ঐগী উমংলেন অচিকপা শীং-লেন লৈয়ামপোকদপতুম থবগে হায়না নীংথল্লবগী লঙ্কা পল্লোন

তরেংমবু লাল্লা পাইজিনখিরে। সনা মাগী য়োইকোনমুংদা রাইখুংলবগা রাবণ নিংথৌরন্দি মচন ত্রিজটা অহেনবীবু পাউ-কৌখিয়ে। হে ইমোম ত্রিজটা অহেনবী ও নংবু লাও ও নত্তু নিংথৌ ঐগীদমক সীতা লাইরেমা অসিবু অশোক বন ঐগী ইংখোল্লেন্দা থমলুশে হায়না সীতা লাইরেমবু পুখিরে। য়োইবু সীতা লাইরেমবু অশোকবন ইংখোল্লেনগী পামেল উখোঙ মুংঙাইবা মন্দির চাউকোইময়ায়দা গৃহ শঙদেং নীংথিবা মণিক মণিক থিনবনা চেংলৌ মিংপু লংনা নীংথিনরিবা অত্তুগী সনা শঙদেংমু অচিকপগী গৃহ য়ুমলেনমুংদা পুজিল্লে হায়দবরা। রাজা দশাননা হে ইমোম ত্রিজটা অহেনবী ও সীতা লাইরেমা অসিবু নত্তুনিংথৌ ঐনা পুক্নীং অরাচংনা লৌরুরবীনে। সীতা পুক্নীংঙম্না পাউথেন্নী ও হায়রম্লবগা রাবণ নিংথৌরেন্দি সনা য়োয়কোনমুংদা চংখিরে। ত্রিজটা হিংচাবীনা হে সীতা সুন্দরি নীংথিবী ও! য়োইবু নংবু শান্ত পুক্নীং তপ্পা নাতাবী ও নংগী পূর্ণ মহৈ ওইনববু খোইনৌ ইতা অচেংপবু ওইনা ঙাইরোই-নসে। রাক্ষস জাত কনা অমগী বারম মপাউ তাক্লগনো। রামচন্দ্র হায়বা অত্তুমুঙ নর মীগী হকশাংনে লঙ্কা ইপুংয়াই অসিদা কদৌঙয়রোইয়ে। ইত্তু রাবণ নিংথৌরেল মকোক তল্লা পানবদি রাক্ষস হিংচাবনে পূর্ণ মহৈ পাল্লোইদবা অত্তুবু পুক্নীং থাপ্পা হুম্থোক্লো শীংলেন অরেম্ববু ওইরবনে। হে সীতা লাই-রৈম ও ঐবুত্তুম উনবী পুক্নীং লেপ্পা নীংজও অকমুহৈথোকঙনে। পৃথিবী পুয়মদা সীতা নংগা মান্নববু অনিগুনা লৈতে। চীংঙ শ্রীরাম নামুংবগী প্রিয়া চান্নথোইবী ও য়োইবু নংগীদমকপু নারিনুপী চান্মগুনা সীতা ননাই ওইহনগে হায়না পাউথেম্লিঙৈ রাবণ নিংথৌরেনমুঙ চোইনৌ সনা লৈওইননা সীতা মাঙদা চংলক্লে। য়োইবু মমাঙ শংশংবদা কম্না পাউমেজ্জখিয়ে। হে

সীতা চন্দ্রমুখি নীংখিবী ও পুক্নীং চিন্তা তৌগুনো। রাবণ নিংথৌ ঐগী করি খাংতে। রাজ কৈন্যা অহেনবী পুক্নমহুঙ ইশানৌ মন্দদরি অহেনবীনাচিংনা সনা ফম্বাল্লাংগীবু থৈথগে। লঙ্কা সনা লৈবাক্কী চোইনৌ সনা সিংহাসন নোংশা খ্বাংনৌ-শাবদা সনা ফম্বাল তোংমন্নরবগা। মন্দদরি অহেনবীনচিংনা নুপী থম্বাল মানবী লীশিং অমম্থ সাতা নংগী তয়ুম নাইমশেম্নে হায়না য়োইবু চেংলৌ শকপাম্থোঙ কুরঙ্গ শজি মিত্তাননা পিগুম পাগোই হেনবীবু য়েংনা রাবণ নিংথৌ হিংচাবদি মোহ অপামথোই রাহমখিয়ে। হৌজিক সময় মতম অসিদা হে সীতা লাইরৈম ও নংবু চীংঙ্ বিধাতানা নোংদম শীংগুরক্লবগী চেংলৌ ইপিঙঙাবু শকউনররে। নিংথৌ পুক্নীং অরাববু য়োইবু নংনা কোকপি ও হায়না অস্থুম রাহম্ববু। সীতা লাইরৈমনা পাউথুমখিয়ে। হোয় হে রাবণ নিংথৌরেন ও। পায়মা নংগী নবুকন্নুংদা চিন্তা খোয়থৈ তানা রাখনজ ও। অতৈ কনাগুম্বা অমগী শমু খুৎথুম চনখিরে। থোজাল নংগী ইরেনপুংগুম্বদি লৈখিহনো। নিংথৌ কার্ত্তি নমিংচৎপশিংবু তৌজখি ও হায়না সীতা পুক্নীং অঙক চন্দনা অস্থুম পাউথুমথোক্লবগী। রাজা দশানন মকোক তরা পানবদি য়াথং পাউথুমমমদনা থিংলৌ নীংনা তেনা সনা সিংহাসন্দহুম ফমফমখিরে হায়দবরা। সনা ফম্বালয়ায়দালাংনা ফমফম্নিঙৈ মদাইরেম পাত্র লৈবাক কোইবা পুক্নমহুঙ নিংথৌ সনা মখোঙখাদা শমু মখুৎ অনিম্মা লোম্ননা ফমফম্নরে। দেবসর্ব্ব লাই অয়াম্বা থৈবিকহুঙ রাবণ সনা মখোঙ-চিন্দা চংলক্লবগা চীংঙ্ মখোয়গী থোখল মহৌশাবু য়োয়নরে হায়। রাবণ নিংথৌরেন্দি মদাইরেম পাত্র অঙম্বশিংগা মন্ত্র রাতানরিঙৈ নিংথৌ মশানৌ বিভীষণ লোশিংবনা মদোম রা-খলজখিয়ে। সীতা লাইরৈমগীদমক সনা লঙ্কা লৈবাক অসিবু

মিথ্যা অরেম্ববু ওইনা মাঙলঙৈনে। দানব লাম্মী অয়াম্বমসু খাম্মী মৈচন শাগুম্না নোংমলগবরা খঙদে হায়না অসুম রাখনখিয়ে। মশানৌ 'বিভীষণ লৌশিংববু য়েংনা রাবণ নিংথৌরেনসু পুক্লীং হরাউখি। মহুদর মহাবর্স কুম্ভকর্ণ মপারি কুম্ভনিকুম্ভ ভেটে অহুম্মসু। রাবণ নিংথৌমপারি অদিগয় অকনবা মথানন কৌবা নিংথৌ মাগী শেম্লোরেম স্বরেশ্বনে ভেটে অনিশমসু মেঘবর্ণ হিংচাবা মেঘমা লাভেত কৌবা অহুম্মবু লোয়ননা দানব অকন হয়িংচেং অসিখৈবিক্লাহ্নং নিংথৌ সনা মথোঙখাদা তিল্লরে। কুম্ভকর্ণ হকচাউবদি য়াহিপ থাবুম গুদরিবগী য়াহৌদে। মদাই-রেম লঙ্কা লাম্মী অকনবশিংবু তারা থরাম্মিচাকুম কোয়না লেংনা ফমফম্মিঙৈদা নিংথৌ য়ায়দালাংনা রাবণ মতৌ নীংথিবদি শমু মহকশাং নোংশাখ্বাংদানবা সর্ব্বাঙ্গ হকশাংপুম্নমবু অলঙ্কার ফিরোই অয়াম্বনা সামগ্রী মশীংগু মকর চীংলাই শাবনা চুপ্লেন নাপ্পঙাল শয়েং মতানবোম কুনমদা তানচপ খুজিথোন সনা তম্ফা খুৎ-ফাংলোই তাংজ লুরেনতোন তরামদসু লুহপ কীর্ত্তি মঙালনাইনা কম্ফম্বদা রাহমখিয়ে। হে পাত্র লেংনা তিনবশিং ও! রাবণ ননিংথৌ ঐনা সীতা লাইরৈমবু সমুদ্র ঈরাংমা দণ্ডক উমংলেন পঞ্চবতী সনাখোংনাং মখাদা রাম সীতা লক্ষ্মণ অহুম্মবু লৈ-ঙাময়ে। ইদাইরেম মারীচ হিংচাববু সনা শজি ওইনা সীতা চেংলৌ মিৎথিৎহল্লবগী শজি তুংইন তাম্নখিবদা সীতা খুৎঙমগীনা লঙ্কা ইপুংরাইদা পুরক্লে। নিংথৌসনা ইরৈবাক আনন্দ মুঙাইবা অসিবু সমুদ্র ঈরেনপুংনা হেম্বা লাংখোংওইনা সনা পল্লোন তরেৎ কোয়বা অসিবু। হয়েং রামচন্দ্র নামুংবনা সীতা খোঙখুন লীরক্লবদি মতৌ করম ওইসিবনো হায়না মন্ত্র রাতাননা পাউ-হংববু। মদাইরেম দানব লাম্মী অকনবশিংনা শমু মখুৎ লোম্মনা পাউখুমখিয়ে। হোয় দানব তাংজ কোকথকী লঙ্কা নিংথৌরেন ও

নদাইরেম দানব লাম্মী ৲অথৌবশিংবু কোটি মশীং থীঙমদনা লৈরিয়। ত্রিভুবন মরোন অছম্মবু মালেম মনমশীনা ছয়েল লালহৌরক্রবস্তুঙ সনা লঙ্কা পুংময়োনগী সীতা লাইরেমবু লৌ-হান্নাইয়ে। নদাইরেম ঐখোয়বু খোয়মা ইমাই ওল্লোইয়ে হায়না রাশকচখিয়ে। মপারি ইন্দ্রজিৎ অহনবনস্তুঙ শয়েং পানবুতিংনা ইপল রাজা নিংথৌরেন লঙ্কেশ্বর লৈমাব ও নপারি ইন্দ্রজিৎ ঐবু লৈরিইঙদদি খমনুং যমনিংথৌ ইন্দ্রশোরারেম্নচিংনা দেবসর্ব্ব লাই অয়াম্বনস্তুঙ লঙ্কা পুংময়োন রাজ্য নরৈবাক অসিদা চংলকফরোই। রাম লক্ষ্মণ লম্বোইবা অনিমবু রায়রা ইতেল-চাদা নোংমনহনগে হায়না রাহমখানগী। রাবণ নিংথৌরেন মকোক তরা পানবদি মপারি ইন্দ্রজিৎ কোলোই য়াথং তানা রাবণ পায়মা উনগোইনুংবু লাইজ উনথমঙ্গুম শান্ত পুক্নীং তপ্রে হায়দবরা। মদাইরেম পাত্র অপারশিংদস্তুঙ বিদায় য়াথংথা মপারি ইন্দ্রজিং অহনবদস্তুঙ মুনি লীক্লাংচানবু থাবা লীকপি-নখিয়ে। রাবণ নিংথৌরেন্দি মমিৎ মতৌ মুংঙাইরবগা সনা যোইকোনম্নংদা চংখিরে। পাত্র মিত্র পুম্নমস্তুঙ মরান থৌকুমখিরে হায। রাজা দশানন মকোক তরা পানবদি নিংথৌ প্রসাদ অথোইববু শমু নমদা হুন মন্দদরি অহেনবীনাচিংনা লৈমা থম্বাল মানবী লীশিংমনা পুক্নীং অনৌখন্না য়োয়না থৌখনবস্তুঙ উনবী মখন নাইখিয়ে। সনা ফমজাউ নীংথিবগী ফাকঙ লৈ-চাউমুংদস্তুঙ নিংথৌ খোম্নেন য়াতাঙমদববগীদমক মচন ত্রিজটা অহেনবীবু পাউকোহম্নে। হে ইমোম রাক্ষসি অহেনবী ও নহুনিংথৌ ঐগী পুক্নীং অরাবা অসিবু ইমোম নংনা পূর্ণ মহৈ ওইনববু শংলো করম্না থৌরাংবীগবনো নারিম্নপী চাম্মদংবু সীতা থৌখম্নবা পুথি ও। নিংথৌ ঐগীদমক সীতা পাউথেম্ববু হোয়য়াদম্নবদি খোঙলোয় য়াঙনা থৌশীরক ও হায়না অহুম

পাউমেল্লবদা ত্রিজটা অহেনবীসুঙ লুপী চাম্মপুনা চংখিরে। অশোক বন ইংথোল চংনা সীতা নাক্তা ফমলুরে। সীতা সুন্দরি অহেনবীনা য়োইবু য়ারেন মতাই কাঙনা পাউহংখিয়ে। হে রাক্ষসি চেংলৌ শবহেনবী ও পম্লৌ নপা শাংমাবা পলেম নমা পোকমাবী কোলোই নমিংথোংসুঙ করি কৌবনো হায়না পাউহংববু। হোয হে সুন্দরি অহেনবী ও পম্লৌ ইপা শাং-মাবদি বিশ্বশ্রব হায়না কৌয়ে। পলেম ইমা পোকমাবীসুঙ দেবগন্ধর্ব্ব মমোয়োন গুণ মতিক চাউবীনে। চীংঙ্ বিষ্ণু শিদবা সনা মথোঙখাদা কোরৌ নোংজাখুদিং ভক্তি সেবা তৌজয়ে। খোইয়ম মরনকুগীনা বিষ্ণু মহকশাংগুম্বা অমা শাংলকয়ে। অসিসুঙ মদোমদে। দানব পাঙনবা আনিগুনা পোক্লকয়ে। দানব অসি মতুংগী রাক্ষসি নারি লুপী অমসুঙ ' ফুইরকয়ে। হে সীতা লাইরৈমা ও অংশ মথায় অমনা রাবণ কুম্ভকর্ণ অনিমা বিভীষণ লৌশিংবা শূর্পনখা ত্রিজটা অনিমসুঙ কোম্না ফুইরকয়ে। অসি কোরৌ মুমিংমা অসিদা ইয়ু খোইমোম লাইওইখিরশিংদগী থারা লংগুং তত্তুনা শমথরকপবু হায়রবনে। ইচু রাবণ নিং-থৌরেন লঙ্কা খুম্মিংথৌগী কোলোই ময়াথংগী ত্রিজটা ঐবু ঙাকও হায়না খোঙীরকয়ে। অসি কোরৌ মুমিংমা অসিদা য়োইবু নংনা কোলোই য়াথং নীংথিববু নাতা ও। সীতা নংগীদমকপু রাক্সী লুপী চামদংসুঙ তয়ম নাইওইনববু পীরকয়ে।. হে সীতা চন্দ্রমুখি নীংথিবী ও পুক্নীং চিংনালৈতনা বাক্য য়াথংথোক্না হায়বী ও হায়না য়োইবু নাক্তা কম্না পাউথেমজয়ে হায়দবরা। রাবণ নিংথৌরেনসুঙ সনা য়োইকোনমুংদা পুক্নীং চিন্তা তৌনা অসুম লৈজহল্লমখিগে। য়োইবু সীতা লাইরৈমা পদ্মা থম্বাল মানবীসুঙ সনা লঙ্কা য়োইকোনমুং শীংলেন অশোক বন ইং-খোল্লেন্দা তক্না শীংলেন লৈরাং থাউবী মরাকচাম নিন্দুংথোঙুম

শকওং মচেৎনাইনা নোংথোইরবী সংযুক্ত য়োইবু সনা নখোঙথাদ তয়ম ইরাকমনা লৈজহল্লমখিগে।

লাহয়োংগী সমুদ্র লাইজ ইরাংমদা লালশোক শৈনাই নংলবা চেক্লা জটায়ু পক্ষি অশিংবদি রাবণ চৈথাখোয়া চেক্লা থরায় মমিয়েনবু পুক্তমমরক্রে হায়রে। পর্ব্বত চীংলেন পালংলা চাউ-থোইবা অমদা পোনবী কাইদোংফমু ওইজবদি। দানব হিংচাবা রাবণ মকোক তরা পানবগী শমু মথুংগু অস্ত্র থুংগু অথোবা রায়রা মত্তেলচা তাশোল কোইরেংতা সনা য়েম্লৈথিনফবা থাঙলেন মথুংগু অথোবশিংনা চৈবীরয়বগীদমক। পোনবী মালেম লৈদওন চেক্লা কোয়ৌ থোইনায়েংনা মদোম নোংথোইজরে হায়দব্রা। য়োইবু অমৃত ময়াথংগীনা চীংঙু রাম নামুংববু ভাইথমজরিবা, চেক্লা থরায় ভত্তরিবা অত্থদি, লাইজ ইথোলাংবনা। খৌরি চরমকং পায়মা নীংশা শংহায়রনা রারা খোক্লেন থোকঙমদা অরামথৈ-লৈতনা লায়ংলবা অত্থনা। চীংলেন মত্তোন অরাংবা অমদা সরোবর পুখরি নীংথিবা অমবু মিংয়েং শানখৈরবগী। জটায়ু পক্ষি অশোনবদি থোঙকাপ অথাংশোন য়াংলৌ পোখা তোয়না চৎচরে। লাইজ নীংথিবগী লৈরাই চাংজৌ য়োরবগা চেক্লা পাঙ্গন অশোনবদি পুখরি ঈদাকুয়া লাইজ পাশাননা চেক্লা মতু লীকচরে তর্পন সন্ধ্যা মঙমথৌবু লোইরংগা লাইজ ইরিক্লাই শেংথোইববু পোনবী মবুক থরা থকচরে। লৈরাই মত্তোনকানা মালং নোংশা য়াইজরে চেক্লা মতু কংলবগা জটায়ু পক্ষি লৌশিংবদি মুখি লৈথৈ-তানা মদোম নোংথোইজখিয়ে। গরুড় চেকনিংথৌগী মচা চেক্লা ধর্ম্ম লমচংনবদি অনা শোংলুম চংন পাউশোনজখিয়ে। হে রাম কোয়ৌ ইনোংথো ও। চীংঙু চেংলৌ শকপাম্বোড নশক পূর্ণ নীংথিবা অত্থবু চেংলৌ থুনা শকউনরবসে হায়না তাংজ মরৈতোম্মা তংপা

নাইদনা মদোম পাউশোনজখি হায়দবরা। কোরৌ নোংমদোন্দা দেবলাই অয়াম্বনস্তু মক্তৌ ওস্থোকপবু উরবগী খোইযম অয়াম্বদি চীংঙু লাইফঙথৌশিংবু য়াহৌননা ইন্দ্র মমাঙ শংশংবদা চৎখিরে। খোইযম লেংনাত্তিল্লবদা চীংঙু নোংপাখংদি ইন্দ্র য়ায়দালাংনা ফমফমলে। খোইমোম লাইফঙথৌ চীংঙু ইঙাইরোইশিং ও। শ্রীরাম নামুংবগী মশানৌ সীতা লাইরৈমবু লঙ্কা মপূংয়াইগী অশোকবন ইংখোল্লেন্দা পিরেনখকমাত্তনা নোংথোইরে। তরা খুৎখুনহুক্তা লাইজ চীনখুন মখবু য়েংদনা সীতা থরায মমিরেনবু মাঙনীংলে। মালংনোংশিং অয়াঙববু পাউকৌ ও হায়না রাহুমখোনগী পবন নোংশিং নিংথৌরেনস্তু চীংঙুসনা মখোঙখাদা রাইথুংলরে। ইন্দ্র নোংপাখংনা রাহমখিয়ে। হে নোংশিং নিংথৌরেন ও। নংনা সীতা লাইরৈমদা রাহমলু ও। লঙ্কা মপূংয়াই অসিদা শীংলেন নচুথাউ লৈরাং নরাক চান্না নোংথোইরিবা অসিবু য়োইবু নংগা নশাবী রাম নামুংবগা চেংলৌ শকউনঙেনে। খোইয়ম শমু মখুৎবাক্তা হয়েং রাবণ থরায় মাঙঙেনে পূক্নীং চিন্তা তৌগনো হায়না নাকোং পাউজেনবীরু ও হায়দবরা। চীংঙু মমাঙ শংশংবদগী পবন নোংশিং নিংথৌদি মালং চৈরোইননা লঙ্কা মপূংয়াইবু ইন্দানখিরে হায়। বায়ু নোংশিং চৈরোইননা য়োইবু মুখ চীনবাম্থোঙ য়ারেন খোংজিনুংদা সুধা মকপা লৈতনা চংখিরে হায়দবরা। সীতা লাইরৈমস্তু সনা লঙ্কা লোইদাম খাবুম মঙানিঙনা নোংথোইরে হায়। রাবণ নিংথৌরেন্না সীতা লোন্না হুখিবা অসিবু কীর্ত্তিবাস অহৈবনা তেংথাশৈনে। নরপোংবচা নখোয় অয়াম্বদি তাংজ নরৈত্তোম্দা রাম রাম শোনবী ও।

অসাইদুগী চীংগু শ্রীরামচন্দ্র নামুংবদি মৃগ য়াওরৌ শাদানবস্তুঙ খোয়মা নারোনন্নুং অশোঙবা পামেন উখোঙথাবু লিংনা চেল্লবগী য়াওরৌ তুংইন তানজমদে। শারেন তুংইন তান্নরিদুদা রঘুপতি কর্ণ মনাকোংদম্ভ কোলোই শরি পাউগুম রারম মতৌ অমা তারবগী খোইয়ম য়াইবী কনহৌনিক রাম তেম্মা অমরক্তা কুরঙ্গ শক্তি ওন্থোকপবু নোংমলহল্লে হায়দবরা। চীংগু বীর তাকনবদি যেতনা নীংশিংথোইনা রাখনখিয়ে! হৌজিক মতম অসিদা শানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংববু ঐনা কৌবা লৈতনা লাকয়ে হায়না নাতারিবা অসিবু রারম মতৌ ওন্থোক- পনে রায়রা ইতেনচানা পাউকৌববু লেপ্পা ওইররে। হায়না খোইয়ম থিংলৌ নীংনাতেনা মরান ওন্দরকপবু য়াংলৌ লম- খাঙমদা লক্ষ্মণ লৌশিংবগা খোয়মা মাইওক্লরে। মশাবি রাম নামুংবনা হে শানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংব ও সীতা লাইরৈমবু মফম করিগুম্বদা থম্মা লাক্লিবনো হায়না পাউহংববু। হোয় হে প্রভু ইবুঙা তাও ও খোইয়ম নংনা নদাইরেম ঐবু লক্ষ্মণ হায়না পাউকৌবগী সনা নাখাঙখুনবু লীরকপনে। নশানৌ সীতা লাইরৈমনা ঐবু থৌশীরকয়ে হায়না অসুম রাকংলবদা। রাম নামুংবনা হে শানৌ লক্ষ্মণ অহেনব ও সীতা ময়াথংগীনে নংগী তুষ্ট অয়োনবব পূম্মা লৈতে। তৌইগুম শানৌ নংবু মিংয়েং শানখৈ ও ফব লাইহিংচা অসিবু দানব কোলোই মমিংথোংবু মারীচ হায়না কৌয়ে। মারীচ হিংচাবা অসিবু রাবণ হিং- চাবগী দানব খোঙলোই পাউখোল চংলকপনে মায়া শালওন হৈনা লৌনম মশক ওইরয়ে। মায়া শালওল অসিনা সীতা লাইরৈমদা য়াইফ মহে ওইররোইয়ে। লাহুন মাওগী থৌরম হৌখিবা অমস্তুঙ বিশ্বমিত্র মুনিরেনগী যজ্ঞ মণ্ডম ঙাকদুদা ঙাকদুদা রাক্ষস হিংচাবশিংদি থরায় নোংদাকা মিরেন থাবু

খংনা চেম্নরবদা। চীংঙ্, ঐগী রায়রা তেনবুম অমন্না পায়মা মপুকমুংদা ফুন্না চেনখিয়ে। সময় মতম অচুঙৈগীবু হৌজিক মতম অসিদা মংশক খুৎথুম তান্না কুরঙ্গ শক্তি ওইররে। রাক্ষস হিংচাবগী শমু খুৎথুম ওইররিঙৈমে হায়না রাহম্নরবগা। রাম লক্ষ্মণ অনিমদি থিংলৌ মীংনাতেনা পঞ্চবতি সনাখোংনাংমখাবু ইন্দাল্লকপদি। গুহ মুমলেন অতিংববু ওইঙাম্নবগী রাম পায়মা নিংশা শাৎহোম্নরনা মালেম লৈদা ওল্লে। মশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংববু ঙকথি লুম্নাংকোন্না মীকপমম্নরে হায়দবরা। শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমদি সীতা মুংশি মৈনা ফংজিল্লরুবগী। শানৌ মচিন মনাওনা মীকপরবদি মুংশি লৈখোঙকায়না হা হা হায়বা য়ারা খোঞ্জেল্লেনবু লাউনা লাউনা তেংথারে। কীর্ত্তিবাস রস ময়েক-থোক্লা শরুমশৈনে।

রাম ঐগী চুখ অরাবা অসিবু থরায় ইমিরেনবু লাকঙমদ-রক্লে। জনক নিংথৌ মথোয়োন নংবু য়োইবু যৌবন নথোক্লকপিদি করম মাঙখিরবনো কল্লকয়ে। য়োইবু নংবু মফম করিগুম্বদা লৈখিরবগীদমক চেংলৌ নশক উদনা লক্ষ্মণ ইচি ইনাওদা শলনাও পীমাঙনবা লৈরাংমগুং মাল্লে। খোয়মা নাপিরকী সনাখোংনাং-মথাদা আশ্রম কন্বী হাঙনা করম লৈঙম্দরবনো। খোইরম নশাবী ঐগী শমু ইহকপাংদা লোইদাম কালেনথাগী নোংশা রঙ হৌবনা অওন ওল্লাংশাউরবদহুঙ। চেংলৌ নংগী শকপাম্বোঙ মায়থোঙ পূর্ণ নপুং কাবী অহুবু উরবগা শীংলেন চন্দন লৈবু ওইনা চিরুবনে। রাজ্য ইরৈবাক মুংঙাইববু নমদা চুম্না চুখ অরাববু ফংলরে। লাহন ঐনা হৈনা ইতুং ইনগুনো হায়না রাহবরু। হৌজিক সময় মতম অসিদা দুষ্ট লিনজেন কত্তবা কল্লম্না গুখিরবনো। চেংলৌ নংগী নশক নীংখিবী অহুনা

তাইবং নোংশাপান মায়া সমুদ্র ঈরেনপুং লানঙমদা বিব-হু অমৌবনা লাইজ তুরেল চেল্লিব অসিবু থিংলেন ইনমথাঙবু ওইনরিবী মহাক্নে। চীংঙু ইমাঙ শংশংবদসুঙ য়োইবু শমু নহকশাংনা নোংপোক মরাইতাগী উদয়গিরি সনা চীংদোমপোকপু ওইনা খনবীনে। চেংলৌ কদোনোংবু শকউনসিবনো। লাইন ঐনা ককাশ্বর হিংচাববু হাৎহৈদসুঙ দুখ অরাফংনা যজ্ঞ মাগী মতমদ অরা মখৈ নৈতনা লান্নংলকপসুঙ সীতা চেংলৌ নশক উরবগা মুংশি অরা কোক্লবনে। পরশুরাম তেৎনৌ শীংজংশুবনসুঙ চীংঙু ঐবু হাৎকে হায়না লাকহৈদা য়োইবু নশকয়েংনা মুংশি অরা কোক্লবনে। রারম মতৌ অমসুঙ পন্থৌ নপা পোকমাব ইমান জনক নিংথৌরেনগী ধনু লীরুং থাংহৈদসুঙ অরা ইশৌ-লাংবব লান্নংলকয়ে। মাঙগী রারম অয়াম্বা অসি খৈবিকপু য়োইবু নশক উরবগা কোক্লবনে হায়না মীকপথি। সীতা মশুংলাংগীনা রাম লক্ষ্মণ অনিমদি মুংশি লান্নংথোইরে হায়দবরা। প্রিয়া মশানৌবু উদরবগী মুংশি থোক্লেনথোক পিরেন থকমাতানা, শানৌ নংবু নমু কনাগুম দশা য়ুমথং ফরিবা অমগী মরান লোনয়িময়াইদা শানথুপহল্লবনো কল্লকয়ে। অসি কোরৌ মুমিৎমা অসিদা চেংলৌ নশক উরসো। চীংঙু ঐবু করিগী থোকাউ-খিরবনো চীংঙু জন্ম ইপোক অসিসুঙ মপোক লেম্না ওইররে। তনবা নিপা করম্বনা সীতা লোন্না দুখিরবগী মুংশি হকশাং মৈচাকপা থমোই তিমেল তাপানবগুম করিগী থোক্লরবনো কল্লকয়ে। হৌজিক মতম অসিদা হে বিধি নোংদম্বা নংনা করম নোংদম্লিবনো? রাম ঐনা সনা অযোধ্যা লৈমরোলবু নমদাহন্না চৎলকপগী পাপ পূর্ণ মরম অয়াম্ববু হৌজিক মতম অসিদা থোক্লরে। সীতা সুন্দরি নীংখিবী নংবু চেংলৌ শক-উনরসে হায়না মীকপখিয়ে হায়রবরা। হে শানৌ লক্ষ্মণ

অহেনবা পম্থৌ পামচা নংম্বুঙ সনা অযোধ্যা লৈবাক্তা হনরাইখিরো। চীংঙু নশাবী ঐদি বিষ হুবুচানা নোংমল্লগে। সংসার পুম্নমগী রাজা নিংথৌ অয়াম্বশিংনা নাত্তাখিরবগা তাংজ ইকাইয়ে। খোইয়োম ঐদি লম্নক নাপীরক অশোংবা পামেল উখোঙখা অসিদা ইতাম ফাংগোইজরগে হায়না অসুম রাহম্বু মশানৌ লক্ষ্মণ আহনবদি পিরেন ইচেম্নমা পাউথুমজখিয়ে। হে খোইয়ম ইশাবী ও চীংঙু করিরানো। নদাইরেম ঐনা সনা অযোধ্যা লৈবাক্তা হনরাইখিরবগা চীংঙু সনা হকশাংলেন্দা সুখ ফুংঙাইববু করি লৈবানো? হে প্রভু ইবুঙো তাও ও চীংঙু পিরেন খকমাতানা মীকপ্নগুনো। বিধি নোংদম্বনা অরা লৈখে তাববু থোকহল্লরে। খোইয়ম নংগী নপোক ইহুম্নোংদা বৃহস্পতি কোরৌ মুমিৎ শগোলশেম্না সনা হকশাংলেন্দা তিল্লরবগী খোয়মা নারোনমুং অশোংবা অসিবু নরান হুমওইনরবনে। রাজ্য নংগী নরৈবাক পুম্নমম্বুঙ শীংলেন অরেম্ববু ওইররে পম্থ লমখাঙমা য়াংলৌ লমদাংশাং চৎলিবা অসিদম্বুঙ ফত্ত রারম অয়াম্ববু য়েংও। হে প্রভু ইবুঙো ও নদাইরেম ঐনা সনা নরৈবাক্তা চৎখিরবগা মতৌ ফুংঙাইবৰু করি লৈবনো? হে রাম নামুংব ও নশানৌ সীতা লাইরৈমগীদমক্তুম য়োইবু তাংজ খোঙখুন লীনববু শংলৌ থোরাংলসে। চীংঙু নংবু কোরৌ নোংমদোনগী বিষ্ণু শিদবা স্বয়ং মহকশাংনা। ইপল রাজা দশরথ নিংথোরেনগী চোইনৌ সনা ফম্বাল্লাংদা নিংথৌ সনা মিউওইনা অবতার শংশংপোক্লবা মহাবিষ্ণু অথোইবা নংগুম্বনা সীতা মুংশি মৈদা চাক্লিবনো হায়না থৌখামজববু নাতাদনা অনৌবা মীকপখিয়ে। হে পামেল উ-রা খোয়মা নাপী শীংবী বৃক্ষলতা অয়াম্বশিং ও নখোয় পুম্নমম্বুঙ সীতা ইশানৌবু উবরা প্রাণেশ্বরী চান্নবীবু মতৌ করম্না হুখিবনো। হায়না পামেল

উনাম তানা নীংথিবশিংগী তলা থাঙবায় কোন্না মীকপথিয়ে। য়োইবু ইশানৌ নংবু নমু কনাগুম্বা অমগী গৃহ য়িমলেন ঙান্না লৈরিঙৈনে। খোইয়ম নশাবী ঐগী থরায় ইমিরেনসুঙ তাইবং নোংশাপান অসিদা করিগী য়াংগোইরসিবনো হায়ন মীকপ্পগীদমক খোয়বা নারোনম্নুংদা য়াংগোইশা পশু য়াওরৌ পোনবী উচেক পুম্নমদি রাম মতৌয়েংনা মীকপনয়ে হায়দবরা। চীংঙু পিরেন থকমাতানা রাহমখিয়ে। হে পোনবী উচেক অয়াম্বশিং ও প্রিয়া ঐগী মুংজানবীবু সীতা মশক উরৌবরা হায়না পাউহংববু চেক্লা অয়াম্বনা পাউখুমখি। হোয় হে প্রভু ইবুঙো ও বিধি নোংদম্বনা চীংঙু নরাইবকপু খেৎথোকফদবগী থোক্লরবনে। খোইয়ম নংবু পিরেন থকমাতানা মীকপ্পগুনো য়োইবু নশানৌ য়োন্দনা খঙৈনে হায়না পাউখুমজখিয়ে। রাম নামুংবসুঙ মশানৌ যবতী নীংখিবীবু মাঙখিরবগী লক্ষ্মণ লৌশিংবগা ঙকথি লুম্নাংকোন্না মীকপ্পখিয়ে। চীংঙু পিরেন থকমাতাবনা সনা সনা হকচাংপুম্না চোৎলে হায়দবরা। মদাইরেম কীর্ত্তিবাস অহৈবনা খোইয়ম সনা মখোঙখাদা লেংলমশৈনে তাইবং নমু পোংওইবা নখোয় অয়াম্বদি জয় রাম রাম শোন্না নাতাবী ও।

অসাইঙৈগী খোইমা নারোনম্নুংদসুঙ কনা উরৌদরবগী রাম লক্ষ্মণ অনিমদি কোরৌ থোইনায়েংনা মীকপ্পরবা পঞ্চবতী সনা খোংনাং মখাগী খোয়মা নারকচৎনা সীতা খোঙখুন লীখিরে হায়দবরা। রাম কমলজ নীংথিবদি পিরেন থকমাতানা চৎখি-বগী পম্ব লমথাঙমা য়োখিরবদা ঙাম্নু চাক্তাঙাময়ে। রাম নামুংবনা হে থংগোং চাক্তাবশিং ও চেক্লা নখোয়না ইশানৌ সীতা লাইরৈমবু উরৌবরা হায়না পাউহংববু থংগোং ইরাইঙালবা চেক্লা পাউখুমঙাময়ে। হোয় রাম নামুংব ও নশানৌ জনক

নিংথৌ মমোয়ৈনবু পোনবী ঐথোয়না মিংথেয়েং শানখেরৌদে। রাম নচি ননাওনা সীতা অহুমতবু রারম করিনীংনা থাদোকপনো? পোনবী ঐথোয়দি পামেল উতোংথক্না চেক্রা ইরুমথুনা হাকোকপা লাইজ ঈপাকথক্না চাক্লাচাক্ল। পোনবী ইতোম্মনসুঙ তালোই ইরুম অনিগুনা ঙাকচরিয়ে। ক্ষেত্রি বংশ শাখে অথোইবদা পোক্লবা নথোয়নদি করিগী পাউহংলবনো হায়না পাউথুমঙাম্নবগী চেক্রা চীনলেঙ ময়াথং ফক্তববু তানা রাম য়াইবী কনহৌনিক্লা রাতাথিয়ে। হে পোনবী ফক্তবশিং ও চেক্রা নংদি চীংঙ্ ঐবু করিগী ঙাইনোক্লঙাম্বনো থোয়মা নাপীরক অসিদা স্ত্রী মুপী মাঙবগী পাউহংজবনে। ঙাম্মু নথোযদি তালোই মরুম্বীগা রতি ক্রিয়া শাম্নববু কোরৌনোংলোম্থক শূন্য অতিংঙাদা ওই ও। চীনগোই ইযাথংবু হেল্লবদি শমু নহকশাংবু উৎফুন নোংলৈ ওইনা তুম ও হায়না শাপ মীচৈরময়ে হায়দবরা। রাম লক্ষ্মণ অনিমদি চীংলেন অঙম কা পামেল উথোঙকোয় থোয়মা নারকচৎ শায়বা লীকংলিৎ ইরোক অণ্ডপ্পা চীংশাং নাপোম অকুইবশিংবু চীংলেন ফৈতুপ শম্না চৎখিববু। চীংঙ্ অরা হকচোকলাং মশানৌ লক্ষ্মণ অকনবগী থুৎজেং পালরায় শম্না চৎমরয়ে। রাম লক্ষ্মণ অনিমসুঙ সীতা চেংলৌ মিৎথিৎতরবগীদমক চীংঙ্ পিরেন থকমাতানা পামেল উথোঙথাদা মুংশি অরা পোথায়াম্না চৎখিববু। তময়া লোকমায় অচৌবা থোয়মা নাপুংহোবা অমা লৈঙাম্বু সীতা লাইরৈমবু থিরুবসুঙ লৈঙামদে। রাম লক্ষ্মণ অনিমদি পিরেন থকমাতানা মীকপনখিয়ে। হে প্রিয়া ঐগী চান্নথোইবী নংবু মুর্ত্তি শংশংথোক্লা থরায় ইমিরেনবু ঙাকপিরো। খোইয়ম নশাবী ঐগী শমু ইহকশাংদা অরা পোংলুম পিররে হায়না মীকপচখিয়ে। রাম মীকপথোনবু ঙানা থোয়মা নারোনমুংগী য়ারৌশা পোনবী উচেক অয়াম্বসুঙ

মীকপরে হায়রে। শ্রীরামচন্দ্র নীংখিবনা শীংলেন পাংলোংলোন্দী লৈরাং খাঙরাই কোম্মা মীকপখিরে। হে শীংলেন পাংলোংবীর নীংখিবা নংবু য়োইবু ইশানৌ সীতা চন্দ্রমুখি নীংখিরীবু চেংলৌ শকউনকবা হায়না লৈরাং পাউখুমগদবা মান্নবু পাউহংখিরে হায়দবরা। শীংলেন লৈখোঙখাগী শানৌ মৃচি মনাওদি পিরেন খকমাতানা খোয়মা নারকচংনা সীতা খোঙখুন লীখিরে। খোই-য়ম মখাঙ শংশংবদা চেক্লা কালিপোক অমুবা অমা লৈঙামরে। হে কালিপোক অমুবা ও চীংঙ্ ঐগী প্রাণ প্রিয়া চামবীবু নংনা উরৌবরা হায়না পাউহংববু চেক্লা অমুবনা য়াথং পাউনোক্লা পাউখুমঙামরে। নংগী প্রাণ প্রিয়া চামবীবু ঐনা খঙদে। চেক্লা ঐদি কোরৌ নোংজাখুদিংবু লাইজ পাশাননা লেম্লেঙাবু তানজরিরে। নংদি নরপোংবুওইনা লীরুং খুজাঙনা চংলিব্বা নত্তবরা? তালোই নরুম্বীবু করম খঙলোদবনো হায়না য়াথং পাউনোক্লামবগী চীংঙ্ রাম নামুংবনা য়াথং মীচৈখিরে। হে চেক্লা অমুবা নংদি পোনবী নরুম্বীগী তরা মরুখাকপু চানা কোরৌ নোংলেমও। তালোই নরুম্বী শঙ্গ লমলুপ ওইরদা চারুও হায়না শাপ মীচৈরমরে হায়দবরা। রাম সনা হকলাং-লেনবু লৈরাংলৈখোক লোইচিল্লরে। মশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংবনু খুৎচেং পানরায়ননা সীতা খোঙখুন লীখিরে। সমুদ্র লৈরাই চাংজো অরাংবগী খোয়মা নারোনমুং অশোকনা লাইজ, য়ম্রৌ তরেং হৌবদা চাক্কাব পশু য়ারোশা পোনবী উচেক অয়াম্বলুম্ব সীতা লাইরৈমবু পাউহংখিরে। য়োইবু মশানৌবু চেংলৌ শকউনদরবগী রাম পিরেন খকয়াতানা পর্ব্বত চীংলেন পাজংমা খুদিংদা চীংলেন য়োঙমকানা মৃগ পশু য়ারোশা পুম্মমক্কু অহুম মথং ম ং হংচেম্বু সীতা লাইরৈমবু লৈঙামদে। জীব জন্তু থরায় প.নবা পুম্মদ পাউহংখিরে। মাইকৈ পুম্মবু হাঙদনা

সীতা খোঙখুন লীখিয়ে। রাম লক্ষ্মণ অনিমদি পিরেন খক-মাতানা চৎখিববু চীংঙ, মমাঙ শংশংবদা পোনবী উরোক অঙৌবা লৈঙাময়ে। রাম নামুংবনা পাউহংখিয়ে। হে চেক্লা অঙৌবও নংবু নাতাবীও। সীতা ইশানৌবু চেংলৌ শকউরৌবরা হায়না পাউহংববু। পোনবী উরোক অঙৌবনা হোয় হে রাম প্রভু ইবুংঙো তাও-ও। নদাইরেম ঐনা লাইজ ঈদা কুম্না লেম্লৈ ঙাতাল্লিঙৈ লাইজ ইরোনন্নুংদা রাবণ মকোক তরা পানববু সায়া মমি উরৌয়ে। সীতা নশানৌবু রাবণ নিংথৌরেন্না হুলাই রথ থক্তা হাপ্না পুখিরে। য়োইবু তাংজ মরৈতোন্দনুঙ রাম লক্ষ্মণ হায়না মীকপখিয়ে হায়না অসুম পাউতাকঙাম্নবগী। চেক্লা ময়াথংবু নাতারবগীদমক দশরথি অহেনবদি চীংঙ, পিরেন খক-মাতানা। হে পোনবী লৌশিংবা নংদি চেক্লা নচীনতোনবু চোইনৌ সনা কোনচু মানও শমু নহকশাংনুঙ চন্দ্রথাজ পাখংবগী তেজ মঙাল্লৌনা থাজ মাবু ঙমজও পোনবী নচিঙ্গাকনুঙ লেম্লৈ ঙা ময়োম্না চেক্লা নবুক থম ও হায়না লনকুবীরময়ে। খোইয়ম রাম নামুংবদি লক্ষ্মণ খুৎচেং পালম্রায় শম্না সীতা খোঙখুন লীথিরে। অসুম য়াংলৌ লমদাং চৎখিবদা সরোবর পুখরি নীংথিবা অমবু লৈঙাময়ে। লাইজ ইরিক শেংথোইবা অতুগী লৈরাই চাংজৌ অরাংবদা পুখরি পানকাকোয়না পামেল উজাও মরেংহৌ তলা উনামতানশিংদনুঙ লতা উরি লৈন্নুংশিনা পামেল থাঙবাই য়েৎনা নীংথিনয়ে। শীংলেন থম্বাল্লৈ লৈরাং লৈরিক চিনবদা খোইমু লৈহি চুপ্না লাইজ ঈকম হেনয়ে। হংস চেকনিংথৌননুঙ থম্বাল লৈখোঙলিক্লা ঙামু ইফুনয়ে। তরং ইমাই অচোনবা উনবী পুক্লীং হুবা অহু চেংলৌ শকউরবনুঙ চীংঙ, পুক্লীং হরাউ চংলুদে। মশানৌ চন্দ্রমুখি নীংথিবীগী মুংশি থৌরি অচেৎপিনা উরি মতমমানগুম চীংঙ, হুকতায়েৎলবগী

পুখরি নমদা হুন্না খোয়মা নাপীরক অশোংবা খুদিংবু থিনা থিনা চংখিয়ে। সীতা লাইরৈমবু হুখিঙৈগী মথৈ চীংঙ্ মমিং থম্বাল মানব অনিমবু চেংলৌ মিংকম কংদরে হায়দবরা। পিরেন থকমা তানা চংখিববু লাহল সীতা লাইরৈমগীদমক হুয়েন লালশোক্লবদা পোনবী রক্কইঙাং তারম্বু রাম চেংলো মিংথিংলে। শানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংবও ইঙাংলৈদ তারিবা অসিবু মতৌ করম্বনো হায়না রাহন্নখিয়ে। রাম লক্ষ্মণ অনিমম্মুঙ সীতা খোঙখুন লীখিববু। য়াংলৌ লমখাংমা য়ৌখিরবদা রাবণ চৈথাখোনগী মুংশি অরা লৈথৈ তারবা চেক্লা জটায়ু পক্ষি চেকনিংথৌবু চীংঙ্ মাঙথাননা উরুরে। রাম নামুংবনা পাউ-হংখি। হে চেক্লা লৌশিংব ও নংবু পাঙ্গন নয়েংতানা করিগী নোংথোইঙাম্বনো হায়না পাউহংববু। জটায়ু পক্ষি অকনবনা চীংঙ্ সনা মখোঙখাদ রাকনজখিয়ে। নদাইরেম ঐনা পামেল কাইদোংজরিঙৈ রাবণ নিংথৌরেন্না য়োইবু নশানৌ সীতা লাইরৈমবু রথ মখুৎনেত্তা হাপ্পা পুরক্লবগী। নশানৌ সীতা লাইরৈমনা রাবণ তুলাইথক্তা ইশাবী রাম লক্ষ্মণ হায়না তেংথারক্লবগী। নদাইরেম ঐনা রাবণ নিংথৌরেনবু হুয়েন লালশোক্লবদা থাংশাং মখুৎশুনা চেক্লা শাগন অনিমবু য়াম্বরমধে। হে প্রভু ইবুঙো তাও ও। য়োইবু নশানৌনা জটায়ু পক্ষী নংদি হয়েং নবুঙো রাম শিদবনা সীতা ঐবু থিরকপদা পাউদম্বী ও। থরায় নমি-রেনম্মুঙ স্বামী কোরৌ ইনোংথৌবু চেংলৌ শকউরবগা থরায় নমিরেনম্বু কোরৌ নোঙ্গাখি ও হায়না বর লনকুবিরময়ে হায়না পাউদম্নবদা। পোনবী য়াথংতানা শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমা জটায়ু পক্ষী অহুম্মদি মশানৌ কমলা নামুংবীগীদমক পিরেন থকমাতানা মীকপ্পরে হায়দবরা। হে চেক্লা লৌশিংবা নংম্মুঙ চীংঙ্ ইত্তং-লাংগীদমক তুথ অরা নংলে হায়না রাম থৌজাল মাইংক্লপিখিয়ে।

চেক্লা লৌশিংবনা হে প্রভু ইবুঙো রাম নাম্বুংব ও। চীংঙু মংন্সী চেংলৌ শকপাম্লোঙ পূর্ণ নপুং কাববু দর্শণ শাকউনরবা অসিদা মদাইরেম ঐগী ইপোক মচৈ তম্মা য়ানহৌরে হায়না শুক্রমক্লরবগা। খোইয়ম সনা মখোঙথাবু পুক্লীং লংথুং তত্তনা রাম সনা মখোঙথাগী কোয়ৌ নোঙ্গাখিরে হায়দবগা। চীংঙু সনা মখোঙথাদা লক্ষ্মণ লৌশিংবনা বাহমখিয়ে। হে চেক্লা পোনবী তেম্মোই লৌশিংবা চোংঙা লোম্থোকপা নখোয় পুম্নংবু মাত্তা ও! জটায়ু পক্ষী লৌশিংবা অসিগী শমু মহকশাংবু অমল মখোঙ্গীশেং হায়না বাহয়রবগা লক্ষ্মণ অকনবনা শীংবী তনথায় লৌ চেক্লা মরেপতম্না চিতা শীংবী ভমজাও পৈয়ে পোনবী মহকশাংবু থাংথৎলবগা ধর্ম মৈরা মক্তবু খাগী মৈহৌথৎলে। জটায়ু পক্ষী মহকশাংবু চেংলৌ মিংকুপমরমদা হকশাং পুম্না থুমহল্লে হায়রে। রাম লক্ষ্মণ অনিমদি শ্রাদ্ধ তর্পনথৌবু লোম্না গঙ্গাস্নান তৌরে। রাম মচি মনাওমতুঙ চীংঙু শান্ত পুক্লীংতম্না কমকম্ববগী পক্ষী শাগে পুম্নমতুঙ থোম্লবগা খোইয়ম বায়রা ভেলপুমনা কাপথোকখিবনা য়াওরৌ শায়াম ফাকুরে। শায়েন লৈতোয়রাখ্না চেক্লা অরাম্ববু পোনবী চাকখাঙবীরে হায়দবরা। খোইরম শ্রীরাম ন'মুংবম্তুঙ লক্ষ্মণ ভাইরোইননা চীংলেন অওম কাখিরে। লাইরেল অঙানববু মুমিং মমুম চংখিরবগী রাম লক্ষ্মণ অনিমদি য়াংলৌ লমখাঙমগী কৌবা লোকমুং অতম্না অমদা চীংঙু ফারেং লোংকাইরে। ইমুংকৌবা মনোংশোইরক্রবগা সীতা মশানৌগী তাংজ খোঙখুন লীখিরে। চীংলেন পললংলা বাংথোইবশিংবু কানা পামেল উরকচং খোয়মা নায়ারথাক্না চংখিবদি চীংঙু অবা মখৈ লৈতনা লামংলে হায়রে। য়াংলৌ লমখাং খুদিংদা অবা পোখাতোই মুংশি মখৈলৈতনা চংখিববু কবিমুখ চীংলেন পললংলা নীংখিবগী তমম্না লোকমায় অহেনববু

য়োৎরবগা সরোবর নাইজ ঈরিক্লাই শেংথোইববু লৈতারবগী শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমদি নাইজ পাশানরবগা থোইরম সনা নারুং মথুংতুবু লক্ষ্মণ লৌশিংবনা তেম্বোং নমদাহন সনা নীরুং লেংদা থোংনা ঋষিমুখ চীংলেন পনংদা চুংতাইববু ঈন্দানখিরে। ঋষিমুখ চুংতাইবা অহুদনুত বালী নিংথৌ মশানৌ সুগ্রীব লৌশিংবনা মিত্র নয়োই মরিমবু তাইরোইননা কমকম্নমরি হায়দবরা। রাম লক্ষ্মণ অনিমনুত চুমিদাং চীংয়া পক্না রাইথুংলুরে হায়। বালী নিংথৌরেয়া উদনবা সুগ্রীব লৌশিংবনুত ছুখ অবাচনা শান-থুপলিয়ে হায়দবরা। অরণ্য কাণ্ড থোয়না নারকচৎনা সীতা থোতথুন নীবা অসিবু কীর্ত্তিবাস অহৈবনা লেংলমশেনে। তাইবং নর পোংবচা নথোয় অয়াম্বনা তাংজ নরৈতোম্দা জয় রাম রাম শোয়া নাতাবী ও।

কিষ্কিন্ধ্যা কাণ্ড

অসাইগৈগী চীংঙ্, শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমাসুঙ ঋষিমুখ চীংলেন পলংলা মুংঙাইববু ইন্দানখিবদা সুগ্রীব লম্নোইওইনা লৈঙাম্বা থ্বা য়োংপাখং মঙামল্লা রাম লক্ষ্মণ অনিমবু চেংলো মিংথিংলবগী সুগ্রীব লৌশিংবদি মশাবী বালী নিংথৌরেনবু ওইনা থাচিন্ন বগ্নীদমক থল্লায় নোংদা কা মিরেন থাবু থংনা কৌবা লোকচুং অমুগ্নদা চংনা শানথুপখিরববু। নোংশিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত পাঙ্গনবনা হে সুগ্রীব লৌশিংবা ও! নশাবী কিষ্কিন্ধ্যা লৈমাবা বালী নিংথৌরেন্দি নারিন্নোইয়ে মুনি শাপ মীচৈখোনগীনা ঋষিমুখ চীংলেন পলংলা অসিদা চংক্লবনে তৌইগুম নদাইরেম ঐনা মিংক্লে শানথৈরুখিগে হায়না মহাবলীরেন অকনবদি নোংশিং পোংলুমগী কোরৌ ওমথংচোংনা ইন্দানখিরবগা চীংঙ্ শ্রীরাম থোইখোইবদা রাহমখিয়ে। হে তপস্যা লাইবু নীংবা ও! নপিঙঙাদি কনানো হায়না পাওহংবাবু চীংঙ্ রাম নামুংবনা হোয় হে বানর অহেন মিংচুংবা ও! দশরথ নিংথৌ মপারি দশরথি রাম কৌবদি ঐনে। শানৌ লক্ষ্মণ ইপিঙঙা বালী নিংথৌ মশানৌ সুগ্রীব লৌশিংবনচিংনা থ্বা পাথং শুমকপু চেংলো শকতৌনগে হায়না ইন্দারকয়ে। হায়রবদা হনুমন্ত পাঙ্গন মপাতাম্বা পণ্ডিত উনবী লৈনীংশিংবনা শমু য়েংওই, কোই শনা পুরা শোরা পুক্লমবগা য়াথং বিনোই অনৌবনা রাকৎচখিয়ে।

হে প্রভু ইবুঙো রাম নামুংব ও নংগী চেংলৌ শকপাঙ্খোঙ পূর্ণ নপুও ফাববু দর্শন শকউনরবা অসিদা নদাইরেম ঐগী ইপোক মহৈ তম্না য়ানহৌরে নদাইরেম ঐগুও পুলেম ইমা অঞ্জনা পায়মা উনগোইমুংগী নাওনৌবা নদাইরেমনে সুগ্রীব লৌশিংবগী খোঙলোয় পাওহল্লোইনে হায়না পাওতাক্লবগা। কৌশল্যা সনা লিনগোইগী রাম শ্যাম অহেনবা খোইয়ম লাই পাখং নামুংবনা শয়েং লোনজিন্না পাম্বোম লীয়েংননা কোলা কোলি থোক্লাম্লরবদা হনুমন্ত পাঙ্গন মপা তাম্বনা ঙাহমখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো তাও ও। নংদি য়াংলৌ লমথাঙ্। অসিদা ভাইখমঙাম ও হায়রম্লবগা হনুমন্ত অকনবদি ঋষিমুখ চীংলেন পলংলা রাংথোইববু নোংশিং পোৎলুমগী কোরৌ ঙমথং চোং-খিরবগা সুগ্রীব শান্ত পুক্নীং তম্প্রদা পাওদমখিয়ে। নদাইরেম ঐনা মিৎয়েং শানখৈরুববু নশাবী কিষ্কিন্ধ্যা লৈমাবা বালী নিংথৌরেন্দি নাউমদে। ইবুঙো রামচন্দ্র নামুংবনা নংবু চেংলৌ শকউনগে হায়বগী মশানৌ লক্ষ্মণ ভাইরোইননা ইন্দাল্লকয়ে হায়রবদা। সুগ্রীব লৌশিংবনাচিংনা কাইবী শাওম নিংথৌ জম্বুবান লৌশিংবা হনুমন্ত অকনবা নল-নিল অর্থৌবা মিত্র লম্লোই মঙামনা উনবীপুক্নীংচং হরাও মখৈলৈতনা ইন্দাল্লক্লবগা শ্রীরাম নামুংববু শমু য়েংওই কোয় ভক্তি 'মালেমলৈদা পক্লা পুক্লমবগা য়াওরৌ শাপেং উনবু থানা ফমফমহাল্লবগা সুগ্রীব লৌশিংবসুও পামেল উশা থেক্লা ফমযম্লবদা সুগ্রীব লানফম লিপা থোকপনা ঙাহুমখিয়ে। হে রাম নামুংবা নংবু নপল রাজা দশরথ নিংথৌরেনগী সনা ফম্বাম্লাংদা নিংথৌ সনা মিউ ওই ও হায়না নোংদম্বা লাইয়িংথৌ নংগুম্বনা অযোধ্যা নপুং-য়াইদা চীংঙ নত্তংশিন্নববু কনা লৈহৌবগী বনবাস লম্লোইরকপনো হায়না পাউহৃংববু চীংঙ শ্রীরাম নামুংবনা পাওথুমখি। হোয়

হে সুগ্রীব লৌশিংব ও! ঈপল সৈত্য রাশক ইনবগী শানৌ সীতা ভাইরোয়রনা লক্ষ্মণ ঐখোয় অহন্মনা সনা শজি তাম্নুভে পঞ্চবতি সনা খোংনাংখাদগী সীতা ইশানৌবু হুখিরবগীনা শানৌ সীতা খোঙথুন লীরকপদা য়াংলা লমখাঙ অমদসুঙ কবন্ধ হিংচাবা কোলোই ময়াথং তারবগীদমক সুগ্রীব পাঙ্গনবা নংগা চিংনা নখোয় মঙামকপু ইন্দাল্লকয়ে। তৌইগুম হে সুগ্রীব লৌশিংবা নংসুঙ নশাবী বালী নিংথৌরেনবু নমদা হন্না করিগী খোয়মা নাক্কচৎনা লম্বোইঙাম্বনো হায়না পাওহংববু হোয় হে প্রভু ইবুঙো রাম নামুংব ও! নদাইরেম বালী ইশাবীগা দুন্দুভি হিংচাবগা হুয়েন লানশোক্লভে শাবী বালী নিংথৌরেম্না দুন্দুভি হিংচাববু শমু খুদোনলাক্না হাইহৎলবগী ঈঙাং ঋক্রেমরবদা ঋষিমুখ চীংজেন্দু পলংলা অসিদা কোরৌ লনশারিবা মাতঙ্গ মুনি অখোইববু ঈমু হক্কাচোংনা লঙজবা রাগী মুনি মীচৈ-খোনগীনা ঋষিমুখ চীংলেন য়াওথৌ কাকদে। শাবী বালী লানশোক্লবদি অসিসুঙ মদোমদে। হে প্রভু ইবুঙো তাও ও! দুন্দুভি হিংচাবা মশাবী মায়াবন্দ হিংচাবগা হুয়েন অমম্নক কোয়া লানশোক্লববু ইশাবী কিষ্কিন্ধ্যা লৈমাবগী লালশোক মায়ওক য়াঙমদনা মালেম লৈথুনহুংদা চংনা হুয়েন লানজেনখোকখিরে। বালী ইশাবীনা হে শানৌ সুগ্রীব লৌশিংবা নংগা ইদাইরেম পাত্র অঙম্বা নখোয়গদি ঐনা মালেম লৈথুনহুংদা চংনা হুয়েন লানশোক্লখিবা অসিদা মায়াবন্দ হিংচাবা নোংমল ঈদি কাও-রেল শলথোম অহিংববু খোক্লকভেনে নশাবী ঐগী নোংমল ইদি রক্ত ঈঙাং শৌপুং ঈবু ফাওরকভেনে খোহ হুংখোঙ থিংনা কিষ্কিন্ধ্যা লৈমাববু ওইরো শানৌ ও হায়না তিলমেজববু মা-য়াবন্দ হিংচাবা নোংমল ঈ কাওরেল শলথোম অহিংবনা রক্ত ঈঙাং শৌপুং ওইরকপবু খওঙমদরবগীদমক ইশাবী তারা

লৈমরেনগা সনা ফম্বাল তোংমন্নরে। হে প্রভু ইবুংঙো রাম নামুংব ও! ছিয়েং লোইদাম থা অমা ওল্লবগা ইশাবী বালী নিংথৌরেন্দি মালেম লৈথুনম্নুংগী হলরাইরক্লবগা উমা তালোই ইরুম্বীবুম্নুঙ শমু খুৎঙমথিনা মুন্নৌয়ে। নদাইরেম ঐবুম্নুঙ হাংকে হায়না দিগ মায়গৈ কোয়না তাল্লবগীদমক শাবী বালী নিং-থৌরেনবু মুনি মীচৈখোনগীনা চংফদবা ঋষিমুখ চীংলেন পলংলা অসিদা নদাইরেম ঐনা শানথুপঙাময়ে! খোইয়ম অরোইবা ইবুঙো তাও ও! হায়না রাকৎচরবগা চীংঙ, শ্রীরাম নামুংবনা হে সুগ্রীব লৌশিংব ও! নংগী তুষ্ট অয়োনববু পুম্না লৈতে মনাও মতু শোকহৈদববু ওল্লবা পাপ্পা বালী মথম্মনা থরায় মাওজঙৈনে। তৌইগুম হে সুগ্রীব লৌশিংব ও! ইপিঙাবু রাজ্য লৈপাক ঙাকপদা ঙাকমন্নদা তালোই নাক্তা থাদনা হরাও মুংশি নংবম্ন নংমন্নয়ে পাথৌ লোয়না অপাম্বা মিত্র লম্লোই অচেৎপাবু ওইসে হায়না সঙ্কল্প রাশক্লরবদা মহাবলীরেন অকনবনা চীংলেন নাপোম অমনা থৌহু মুংগা ওই চীংলেন নাপোম অমনা তেংনৌ য়োংপু ওইনা থাম্বী মৈয়ৈ-য়ৈ আগন্ন নমশা শীংওইননা চকমোম থাম্বী মৈহৌখৎলবদা কোক্লৌ নোং-মদোনগী খোইমোম লাইফংথৌ অয়াম্বম্নুঙ রাম লম্লোই রাশক্লববু য়েংলরে হায়য়ে। রাম সুগ্রীব অনিমদি থাম্বী মৈমাঙ লেপ্লবদা শ্রীরাম নামুংবনা রাহমখিয়ে। চকমোম মৈত্রেং অরাবা খোই-মোম লাইফঙথৌ ঋষিমুখ চীংলেন পলংলা থ্বা বানর মঙামক নখোয়ম্নুঙ শাখি রাচুম্লৌ ও। বালী নিংথৌরেন লালফম নিপা থোকপাগী প্রাণ থরায় লৌনা সুগ্রীব ইপাতাওবু রাজা নিংথৌ ওইহনগে হায়না রাশক্লবগা, সুগ্রীব লৌশিংবনা হে খোইমোম লেংনা তিনবা নখোয়ম্নুঙ নাতারৌ ও! রাম প্রিয়া চাম্নবী লক্ষ্মী স্বয়ং শিদবীগী য়োয়বু সনা মখোঙখুন শীববু য়োল্লনা

লীখঙজগে হায়না রাশকচরবগা রাম সুগ্রীব অনিমদি চকমোম মৈত্রেং অয়াববু শমু য়েংগুই কোয়না সক্কল্ল রাশক্ররে হায়দবরা। খোইমোম লাইরুপ অয়াস্বসুঙ চীংঙ, মখোয়গী আসন ফম্বীরেন্দা হনবাইখিরে হায় গ্যৌয়মম্বায় অঙালব। মপাংদি সুগ্রীব মুংজা-নবনা রাম খুয়ারেন্দা রাকৎচখিয়ে। হে রাম ঐবু লোইবা ইবুঙো তাও ও। লাহন নশানৌ য়োইবু সীতা লাইরেম্মবু রাবণ নিংথৌরেমা রথ তুলাইথক্তা পুরকঙৈ,. নদাইরেম ঐনা শমু খুংনা ফংনা লাক্কে হায়বগীদমক রাবণ তুংইন তাল্লুববু ফংলৌদে। খোইয়ম অয়োইবা ইবুঙো তাও ও! নশানৌ সীতা লাইরেম্মনা রাবণ তুলাইথক্তা রাম লক্ষ্মণ তেংথাননা পিরেন থকমাতা হিকঙায় মশাওচাওনা সীতা চরৈ ফিরোনথাই কঙ্কন সনা মথুংসি নীংথিবা অসিবু হয়েং রামদা পাওদম্মী ও হায়না হুম্বরময়ে হায়রবদা। রামচন্দ্র নামুংবদি যোইবু সীতা মশানৌগী শমু মেয়োং মথুংথোনবু ফিরোয় থাদা কোন খুংশি মশক য়েংনা মীকপখিয়ে। হে সনা খুংশি মৈখাঙবা কোলোই পাওনাইদবা নংঙোন্দা সীতা মুংশি কোল্লোই মথায়েপপু করি মেল্লম্বনো হায়না কোয়ো খোইনা য়েং বাংবল পাংনা য়েংনা মীকপখিয়ে। হে সুগ্রীব ইপাতাও লোইনা অচেৎপা ও। জনক নিংথৌ মযোম্লোন প্রিয়া ঐগী নুংজানবীবু পুম্নুং চংবী লারাক শেংকুম শেংখিঙৈগী মখৈ সীতা মুংশি মৈদা হকশাং পুম্না চাকচিন্নক্রে হায়না মীকপ্পবু, সুগ্রীব লৌশিংবনা রাহমখিয়ে। হে রাম নামুংবা নংবু কোয়ো নোংমদোনগী বিষ্ণুশিদবা স্বয়ং মহকশাংনা দশরথ নিংথৌ মনা কম্বাল্লাংদা নিংথৌ লিক্লাং শুমেরবু ওই ও হায়না মোংদম্নকপা লাইয়িংথৌ নংগুবনা সীতা মুংশি মৈদা হকশাং নয়েং তাকয়োইয়ে। মোংবা খুরুপহোৎবু চৈরুৎ-পি ও হায়না রাম সনা খুয়া পাজনা খোথামখোনগী চীংঙ

রঘু লিক্লাং সুমেক্লনা রাহমখিয়ে। হে পাখৌ লোয়না অপাম্বা ও! নংগী মশাবী বালী পাঙ্গনবু খোইয়ম রায়রা ইভেনচা চন্দ্রবান ভেনবী থাশাবা রায়রা ভেনবুম অমনা নোংমলহনগে খোইয়ম থায়াত্ত ইত্তানবোমগী চীংগু পাঙ্গন ইত্তিক খঙলৌ ও পাখৌ ও হায়রবগা। সুগ্রীব লৌশিংবনা হে রাম নামুংবা ও! নদাইরেম বালী ইশাবীবু পাঙ্গন মপা তাম্বনিগীনা সাগর লাইজ ঈরম তরেংমদা সন্ধান মঙম তৌরে থৌচু মুংলেন চাওখোইবা তনা অঙনবা চীংলেন অরাংবশিংবু শীংনাং নেম্বী হাইগুম্না অকাশ অতিংঙাম্না হুনখংলবগা থবাক লোংনা য়ানা থবা লিকশিলমদা তাহলয়ে। শাবী বালী পাঙ্গন মপাতাম্বা অসিবু প্রাণ থরায় লৌঙমলোইবরা খঙদে হায়না রাহমখোনগী দক্ষণ যৌবন মখো-রুকপনা মচীন যোমোন নোক্লা রাহমখিয়ে। হে সুগ্রীব লৌ-শিংব ও! তৌইশীদি ইশাবী রাম অহেনবগী চীংগু পাঙ্গন মঙৌ য়েংও হায়রবদা খোইয়ম রাম নামুংবনা সনা লীক্লং মথুংগু য়াইওইববু লীক্লং থুংথুম লাক্লা কেম্বোকপবু সমুদ্র রাংমা লাম্না য়ুথক লখা মরিফুস্বনা পাইখিববু সুগ্রীব চেংলৌ মিংথিংলবগী পায়মা উনগোইমুন্দা শাবী বালী পাঙ্গন মতিক্লগবরা হায়না থাজখিয়ে হায়দবরা। লীক্লং য়াইওইবসু খোইয়ম সনা মখোঙথাদা খিংলৌ নীংনা তেনা পাইজিললক্লবদা সুগ্রীব শমু থাংচল্লনা স্তুতি শীংলেন মৈশী মৈথোনজখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো রাম নামুংবা ও! ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বর অহুম্মা ওইনা শালওনবসু নংনে অহিং অমম্বা নোংথিন অঙানবা য়াংলেন পুংজা ওইবসু নংনে কুবের লম্নিংথৌ বরুণ নোংলাই ইন্দ্র শোয়ারেলসু খোইয়ম নামুংবা নংনে শক্তিক থবা মুম্রিংথা ওইবসু চীংগু নম্না য়াম্বা নংনে বৈরি য়েক্লববু মাঙহনবা খোইয়ম নববু নীংবা ভক্তি অনোন খঙববু য়োকপিবা দেব

খোইমোম লাই অয়াম্বা নমু পোংওইবশিংসুণ্ড দুখ অরা চংহল্লোই হায়না অবতার শংশং পোক্লবা মহা বিষ্ণু নামুংবা নংগুম্ববু, চীংঙু নতিক খঙদবগী নদাইরেম খ্বা য়োংনাওপঙপগু শাক্লিনজেন য়োংমু লৌশিংত'ম্বা ঐনা শাবী বালী নিংথৌরেনবু হুয়েন লালশোক্ল ঙম্মোইবরা হায়না রাখন লুম্বা রাগী সনা নখোঙথাদ অপরাধ লঙজববু তাংজ শম্বুম মক্লম লৌবীগুনো। ইশাবী কিষ্কিন্ধ্যা লৈমাবা বালী নিংথৌরেনবু খোইয়ম রায়রা নতেনচাদ য়োন্দনা নোংমলঙৈনে হায়ববু শৈক্ষ্যাৎ তাঙনা খঙলে হায়না অসুম রাকৎচরবগা। চীংঙুদেব নরায়ণ নামুংবনা রাহমথিয়ে। হে সুগ্রীব ইপাতাও ল্যোয়না অপাম্বা ও! নংগী নশাবী বালী মিংচৎপবু খোইয়ম রায়রা তেনবুম অমনা নোংমলহনগে হায়রবগা শ্রীরাম লক্ষ্মণ সুগ্রীব জম্বুবান হনুমন্ত নলনিল মিত্র লম্মোই তরেংমনা বালী নিংথৌরেন কিষ্কিন্ধ্যা লৈমাববু হাৎকে হায়না যাত্রা খোঙশানখিবদা। হনুমন্ত লৌশিংবনা রাম সনা লীরুং মখুৎতুবু হনুমন্ত লেংদা থোঙ তেন্দোং নমদা পোনা শ্রীরাম মাঙদা চৎনা মরোং চুংহুল তমখিয়ে হায়দবরা। য়োইময়ায় তাওদনবা মপারি সুগ্রীব মুংজানববু রাম লম্মোই ওইবা কংজরে হায়বগী মপল ইন্দ্র শোয়ারেম্না হরাও মখৈ লৈতনা মুনি য়াই-রংচান খাম্বী মৈয়াইলিকপু সুগ্রীব থবা ঙাম্নোই থোম্লানবীখি হায়দবরা। চীংঙু রাম থৌদিকখোনগী সুগ্রাব অহেনবনা মশাবী বালী নিংথৌরেনবু হুয়েন লালশোক্লগে হায়না নোংশা লালহৌ তম্মা হুয়েন লালশিংলুরবগী বালী মশাবীহুঙ লালহৌ খোঞ্জেন তাকদবনিগীনা হুয়েন লান্দান থোক্লকলবদা বালী সুগ্রীব অনিমদি গিরি চীংলেন পলংলাগুম খোয়মা মাইওক লেপ্পা চেংলো শকয়েংনরিঙৈ সুগ্রীব য়াথং মেঙনা রাহমথিয়ে। শাবী খ্বা য়োংনিংথৌ বালী নিংথৌরেন ও! নংনা তালোই ঈকম্বী উমার

অহেনবী থবায় পুস্পরবীবু চরে ফিরোন থাইগুম থাইদোকখিবা পাপ্পা অসি কোরৌ হুমিংবা অসিদা প্রাণ নংগী থবায় মণ্ডামকপু থমলুং যম নিংথৌদা শমু খুংশিল্লনা থাদোর্ক্কে হায়না রাহম্ববু বালী মশাবীনা হেল্লা থোওইদা মীনোক খোঙ্গেন নোংথক কানা পাওখুম্নকয়ে। হে সুগ্রীব পাঙ্গন অশোনব ও! নংবু শিকার লমগী হুয়না নোংশা মায়ওক লেপ্পা তুগুময়ে। পাঙ্গন নত্তিক কাউনা করি রাহম্নকপনো অসি কোরৌ হুমিংমদা নংহুম থমলুং যম নিংথৌগী শমু মথুংবাক্তা পীথিগে হায়না পামেল চীংজখু নাপাকপা তলা উচুত্ত চাউথোইববু খোয়মা লাংগোম শংকুম চীংজখু মপান ফুক উজাও কৈনা লংখিববু সুগ্রীব শমু ওইনা ওক শীংনাং নেম্বী থেকুম্না থেকথোক্লবগী বালী য়াইবী কনহৌ শিক্লা চীংলেন চাওথোইববু মপান ফুক মালেম লৈতুম হুনগুম হুল্লকপবু সুগ্রীব লৌশিংবসুত্ত তলা কাঙদেন রায়ফবনা শূন্য অত্তিংগাদা কাংজে কাংথোং হন্না চীংলেন শুম্ন ওইনা রৈখায়রবগীদনক বালী সুগ্রীব অনিমদি পামেল কৈনা হাই শমু খুংনা কংনা হুয়েন লালশোক্লববু পামেল মরুকুম তলা উরোং শাম্লবদা সুংলেন য়ুথক অনি শাংববু সুগ্রীব শমু খুংগু ওইনা বালী তাংজ লুরেন তন্না হুনখিববু বালী নিংথৌরেনসুত্ত চীংশাং নাপোম অকুইববু সুগ্রীব হায়ওক্লনা কেম্থোক্লকপবু অকাশ অত্তিংগাদা চীংলেন থোঙ্গু মায়ওক্লবগী থাম্বী মৈরিথোক্লা মালেম লৈদা তারে হায়দবরা। বালী সুগ্রীব অনিমদি শমু হুকথেংবং খুত্তুম নাহুম তন্না চৈথানা থুনীং চোংথিল্লা থবাক মশেল মায়ওক ইন নমগন নুমত্তা লেংথৈনা পামেল মশেল চৈথাননা খ্বা মরা খি য়োংসু য়ানা কং বানর খোঙ্গেন থোক থাওচী মশেল চিকথেক্লা য়োংলেন মউন হু মমৈ হুকশাংলীয়েংনন। হুয়েন লালশোক্লববু উযুল নোংদৈ হৌ হুমাং লোকজী থোক্লা বালী সুগ্রীব অনিমদি অবা মথৈ

লৈতনা হুয়েন লালশোক্লবদু চীংঙ্, শ্রীরাম নামুংবদি শেলোয় মপাতাও মঙামক্তা য়াংলৌ লমখ'ংমা খোয়মা নায়োনয়ুংদা সুগ্রীব লানশোক মশক য়েংনা শানথুপলিঙৈদা লক্ষ্মণ অকনবদা রাহায়খি'য়। কোন্নৌ নোংম্নদোন্দা ইন্দ্র শোরারেন্নচিংনা দেব কুমৈ যেংলিঙৈ অসিদা বালী নিংথৌরেনবু নোংমনহনগে হায়বদু বালী সুগ্রীব অনিমকপু খ্বা চেংলৌ শকমান্নয়ে। চীংঙ্ ঐগী রায়বা তেনবাইখিবনা লোয়না অপাম্বা মঙোন্দা উনবী থন্নুংথিংনা তেনবান্নবগা লায়াই থবায় হাৎপগী পাপ অরুম্বদু চংঙৈনে হায়না রাহমলিঙৈ সুগ্রীব লালশোক্লবদি অন্না হুক্লা চোক্লবগী পুক্লীং লৈনা নীং বালী চেংলৌ শকোইথোংদা খুজিন কারন হোৎ পূক্লোপ অচৌবদা খুত্থম চৈথারম্নবগা থিংলৌ নীংনা তেনা ঋষিমুখ লুংঙাইবা বালী চংকদবদা হুয়েল লালজেনথোক্লক্লে হায়য়ে। বালী নিংথৌরেনসুঙ কিষ্কিন্ধ্যা মপুঙয়াইদা হনবায়খিরে হায়দবরা।

চীংঙ্ রাম নামুংবদি সুগ্রীব লানশোক তেংবাংদবরবগী তাংজ ইকাইচংনা শেলোই মপাতাও মঙামক্তা রাহমখিয়ে। বালী নিংথৌরেনবু নোংমলহনগে হায়বদু বালী সুগ্রীব অনিমকপু চেংলৌ শকমান্নবগী চীংঙ্ ঐবু তেম্বা চৈন্নংলোয়ে সুগ্রীব ইপাতাও প্রাণ থবায় থম্না লোয়নবদু চেংলৌ করম্না শকউনশিবনো তাংজ ইকাইয়ে হায়না রাহমথোনগী নোংশিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত লৌশিংবনা শমু থাংচন্দনা রাহমখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো রাম নামুংব ও। চীংঙ্ তাংজ ইকাইগুনো লালশোক থঙঅদবা বানে নদাইরেন ঐ সুগ্রীব লোয়না অপাম্বদু পাওকৌরুগে হায়না পুরুম্নবগা হনুমন্ত অকনবদি ঋষিমুখ বাংথোইবদু নোংশিং লোংলুমগী কোন্নৌ ওঅথং চোংনা ইন্দানখিবদু সুগ্রীব লৌশিংবনা

রাহুমভাময়ে। হে হনুমন্ত নখোয়াংঙী রাম লয়োই ওইহনবদি পাখো লনখুম খঙদে লালশোক রাশক হোংঙে সীতা মশানোবু রাবণ নিংথৌরেম্না হুখিবদি মতৌ অসিনরিঙৈনে রাম লয়োই ওইররোইয়ে হায়না রাকল্লম্বু হায়গুনো হে সুগ্রীব লৌশিংব ও! অসাইঙৈ নংনা হুয়েন লালশোক্লববু চেংলো শকমাম্নবগী রাম্ন তেম্বা চৈরংলোরে। হৌজিক খোইয়ম সনা মখোঙথাবু ইন্দানসে হায়না পাওকৌরক্লে। সুগ্রীব লৌশিংবনা রাম সনা মখোঙথাঙ রাকৎচখিয়ে। হে রাম নামুংবা ও! খোইয়ম সনা নয়াথংঙী বালী লালশোক্লরুবদি ঐবু বালী মরালওইনা নোংমলববু লাল-শোক কুমৈ মতৌ য়েংয়ে লয়োই থরায় মাঙবগী পাপ অরুম্ববু শ্রীরাম নামুংবা নংঙোন্দা চংলোইবরা। মিত্র বামন থরায় মাঙবগী পাপ পূন্য মতিক অয়াম্ববু হে রামচন্দ্র খোইখোয়বা নংনা খঙলিবা তাই। নদাইরেম বালী ইশাবীদি কাংদেন মথুংঙনা কোনা হুমাই নারেংবা মপান অহুমদংবু কাংদেম হাইমরক্লা হাইথংয়ে হায়না অহুম রাহুম্ববু সুগ্রীব যাথংতানা সীতাপতি লাইয়িংথৌদি চীংঙ পাঙ্গন মতিক উংকে হায়বগী লৌরি তেনগাথোংনা কাপথোকখিববু কোনা হুমাই নারেংবা তরেংতংবু কোনা খাঙতপশম মন্দাকিনি ভগবতি সরস্বতি সাগর লাইজ ঈরম তরেংমদা তেনবী ঈরুকুরবগা হুংসা কাংঙা ওইনা তেনবী য়াইওইবদি খোইয়ম সনা তেন্দোংমুংদা হুপ্পিল্লক্লে হায়য়ে! সুগ্রীব লৌশিংবনা চেংলো মিংথিংলবগী পায়মা মবুকমুংদা শাবী থরায় লৌঙৈনে হায়না নীংখনখিয়ে। চীংঙ রাম নামুংবনা সুগ্রীব তাংজ ইকাইখুম্না পাউমেল্লকয়ে। হে সুগ্রীব লৌশিংব ও! অসাইঙৈ নশাবী বালী নিংথৌয়েনগা হুয়েন লালশোক্লববু বালী নশাবীগা খ্বা চেংলো শকমাম্নবগীবু য়োংমু চেংলো শকখঙয়োক্লে। খ্বা শকখঙনবা খোইয়ম খুৎভম অতাঙম্বু তম্বীগে। বালী

নিংথেরেনবু হুয়েন লানশোক্কহৌরো অসি কোরৌ সুমিংমদা য়োন্দনা বালী থরায় মাঙহনগে হায়রবদা হনুমান্না লৈহেক্লা লক্ষ্মণনা লৈশেমন্তে শীংলেন পরেংলিকপু সুগ্রীব শমু মহুকশাংদা রাম অহেনবনা লিকশি খাওনবীরে। থোইয়ম থুদম অতাঙববু হাপ্পি-রবদা সুগ্রীব অহেনবদি খ্বা মথিনাইনা চীংঙু রাম লক্ষ্মণ সুগ্রীব জম্বুবান হনুমন্ত নল নীল অকনববু ভাইরোইননা যাত্রা থোঙ-শাল্লকবদা। রাম লীরুং মথুংগুবু হনুমন্ত লেংদাথোং তেম্মোং নমদা পোনা শ্রীরাম মাঙদা চংনা মরোং চুংহুল তমথি হায়-দবন্না। 16.2.04 অসাইথৈগী হুয়েন লালশোকফম্বু য়োৎরবগা সুগ্রীব অথোবদি নোংশা লাল্লাও তম্না বালী লালথেমলুষবু লালহৌ থোক্লেন তাকদবা কিষ্কিন্ধ্যা লৈমাবা বালী নিংথৌরেন্না হুয়েন লালতানগে হায়বগী যাত্রা থোঙশাল্লকপবু মশানৌ তারা ফম্বাল ফম্বীনা শাবী বালী নিংথৌবেন বানর য়োংক্লেন পুক্নীং হুনা নৌথোক্টবা ইবুঙো তাও ! / (সুগ্রীব পাঙ্গন, মপিক নত্তবনা লালহৌ পুংহৌনাইনা হুয়েন লালশীংলবা অসিবু পাঙ্গন কনাগুম্বা অমবু মিত্র মাগী লয়োই ওইরবগী লয়োই থৌদিকথোনবু মায়ে হুয়েন লালতাম্লগুনো সনা নংগী শঙ্গাইমুংদহুম উনবী পুক্নীং তম্না কম-ফম্বী ও।) নশাবী তারা অচুম্বী ঐগী অসি থোক্লেন ইমগুচান্দা বালী স্বামী অরোইবা নংবু সনা সিংহাসনদগী মালেম লৈদা তুবা হকশাং উফুল ওইনা নশানৌ সুগ্রীব কত্তবনা সনা কম্বাল-কপ্পা রাম লয়োই ওইবা মগুবু মিয়েন নোংলা কানা থোক্লেন মগুথৈনরকয়ে। হুয়েন লালশোক্লগুনো হায়না থুজেং হংজিলাক খ্বাং পমশিকোন তারা য়াম্বংমেগুনা থৌথামজবব, নশাবী বালী নিংথৌরেন্না হে শানৌ তারা অহেনবী প্রিয়া ঐগী সুংজানবীও সুগ্রীব লয়োইওইবা দশরথ নিংথৌ মপারি রামচন্দ্র থোইথোরবা সীতা লক্ষ্মণ ভাইয়োয়ননা মপল সৈন্য রাশকথোনগীনা লম্বোই-

হকপবু সুগ্রীব মশোই ওইবদি ওইস্লো। লৈয়োন লোংলোন অহুমগী মবুঙো লিনজেন অচুম্ববু ঙাকপিবা দেব উত্তম খোই-খোয়বনে। রাম মামুংববু লঙজ করি লৈতে। খোয়মা তুণ্ডবু তোনশংনবীরোই সুগ্রীব লালশোক্রবতুম মিৎয়েং শানখৈবীগনে হায়না তারা থোখামখোনবু বাচানদনা থাত্রা খোঙশাক্লবদা সুগ্রীব অথোবদি শ্রীরাম পাঙ্গন লৈবগী বালী থওইদা খোজেন নোংখাকখোনগুম্না লালশোক শকয়েংনববু বালী সুগ্রীব অনিমদি ওক্লেন লাংশমখোগুম্না খোম্মা মায়নৈনদে। শানৌ মচিন মনাওদি চীংলেন চাওখোইববু থৌত্থু মুংছলতম মুংলেন অপাকপবু পুন্নুং চেগাই লংগুম পামেল অঙনবাশিংবু কাংদেন মতম মান্না উতুপ ফাংনা লং শূন্য অতিংঙাদা খুংগু মশেল উফুল নোংলৈ ওইনা হুয়েন লালশোক্রবু লালশোক মখৈ লৈতনা শমু হকথেংকং খ্বা লেংফাইচল মকোক মশেল নাইথেংনা কিনজাও কিঙ্কিন শোয়নদা মমৈ হকশাং লীয়েংননা য়োংমু লালশোক তমথিবগী খুত্থুম চৈথা শোয়নদা খুজিন হকশাং হোংঙকশম য়ানাফং লুখম ফান্না চিক খোঙইন খোঙকাপ শোয়নদনা হুয়েন লালশোক্রবু খ্বা কৈত্থনা লিল্লা লাবা অনিনা লালশোক মতম মান্না মবুক হকশাং লীয়েংননা য়োংমু লালশোক তমথিবা বালী খুত্থুম চৈথা কন্না সুগ্রীব ভাংজ লুরেনতোন্দা চৈবীখোনগী লেমৈ য়ুয়েঙাগুম ঙাহৌ মালেম লৈদা তুরমলুববু যেতনা পুক্লীং শিংলক্লবগী সুগ্রীব শমু মখুদোন পাংমদি বালী মাইওকলেপ শমু মখুদোন পাংমদি শ্রীরাম লান্নুমকম লম ভাংজ থুকমলেঙ য়াবা খোক্লেমখোক মিংমৈ হাইনা য়েংনা লালকম তমথিবা প্রাণ থরায় মাঙলমদাই অসিদ মিত্র লম্লোম করম্বনা লালশোক তেংবাংলগবনো হায়না হুয়েন লালশোক্রবু চীংঙ ইন্দ্র শোরারেনগা মালেম কৈথারোনগী বালী পাঙ্গনবগা লালশোক মতম মাঙ্গে।) হকশাং কুয়োনহ

নত্তিক লৈবগী খোইয়ম শমু ইথুংবাক্ত নোংমল্লববু খঙবনা বুধি লৌশিং তাল্লা শাপ মীচৈরকপবু নোয়োক লৈখা তাঙেনে বাক্য য়াথং খোক্লুনো। অসি কোয়ৌ হুমিৎমদা রাম শমু খুৎনা শোক্লা তেনবাল্লবা মখে অসিদা লাহুল নংনা পাপ হকশাং থল্লকপবু লৈহৌ তাওথাঙবালানা লৈরাং মাইওন য়াংবগুম য়াংখিরঙেনে। দিব্যরথ মক্তববু শমু খোঙওইননা কোয়ৌ নোঙাখি ও হায়না রাহমখোনগী বালী নিংথৌরেন পাঙ্গন মপা তাম্বা ভক্ত অনোন খঙবনা শমু থাংচপ্লনা রাহমজরকয়ে। হে প্রভু কোয়ৌ ইনোংখৌও। নদাইরেম ঐনা চীংঙ নত্তিক খঙদবগী সনা নখোঙথাদ অপরাধ লঙজববু তাংজ শখুম মরমদবু লৌবীগুনো। তৌইগুম নদাইরেম ঐদি চীংঙ শমু নখুংবাক্ত কোয়ৌ নোংশাখিঙেনে নদাইরেম ঐগী তারা কম্বাল কম্বীগা ইপারি অঙ্গদ নাওরা অথুবা প্রাণ থরায় থম্লা য়োয়নববু অচাও লেপকাদা চেপ্লে মকারক লৈখাঙ মতাল্লকপবু চীংঙ নখোজানবু খোজান মাইওরবী ও। নদাইরেম পলেম মমা মচাবু অনাথ মপু লৈতবা চোইনৌ সনা কোনফু কাল্লঙমা কাক্লরোরে হায়না খোইয়ম সনা মখোঙথাদা পুরুমজরবগা মশানৌ সুগ্রীব লৌশিংবদা পাওমেনখিরে। হে শানৌ পলেম পীমচা ও! ইপিঙতাবু প্রেব নোংদম্বনা নোংদম্লরবগী সুবেশি পুক্লীং লৈনদনা হয়েন লালশোক্লরে। অসি কোয়ৌ হুমিৎমদা রাম তেনবালরাগী প্রাণ থবায় মাঙলে তৌওরবা অসিদা তাংজ কোকঙ্গী কাববু পায়বীরও হায়না পাওক্লোরবগা সুগ্রীব লৌশিংবা বালী নিংথৌ মশাবীবু কৈরা ক্লাজাখোংনা তাংজ মকোক পাক্লবীখিরে হায়দবরা। বালী নিংথৌ পাজনবা চীংঙ রাম মত্তিক খঙ ভক্তি পুক্লীং অনোনবনা পুরুমজরবগী শ্রীরাম নামুংবনা মশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংবদা রাহমখিরে। বালী নিংথৌ পাজন মপাতাম্বা ভক্ত অনোন খঙবা রাবণ নিংথৌ

হিংচাবা মকোক তরা পানববু কোয়ৌ নোংজা থুদিং সমুদ্র সন্ত্রান তৌবা অসুরশিংবু মিত্র লম্লোই ওইরবগা নপাবী সীতা লাইরেমবু থুনা লৌরুবা ঙমগবরা থঙদে। বালী পাঙ্গন মপাতাম্বা অসিবু চৌংঙু শমু ইথুংবাক্তা নোংমনহল্লে। তৌইগুম প্রাণ থরায় হিংহনসিরা হায়না রাহশিংবু লক্ষ্মণ শান্ত পুক্নীং তপ্পনা পাওথুম-লকয়ে। হোয় শ্রীরাম কোয়ৌ ইনোংখৌ ও! বালী নিংথৌ মথক্কগী মতৌ ছুট্ট অয়োনবনা বালী পুক্নি শুরে ক্ষেমা ঙাক-পীঙৈবু লৈতে হায়না অসুম পাওথুম্লবগী। রাম-নামুংশিংগু শান্ত পুক্নীং তপ্পা কমফম্লিঙৈ বালী তালোই মরুম অপাম্বী তারা অহেন্বী কিষ্কিন্ধ্যা লৈমাবীনা কোয়ৌ মনোংথৌ বালী পাজনববু নোংমল্লে হায়রববু নাতারবগী তারা থরায় নোংদা কা মিয়েন থাবু থংনা মপারি নাওরা অংপিশাবু থিক্লেন থাদা কোয়া হুয়েন লানশোককম্বু তারা অচেন লোক্লেহৌ থরায় নিনমাঙনবা চেন-থোক্লকপবু। মল্লাবী থ্বা য়োংনিংথৌ বালী নিংথৌরেন্দি মালেম লৈদা ওল্লা তুতপ্লববু তারা চেংলো মিংথিংলবগী স্বামী মপু অয়োইববু ঙকথি লুম্নাংকোন থজাই লেংলোই চুপ্পা হে শাবী ইবুঙো বানর য়োংলেন পুক্নীংহনা নৌথোক্তবা ইপা ও। নপানৌ সুগ্রীব লানশোক্লকুগুনো মোমক্ল থোক্লেন ইমক্ত থীয়ে হায়না থোথাম্বু রাচানদনা করিগী সুগ্রীব মরালওইনা তেনবান থম্লোই খিং নচিন ঈতোংওনা নোংমনগে তৌওম্বা অসিবু। নপারি চাওবা ফাদবা অঙ্গদ মুংজানবা অসিবু স্বামী অয়োইবা নংনা নোংপোক চুকমিয়েংশেলগুম মায়ঙ্ক্লো অঙাং পাওশা মতৌ রেংনা কৌবা চিঙ্লোয়লাংগুম কোয়ৌ নোংজা থুদিং তোয়নবদি থংলেন ইপু অয়োইবা কনানা তোয়নারগবনো? ইপারি খিকলেন খোমজক্লরিবা অসিগা নপানৌ তারা অচুম্বী ঐগা কিষ্কিন্ধ্যা নীরেবাক্তী তোইনৌ সনা সিংহাসনদা সনা কম্বাল তোংববু কুইনা

তোংমন্নখিসে হায়দে। অসি কোরৌ মুরিংমনা নরুম তারা লাইবকথীরে। পারি পম্মৌ পারৈতবা স্বামী হুকশাং খায়খিবা সনা পুক্লীং লংগুং তৎহনবা সুগ্রীব লাইবক ফবনা। শ্রীরাম লম্নোইওইবগী লালশোক তেংবাংথোইনা প্রাণ থরায় লৌরবা অসিবু তারা থোয়েন মঙলাংচান্নে হায়রসে হায়না মীকপখিয়ে। তারা হৈনা মতুং ইল্লকপী বালী তালোই মরুম অপাম্বী খ্বা য়োংম্বুরা চাম্বসুঙ মালেম নৈদা ওন্না মীকপরে হায়। বালী তেনবান অনা থাঙবনা অজ্ঞায়াথংপিক্লা পাওমেল্লকয়ে। হে শানৌ সুগ্রীব লৌশিংব ও! নশাবী ঐনা চিনলেঙ খুৎথীথোক্লা লোয়নরকৈঙেগী কপ্তাও মৈয়া থোক্লরম্ববু লৌবীগুনো। প্রাণ ঐগী থরায় তৎলাইদম অসিদা থৌজান মীরায়বীগুনো। পারি অঙ্গদ নাওরা অপিশা অসিবু শানৌ নংনা পোক্লে পারি থৌজান থোইনা নাওয়োকপি ও। নশাবী তারা লাইবকথীরবী অসিবু থৌজান মীরায়দনা চানবীরোও হায়না সুগ্রীব ঙকথি লুম্নাংকোম্না মীকপরিবৈদা, তারা য়োংলৈমনা শমু মথুৎলোম্না রাম সনা মখোঙথাদা য়াহমখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো ও! মহাবিষ্ণু নামুংবনা শ্রীরামচন্দ্র কৌনা মুমিৎ শাগৈরেন অথোইবদা পোক্লবা ও। তাইবং সংসার পুম্নমকপু তেংনৌ চিদাই য়াইদনা থৌজান হৈবা লাইয়িংথৌ নংগুম্বনা থংলেন ইপু অরোইবা বালী নিংথৌরেম্না অপরাধ লঙজ করি লৈবগী চীংঙ নতিক নত্তনা হুয়েন করিগী লালশোক্লবনো। থোইয়ম নামুংবা নংদি ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বর ইন্দ্র শোরারেন য়ায়েনবা মথংগী লিক্লাং মুমেক্লনে। প্রাণ থরায় হাৎহৈয়ে হাৎহৈদে হায়রবু পাপ পুন্য মতিক অয়াম্বসুঙ চীংঙ পায়না ঊনগোইমুংদা থঙলিবা নংনা। স্বামী কোরৌ ইনোংথৌ বালী নিংথৌরেনবু মুংশি পুক্লীং লৈতনা সুগ্রীব মীচং ওই পুক্লীং য়াথি নাইদনা করিগী নোংমলক্লবনো?

নদাইরেম থংলেন ইপু অরোইবসুঙ চীংঙ্ সনা নয়াথংবু হেপ-খোক্লবা নদাইরেমনে। অসি কোরৌ হুমিংমনা থংলেন ইপু অরোইববু নোংমল্লবদি তাৱা ঐগী থৱায় ইমিরেনবু লানবীনবা লৈতরে। লুপ্পা চীংঙ্ লাইবকথীবীবু ওইহল্লবা অসিবু তাৱা মুংশি পাপপু থুংও হায়না অসুম মীচৈথোনগী চীংঙ্ শ্রীরাম নামুংবদি তাংজ মক্লুক্লা লৈরিঙৈ। য়াথং অনম তাৱা হে সীতাপতি লাইয়িংথৌ ও! নংবু নরায়ণ শংশংবনে হায়রবদি খোয়মা নারোনম্নংদা লোৎনা হুয়েন লালশোক্লবা অসিবু পুরুষ নিপা অমনে হায়রবদি বালী খোয়মা মায়ওক লেপ্পা হুয়েন লালশোক্লঙৈনে। ইশানৌ সুগ্রীব লয়োইওই বালী রাথিদনা নোংমনহনগে হায়না শংলৌ থৌরাংলিবা অসিবু। তাইবং সংসার পুম্নমা অসিদা কোলোয় নমিং থিরে। চীংঙ্ নতৌ অসিগী সনা অযোধ্যা লৈবাক্ত লৈহন্দনা নপল রাজা দশরথ নিংথৌরেম্না ভাম্তোকপদি মতৌ অসিনরিঙৈনে হায়না অসুম রাহম্নবু; লক্ষ্মণ লৌশিংবনা পাওথুমখিয়ে। হে তাৱা য়োং-লৈমাও অসি কোরৌ মুমিংমনা বালী নিংথৌ নংবু লোইবদি নোংমল্লে পিরেন থকমাতানা মীকপ্পগুনো। নশানৌ সুগ্রীব লৌশিংবগা সনা ফম্বাল তোংমিন্নঙৈনে। কিষ্কিন্ধ্যা নপুংয়াইদত্থুম হনরাইখিরো হায়না রাহম্নবু। তাৱা য়োংলৈমনা-হে লক্ষ্মণ অহেনবা ও! তাৱা মোমম্নু ঐবু ইত্রি পুক্লীং লেপয়ে। সতী লমচৎ শোয়বীনে হায়বসুঙ দেবো লাই অয়াম্বনা থঙবী তারানে হায়না ব্রাহ্মণ শাগৈ মাঙদা তাংজ ইকাই নংও হায়না শাপ মীচৈবগী চীংঙ্ রাম নামুংবনা তাৱা য়ামজেং থাফংননা রাহমখিয়ে। হে তাৱা য়োংলৈমাও মোমম্নু নংগী চিনগোই নয়াথং অসিবু শানৌ লক্ষ্মণ মুংজানবদা য়োন্দনা রাইথুংঙৈনে। য়াইবী কনহৌ নিক্লুনো হায়না পাওমেনববু হোয় প্রভু ইবুঙো

তাও ! নশানৌ লক্ষ্মণ মুংজানবনা মুংশি মতিক থঙদবগী শাপ মীচেথোক্লে য়াথংহনজিলফরগোই হায়না পাওখুম্মিদৈগদা থংলেন মপু অরোইবা বালী তেনবান অনা খাঙবনা চেংলৌ মখিং পাঙনা রেং তারা খুজেং হংজিলাক্লা চিংজিল্লবগা শারেন য়েংনা কোন মপারি অঙ্গদ মুংজানববু শমু ওইনা লাম ঙকথি লুম্নাং-কোন থজাই লেংলোইচুপ পিরেন থকমা তানা পলেম নমা নচাবু ইপম্মা চারা কোন্দনা খমগুং যম নিংথৌ দ্বার মথোঙজিনবু নাতৈননা চৎখিঙৈনে। হে শানৌ তারা অহেনবী ও ! পলেম নমা নচাদ ঐনা করি রাহমঙাইবু লৈতরে হায়রবগা মশানৌ সুগ্রীব লৌশিংবদা রাহমখিয়ে। শানৌ ও ! নশাবী পলেম লেপ্লৌশিনবী অসিগা নপারি অঙ্গদ নাওরা অপিশা অসিগবু ঐনা থৌজান মাইওক্লবগুম্না শাওয়োকপিও হায়না সুগ্রীব ঙকথি লুম্নাং কোম্না হে শানৌ সুগ্রীব লৌশিংব ও ! নঙোন্দা কিষ্কিন্ধ্যা লৈপাক পুম্নমকপু অসি কোরৌ মুমিংমদা শমু থুংশিন্নরবনে। নচা অঙ্গদ অঙাং অপিশা অসিদহম যুবরাজ নথংগীবু ওইহনবী ও। পারি অঙ্গদ নাওরা অপিশা নংমুঙ নতোন সুগ্রীব লৌশিংববু তাংজ ইকাই-খুম্না ভক্তি নোল্লুক্লা বৈরি য়েক্লববু লৈনগুনো। হে শানৌ সুগ্রীব লৌশিংব নংমুঙ নশাবী তারা সতী অচুম্বীগী মোমঙ্গু চিনগোই ময়াথংবু হেপাথোকপিগুনো হায়না অন্থম পাও-মেল্লবগা। বালী শমু থাংচিল্লনা রাম সনা খুয়ারেন্দা হে প্রভু ইবুঙো শ্যাম সুন্দর অহেনব ও ! চীংঙ্ রায়রা নতেনচানা তেনবান থমোইখিংনা পাল্লবগীদমক বালী অনা খাঙজমদবগী চীংঙ্ সনা নখোঙ্থাদ অপরাধ লঙজববু তাংজ শম্বুম মরম লৌবীগুনো। নদাইরেম ঐগী ইপন ইন্দ্র শোবারেম্না পিনরকপা মণি পুহান লিক্লাংচান অসিবু চেংলৌ য়াম্না শক্তোই হেনবা লিকনে। নদাইরেম চেংলৌ মশক মাম্নবা কনাদ পিনগবনো

হায়না বাকৎচববু চীংঙ্ রাম নামুংবনা হোয় হে বালী নিংথৌরেন ও! নশানৌ সুগ্রীব লোয়না অপাম্বদা পিনরো হায়রবগা বালী নিংথৌরেন্না মশানৌ সুগ্রীব লৌশিংবগী থবা লিকশিরমদ থোনবীরিঙে। মপন ইন্দ্র শোরারেনগী খুজু ফুরান খান শীংলেন লৈরিক নোংজুনরবদা শমু মহকশাংদ রক্ত ঈঙাং থোকপনা শীংলেন লৈ মহি লৈরাং নারোয়তোংনা মপাল ঙাওনা শাগুম হকশাং থোইনা নীংথিরক্লবদা। শ্রীরাম নামুংবনা মিত্র লম্লোই তরেৎমগা বালী হকশাং কোন হরি হরি চিন্দা শোন চীংঙ্ শমু মথুদোন নোংপোক কোয়চীংশাংগী চম্পা লৈহাও মানবা খুদোন তাংনাইদবনা চন্দ্রবান তেনবী থা শাবব্ন য়াঙলেন নমগন কাওনা শৎখোক্লবগা বালী তাংজ মরৈতোন্দা জয় রাম জয় রাম শোন্না দিব্য রথ মক্তববু শমু খোঙওইননা কোয়ৌ নোংগাখিরে হায়দবরা দ'

অসাইঙৈগী চীংঙ্ শ্রীরাম লক্ষ্মণ সুগ্রীব জম্বুবান হনুমন্ত নল-নীল মিত্র লম্লোই তরেৎমন্থ, বালী নিংথৌ মদাইরেম বানর য়োংনাও লাম্বী পুন্নমা তারা সতী অচুম্বী মতু চাম্মন্থ, য়াওনা হুয়েন লালশোকফমদা কোয়ৌ নোংখাকথোনগুম শব্দ খোঙ্গেন চাওনা শীকপমরবদা। তারা সতী অচুম্বীদি মীকপ হনখং-ঙমদনা হে স্বামী অরোইবা বিক্রম থায়াঙ কোন্দাইরোনবু শমু মখুৎবাক্ত চীংলেন গুমু ওইনা য়ৈখায়বা বানর য়োংলেন পুক্লীংহনা নৌথোইবা নংবু কোয়ৌ অসি মুমিৎমগী মখৈ সনা কোনফু কায়রে ফুংশি পুক্লীং থাপখিরে। বালী নিংথৌরেন ঐবু রোইবা ইবুঙো তাও ও! করি রানে! কল্লক'য় পারি চাওবা খাদবা ইপিঙঙাদি কোয়ৌ নোংজা খুদিংবু পিরেন খকম্না তানা ফুংশি পুক্লীং য়ামজিন্নরুঙেনে হায়না মীকপবু চীংঙ্ রামচন্দ্র নামুংবনা

উনবী পুক্লীং তপহল্লবগা হে সুগ্রীব ইপাত্তাও হনুমন্ত শানৌ লক্ষ্মণ অহন্মা ও! বালী হকশাংলেন অসিবু পম্পনদি লৈরাই চাংজোথক্লা চিত্র শীংবী ঙমজাও পৈনা মপারি অঙ্গদ মুংজানববু মপন্ বালী নিংথৌরেনগীদমক খাম্বী মৈগা কোয়নবা তর্পন ইশিং পিনগে হায়না রাহল্লবগা সুগ্রীব হনুমন্ত লক্ষ্মণ অহন্মদি বালী হকশাংলেনবু পুষ্প শীংলেন লৈগী তুলাইথক্লা হাপ্পা পুষ্প নদি লৈরাই চাংজোথক্লা অঙ্গদ মৈগা কোয়না অমন পিথোম-বীরগা তারা লৈমা অহেনবীনাচিংনা মনাও লৈমা চান্মদা হনুমন্ত লৌশিংবনা হে ঠাকুরানী তারা অহেনবী ও! খ্বা য়োংনিং-থৌগীদমক মঙম পোৎয়াও লাঙববু সতী চিনগোই নয়াথংবু হেপথোক্লোইয়ে। সনা য়োইকোনমুংদতুম হনবাইখিরো হায়-রবগী তারা য়োংলৈমদি কিষ্কিন্ধ্যা মপুঙয়াইদা য়াচঙখিরে। সনা য়োইকোনমুংদা বাইথুংলবগা রাজ্য মরৈবাকী খ্বা য়োংমু য়োংনাও হনু হনবা নাহা মুবী পুন্নমমুঙ য়োংমু খোঞ্জেন নোংথক কানা কোরৌ নোংখাকখোনগুম্না মীকপ্পরে হায়দবরা। শ্রীরাম সনা মখোঙখাদ খ্বা য়োং পাখং হনুমন্ত লৌশিংবনা শমু থাংচপনা হে প্রভু ইবুঙো তাও ও! নদাইরেম বালী ইনিংথৌবু চৗংঙ বায়রা নতেনচাদা নোংমনববু কংজরবগী মপন শোরারেম্না শমু খুৎনা লাক্লা সনা কান্দেংথানা য়োয়চান্নঙাম্নবু নদাইরেম ঐথোয়-না মিংথেং শানথৈরকয়ে হায়না অন্নব পাওদম্নবগা রামচন্দ্র লয়োই অচেৎপা কাইবী শাঙম নিংথৌ মন্ত্রি জম্বুবান নল-নিল অকনবা কাইবী হনুমন্ত অহেনবা সুগ্রীব লালকম নিপা থোকপগা লক্ষ্মণ লৌশিংবম্নঙ য়াওনা ঋষিমুখ মুংঙাইবদা কমকয়ে হায়-দ্রবরা। চৗংঙ রঘু রাম নামুংবনা হে পাথৌ সুগ্রীব য়োয়না অপাম্বা নঙোন্দা কিষ্কিন্ধ্যা লৈপাক পুন্নমকপু অন্নি কোরৌ মুমিংমগী মথৈবু শমু শুংশিন্নবনে। নশাবী বালী নিংথৌ

সনা কম্বালেন্দা কম্না খ্বা য়োংনিংথৌবু ওইরুরো। অঙদ অমাংজেং মথোক্লকপবু যুবরাজ নথংশীবু ওইনা কিষ্কিন্ধ্যা নপুঙয়াইদা বারেন-হল্লে। নশাবী তারা অহেনবীসুঙ থৌজান মাইওরনা পান-মরও হায়না অসুম রাহম্নরবগা সুগ্রীব লৌশিংবনা রাম অহেনববু শমু য়েংঙই কোয়না পুরক্নবগা কিষ্কিন্ধ্যা মপুঙয়াইদা ইন্দানখিরে। রাজ্য মরৈবাক্তী পাত্র অঙম্বা পুন্নমক্নসুঙ মালেম লৈদা পন্না পুরক্নরবদা সুগ্রীব লৌশিং মপুঙ ফাবনা মশাবী বালী নিংথৌ-রেনগী ধন লনয়াম থমম্ববু খ্বা মপুমথীনা ধন লন য়েনবীরে। মশাবী তারা সতী অচুখীবু সনা কম্বাল লেপগন্ননা, রাজ্য লৈপাক খুত্তো চন, খ্বা য়োংনিংথৌবু ওইরবনিগীনা বানর পুন্নমানা হরাও মখৈ লৈতনা য়োংমু মনিল নাইরে হায়দবরা। দেব সর্ব্ব অয়াম্বনসুঙ রামচন্দ্র থোইথোযবগী বৈরি য়েরুবা লঙ্কেশ্বর লৈমাবা রাবণ নিংথৌরেনবু খুনওমঙৈনে হায়না অসুম রাহম-নখিয়ে হায়রবরা। রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেন্দি শ্রীরাম মরুনকু অচৌববু ফংজরবগী উমা তালোই মহৌশাগীবু থৌজান্না তাক্না নাক্তা খা লৈমা চাম্নসুঙ মরুম অপাম্বীবু ওইনা সম্না ছেরুপিন খানববু তানফংজরে। আহার চিঙ্গাক অহাওববু থম্না চারুকী-দমক পাত্র পুন্নমুনা পুরক্নরবগী লয়োই বাশরুদা শ্রীরাম নামুংবা ঋষিমুখ চুংঙাইবদা লৈরৌববু সুগ্রীব পুক্লীং কাও রাম থৌক্লাও-নিক নোংপোক হাওসম মুরাবী শম পুক্না নমদা হুমা থৌক্লওখিরে হায়রে।

ইবুঙো রামচন্দ্র থোইথোয়বদি লোইদাম-বক্লিনা কাল-নোংজুথাবু ওইরবগী নোংলেন মরাঙহৌ সমুদ্র নাতাইনবিনিনা লাইজ ঈনৌকা কুপনৌ তারেংহৌনা উথা যুমওইনাকগী থিক্লা বাইকেনচন হংঙোই করোক লাইপন য়াকৈথোমকু নাতাকবীদবক

কোয়্নৌ খোইনা য়েংনা ফায়েং নোংফাইরে হায়। মশানৌ সীতা লাইরেন্মসুঙ রাবণ খুৎতা চনখিরা রাম লক্ষ্মণ সনা চিঙ্গাক -বাং পামেন উকু ফিওইনম্নবগী চীংঙ, তাংজ মরৈতোন্দা হা সীতা ইবেম্মা লক্ষ্মী নামুংবী ও। চেংলৌ শকউদরিঙৈ অসিদা কোকিল খোঞ্জেন তপ্পা খোংবনা মুংশি পুল্লীং তেংবাংওই সীতা মুংশি কাওঙমদবী নগুংলাংগী হুকশাং মৈচাকথোই লক্ষ্মণ ইচিন ইনাওদি শাম্নাও পীমাঙনবগী কাওরেন খোমথরুবা লৈরাং মসুং মাল্লে। হে শানৌ সীতা অহেনবী ও। কদাইরম পাংখরবনো কল্লকয়ে হায়না মশানৌ লক্ষ্মণ অহেনবগা ঙকথি লুম্নাং কোম্না পামেল উখোঙখাদ মীকপ্পরিঙৈ নোংপোক লমহৌ য়াইমরু অহিং ঙানবা য়াইরংচান্না থাজ নেম্না খেনগারকপবু সীতা শকোইথোংবু মানবনিগীনা সীতা শংশংলারুবা খাচিরুবগী মুংশি কোকঙৈকা হরাও মখৈ লৈতনা হে শানৌ লক্ষ্মণ মুংজানবাও নশাবী সীতা ইনেমমচা চোইনৌ সনা পুমদা কোনগুন্বীবু আকাশ অতিংঙাদ ফাওরক্লে হায়না রাহম্ববু লক্ষ্মণ শান্ত পুল্লীং তপ্পনা হে প্রভু ইবুঙো তাও। য়োয়মগ্নাই তাওদনবা মশাবী চন্দ্র থাজ পাখংবনে হায়না পাওখুম্নবগী তৌইগীদি হে চন্দ্র থাজ পাখংবা ও! সূর্য্য শেনগোয়্নরেং নংনা অহিং অমম্ববু ঙম্না ঙালহনখিয়ে। অহিং অমমবঙম লয়ক মুংশি য়াম্নবা ঐবু থাজ পাখংবা নংনা লৌবী-খিরো অমুম শোনমোইনা মীকপ্পবু মুংশি হুকশাংথন মমিং থম্মাল ঈ-কাবনা তাংজ ঈ-কাথোইরবগী মায়ৈগৈ মথোঙখঙদা লয়ক রাভা কাও, মশানৌ লক্ষ্মণ চেংলৌ শকোয় নিম্না শমু ইনাক ফম্বা নংবু কনানো হায়না পাওহংববু। মশানৌ লক্ষ্মণ মুংজানবনা হোয় হে ইবুঙো রামচন্দ্র খোইখোয়্নবা ও! ইপল দশরথ নিংথৌরেনগী সৈত্য রাশক হোংদনা খোয়্না নায়কচংনা লম্থোইরকপদা য়াংলৌ লমখাঙমা পঞ্চবতি মুংঙাইবদা ফয়েং

নোংফাই য়াম্না লৈরিঙৈ রাক্ষস হুয়েন লালশোক্লবদা মারীচ হিংচাবনা ময়া শালওনহৈনা সনা শজি ওই সীতা মাঙদা থংনা চেংলৌ মিংথিংহল্লবগী শাবী সীতা লাইরৈমগী কোলোই য়াথং ইম্না কুরঙ্গ শজি তানখিঙৈ রাবণ হিংচাবনা শমু খুংঙমথীনা হু'খিরায়ে। নশানৌ সীতা খোঙ্গুন লৌরকপগী ঋষিমুখ চীংলেন পলংলা মুংঙাইবা পামেল উখোঙখা অসিদা লৈয়ে। ঐদি পলেম ইমা সুমিত্রা মচানে। কোলোই ইমিংথোঙদি ইপা ইবুঙো দশরথ নিংথৌরেম্না লক্ষ্মণ ও তৌনা কৌয়ে। সীতা মুংশিবগী সনা লংগুং তৎঙমদবা গয়া নহকশাংদা প্রাণ থরায় পক্লবগুম যেতনা নিংশিংববু লৈতনা চীংঙ্‌ কৱিগী থৌকাওবনো সনা পুক্লীং তপ্পি ও হায়না রাহমখোনগী। মশাবী শ্রীরাম নামুংবনা লক্ষ্মণ য়াথং তারবগী হোয় হে শানৌ লক্ষ্মণ অহেন-বা ও! সীতা ইশানৌবু খাইনরবগী মুংশি তেনবালখোই মুংওন থৌরি তৎঙমদনা তাংজ শিনবু ওইনা চিক্লরবগী তৌইগুম ইপা ইবুংঙা দশরথ নিংথৌরেন্দি চিন্তা অরা কোক্না কেরৌ নোঙ্গা-খিরে। ইপন য়াথং লুদাখোংনা বনবাস লম্বোইরকপদা ইশানৌ সীতা লাইরৈমা অবতার মপোক খুদিংদা পোকমমগে নোংহাখী চেংলৌ শকোইথোংবু চন্দ্রমুখি মশক মান কুরঙ্গ শজি মিংতান্না কাঞ্চন মিংকোইহেনবী তিল থোইদিং মপালগুম নাতা শকোই হেনবী শাবল তয়ান হৈগুম চিনবাল মোইকাই ঙাংনা হেনবী লাইবক খেল্লাইথোংদা নমশা তোমথিম্না তাংজ লুমাইখায় লুৱাই শয়াংরেন্দা শিন্দুর লিকোয়থিম্না খোইয়া খাংদানবীবু শীংলেন শেংনরবগীবু লমক অতাম্বা অসিদা খোজেন মুংনৌদনা সময় মতম নত্তনা লমহুই প্লোপ্লেন তারবগীদমক পম্বৌ পামচা নংবু লক্ষ্মণ নশক থংদনা মুংওল্লময়ে। তৌইগুম হে লক্ষ্মণ অকন-বা ও। পায়মা ঐগী উনগোয়মুংদা যেতনা নীংশিংলক্লে ঋষিমুখ

23/3/02

মুংঙাইবা অসিদা লাহল লয়োই রাশকুবা সীতা খোঙখুন লীসে হায়না রাশকুববু সুগ্রীব ইপাতাওবু চীংঙ. ঐনা বৈরী য়েক্লববু লৈহন্দনা কিষ্কিন্ধ্যা লৈবাক্তা সুগ্রীব নিংথৌ ওইহল্লবগী খোয়মা মারোনন্নুংদা লম্লক মুংশি য়াম্লবা ঐবু লৈবাক চাকচা মুংঙাইবনা রাম ঐবু থৌকাওখ্রে। তৌইগুম হে লক্ষ্মণ লৌশিংব ও! রাজা সুগ্রীব নিংথৌনা লয়োয় থৌজান কাওদনা চানঙম্লবসুঙ খোয়মা নমশেন্ননা থেৌজান মম্মুক্লঙাম্বসুঙ সুগ্রীব মরাচানে। তৌইগুম সুগ্রীব নিংথৌ লৌশিংববু পাওকৌরু ও হায়না থৌশীখিববু রাজা সুগ্রীব মদাইরেম খ্বা থোঙশঙবা য়োংমু লালবন ঙাকপশিংনা চেংলৌ মিংথিংলবগী হে লক্ষ্মণ লম্নোইবাও! রাম নচিন ননাওনা তপস্যা লাইবু নীংবা মশক থোক্লনা বালী ইনিংথৌবু নোংমলহল্লে। হৌজিক মশানৌ সুগ্রীব ইনিংথৌ লৌশিংববু হাংকে হায়বগী খোঙলোয় পাওহল্লববু নারিঙেনে হায়না খ্বা য়োংয়াম লাওনা লক্ষ্মণ অকনববু পুন ও হাং ও হায়না তাম্বোকঙাম্ববু লক্ষ্মণ পায়মা উনগোইন্নুংদা কঞ্জাও মৈরা খোক্লা ইশাবী রাম অহেনবগী সনা য়াথংলেনবু হায়রক্লবসুঙ পাঙন ইতিক উংনা খ্বা য়োংয়াম হাংলসে হায়ববু রাম নামুংবনা ঐবু বাওইঙাম্লগবরা হায়না নীংখল্লবগী বানর য়োংনাওপঙশিংবু, করি হায়রমদনা রাম সনা মখোঙথাবু ইন্দানখিরক্লা। হে প্রভু ইবুঙো তাও ও নদাইরেম ঐনা ইবুঙো সনা নয়াথংবু কিষ্কিন্ধ্যা মপুঙয়াইদা চংলুববু খ্বা য়োংয়াম লাওনা লক্ষ্মণ অকনববু হাং ও য়ান ও পুন ও হায়না তাম্বোকঙাময়ে। রাজা সুগ্রীব নিংথৌ কোমুং চংদনা হুনবাইরকয়ে হায়না পাওদম্লমগা জয় রাম নামুংবনা তৌইগীদি হে লক্ষ্মণ অজ্ঞা য়াথং হেপখোক্লব ও। ধন্ন লীরুং ইথুংও অসিবু পুখি ও। সুগ্রীব শমু মহুকশাংবু খও মতুপখোক্লা ককথোক্লমলুয়ো হায়না থৌশীথোক্লবগী.

লক্ষ্মণ লৌশিংববু খ্বা য়োংপাখং হনুমন্ত লৌশিংবনা চেংলৌ শকউরবগী রাজা সুগ্রীব নিংথৌদা চীংঙ্ শ্রীরাম নামুংবগী মশানৌ লক্ষ্মণ রায়রা তেনহৈববু লাক্কয়ে হায়রবদা রাজা সুগ্রীব নিংথৌ পুক্নীং কাওবদা হনুমন্ত পাঙ্গনবনা রাহমখিয়ে। হে সুগ্রীব ইনিংথৌ নংবু রাম লয়োই রাশক্নববু থৌকাওরে! বালী সনা কম্বাল্লেন্দা কম্না তারা নাক্তা থানা সনা কম্বাল কম্না অসিবু রাম মরনকুনে। সনা নখোঙলেঙনা লক্ষ্মণ রা-হায়নকুসে হায়না পাওকৌথোকলুরবগা মশানৌ তারা উমা অনিমনা সনা কানগাথানা কমকমহাল্লে। রাজা সুগ্রীব হনুমন্ত অনিমদা রাম সনা য়াথংলেনবু লক্ষ্মণ পুক্নীং তপ্না রাহমখিয়ে। হে রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেন ও! অসাইঙৈ নদাইরেম খ্বা য়োংয়াম লাওনা ঐবু তাম্বোকওাম্নবগী রাম য়াইবী কনহৌনিক্না রায়রা মতেনচানা শমু নহকশাংবু খণ্ড মতুপ অনি থোক্না ককথোক্লমও "হায়না ঐবু থৌশীরকয়ে। অমুম রাহম্নবগা সুগ্রীব শমু থাংচপ্পনা রাহমখিয়ে। হে লক্ষ্মণ লৌশিংব ও! চীংঙ্ সনা মখোঙখাদা অপরাধ লঙজথোইরে অসি কোরৌ হুমিৎমগী মখে সংসার পুন্নমদগী খ্বা য়োংমু য়োংশেন পুম্না থোমহাল্লুগে। কোরৌ হুমিৎ অহুমদংবু কাইবীখি ও হায়না থৌখাম্নবগী রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেম্না হনুমন্ত পাঙ্গনবা মংদি খ্বা সেনাপতি হুয়েন লালচিংবা হাওরৈ নোংপোকলা পাংবালমগী পর্ব্বত চীংলেন পলংলাদা রাঙনবা নীল অথৌবা হাওরৈ খানা পাংবলমগী ত্রিবিন্ধ্য পর্ব্বত চীংলেন পলংলাদা থৌথাবা নল অকনবা পিয়া পর্ব্বত চীংলেন পলংলাদগী সিন্ধুবা লৌশিংবা মায়দৈ অরাংপাংবা লমগী নপল কেশরীপুত্র পশ্চিম নোংচুপলমগী কাইবী শাওম নিংথৌ জাম্বুবান লৌশিংবনাচিংনা খ্বা য়োংমু য়োংশেন অসি থৈবিকপু রাত্রি অহিং ধুংল ও হায়না থোশীথোকখিরবগী

অক্ষৌহিণী তেঙ্গোল মশীং শীঙমদনা পাওকোররুবগা রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেন্না সেনা মাঙদা চংনা রাম সনা মখোঙথাবু ইন্দান-শিববু উফুল নোংলৈ হৌ মালেম লৈপাক নিক সমুদ্র ঈথক হৌগুম খোঙ্গেন নোংথক কা য়োংমু থুংশমনা বানর তাংজ মরৈতোন্দা জয় রাম রাম শোন্না খু। লাল্লাও শৈওনবগী খোঙ্গেন হরাওথোক মুংঙাই মখৈ লৈতনা লঙ্কা লানশোক্না রাবণ থুনঙম তানসে হায়না য়োংলেন লালহৌরকপবু রাম সনা মখোঙথাদা মশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংবনা শমু থাংচপ্পনা হে প্রভু ইবুঙো ও! লোয়না নংগী অপাম্বা রাজা সুগ্রীব নিংথৌবু লাইরক্লে হায়না পাওতাক্লবগা সুগ্রীব শমু থাংচপ্পনা বানর য়োংয়ামতুনা পুরুম্ন-বগা রামচন্দ্র নামুংবদি য়োংলেন পাঙ্গন উরবগী চীংঙু পুক্লীং হরাওচংলে হায়দবরা। খোইয়ম সনা মখোঙথাদা রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেন্না হে দার্গ য়োংজাও অহেন মিৎচুবা নংবু লাও ও! য়োইবু সীতা লাইরৈমবু নোংপোক মায়গৈরোমদা লীক্ল ও! শতবালী অকনবা নংদি উত্তর অরাং পাংবালমদা থিরু ও সীতা খোঙথুন লী ও। ক্রথম অথৌবা নংদি হাওরৈ নোংচুপলা পাংবলমদা চং ও। পারি অঙ্গদ যুবরাজ অহনবা নংসুঙ নয়ুগয়র লৌশিংবা গবাক্ষ অকনবা ঋষভ অশিংবা শস্ত্র অয়াঙবা গন্ধ-মাদন অথৌবা দধিমুখ জাম্বুবান কাইবী শাওমনিংথৌ নোংশিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত অকনববু ঙাইরোইননা সমুদ্র খানা পাংবালমদা সীতা খোঙথুন লী ও। তৌইগুম হে জাম্বুবান মন্ত্রি লৌশিংবা ও! পক্ষি চেকনিংথৌ সম্পাতি লৌশিংববু লৈঙামঙৈনে। চেক্লা মঙোন্দা সীতা রারম হংববু থংঙমদরবদি মায়গৈ খানা পাংবলমদা চংখি ও। অস্তম রাহয়বগা জাম্বুবান লৌশিংবনা হে ইবুংঙো রাম নামুংবা ও! লশানৌ সীতা লাইরৈমমু য়োন্দনা থংঙৈনে। লক্ষ্মী লশান্নৌনা সনা পুক্লীং

নংবু মিত্র লোয়োই ওইরবদি থমজুং নিংথৌবুসুও ওমখৈনে। নত্তিক য়ুথক মরিসুত্তরা চোংগে রাশক্লে।

লঙ্কা কোজুং চঙগদবা য়ুথক তরা রাংলিয়ে। নংগী য়ুথক তরা রাংলিবা অসিদা শম্বু নখোং থাংনবা সমুদ্র লৈরাই চাংজৌ কররা লৈওমদবনো কল্লকয়ে। নংগী য়ুথক তরা রাংলিবা অসিম্নু অঙ্গদ সেনাপতি লালজিংবা ঐ চোংদমগে হায়রববু ঐবু ইপন্না বালক অওাং ওইনা থম্নব্বখিগীনা সমুদ্র থিংলৌ নীওনা তেনা হলরাইরকপবু ওমগবরা ওয়োইগবরা খওদে। সীতা ইদোম্মা মরোগে হায়না অসুম রাহববু মন্ত্রি জাম্বুবান লৌশিংবনা হে অঙ্গদ লালজিংব ও! নংনা সমুদ্র য়ুথক চাম্মা পাকপা অসিবু চোংখিবদি রাবণ থরায় লৌনা সীতা লাইরৈমা লক্ষ্মী শোককদবীবু অঙ্গদ খুত্তা চন্নকখৈনে। তৌইগুম সমুদ্র থিংলৌ নীওনা তেনা হলরাই-রকপবু ওমন্নবদি খ্বা লাম্মী পুন্নমক্তি শৃন্য অতিংওাবু ওইনা মাওলখৈনে। সেনাপতি লালজিংবনদি সেনা মাওদা চংনা হুয়েন লালশোক্লা থোক্কে। নদাইরেম সেনা বানর অকনবা খোংলোই পাউহনববু লৈরিখৈদদি হে অঙ্গদ লালজিংব ও! নংনা শোক্লখৈবু লৈতে হায়না থৌথান্নবগা জাম্বুবান হৌজিক হনু ইয়াই কারবা অসিম্নু সমুদ্র কান্না চোংনা সীতা লাইরৈমবু লৌরুবা ওমখৈনে। তৌইগুম মন্ত্রি জাম্বুবান ঐবু লৈতররবগা মজ্নুনা রাতানববু লৈতর-গনে। পাঙ্গন ইত্তিক রাপনা রাংনা রাহম্না অসিবু বানর অয়াম্বনা হনু ইয়াই কারবগী থাজরোইয়ে। তৌইগুম বামন মী মনেম অনেম্বনা বলি নিংথৌরেনবু মালেম লৈখারোন্দা থাজদখৈ, জটায়ু পক্ষি চেকনিংথৌনা পাঙ্গন ইতিক খওলোবনে।

হে অঙ্গদ লৌশিংব ও! খ্বা লেংনা তিনবনা সমুদ্র রাংমা লানগে হায়না রাশক্লরিবা অসিবু লঙ্কা কোজুং চওওমলোইয়ে,

শীংলেন অরেম্বনে। ঐনা পায়মা উনগোইহুংদা সমুদ্র কাম্না চোংনা সীতা লাইরৈমবু লৌরুবা ঙমগবরা হায়না নীঙথমববু বানর য়োংয়ামলক্তগী কেশরীগী মচা ককয়োং অপিশা অসিনহুম ঙমগবরা হায়না নিংখনয়ে হায়না পাউমেল্লকপবু হনুমন্ত লৌশিং-বনা হে ইপু মন্ত্রি জাম্বুবান হনুব ও! ইপল কেশরীদনহুং হুমফুতরা চোঙ্গে রাশকয়ে। বানর ইমায়বনা সমুদ্র কাম্না চোংনা সীতা লৌরা ঙমগে হায়না রাশক্তববু য়াউদনা তাংজা ইকাই থোক্না লৈরিঙৈ অসিদা করি রাবু হায়রবনো হায়না তাংজা মরুলুক্না লৈরিঙৈদা জাম্বুবান লৌশিংবনা হে হনুমন্ত! নপোক অরুবা নতিক অচৌববু রাহয়ককে, শাস্ত্র পূর্ণাং তপ্পা নাতাও ও।

পলেম নমা অঞ্জনা অচুম্বীনা বিন্ধ পর্ব্বত চোইনৌ সনাচীংদা ঋতু ফিশেং নোংদা পবন নোংশিং নিংথৌনা বীজ মরু হুল্লয়বগী পলেম নমা অঞ্জনা সতী অচুম্বীদি গর্ভ মপুং ফানা নংবু নাউনৌনরবগা কোরৌ মুমিৎ অহুমনিনা ঙাইরিঙৈনা নোংপোক লমহৌ য়াইমরু সংসার য়াইরংচান থবী শেঙ্গোইরেংনা মুমিৎ খেনগারকপু তাউজিং নমুনবা থাচীক্রবগী য়ুথক লিশিংতরা চোংনা মুমিৎ রথ চাকলেন পাইরিঙৈ সময় মতম অত্তুদা কোরৌ নোংমদোনগী রাহু শরাইথৌনহুঙ মুমিৎ পূম্না য়োংকে হায়না থৌদানঙম্ববু নংনা রাহু লাই মরুবু হৈরাং মুনা মুনবা থাচীক্রবগী অমরক য়ুথক লক্ষ চোংনা রাহু তুংয়িন তানখিববু রাহু শরাই-থৌদি থরায় নোংদ-কা, মিরেন থাবু থংনা শোংকিরবগী হে ইন্দ্র সরারেন ও। মুমিৎ চাকলেন পায়বা অমনা নোংশিং চৈরোইননা তানলকয়ে। খোইমোম লাইরা, নমু পোংলা, পগু য়াউরৌ শারা, চেংলৌ শকথঙঙমদে, থয়াং নতানপোম্না ঙাকপি ও রাহমথোনকী ইন্দ্র সরারেম্না বজ্র মথুংগু কোরৌ নোংশিংজংবু

শমু খুত্তাও, লাঙ্গোই ঐরাবত অঙৌববু খোংওইননা হুয়েন লান্দারকপদা ঐরাবত অঙৌববু হৈরাং ঙৌনা মুনবা খাচীরুবগী অমরক য়ুথক লিশিংতম্না চোংনা চংখিববু ইন্দ্র সরারেম্না চেংলৌ মিংথিংলবগী বজ্র মথুংগু কোয়ৌ নোংশিংজংনা চৈপিঙম্নবগী হে হনুমন্ত নংবু নপন কেশরীগী গুমাইপনউথক্তা শমু নখ্বাং তেক্লা তারকঙৈ নপন কেশরীগী ইংখোল ফৈরোই তেক্লা শংখোকয়ে। কোলোই নমিংথোংবু হনুমন্ত ও তৌনা কৌয়ে। পলেম নমা অঞ্জনা তাওজিং হৈথিখিবীনা থিংলৌ নীংনা তেনা হলবাইরক্লবদা চেংলৌ মিংথিংলবগী ফৈরা তান্দা থোংন্না পলেম মমানা ঐগী ইতুংদা পারী নাবা অপিশাবু মতৌ কনাগুম্বনা হাংঙম্ববনো হায়না পিরেন খকমাতানা মিকপ্লবগীদমক মপন পবন নোংশিং নিংথৌনা য়াইবী কলহৌ নিরু বাওইখিয়ে। হে হনুমন্ত অপিশা নংবু লোকমুং অগুকপদা নোংশিং মথোং থিংনা থোখাম্লবগী ইন্দ্র সরারেমচিংনা দেব সর্ব্ব অয়াম্বা জীব জন্তু খবায় পানবা পুম্নমক্কি পায়মা উনগোইমুংদা নোংশিং য়াফম চংদরবগী তলা উ-রা অয়াম্বসুঙ পামেল উরৈ শংদরবগী দমক খোইমোম ব্রহ্মা নামুংবনা অমর শিদনা লৈসনো হায়না লনকুবিখিয়ে। ইন্দ্র সরারেমসুঙ ঐগী বজ্র ইখুংগু চঙদগুনো হায়খিয়ে। শঙ্কর মহাদেব খোইখোইবনা চীংঙ্ ঐগী ত্রিশুল তিমেন অহম লোঙবদা শিদসনো হায়খিয়ে। খোইমোম পার্ব্বতী লাইরৈমনসুঙ হনুমন্ত খিকলেন মাইয়োক্লনা হে দেব সর্ব্ব অয়াম্বশিং ও চীংঙ্ ইপারিনে হায়না তাঙ্না খঙবীরৌ ও হায়না লনকুবিখিয়ে। বরুণ নোংলাই অহেনবসুঙ সমুদ্র ইরেনপুংদা শিদসনো হায়খিয়ে। অগ্নি মৈবী মৈরৈমনসুঙ খাম্বী মৈরম তরানিথোইমক্তা চঙলক্তম্লনো হায়খিয়ে। বিশ্বকর্ম্ম শিলহৈবনা হে নোংশিং নিংথৌরেন ও নপানি হনুমন্ত বাবা

অশিশা অসিবু চীংঙ. ঐনা শেম্নিবা অস্ত্র থুংও ময়া শারিবা খৈবিক্লা চঙদসনো হায়খিয়ে। ধর্ম যম নিংথৌ রায়েনবনস্তুঙ খোইমোম ঐগী দ্বার সনা থোঙলেন-খৈ অচিনবদা ঙসি কোরৌ মুমিংমগা মখৈ চঙলক্লসনো হায়না লনকুবিরে। খোইমোম লেংনা তিনবা পুম্নমক বর লনকু মাঙওইনবা হনুমন্ত নপোক অসুম্বনদি সমুদ্র কান্না চোং লঙ্কা কোম্নুং চংনা সীতা লাইরৈমবু লৌরুবা ঙমত্রবদি শীংলেন অরেম্বনে। খ্বা নমাম্নবা অসিদা জন্ম নপোক মাম্নববু কনা লৈবনো রাহম ও হায়রবদা হনুমন্ত লৌশিংবদি জন্ম মপোক হায়রবগী বানর য়োংয়ানলক্তগী পুরুষ মপাতাম্না চোংথোক্লকলে হায়দবনা। হনুমন্ত পন্থৌমপা কেশরী সমুদ্র য়ুথক য়াংখৈ চোংগে রাশকপনা হে জাম্বুবান কাইবী শঙম নিংথৌ ও। নংনা ইপারি হনুমন্ত অকনববু নোংশিং নিংথৌ মচানে হায়রিবা অসিবু কোরৌ মুমিং কদোনোংবু নোংশিং নিংথৌ মচা ওইরবনো। লহাল ঐনা পাখং যৌবন মথোক্লকডে পুক্লীং পুখরি মপান্দা লাঙ্গোই হকচাউবা চৌদস্তু ময়া মরি পানববু প্রাণ থরাই লৌনা মুনি অকিববু কোকপিরবগীদমক মুনি লেংনা তিনবশিংনা পুত্র ইপারি পাঙ্গলববু পোক ও হায়না লনকুবিরম্বা ইপারিনে। কোরৌ মুমিং কদোনোং নোংশিং নিংথৌ মপারিবু ওইরবনো হায়না কেশরী জাম্বুবান অনিমকপু রাহৈ শঙ্গম্ননা রারোক্লরিঙৈদা মহাবলিরেন অকনবনা হে ইপন কেশরী লৌশিংব ও। নংবু পলেম ইমা অঞ্জনা অচুম্বীগী স্বামী মপু অরোইবনে হায়ববু সংসার পুম্নমানা খংলিয়ে। কাইবী শঙম নিংথৌগা ক্রোধ কক্সাউননা খৎনরুগনো। ইবুঙো রামচন্দ্র থোইথোইবা সনা মথোংখাদা রাশক্লকপা লঙ্কা কোম্নুং চঙনা শীতা লাইরৈমবু লৌসে হায়নহুম মন্ত্রনা রাতানরসে হায়না উনবী পুক্লীং তপহন্নবগা মহাবলিরেন কায়বী অকন হয়িং চোংনা সভা

লাম্মী মীয়াম্না রাহমখিয়ে। হে বানর লেংনা তিনবা পুন্নমা ও ইবুঙো রামচন্দ্র থোইখোক্টবা প্রসাদ মরনকু ঠাকুরানী সীতা লাইরৈমা মথৌজাল ইপন নোংশিং নিংথৌ মরনকু পম্থৌ ইপা কেশরী মরুমপান পলেম ইমা অঞ্জনা সতি অচুম্বী মথৌজাল খোইমোম ব্রহ্মা নামুংবনচিংনা বর লনকুবিবা ঐনা ঙসি কোরৌ মুমিং অসিদা চেংলৌ মিংকুপমরম সমুদ্র য়ুথক চামা পাকপা অসিবু কাওরেন মন খোঙ্গুলমরম কান্না চোং লঙ্কা সনা পনল্লু যুংবা মরেপ য়ুথক মরিফু রাংববু ইংখোন ফৈরোই লানগুম লঙ্কা কোম্মুং চংনা সীতা খোঙখুন খঙলবগা রাম সনা মখোং-খাদা হলরাইরককে। জানকী সীতা লাইরৈমনা রাম খোংলোই পাউহনবনে হায়না খঙনবা রাম শমু মখুংতোনবু করি থোনগবনো হায়না পাউহংববু অঙ্গদ সেনাপতি লাক্লিংবনা হে প্রাণবন্ধু লোয়না অচেৎপ ও। সীতা লাইরৈমনা খংনবা রাম শমু খুংনাউতোন্দা থোম্নরম্না তক্ফা খুংতোপ য়াইওইবা মণি মুক্তা খিনবা অসিবু পুখি ও হায়না পীথোক্লবগা নোংশিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত অকনবনা সনা খুংতোপ নিংথিববু শমু খুত্তা থম্না তাংজা মরৈতোন্দা রাম সীতা লক্ষ্মণ চিন্দা শোন মচিন রাম রাম শোম্না মপন পবন নোংশিং নিংথৌ পলেম মমা অঞ্জনা সতি অচুম্বীগবু শমু মখুং লোম্না পুরুম্নবগা চাংজো চেপ্না লোম্না অঙ্গদ মাইয়োক লেপ চীংলেন য়ুথক তরা চাউববু শমু খোংদা নেং হনুমান মরেপ য়ুথক তরা কুই মঙান য়ুথক অমা চাউ বীর পাঙ্গল মহৌ হৌ হকশাং মতু লিং মমিং কোরি হৌ মুখ মখা চীক হনুমন্ত মচিন্দা রাম রাম শোম্না পায়মা নিংশা মথোং খিং নোংশিং পোৎলুম পী কোরৌ ঙমখং চোংনা বিজুলি নোংথাং কুপকুম চেংলৌ মিংপু ঙক্লা চোংখিববু খ্বা লাম্মী পুম্ন-মানা হনুমন্ত মতৌ উরৌবদি চোয়নৌ রূপাচীংনা শূন্য অতিংঙাদা

পাইখিবগুম মিৎয়েং শানখৈনরোয়ে। চীংলেন খুৎলেৎনরম্বসুঙ
রসাতল মালেম লৈথারোন্দা থুম্না কাওচিল্লময়ে হায়দবরা।

মহাবলী অকনবদি যুথক য়াংখৈ চোংনা সমুদ্র ইয়ায়
য়ৌখিরবদা ইন্দ্র সরারেম্না হে সুরস তাংজা লিলা পোকপি ও
হনুমন্ত সমুদ্র ঈচোংলিবা অসিবু হয়েন লানশোক্লক ও লিন
নংগী ম্নারেন খোংজিনুংদা চংলবদি থিংলো নীংনা তেনা রাম
সনা মখোংখাদা হলবাইহল্লো। লিলা লানশোক নংবু ওম-
খিরবদি সীতা খোঙথুন লীবদা থাজিন ও হায়রবগা লিলা
শানওন হৈবদি সমুদ্র ঈপাকথক্তা মথা যুথক তরা ফাকনা
হনুমান পুম্না য়োংথকে হায়না তৌওম্নবগী মহাবলী অকনবনা
চংলো মিংথিংলবগী হকশাং যুথক কুন চাউরে। সুরস লিলা
অচৌবীসুঙ যুথক কুন্থ্রা ফাকনা লিলা মরৈ তম্নবগা হনুমান
য়োং পাখংসুঙ হকশাং যুথক নিফু চাউরবদা তাংজা মখিনাইনা
যুথক য়াংখৈ কাহৌরে। মহাবলী অকনবদি যুথক হুমফু চাউ-
থংলে। লিলা লৈমাবীসুঙ মথা যুথক হুমফুতরা কাহৌরে।
হনুমান য়োংলেন অচৌবসুঙ যুথক মরিফু চাউরবা তাংজ লিন
লৈমসুঙ ম্নারেন যুথক মরিফুতরা কাকহৌরবদা কারবী হনুমান
অথৌবসুঙ মচাউ পাঙ্গল মথৈকং যুথক চামা ওনা চাউথংলবদা
লিলা লৈমাবীসুঙ মথা যুথক চামা হেন্না তাংজ মন্না কাহৌ-
রবদা নোংশিং নিংখৌ মপাম্নি থ্বা য়োং সমুদ্র ঈচোংখৌবদি
হকশাং যুথক চামা হেন্না চাউওমদরবগীদমক উনবী লৈনিংশিংনা
লানশোক পুক্নীং ওক্ত হনুমান মহকশাংবু শমু খুৎতোনবীমরম
পিক্না ম্নায়া শানওম্নবগা লিলা ম্নারেন খোংজিনুংদা চোংশিন-
খিরে। হনুমন্ত লৌশিংবনা তাংজ পিবুকমুংগী শেনবী কবো
য়োৎতুম ওই, থাগী মুগা লংওম্না কর্ণ নাকোং খোংজাওরেন্দা

চোংথোক্লে হায়দবনি। মহাবলিস্লেন লৌশিংবনা শম্‌ থাংচপ্পনা রাহমখিয়ে হে তাংজা লিলা পোকপী ও! য়োইবু গীত্তা লাইরৈমগী সনা খোঙখুন লিখিগে লিলা চিনগোই নয়াথংবু থাবিয়ো হায়না পাওমেল্লবদা হে খ্বা ম্রোংপাখং ও! পাঙ্গল নত্তিক ঐনা উরে। দানব হিংচাবা রাবণ নিংথৌরেনবু খুন-ঙমদৈনে। যুগ কুমশিং চামরি গুনা অমর শিদববু ওইয়ো হায়না বিদাই য়াথং থারবগা হনুমন্ত সমুদ্র ঈচোংথৌবদি হেন্না থৌওইদনা য়ুথক হুমফু চোংখিরবদা সমুদ্র লাইজ ঈরৈমানা পাউত্তাকখোনগী লাইজ ঈয়োনসুংগী মোইনা চিংলেন পলংলানা হনুমান মাংদা খংনা তাউখংঙম্বনা পাউমেনঙময়ে। হনুমান হে অচৌব ও! লহান নপন পবম নোংশিং নিংথৌগা মিত্র লয়োই ওইরময়ে। লয়োই মপান্নি নংবু অবা হনথং ঙম্ববা হৈরাং ফাম্না তংখিয়ো হায়না পাউকৌঙম্ববু হনুমন্ত লৌশিংবনা হোইদা চীংলেন পলংলা ও! ঐনা হৈরাং ফাম্না তংলবগা খ্বা লানশোক্লবা বানর অয়াম্বনা অবা পোখারময়ে হায়না ঐবু পাউনোক্লদৈনে পাউখুম্লবগা চীংলেন থাংচপ্পনা পুক্লবগা য়ুথক হুমফুতরা চোংখিরবদা সিংহিকা লাইজ ঈরোনসুংগী আকাশ অতিংঙাদা ছায়া মিরেন কানায়্নাই হৈ পীনা হনুমন্ত মম্নি লাক্লা চিংখিরবগীদমক লানশোক লাম্নিংশিংনা সিংহিকা পাম্বমা উনগোয়রুংদা রাংবন কানবা চুম মৈশাংলয়না ওইনা চোং-শিনখিরবদা হনুমন্ত পাঙ্গলথোক মচাউ মখৈ ফংনা চাউখিরবগা খুজিন মোইফাংতোন তরামক্লা য়াংলেন নময়াং শেং কামার নোংমৈ পোকথাইতম্না চোংথোক্লবগা হনুমন্ত অকনবদি সমুদ্র নৈরাই চাংজৌথক্লা মুমিদাং মুমিং চীংদা পক্লা রাইথুংলুরে হায়দবনা। হনুমন্ত পাঙ্গনববু উগ্রচণ্ড খুনঙাকপী লাইরৈম্বনা য়াইবী কলহো নিক্লা মিথয়েং শানখৈঙম্ববু হনুমন্ত শমু থাংচপ্পনা

হে উগ্রচণ্ড লাইরেমা ও ঐদি রামচন্দ্র মদাইরেম দাস খুৎকানাইনে হায়না পাউতাক্লবদা উগ্রচণ্ড খুনঙাকপীনা তৌইগীদি ঐমুঙ শঙ্কর মহাদেবনা বৈরী য়েক্লববু চংহনগুনো হায়না ঙাকহনববু যুগ কুমশিং গুরে। সীতা লাইরেমদি সনা লঙ্কা লৈবাক্তা লৈবনে। দর্শন শকউনরু ও! লঙ্কা খুন্তাকহল ও। রাবণ খুনঙমলক ও। যুগ কুমশিং নিফুমরি গুনা অমর শিদনা পাল্লু ও হায়রম্লবগা উগ্রচণ্ড খুনঙাকপীমুঙ থিংলৌ নিংনা তেনা হৌখিরে। মহাবলিরেন অকনবনা অঙানবা মুমিৎ খোঙলেন খম্লবদা লঙ্কা পম্বোংখৈ পানবান অথাপ্পা সুমেরু চীংলেন পলংলা পনলু যুথক মরিফু বাংবা লঙ্কা লুরাকচীংগী সনা শংদেং মুঙাইবা মণিগ্র থিনবা শঙদা গৃহ মুমথক কা কোম্নুং লুরাক্লনা লঙ্কা লমদম য়েংববু থৌদ্রু মুংলেন চাউথোইবনা লঙ্কা পঙ্গাও কোয়, তেৎনৌ পনলোন খা, কোরি পনউ শেনলোন পনগা থাং, পথ লৈপল য়াইদা লাং লুপা পনউ লিং সনা পল্লেন হাকথং কোয় লঙ্কা পনলোন তরেৎমকপু সনা ময়েক থোক্লা কোনখাবা মকৈ যুথক কোঙ্গোই পাকপা মরেপ যুথক মরিফু বাংববু চেংলৌ মিৎলু লং লঙ্কা কোমুংয়াইদা দীর্ঘ পুখরি অকুইবা মপান্দা সনা উপান হোবা রাক খোংরাই খুদিংদা লিকলি তরং হিদাক চাইনা সনা মপাক মৈবা হিংঙোনয়াইদা লাংনা চমেন চিলাই খোম্বা পোনবী খোঞ্জেল মুংনৌবশিংনা য়াকানবা সরোবর পুখরি নিংথিববু মিৎয়েং শানখৈরবগী হনুমন্ত লঙ্কা লমওল্লবদি বীর পাঙ্গল মথৌ হৌ রাম সীতা লক্ষ্মণ চিন্দা শোন লঙ্কা পনলু যুথক মরিফু বাংববু চেংলৌ মমিৎ খাংদা হেল্লা থৌওইদনা কিবুন লেপ্তম চোংগুম লঙ্কা পল্লোন তরেৎমকপু চোংশিলখিরে হায়দবরা। লঙ্কেশ্বর লৈমাবা রাবণ নিংথৌরেন্দি সনা মাগী সিংহাসন্দা মুমিৎ তর্রা থোককুম কমকম্ববু লোইদাম থাজা পাখংবনা ছত্র

শেকপিন থান ইন্দ্র সয়ারেন্না সনা তুমাই তুম বৃহস্পতি কোয়ৌ তুমিং শগোনশেন্না রাবণ মতিক হান্নবা শিংলেন লৈশি লৈথোনয়ে। ব্রহ্মা মচীন মরি পানববা বেদ লাইরিক খিহৈয়ে। অগ্নি মৈবৈমনা রাবণ মাংদা মৈহোরে। পবন নোংশিং অত্তানববা রাবণ দ্বার মথোংজিন্দা ত্তাগ্নৈয়ে। বর্ধা নোংলাই অহেনববা রাবণ মাত্তদা উৎফুল নোংলৈ হৌহন্দনা লাইজ খিকফেন চাইনৈয়ে। নারদ মহামুনিরেনবু বিণা মুংওন খোংনৈয়ে। অপ্সরী জগোই শাবীবু সনা ফিরোই শেংনা জগোই খোংলৈ থোক্লা নোয়হল্লে। অষ্টম্বুর লাইবু অশৈ মুংওন শকহনয়ে ধর্ম্ম যমরাজ রায়েনববু লাঙ্গোই শজিক ফায়্নৈয়ে মদাইরেম লঙ্কা পাত্র অত্তম্বা কোয়ৌ নোংশিংজংগুম্বশিংবু তারা থৱানমিচাককুম মওলি কোয়না ফমফমলিঙৈ মপারি অহনবদা মণি লিক্লাংচানবু থবা লিক পীনা অত্তিকায় চেংলৌ শক্কোয় হেনবদা সনা খুৎতোপ পী পাত্র অত্তম্বদা বিদাই য়াথং থা মুমিদাং য়ুথক অমা হেনখিরবগী রাবণ নিংথৌরেন্দি সনা যোইকোনমুংদা চংখিরে। রাবণ সনা কাংথোনথক্তা পূক্নীং মরাংকাযনা ফমফম্নবগা মশানৌ মন্দদরী অহেনবী লঙ্কা থুনলৈমনচিংনা তালোই মরুম অপাম্বী সহস্র লিশিং অমনা পূক্নীং অনৌকং মতৌ নিংথি কোক সনা ফিরোই শেংনা রাবণ মাংদা ফমফম্নবগী মিংয়েং মতৌ মুংত্তাইরবগা রাবণ নিংথৌরেন্দি মশানৌ মন্দদরী অহেনবীগা সনা কাংথোন ফমজাত্তথক্তা খোমলেন তুমগনখিরে।

হনুমন্ত সমুদ্র ঈশংথৌবদি রাবণ কোম্মুং চংগে হায়্নববু অহিং মিংশেন থাংবনা খোল্লেন তুমগন তারবগী নিদ্রা তুম্নববু খোইযোম মন্ত্র শোন্না ভুমহল্লবগা হনুমন্ত লৌশিংবদি রাবণ মথোংজিনবু খোংলেন নাইত কাংগে হায়্নববু সনা শোজ্জে লোন

খাকী য়েংহুম মনাগুম অথুবা নাকথিং শোনা পরৈ পখুন ইন্না -থাকী মুকা লং মরুম ওইনা নানচিনখিরবদা সনা ফমজাউদা রাবণ থাপশিং ম্যাকু হাওনা মিৎয়েং শানখৈরুববু মশানৌ মন্দদরী অহেনবীবু ওকথি লুমলাং কোক্সা ম্যাতাওবদু সীতা লক্ষ্মী নামুংবীবু ওইনা খাচীক্লবগীদমক পিরেম খকমতানা মীকপ্পবদা উনবী পুক্লীং চপ, হনুমন্ত মমিৎ পাওনা য়েংলবদা য়োইবু সীতা লাইরৈমবু নওমদরবগী হনুমন্ত অথোবনা রাবণ তালোই মরুম অপাম্বী সগুম্ন লিশিং অমগী মকম খুদিংদসুঙ সীতা য়াতাওমগবরা হায়না য়েংলুকসুঙ লৈওমদরবগীদমক সনা শঙ্গাইমুংদা রাবণ মতিক মুংঙা-ইবদি প্রদীপ থাউমৈ লিশিং থানয়ে। সনা কাংথোন লিশিংথক্তা লৈমা থম্বাল মাম্নবীশিংবু নীংথি পুক্লীং ছুই হায়য়ে। নাকথিং সনা মিৎয়েং শেনকোইবদা মণি মণিগ্র থিনবনা হকশাং পুম্না ওান লিক্লাই মুখী তরেং ওই থারী সনা মপাকয়ৈ সনা কোরি থোক রাবণ মন্দদরী অনি মুমিৎ তরা থোকুমনা য়াতাওব্বু হনুমন্ত মুংঙাই মুংবং থোক্লবগী ই: ঐসুঙ ইতৌ ওম্বোকপা রাম খোংলোই পাউহনবনে হায়না খওনবা রাবণ মকোক তরামক্তা শমু খোংনা কাউ, সনা কাগোক মখুম হাংনা পানা কা কান্না চা, কাগোক দোংদাং রো, সনা খুজাই ঈশিং থন-বসুঙ ভেংনা থকচিল্লবগা লাইজ মহুৎশিন্না রাখি থম্না হাপ মতু লিশিং অমবুসুঙ সনা কাংথোনথক্তগী মালেম লৈদা থম খুয়া লুখুম ওন্নবা লৈমা শমু মখুৎতোন অমদা অমগনা কি, তাংজা মশমতোনবু শম্মাং কারন পুনশিল্লে। কক্সন খুৎশিথোক চৈরৈ মফি লোথোক্লবগী লৈমা থম্বালমানবীশিংদা পুম্নং লায়োন থোকুম মালেম লৈদা তা মপু মনাই থওলদনা হকশাং ফৈরোই মুংলোই ভুহন্নবগা খুৎচিন কারন হোৎ খুৎচিন ময়েক থোকনা থান্নবগা রাবণ শঙ্গাইমুংগী পোরল্লবগা রাবণ নিংথৌরেমগী পুষ্প

শিংলেন লৈগী হুলাই মখুৎনেৎ য়াইওইবা দিগ্বিজয় পুনজরলগী সনা হুলাইথক্না তোংখৎলবগা সংসার পুম্নমকপু ভমৈংনে হায়না হনুমন্ত মপুক কল্লি নিঙদনা কম্নবদা মপন পবন নোংলৈ নিংথোনা পারী হনুমন্ত অঙাওবন্ও। রাবণ হুলাইথক্না অন্নম লৈরবদি সীতা খোঙখুন খংলরোইয়ে হায়ররগী হনুমন্ত অথোবদি সনা লানগৈ ওন্না চংখিববু য়োইবু সীতা লাইরেমবু চেংলৌ শকউদববগী ধন লনয়াম থনববু নমদা হন্না পুটাক্কর সিংহ লোংশা নিংথৌনচিংনা শারেন শাম্নম শংদা য়েংলুবস্থ সীতা লাইরেমবু লৈঙমদে ইন্দ্রজিৎ হুয়েন লালশোক থৌবগী কোলোই শজাই চংখিবম্নও সীতা চেংলৌ মশক উদরে। অতিকায় গৃহ ময়িমলেন্দা য়েংলুবম্নঙ জানকী সীতা লাইরেমবু লৈঙমদে রাবণ নিংথৌ মশানৌ কুম্ভকর্ণ হকচাওবগী দ্বার থোংজাউ হাংনা চংখিববু মনা কাংথোন চাউথোইবা তেরা নমথাংথক্না মরেপ য়ুথক চামা কুই, মঙান য়ুথক তরা য়াহিপঙম্ববু ময়া নিংশা হোন্দোকপনা লোকন্নং অশুকপগুম মপুক লাউনা উরবগী পলেম মমা করম্বনা গর্ভ মপুং ফ'না নাউপুবনে৷ হায়না অম্নম পাউশাম্নবগা ধর্ম অংশ বিভীষনগী মরান লোনয়িম চঙখিববু ত,লোই মরুপ্সী সরমা সতী অচুপ্সী স্বামী কোরৌ মনোংথোবু ব্রত তন্না চাহেনবগুম উনবী পুক্নীং লেপ্পীনা অহিং মীকপ থোক্লকপদা হে স্বামী কোরৌ ইনোংথোও। নশানৌ ঐগী অসি খোমলেন মংলানচান্দা চীংঙ রাম নামুংবগী মদাইরেমনে হায়য়ে। খ্বা য়োং পাখং হনুমন্ত কোবনা সীতা খোঙখুন থিরকলে হায়য়ে। নশাবী রাবণ শঙ্গাই চঙনা মতৌ ওস্থোকপবু তৌরময়ে। লঙ্কা য়ুমনুম চঙনম্নঙ তাংজা মফৈ হনু হনবা নাহা মুবী থাকনা হাউরৈ থনা পাংনা খোমথখিয়ে। গৃহ য়ুম্নুম হাঙদনা থাম্বী মৈম্ন থোকলময়ে! সীতা লাইরেম৷ অশোকবন ইংখোল হুংঙাইবদা

লৈরিবীসুঙ খঙখিবা মঙবু মঙলময়ে হায়না অসুম মঙলীনববু বিভীষণ লৌশিংবনা হে শানৌ সরমা সতি অহনবী-ও ! খোম-লেন নংগী মংলানচান অসিবু য়োন্দনা সীতা লাইরৈমবু খঙখিসনো লঙ্কা লৈবাক তাক্লা রাবণ শাগৈতুম্মা থাংসুঙনো। তৌইগুম রাম পাউহনবা প্রাণভাই হনুমন্ত অকনবদি ঐবু করিগী চেংলৌ শকউহন্দবনো কল্লকায় হায়না অসুম খোমলেন মঙলীনববু হনুমন্ত লৌশিংবনা চুপ্লন নাবু য়ুংনা নাতারোয় হায়দবরা ? মহা-বলীরন পাঙ্গলবদি সীতা খোংখুন খঙদনা অয়ুক চাংখৈ লয়না থোংনা মুমিৎ খেনগাগে তৌগুম্লক্রবদা লঙ্কা পনলুথক্লা ফম, পিরেম খকমাদনা মাইকৈ লমদম য়েংনা মিকপলিঙৈদা মহাবলী পায়মা উনকোইমুংদা নিঙখনখিরে। লহান চেক্লা সুপার্শ্ব মপি -মচানা সীতা লাইরৈমদি মাইকৈ অবাং পাংবরম অশোকবণ ইংখোল্লেন মুংঙাইবদা লৈবনে হায়না পাউতাক্লম্ববু উনবী লথ-নিংশিংনা সিংহশ্রবা সনা মপান শাবা শীংলেন লৈয়াম পোকপা অশোকবন ইংখোল মুংঙাইবদা মহাবলীরেন্না চঙখিববু য়োইবু সীতা লাইরৈমদি মুংশি হকচাং ময়েং তা লোইদাম নিন্দুং থাগুম সীতা শকওং মচেৎ নাই, হকচাং মচু থাউ মুংশি চৈরোইননা লৈঙাম্ববু চেংলৌ শকউরবগী হনুমন্ত লৌশিংবনা লাপ্না পুরুমজখিয়ে।

অসাইঙৈগী রাবণ নিংথৌরেন্দি খোমলেন মংখৈননা সনা মাগী শঙ্গাইমুংদা মতৌ নিংখিদবা থৌরম ওন্থোকপবু উববগী লঙ্কেশ্বর লৈমাবদি সীতা চেংলৌ শকউনগে হায়না মশানৌ মন্দদরী অহেনবীগা ঙাইরোইননা রাবণ খোংশানলকপবু মদাই রেম লৈমা থম্বালমানবীশিংনা রাবণ মতুংইনগে হায়না খোম-লেন মংখৈননা হৌগৎনরকপবু তাংজা মশম মশেন কিশিনরবগী

মপু মনাই খঙনদা রাবণ মতুং অহেনবী নৈমা লেংফাই তুনা চিংথোক্লরোয়ে হায়দবরা।

রাবণ নিংথৌরেন্দি লৈওইননা সীতা লাইরৈমবু তানা চঙলক্লববু হনুমন্ত অকনবনা রাবণ নিংথৌরেনবু চেংলৌ শক উরবগী পায়মা উনগোইনুংদা নীঙখনখিয়ে। রাবণ নিংথৌরেম্না লাক্লিবা অসিবু সীতা লাইরৈমনা নুংশি পুক্লীং অচেৎপবু পীর-বদি ইবুঙো রামচন্দ্র নামুংবা বানর য়োংয়াম খোম্না রাবণ কানশোক্লগে হায়না মন্ত্রনা রাতানববু শীংলেন অরেম্বনে। সীতা লাইরৈমা সতি পুক্লীং লেপ্পীবু রাবণ পাঙ্গল খুৎঙমথিরবদি রাম খোংলোই পাউহনবনে খঙনবা পাঙ্গল ইতিক উৎনা রাবণ হকশাংলেন্দা ইমৈ থৌরি য়েৎনা হাইহৎকে সংসার পূয়মক্তা কোলোয় ইম্নিং থমগে। খোংলোই পাঙ্গল ইতিক উৎকে হায়না অস্তম নীঙখল্লবগা মহাবলী কায়বী অকনবদি অশোক বন ইংখোনলেনগী সীতা কংলৈ মশুম্নাংদা হৌবা কোরৌ ঙমথংনবগী পামেল উনা পুংবদা খ্বা ককয়োং অপিশাবু ওইনা সীতা মিৎয়েং শানখৈজনা শানথ্রপলে হায়য়ে।

রাবণ নিংথৌ হিংচাববু চঙলকলে হায়ববু সীতা লাইরৈ-মনা নাতারবগী লক্ষ্মী মরু লুক সীতা খোঙবী নৈখা য়েং শমু মখুৎ পুনপায়ননা ভয় অকিববু কোকৎমদনা চিন্তা হকশাং থম্না শোংকিয়ে হায়দবরা।

রাজা দশানন মকোক তরা পানবদি সীতা মাঙদা কম্না রাহমখিয়ে — হে সীতা লাইরৈমা-ও! য়ারা তুগুপ চুংনা শোংকিগুনো। দানব হিংচাবা কনা লাক্তে। মন্দদরী অহেন-

থীনচিংনা নদাইরেম মশেননে। করিগী সনা ফিরোই শেত্ত চাকচা অহাও করি চাদবনো? হকশাং নয়েং তাহনগুনো। রাবণ নিংথৌ ঐগী করি রাত্তেয়ে। শমু ইথুৎপাক্তগী পুরুষ নিপা করম্বনা লঙ্কা ইপুংয়াইগী কদৌরগদবনো। হে সীতা চন্দ্রমুখী নিংথিবী ও। হকশাং নব অনৌবী পুক্নীং মুংঙাইবা মিৎয়েংগী অথুপ্পবু রাবণ নিংথৌ ঐঙোন্দা কৎচবিয়ো। দেবকণ্ঠ শ্রী অয়াম্বগী মচা ইতু লিশিং অমবুস্নুঙ সীতা ননাই ওইহনগে হায়না অস্নুম পাউহম্ববু সীতা লাইরৈমনা পুক্নীং অকিববু কোক-থোক্তনা তাংজা মরু লুক সনা পুক্নীং তপ্পা পাউথুমখিয়ে।

হে রাবণ নিংথৌ ও। পুক্নীংগী অথাপ্পবু চিংশিন্না রাবণ নয়াথং হায়দোকলকপা অসিবু রামচন্দ্র কৌবা স্বামী ঐগী অরোইবদি পুরুষ নিপা অরিবনে। সীতা লাইরৈমা ঐস্নুঙ লক্ষ্মী শিদবী সংসার পুন্নমক্কী মমানে। সীতা ইহকশাং অসিস্নুঙ পলেম নমা মহাকনে। রাবণ নহকশাংস্নু পুত্র ইপারী নহাকনে। রারম অস্নম্বদি য়াথং অমরক হন্না রাহন্নগুনো হায়না পাউথুমখোনগী রাবণ নিংথৌদি য়াইবী কলহৌ নীক্না থাঙলেন লাময়াম্নরকপবু থাংলেন মথন্ননা মালেম লৈদা চোংথখিয়ে হায়দবরা।

য়োইবু সীতা লাইরৈমনা হে রাবণ হিংচাবা ও। ইবুঙো রামচন্দ্র থোইখোইবনা সমুদ্র লাইজ ইরেনপুংবু ফৈনা থিংনা রাবণ খুনঙমঙৈনে পাউথুম্নবগা হোইদা সীতা লাইরৈমা ও। রামচন্দ্র নামুংবদি নর পোংব-চানে। দানব হিংচাবা ঐগী রাবণ ইচিঙ্গাকপু ওইঙৈনে। চীংঙ রাম লক্ষ্মণ অনিমক্না ঐবু কদৌরগ বনো হায়না পাউথুম্নবদা য়োইবু সীতা লাইরৈমনা পাউথুমখিয়ে। হে রাবণ নিংথৌ। পাপী চণ্ডাল অমাংবা নংগা স্বামী কোবৌ

ইনোংথৌ লৈরোন নোংলোন অহুম্মক্কী মবুঙোগা হুয়েন লান-শোক্করবদি প্রাণ থরায় মাঙনা রাবণ শাগৈ তুমঙেনে। রাম সনা মথোংখাদহুম শমু থাংচপ্পনা মোক্ষ লান্নবহুম পুক্নমজক্ক ও হায়না অস্থম পাউথুম্নবদা রাবণ ক্রোধ কপ্পাউথোই সীতা খুৎঙমথীগে মুপী মুংশি মৃতিক খঙদনা সীতা নাক্তা চঙগে হায়না শমু মথোং হৌনা থোংকাপ রাংনা থাংলকপদা মশানৌ মন্দদরী অহেনবীনা: হে রাবণ স্বামী ইনোংথৌ ও। লঙ্কেশ্বর লৈমাবা ও! নংবু নহাল কুবের লৌশিংবনা নারী মুপী অহেনবী উনবী পুক্নীং লেপঙম্বীবু শমু খুৎঙমথীরবদি রাবণ থরায় মাঙ-ও। মুপী থৌজান মাঙওইননা পাউয়ারবদি রাবণ নতু ওইয়ো হায়না শাপ মীচৈরময়ে। সীতা লাইরৈমনা থৌজাল পুক্নীং পীদে। লক্ষ্মী খুৎঙম থীগনো হায়না খুরাং পকশিকোন খুৎচেং হংচি লাক্লা থৌথাম্নবগা হে বাক্ষস হিংচাবীশিং ও। সীতা লাই-রৈমনা রাবণ ঐঙোন্দা পাউথেম্নবু হোইয়াদরবদি সীতা শয়াং শেংনা রাক্ষস শারেন শাচানরো হায়রম্নবগা সনা মাগী শঙ্গাই-মুংদা চংখিরে হায়দববা?

সীতা লাইলোই ভাকপীশিংনা হে সীতা লাইরৈম ও রাবণ ইনিংথোনা সীতা নাক্তা চঙলকপবু পাউয়া ও। য়োইবু নংনা পাউয়াদববদি সীতা নশা চাগে হায়না পাউমেল্লিঙৈদা রাবণ নিংথৌ মচন স্থূর্পনখা হিংচাবী শমু মনাতোন লেনবী চেংলৌ শঙ্কোই থীরবীনা হে সীতা লাইরৈম ও। নশানৌ লক্ষ্মণ ফত্তবনা শমু ইনাতোন লেনথোকনোংগীদমক ইহু রাবণ নিংথৌরেম্না সীতা নমাং ফম্না পাউথেম্নবু পাউয়াদবা অসিগা পায়মা ইবুক-মুংদা নিংশিংলুরবদি সীতা নশা চাবমুঙ পেনলোইয়ে হায়না অস্থম রাহম্নবু মহাবলী পাঙ্গনবনা নাতুরবগীদমক রাক্ষস হিংচাবী

সীতা লানলোই ঙাকপী অসিশিংবু শমু খুদোন লাক্লা পামেল উকপাক্লা হাইহৎলগে হায়ববু পাযমা নিঙতেননা দেব লাইনা তমস্লনো হায়না চৈরংলে হায়যে। রাবণ নিংথৌ মচন অতোনবী ত্রিজটা অচুম্বীনা সীতা মফমলেন অশোক বন ইং খোমলেন মুংঙাইবদা চৎনা রাক্ষসী সীতা থৌগনবাশিংদা লোম্না নাপ্ল চীকথেম্লনা রাহমখিয়ে হে দানব হিংচাবীশিং ও! জনক নিংথৌ মমোমলোন সীতা লাইরৈমা অসিবু চীংঙু মতিক খঙদনা যাথং মীবাযববু নংনা হাইঙাইরেদে। ঙসি ঐগী খে ম্লেন মঙলানদান্দা রামচন্দ্র মদাইরেম নোংশিৎ নিংথৌ মপারী কোলোয় মমিংথোংদি হনুমন্ত-ও তৌনা কৌয়ে। চেংলৌ শকপানথোংদি খ্বা শক্লানৈয়ে। লঙ্কা ইপুং চংনা সীতা খোঙখুন খঙখিয়ে। অশোক বন ইংখোন মুংঙাইবসুঙ চাইখাইরগা ইহুরোইনাই অক্ষয়কুমার অথৌবসুঙ হনুমন্ত শমু মখুৎবাক্লা শিরময়ে। ইন্দ্রজিৎ অথৌবনা হুযেন লানশোক্লকুবদা হনুমন্ত চঙনা ফারকপবু ইহু রাবণ মকোক তরা পানবগী চিনবান কেইহৌ নিংথিবসুঙ খাম্বী মৈশুং থোক্লবগা লঙ্কা যুম্নুম হাঙদনা মৈবী তাঙ্গোই পাইনা খাম্বী মৈথাথোক্লম্বগা হনুমন্ত থিংলৌ নীংনা তেনা হলরাইখিরবগা খ্বা অয়াম্বনা সমুদ্র ফৈনা থিং রাম কোম্নং চঙনা ইহু রাবণ নিংথৌবেনবু হাৎখিয়ে। সীতা লাইবৈমা অসিসুঙ রাম নাক্লা থাখিববু মঙলময়ে। হে রক্ষস হিংচাবীশিং ও! প্রাণ থরায় নখোয়গী হিংগে হাযববদি যাথং নিংথিদববু পঙনা হায়গুনো সনা মথোংথাদতুম সেবা থৌগনজো ও হায়রবগা দানব হিংচাবীশিংনা শমু থাংচপ্লনা পুরুম্লবে হায়দবরা।

অসাইঙৈগী হনুমন্ত পাঙ্গনবদি পামেন উতোনথক্লা খ্বা ককয়োং অপিশাবু ওইনা শানথুম্লবু সীতা লাইরৈমনা নিৎয়োং

শানখৈরবগী পামেল উতোনথকী সীতা মখোংখাদা চোংথরক্লবগা শমু থাংচপ্পনা পুরুমজখিয়ে। নদাইরেম ঐদি ইবুঙো রাম নামুংবগী খোংলোয় পাউহনবনে হায়রবগা সীতা লাইরৈমনা খ্বা য়োংনাউ অপিশা ও। নবুংঙো রামচন্দ্র নামুংবদি সূর্যবংশ শাগৈ অথোইবা নাউয়েনবনে। নংদি খোইমা নারোনম্নুংগী পামেন উহৈ চাবনে। রারম করিগী খোংলোই পাউহনববু ওইরবনো হায়না পাউহংববু হোয়দা সীতা লাইরৈমা ও। ইবুঙো রাম লক্ষ্মণ অনিমক্লা ঠাকুরগী ইবেম্মা ও! নংগী সনা খোঙখুন লীরকয়ে। ঋষিমুখ মুংঙাইবদা নদাইরেম জম্বুবান সুগ্রীব নল নীল মদাইবেম হনুমন্ত ঐসুঙ য়াওনা ঐখোয় মঙামা লোয়ননা লৈঙম্বু লমওক্লরবগী লমলোই রাশক্লনা কিষ্কিন্ধ্যা ইনিংথৌ বালি মিংচৎপবু মাঙহল্লবগা মশানৌ সুগ্রীব লৌশিংবনা খ্বা য়োং নিংথৌবু ওক্লরবগা খ্বা লমলোই ওই অঙ্গদ নারা অপিশা যুবরাজনা হুয়েন লানগাচিংবা সমুদ্র লৈরাই চাংজৌথক্তা বানর তেঙ্গোল লিংলে। ইবুঙো রাম লক্ষ্মণ সুগ্রীব অহুম্মাদো ঋষিমুখ মুংঙাইবদা লৈরৌয়ে হায়না পাউতাক্লবদা তৌইগীদি ইবুঙো রামচন্দ্র থোইখোইবনা মশানৌ সীতা লাইরৈমা ঐবু লোইদাম থাবু শি লাংহৈ কুমবু ওন্না রাবণ মখুৎপাক্তা চনলবী শিংলেন ইচু থাউ লৈরাং ইরাক চাম্না নিন্দুং থাগুম মুংওন্নবী ঐবু ইবুঙো থৌজাল খঙনবা মতৌ করি খঙনববু তৌরকপনো হায়না পাউহংববু হনুমন্ত লৌশিংবনা হোয়দা হে সীতা লাইরৈমা ও শমু নখুৎতোনগী নোংপোক কোইচৌংশাং চম্পা লৈহাও মানবীদা থোম্নরম্বা সনা খুদোপ মুংচানবা ওইগী খুৎখৈ ওইবা রাম খুৎনাউতোন্দা থোম্নববু পীরকয়ে হায়না য়োইবু সীতা লাইরৈমদা শমু খুৎশিম্নানা থিনথোক্লবগী সীতা লাইরৈমনা শমু খুত্তা থুম ফৈরাতান্দা থোংনা খুদোপ মশক য়েংলবগা রামচন্দ্র মশক

উবগুমনা উরবগীদমক মুংশি হকশাং থনঙম্বীনিগীনা খুদোপ মশক য়েংনা অনৌবা মুংশি ঈহৌরক্লবগী সীতা মালেম লৈদা ওন্না মুংশি হনখৎঙমনা পাম্মু খোয়েক্লনা লাইজ ঈদা শিবগুম্ন প্রাণ থরাই তৎকে তৌগুম্না মিকপখিয়ে। হে সনা খুদোপ য়াইওইবা! নংবু লোইবা ইবুঙো রাম নোংশা খ্বাংনৌববু সীতা ফৈরা ইতম্বাক্তা লাকপবু ওইরম্নো। ইবুঙো স্থান মফম কদাইদগী চেংলৌ নশক উদনা সনা খুদোপ উরবনো? হকশাং মৈচাক থোইচিল্লকলে। সনা খুদোপ পাউনাইদববু পাউখুম্নকদবা মরম্মু পাউহংখিয়ে। নংবু লোইবা ইবুঙো শ্রীরাম নামুংবদি কোরৌ মুমিৎ কদৌনোং রাম চেংলৌ শকউননা মুংশি ইবিংঙাগী পাউমেন্নসে হায়বনো হায়না মীকপ্লবগা চীংঙ্ শমু মেন্নোং মখুৎথোনবু সনা খুৎখৈ য়েংববু শয়ায় তাঙ্গাউ শিগুম্না কোম্নবগীদমকপু হে হনুমন্ত লৌশিংব ও। নবুঙো রাম নামুংবগা শানৌ লক্ষ্মণ অহেনবগম্নঙ। তৌইগুম হরাও পুক্লীং চঙনা লৈজরিবরা হায়না পাউহংববু সীতা হনুমন্ত খুদোপ য়েংনা মিকপ্নববু রাক্ষস হিংচাবীশিংনা নাতাগনি হায়না লোম্না মিকপ্নরবদা হনুমন্ত পাঙ্গনব ও! রাবণ নিংথোরেম্না য়িম্নক নাইফাবীগুম্না থম্লিবী ঐবু হোরেন য়োইমখ্বাইনা খেনগারক্লবদা স্বামী কোরৌ ইনোংথৌ রামচন্দ্র অহেনববু চেংলৌ শকউনগবরা হায়না পাউহংববু ইমা সীতা লাইরৈমা ও। ইবুঙো চেংলৌ শকউনসে হায়রবদি নদাইরেম ঐগী শমু নমদা পোনা সমুদ্র কান্না চোংনববু শংলৌ থোরাংলগে হায়না পাউমেনববু সীতা লাইরৈমনা পাউখুমখিয়ে। হোয়দা পারী হনুমন্ত। সমুদ্র ঈশম থৌবও। সনা লঙ্কা য়ুমজংথোবা নংবু শাস্তু পুক্লীং তপ্নৌ ও। লাহল পঞ্চবতি মুংঙাইবদগী রাবণ নিংথৌ হিংচাবনা হুরকয়ে। নংম্নঙ চুরা হুরাস্তাম্না পুজেমগে হায়বরা? রাম কোলোয় মিংলেন থিবনা ফত্তে হায়রবগা

পারী নংবু হৈরাং নিংথিবা রস অথুম্ববু পুখিও। হৈরাংচাদি, নবুংঙো রামজী নামুংবদা লমওক্লরুও। তাউজিং হৈপুম অমতদি শানৌ লক্ষ্মণ অহেনবদা পি-ও! হৈরাং অনিদংদি সুগ্রীব অঙ্গদ অনিমক্তা পিরু ও। তাউজিং হৈপুম অসিমত্তংদি পারী নং চাখি ও। রস অথুম্বা অসিবু ইন্দ্র সরারেম্না পিজবা হৈনে হায়না রাহম্লবগা য়োইবু সনা চিনবানথোংদা রাম রাম শোননা বিদায় য়াথং পিরবদা হনুমন্ত অকনবদি সীতা পুরুপ্ললমবগা হৈরাং খুত্তা-শু, রাম সনা মখোংথাবু য়িন্দানগে হায়না থিংলৌ নীঙনা তেনা লঙ্কা কোন্নুং চোংথোকলক্লবদা অসাইঙৈগী হনুমন্ত শরুক তম্লকপা রস অথুম্বা তাউজিং হৈপুম্বাহুবু হৈরাং মশাশেংনা চারবগীদমক রস মতিক খঙলবগী হৈরাং চিনহাউ থিনা তাউজিং অমরক চানিংহৌরবগী লক্ষ্মণ সুগ্রীব অঙ্গদ অহুমক্কী তাউজিং হৈপুম অহুম্মকুম্বঙ চাশিল্লে। হনুমন্ত তাউজিং হৈপাম্বদি হৈরাং থোইনা চানিংলবগী রাম সনা মখোংথাদা লমওক্লৌ ও হায়না পুরকপা সীতা মেননোং মথুংথোন তাউজিং হৈপুম অহুম্মকসুঙ হৈরাং খুত্তা পায়না চীংশু সনা মখোংথাদা লাপ্না পুরুমজখিয়ে। হে প্রভু ইবুংঙো তাউজিং নংগী শরুকতম্বা চীংশু প্রসাদ অথোইববু খুঞ্জরগে হায়না চাশিল্লে হায়দবরা? মহাবলী পাঙ্গনবদি অমরক সীতা সনা মখোংথাদা চংখিয়ে হায়য়ে। হে ইমা সীতা লাইরৈম ও! ইবুংঙো রামচন্দ্র লক্ষ্মণ সুগ্রীব অঙ্গদ মরিমক্তা লমওক্লরু ও হায়না পুখিনবু রস অথুম্বা অহুবু তাউজিং মনম তানা চানিংলবগীদমকপু হৈরাং ঙম্না চাশিল্লে। হয়েং লঙ্কা মপুংতাক্লা পন্থেংলরবদা তাউজিং মফম খঙদনা মাঙলগনি। থারিবা মফম কদাইরমদা পাল্লিবনো খঙজেমগে। হয়েং ইবুংঙো রাম নামুংবনা লঙ্কা কোন্নুং চঙবা খোংলোয় পাউহনবা নংনা হান্না খঙমঙৈনে হায়না তাথি ঙম্মগনি তাউজিং মফম তাকপিরো

হায়রবগা য়োইবু সীতা লাইরৈমনা ঐসুঙ তাউজিং মফম খঙদে। রাক্ষস হিংচাবীনা হায়নবদি মাইকৈ অৱাং পাংবরমদা পাল্লিয়ে হায়য়ে। দানব হিংচাবা লিশিংনা ঙাক্লি হায়য়ে হায়না অসুম পাউতাক্লবগা হনুমন্ত লঙ্কা লমওনবদি অদিতা লম্বোইববু লায়না শানা শম্লাং জটা পু তাংজা মশম ঙাং য়ুবী খুজাই খুত্তা শুনা খোংকাপ তপ্পা থাং সনা চৈশু পালোইননা তিলক মঙাননাই হনু ময়াই কাববু ওইনা চংখিববু দানব হৈশংববু য়ৌরবগা য়াৱা খোঞ্জেল লাউনা হে দানব হৈশঙবশিং ও! তাউজিং হৈপুম অমতংবু হৈপিজৌ ও হায়না নিজববু দানব হিংচাবশিংনা হে ব্রাহ্মণ হনু ময়াই কাব ও! রাবণ ইনিংথৌগী হৈনে। হৈরাং পঙনা চাফরোইয়ে হায়না শয়েং পালবু লাক্পা চিং-থোকঙম্নবগীবু খ্বা হৈচানিংবদি তাংজা ইকাই লৈতনা য়াংলৌ লমথাংমা য়ৌরক্লবদা দানব হিংচাবশিংবু হেরা থৌওইদনা নাং-লক্লবগীদমক ইন্দ্র সরারেনগী মদাইরেম মরকত তাউজিং হৈশংবগী চেংলৌ মশক ওইনা চংখিববু অসাইঙৈগী হৈরাং উতোনথক্কী চেক্লা অয়াম্বসুঙ পোম্বী য়োন্দম পাইনা শোংকিনৈয়ে হায়য়ে।

হনুমন্ত অথৌবনা হে রাক্ষস হিংচাবশিং ও; উখোং নংখোয়না শঙলেন লানচুম কাঙম্বা অসিবু করিনো হায়না পাউহংববু হোইদা রাবণ নিংথৌরেনগী তাজিং হৈবু শঙয়ে হায়না পাউখুমঙম্ববু তৌইগীদি ঐসুঙ ইন্দ্র সবারেনগী তাউজিং হৈশঙবনে। দানব নখোয়বু তরা চাকা চাদরবদি চাক্লুমল্লু ও! মরকত ঐগীদমকসুঙ তরা চাকয়োম পিরক ও। তাউজিং হৈবু শঙঙমগে হায়রবগীদমক দানব হিংচাবশিংদি ফৈয়ে ফৈয়ে হায়না তরা চাক্লুমখিরে হায়দবরা। হনুমন্ত হৈপাম্বদি তাউজিং হৈ চানিংববু শরুক তরা থোইনা সাগর ইরেনপুংদা তর্পণ সন্ধ্যা

তৌনা রাম মাইকৈ লমদম য়েংনা হে প্রভু ইবুঙো ও ইন্দ্র সরারেনগী তাউজিং মখুৎথা রাবণ নিংথৌরেনগী হৈরাং মনাউ-য়োক-হৈ অসিবু চীংঙু, সনা নখোংথাদা তাউজিং হৈ কংচরবনে। চীংঙু নংগী প্রসাদ অথোইববু থ্বা ইপুক থুংনা খুঞ্জরগে হায়না রাকংলবগা হনুমন্ত অথোবদি বানর মথি নাই, তাউজিং হৈপান কোয়না তেৎনৌ শারং শীববু লৌথোক্লবগা সমুদ্র ঈরেনমুংদা হুন্দরে হায়রে। হৈপান খুৎনা নীক্লা থ্বা ময়া কা তাউজিং অশং অমম থাক্তনা কেল্লকপবু বানর য়াখোং থুম্না চারববু উনবী কল্লক পেন্দরবগীবু হৈরাং মশা চীক্লা তাউজিং মনা শায়-বসু থ্বা মপুক থন্দরবগী হৈরাং উপান ফুক্লা পামেন উচুক উরা অনৌববু খাক্তনা চারবগা থ্বা ককয়োং অপিশাবু ওইনা তলা উচুংথক্তা হেরা থোঙইদনা মখোং কারন্নরা ফমফমলে হায়দবরা। অসাইতৈগী দানব চাকুমখিবশিংসুঙ উখোং মখোয়গী শঙলেন লালুপ কারক্লবদা তাউজিং মমৈ মকোক ওন্ননা য়ুংঙম্ববু উরব-গীদমক দানব খবাই মমিরেনবু মিরেন নোংদা কানা রাহম্নখিয়ে। হে দানব ইপাচাশিং ও অসাইতৈগী ইন্দ্র সরারেনগী হৈশঙবা মরকত কৌবা অত্তুবু থি ও হায়না পাউমেন্নরকপবু হনুমন্ত পাঙ্গন মপাতাম্বনা দানব শকউহন্দনা পাউমেল্লকয়ে। হে দানব হিংচাবশিং ও! ঐদি করিগী ইন্দ্র সরারেনগী হৈশঙবা মরকত কৌববু কারিনরুগবানা। নপা পোকপা নপুরোইগী মবুংঙোনে। ঐবু চেংলৌ শকউনিঙলবদি মালেম লয়দা পক্লা পুরুম ও হায়না রাহম্নবদা রাক্ষস হিংচাবা পুম্নমদি মালেম লয়দা ভুনা পুরুম্নবগা হনুমন্ত চেংলৌ মশক উহল্লে দানব হিংচাবশিংনা থ্বা ককয়োং অপিশানে হায়না পামেন উত্তুপ কাংদন শুনা হনুমন্ত শমু মহকশাংদা য়েরুববু কায়বী হনুমন্ত পাঙনবদি চেংলৌ মমিং উইনা তুমশিন্নখিয়ে হায়দবরা। হনুমন্ত শমু মমৈতোনবু য়ুথক

তরা কুইহল্লবগা দানব হিংচাবশিংগী শমু খ্বাংদা য়েৎ, য়োংলেন মৈরু কাংফেৎ হাইমরক্না সমুদ্র ঈরেনচুংদা রাক্ষস লিশিং অমবু শমু খুদোন লাক্না হুন্থরে। দানব থরাই হিংলোবা অজয় হিংচাবনা হনুমন্ত মমাংলেপ তেনকাপ নোংজুননা কাপ্লকপবু হনুমন্ত লঙ্কা লমওনবা তাউজিং হৈপাম্বনা পামেন কাংদেন হাইনা শোক্লরবদা মহাবলী পাঙ্গনবনা দানব হিংচাববু খুৎতুম কিনজাউ থিন লীরুং খুৎশু মুন্না পামেন উরুপাক্না হাইহৎলে। হনুমন্ত অথোবদি পামেন উচুংথক্তা হেরা থৌওইদনা ফমফমে হায়দবরা। দানব হিংচাবশিংনা রাবণ মনিংথোদা শমু থাংচপ্পনা রাকৎচথিয়ে। রাবণ ঈনিংথৌও। খ্বা শাথিবা য়োংনাউ অপিশা অমনা তাউজীং ইংথোনলেনবু চাইখাইররে। নদাইরেম অজয় হিংচাবনচিংনা লাম্মী লিশিং অমবুসুঙ সমুদ্র ঈরেনপুংদা নোংমলহল্লে হায়না রাহমখোনগী রাবণ য়াইবী কলহৌনীক্না রাহমখিয়ে।

তাউজিং ঐগী ইংথোললেনবু চাইখায়রবদি ইপারী অক্ষয়কুমার অথোবা, কিঙ্করাক্ষর অকনবা, সামন্তক্ষর অয়াঙবা, জম্বুমারী অথৌবা নংথোয় মরিমক্না হুয়েন লানগাচিংনা দানব লাম্মী থিঙমদনা হুয়েন লালশোক্লরু ও হায়না ফিরোই পিল্লবদা মপারী অক্ষয়কুমার অথৌবনা সেনাপতি হুয়েন লানকাচিংনা লালশোক খুৎশু-রাত্ত রাংলেন পুংজাউ খিননা ইনশিল্লকলে। হনুমন্ত অথোবদি হেরা থৌওইদনা পামেন উচুংথক্তা মদোম ফমফমলিয়ে হায়দবরা। রাবণ নিংথৌ মপারী সামন্তক্ষর অথৌবনা লীরী তেনগা থোংনা কাপ্লকপবু অমর শিন্দবা মহাবলী অথৌবনা পাঙ্গন থৌওইদনা মুঙলেন য়ুথক তরা পাকপবু চেংলৌ

মিৎলম খনঙম্ববু হনুমন্ত শমু খুৎতা শুনা পুন্নুং চেগাই লংশুম্না হনখিববু সামন্তক্ষর অথৌবগী মুংশুক মখুৎ-শুনা শৃঙ্গ অজিংডাদা শুথাইযে। হনুমন্ত যাইবী কলহৌনীক্না লীরুং খুৎশু মুন্না হুলাই মখুৎনেৎতগী তাউজিং হৈরুপোপ কাউশুম কাউথরবগী মালেম লযদা তুনা নোংমললে। কিঙ্করাক্ষব অথৌবনা লাংগোই শারু তোংনা শোক্লববু হনুমন্ত অকনবনা লাংগোই শায়া অনিমকপু শম খুৎনাপায মপন বাবণ নিংথৌরেনগী সনা যোইকোনমুংগীদা হনজিল্ল। লাংগোই শাযা শংথাক্লবনা কিঙ্কবাক্ষব অথৌবগী তাংজা লুপবনতোন্দা যৈকববু শিবিদরবগী শমু খুৎনা লাক তাংজা মকুতোনবু লৈথৎলবদা জম্বুমালি হিংচাবনা রাযরা তেন-বাইবকপবু কাযবী হনুমন্ত শমু মাহকশাংদা তেনবান চৈথা লুম্না পাল্লনগী বক্ল ঈডাংথোকপবু চেংলৌ মিৎথিৎলবগী যাব্রা থোনজেল লাউ খ্বা যোং পাখং শিবে হাযনা দানব লাল্লাউরকপবু হনুমন্ত লৌশিংবনা নোংশিং পোৎলুম পী, কোববী ঙমথং চোংনা দানব হিংচাবা জম্বুমালি তাংজা মকুতোনবু খুৎতুম চৈথা অমবক্লা নোংমলহল্লে। মশাবী অক্ষযকুমাব অথৌবনা থাংশাং খুত্তা শুনা হনুমন্ত লালশোক মাইযোক যাঙম্ববু থাংশাং খুৎশু মুন্না তবাল থাংহাই অমরক্লা লাংবন কৌজেং হাইগুম্না হাইগৎলবগী হনুমন্ত কাউগা কাউ থোংলেন চোংতুম চোংনা রাক্ষস লালযাম শিহল্লবদা অসাইডৈগী পামেন উচুংথক্লা খ্বা ককয়োং অপিশাবু ওইনা ফমফমলে হাযদববা। রাবণ নিংথৌ মপারী অক্ষযকুমাব অথৌবনাচিংনা নোংমল্লে হায়ববু নাতাববগী মপন রাবণ নিং-থৌরেন্দি পিরেম খকমাতানা মপাবী ইন্দ্রজিৎ অহনবদা রাহম-খিয়ে। পারী লাংলেন কোযাং বাপিহল-ও। নশানৌ অক্ষয়-কুমার অথৌবনচিংনা খ্বা লালশোকনহনববু য়োংলেন মখুৎপাক্লা নোংমল্লে। পাব্রী নংবু হুয়েল লালশোক্লক-ও হায়না লালপোং

ফিরোই পিনা দানব লাম্মী থিঙমদা, শগোল শামু অস্ত্র খুত্তা থুম্মা পীরবগা ইন্দ্রজিৎ অথৌবদি সনাতুলাই তোংনা যাত্রা খোং-শানলকলে। দানব লাম্মী অয়াম্বনা খ্বা হাংলো। ককয়োং তাল ও হায়না খোনজেল নোংদা কানা হুয়েল লালহৌরকপবু হন্নুমন্ত লৌশিংবনা হেন্না থৌওইদনা নাতাখিয়ে হায়দবন্না। ইন্দ্রজিৎ অথৌববুদি দানব লাল্লম শীন খ্বা পুম্নাকোয় য়োংলেন লালথোং ফুম্না তেনগা থোং সন্ধান পান্দম য়েংনা রায়রা তেম্বা অমরক্কা তেনবী তন্না কাপ্লকপবু হন্নুমন্ত শমু মহকশাংদা রায়রা তেনবাল্লবগী কঞ্জাওগী মৈরা থোক, পাঙ্গন মতিক উৎ কোরৌ ঙমথং চোং ইন্দ্রজিৎ লুরাক্কনা হুলাই মখুৎনেৎতা চোংশিনখিরবগা ইন্দ্রজিৎ অথৌবগী লীরুং মুম্না লিরী থোংজি থৎ, হন্নুমন্ত শরাই চাউ, ইন্দ্রজিৎ চুবা নাহুম তন্না লীরুং লুম্না চৈথারবগা থম্মোই অথিবদা খুৎতুম নোংশিংজংগুম্বনা থম্মোই চৈথারবগা সনা হুলাইথক্তগী মালেম লয়দা তা তাংজা কোকয়ি কানা লৈরম-লুবদগী ইন্দ্রজিৎ হুয়েল লাম্নিংশিংনা খোইমোম ব্রহ্মা নামুংববু ধ্যাণ পুক্লীং লেপ্পা নীঙজরবগা তাংজা লিলা তেন অথৌববু রায়রা তেম্নিরবদা লিরী তেনগা থোং শীচীং নাকোং ফংনা কাপ্লক্লবগীদমক্কী নোংশিং নিংথৌ মপারী হন্নুমন্ত পাঙ্গনববু লিলা থৌরী য়েংনা পুল্লবগী হন্নুমন্ত হকচাউ পাঙ্গন মথৈ ফং, য়ুথক চামা চাউখৎলবগা লিলা য়াংলি তৎকে তৌগুম্লবদা শমু খুৎ তোনবী মরম পিক্কা হপ্পিল্লবগা লিলা মথম্না থৌরী ঙংকোই কৈশা তাগুম্না মালেম লায়দা তাহল্লবগী ইন্দ্রজিৎ অথৌবনা শমু থাংচপ্পনা রাহমজখিয়ে। হে নোংশিং নিংথৌ মপারী! হন্নুমন্ত পাঙ্গনব ও তাইবং নোংশাপান অসিদা লালশোক ঐগী ইমাঙ থাঙবদি সংসার পুম্নমদা য়াউদবা ঐবু কোনলোই ইমিং থীরে। ইপন রাবণ মাঙদা য়াথং ঐনা রাশক্লকপবু তাংজা

ইকাইয়ে। হনুমন্ত লঙ্কা য়ুমজং থোবা নংবু হুয়েন লালশোকওম্বা ওইনা ইপন্ন রাবণ মাঙদা চৎচেন্নী ও হায়না য়াথং অনৌবনা রাহন্নবগী হনুমন্ত লৌশিংবনা পায়মা উনগোইনুংদা নিংথনথিয়ে। ঐনা লালক্কন কল্লক থোক্লবগা থোইমোম ব্রহ্মা থোইথোইবগী চীংজ্ঞ মরনকুবু মাঙলগনে হায়না নীংথল্লবগা লিলা থৌরী খুন্না মহাবলী শমু মহকশাংদা অমরক লিলাং থৌরী ঙংগোই হুক-চিল্লবগা হনুমন্ত পাঙ্গনবনু দানব লাম্মী অয়াম্বনা হীরী পামজিং থৌবনু ঙমদরবগী হনুমন্ত লৌশিংবনা হে রাবণ নিংথৌ মপারী ইন্দ্রজিৎ অহনব ও! খ্বা ঐবু হুক্লচাউ য়োংলেন অচাউ পাইবু লোনয়ে। দানব লাম্মী থিঙমদনা হাপহৌ ও। ইন্দ্রজিৎ নংনদি সনা তুলাই তোংনা চাউনা চৎলে। রামদাস খুৎকা নাই ঐবুদি শমু খোংনা চৎহনবা অসিবু তাংজা ইকাইদবরা। নপন রাবণ নিংথৌরেনগী কুমৈ লৈতেং পোৎ নিংথিবা সামগ্রী মশীং শুবনু হনুমন্ত পাঙ্গনবা ঐগী শমু মাঙদা চৎহনও ইন্দ্রজিৎ অথৌবা নংদি হীবী খোংদোন লংনা দানব লাম্মী অয়াম্বা শমু খোংনা চৎ-লবত্তম হনুমন্ত ইখোং লেংঙনে হায়না রাহন্নবদা ইন্দ্রজিৎ অথৌ-বনা হীরী খোংদোন লং শমু খোংনা চৎনা ধ্বজ ফিরাল খানবনু মশীং থিঙমদ, হনুমন্ত য়োংলেন হকশাং অচৌবদা সনা সেকপিন থান রাংলেন পুজাউ য়ৈবনু কোটি মপৈ ছুমফুতরা শু পেরে শানৈ খোংবা মন্দিলা কর্তাল থিঙবনু লিশিং মরিফু শু বীণা যন্ত্র খেংবনু লিশিং তরা খোং শঙ্খ শরিক খিংবনু কোটি মশীং মরিফুতরা শু হনুমন্ত মমাং মতুং মনিল নাইরবদা মহাবলী পাঙ্গনবদি খেপা হরাউ থোইনা হকশাং চিংলেন পলংলাঙম্না নৃত্য জগোই শা লঙ্কা খুনয়াই নীন্না চৎচেন্নবগা রাবণ নিংথৌ মাঙদা বাইখুংলবগা রাজা দশাননবু খুরা উৎফুল উৎনা কমকম্নবগা [illegible] ফকনরশিংনা হে বানর যোংনাউপঙ্ক অপঙব ও! নিংথৌ

সনা মখোংখাদা খুয়া উৎফুল উৎনা ফমহৈদবনে শমু নখোং কোনশিললো হায়না পাউমেনববু হোয়দা দানব হিংচাবশিং ও। ঐদি খোয়মা নারোনমুংগী পামেন উহৈ চাবা নিংথৌ নাক্তা খন্দবনিগীনা খ্বা ফমফম হৈদে হায়না অনৌবহুম শমু মখোং অমিমকপু খোংকাওননা ফমফমখিয়ে হায়দবরা। রাবণ নিংথৌরেম্মা হে ইমান প্রহস্ত লৌশিংবা নংবু বানর করিগী লঙ্কা কোমুং চঙলকপনো পাওহং ও হায়রবদা প্রহস্ত লৌশিংবনা বানর য়োং পাখং ও! নংবু কনানো পাউহংববু হনুমন্ত পাঙ্গনবনা হে দানব হিংচাবা নংগুম্বনা পাউহংবদি পাউখুমলোইয়ে! নপা পোকপা নপুরেনগী মবুঙোনে। রাবণ নিংথৌ মকোক তরা পানবনা পাউহংলত্নুম নিংথৌ চিন্নংনা পাউখুমহৈঙনে হায়না পাউখুমলবদা রাবণ দশাননা হে খোয়মা নারোনমুংগী পামেন উহৈ চাবা কন্দয়োং অপিশা নংবু কনানো। কোলোই নমিংথোংসুং কঁরি কৌবনো হায়না পাউহংববু হনুমন্ত লৌশিংবনা হোয়দা হে রাবণ নিংথৌ হুরানবা! মুর্খ অপঙবা পামেন উমু চাকথেকথাকুম্ব ও! ঐদি চীংঙু রামচন্দ্র নামুংবগী দাস খুৎফানাই রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেনগী খোংলোই পাউহনবনে। মহাবলী লৌশিং ইপুং ফাবা নোংশিৎ নিংথৌ মপারী হনুমন্ত পাঙ্গলব ও তৌনা কৌয়ে। রাবণ লানশোক্লা লঙ্কা নপুং তাক্লা পম্লোংগে হায়বগী সমুদ্র কাম্না চোং লঙ্কা খুনয়াই চঙনা লমদল্লবনে অম্ভুম পাউখুমবগা তৌইগীদি সমুদ্র য়ুথক চাম্মা পাকপবু লৈরাই চাংজৌ লৈতে ফুলাই রথ করম্বু তোংনা লানলকপগে হায়না পাউহংববু হোয়দা রাবণ নিংথৌরেন ও! সমুদ্র লাইজ ঈরেনপুংদি কাওরেন ষণ খোংগুনমরম্ম ওইনা লানলকয়ে। সনা লঙ্কা নপুংয়াইবু ফুক্লা পুগে হায়না লাকয়ে। অম্ভুম পাউখুম্নবদা হে বানর চেংলৌ শকোই থীবা খ্বা য়োংনাউপঙ পামেন উহৈ চাব ও। নিমিকী

মীনাইনদি য়াথং মরাঙ কায়না করি পাউখুম্নবনো হায়না রাবণ য়াইবী কলহৌ নীক্লা নাতারিবঁ হনুমান লৌশিংবনা হে রাবণ নিংথৌরেন ও! চীংঙ্ সীতাবীগা নারী মুপী অয়াম্বীগা মান্নবরা লাঙ্গোই ঐরাবত অঙৌবগা শামু অয়াম্বগা মান্নবা ওইনা নীংব ও। উচ্চৈশ্রবা কোরৌ নোংশাকোনগা শগোল অয়াম্বগা মান্নবা হায়বরা। নমু পোংবচাদি নমু মী মতোন অতোনবনে। হে রাবণ হিংচাব ও! নংগুম্বদি ইবুঙো রামচন্দ্র নামুংববু নমু মীবু ওইনা নীংলবদি অসি কোরৌ মুমিৎমানা রাবণ থরায় মাঙনা সনা লঙ্কা লৈবাক তাক্লবঁনে। তৌইগুম নংবু হুয়েন লানশোক্লগে হায়বগী ইবুঙো রামচন্দ্র নামুংবদি সমুদ্র ঈরাংমদা খ্বা লমংলাই ওই বানর তেঙ্গোন লিংনা নংবু প্রাণ থরাই মাংহনগে হায়বগী সংকল্প রাশক্লরোরে। অমুম রাহম্লবগা রাবণ য়াইবী কলহৌ নীক্লা হে বানর লঙ্কা লমওল্লবা নংবু হৌজিক চেংলৌ মিৎকুপ্‌মরমদা থাংশাং ইখুৎশুনা য়ানহৎকে হায়না রাহম্লকপবু হনুমন্ত অথৌবনা রাবণবু হেরা থৌওইদনা পাউখুমখিয়ে। হে রাবণ হিংচাবা দানব লমহুইমানবা নংনা হনুমান নোংশা অথৌবা ঐগী শমু ইমাঙ লেপ্পা নারাংজবদি কুরাউগুম মচি কাদবা শিংলেন তেরা পানগুম্বনে। নংবু ঐনা নীঙলবদি মমিৎ কুনমকপু কোরি থোক কঞ্জাউ মখৈ লৈতনা তরান থাংশাং খুত্তা শুনা সনা সিংহাসন্দগী শমু মখোং হোরকপবু দানব হিংচাবশিংনা হনুমন্ত কোয়না লেপ্লবদা মশানৌ বিভীষণ শান্ত পুক্লীং তপ্পনা শাবী রাবণ নিংথৌ ও রাম খোঙলোই পাউহনবা অসিবু প্রাণ থরায় হাৎলবগা খোংলোই থরায় হাৎপা মিংবু সংসার পুম্নমদা রাবণ মিংলেন থিনরগনে। খোংলোই করিগী লানশোক্লগদববু লৈতে হায়না থৌখাম্লবদা। রাবণ নিংথৌরেম্না তৌইগীদি খ্বা মমৈতোন্দা খাম্বী মৈগা থানা হাৎনরো

হায়না রাহুমকপবু হনুমন্ত পাঙ্গনবনা হে রাবণ নিংথৌরেন ও বানর ইমৈতোন্দা খাম্বী মৈগা থাবদি শিবিরোইয়ে। সমুদ্র লৈগোই অকুপ্পবু লৌরুরগা হনুমান ইপুক থন্না শুকমু লৈতম ফেম্না শুজিন ও। পাশোৎ ফিশাং য়েৎ নেমদা খামেন চপ্পা য়াউনা ঘী হকচাং পুম্না লুপ্পবতুম খাম্বী মৈচাকঙৈনে। য়োংলেন মতৌ কমবু লৈতনা চাকহৎনবু রাবণ নমিৎ কুনমক্তা খ্বা মীশিং কত্তববু উঙৈনে হায়রবদা। লঙ্কা অয়াম্বনা সমুদ্র লৈগোই লৌরুরগা হনুমন্ত মপুক অচৌববু থন্না শুজিল্লে। পাশোৎ খামেন চপ্পা য়াউনা হকশাং পুম্না য়োম্লবদা ঘী থাউখু মহৈ শমু তুংবুন্ননা হনুমন্ত শমু মমৈতোন্দা খাম্বী মৈ থ রবগা দানব ছিরি পাংনা হনুমান মকেক চিংলিঙৈদা হনুমন্ত ময়া নিংশা কাম খোক্লকপগী লৈঙোইনা রাবণ মমিৎ কুনমকপপু ফুল্লে, দ নব লাম্বী অয়াম্বসুঙ রাক্ষস মমিৎ ফুন্না কামশিল্লে। খ্বা মমৈতেন খাম্বী মৈচাকপনা যোংবু মৈতোন হাইবনা রাবণ চিনবান কোইহৌ নিংখিবদা খাম্বী মৈশুৎ থোক্লবগী সনা সিংহাসন্দা মচীন মৈচাক খাংঙমদবগীদমক শমু মখোং হৌ থরাই নোংদা কা সিংহাসন ফানখ্লোং কোয়না খাম্বী মৈশা লাংহৌরে হায়যে।

হনুমন্ত অথৌবদি লঙ্কা খুনয়াই খায় মতুং শরিক থাং গৃহ য়ুমুম চঙনা খুনগোইনববু য়োইবু সীতা লাইরমনা নাতারবগীদমক চকমোম খাম্বী মৈরৈমা ও। ইপারী হনুমন্ত অশিশা শমু মহিকশাংবু চাকহনবীগুনো হায়না রাহুমবগা চকমোম মৈরৈমনা হনুমন্ত শমু মহিকশাংবু চাকহন্দরে হায়দবরা। কায়বী হনুমন্ত পাঙ্গনবদি হকশাং লীকি থৌরী য়েৎপবু কো-হল্লবগা ছইরি মতম মান্না লঙ্কা পন্দোনথক্তা চোংখৎলবগা হকশাং মুথক তরা চাউখৎলবগা মপন নোংশিৎ নিংথৌদা রাহমখিায় । নদাইরেম

নোংশিং নিফুহুমদোইমকপু থৌশীবি ও। খাম্বী মৈগা থা-নগে হায়বগা চেংলৌ মিৎকুপ মরমদা নোংশিং নিফুহুমদোইমকপু লাকলে হায়রে। মৈবী থিনকাম্না হনুমন্ত মথি নাই লঙ্কা য়ুম্মুম হাঙদনা দ্বার মথোংজিন্দগী হৌনা চকমোম খাম্বী মৈগা থানা নোংশিং মরাঙ হৌ লঙ্কা য়ুম্মুম চাকহল্লবগী শগোল শামু মৈদা চাক মুপী থম্বাল মানবী চেংলৌ শক্না হেনবীবু খাম্বী মৈচেন ঙমদনা হকশাং কোঙ্গাই চাক মচা মরা খঙনদা মবেন মগু উনদ নাহা-মুবী হমু-হনবা খাক্তনা পুম্না চাক্লে। খাম্বী মৈচেন থোকপা দানব হিংচাবা কোঙ্গাইদি পুখরি ঈশিংমুংদা থৌহু মুংলেন য়িমদা লোংলৌবসুঙ যাউরে হায়দবরা। কুম্ভকর্ণ হক-চাউবগী য়িমগা বিভীষণ সনা সঙ্গাইদগা খাম্বী মৈচাকলোদে হাযয়ে। লঙ্কা খাম্বী মৈচাক্লবগী হনুমন্তবু পায়মা উনগোইমুংদা নীঙখনখিযে। ইমা সীতা লাইরৈমসুঙ চাক্লরিংনে। লঙ্কা সনা পন্দোম্হল্লা পিরেম খকমাতানা মিকপলিঙৈ মপন নোংশিং নিং-থৌনা পাবী হনুমন্ত অকনব ও। নমা সীতা লাইরৈমা ঠাকুরাণী ইবেম্মা স্বামীজী মনোংথৌ রাম নামুংববু ব্রত তরা চাহেনবগুম নীঙজরিবীনিগীনা খাম্বী মৈচাক লোদে। পিরেম খকমাতানা মিকপল্লগুনো হায়না থৌখাম্লবগা সীতা সনা মখোংখাদা হনুমন্ত মানবী খুৎতপ্না ইমা সীতা লাইরৈমা ও খ্বা ইমৈতোন্দা খাম্বী মৈশা লাংনা চাকশিল্লকপা অসিবু কবম মুৎশিবনো হায়না পাউহংববু পারী চিনগোই নয়াথংগী অমৃত অথুম্বনা তিলাং হাইশিংননা মুৎহল ও হাযরবগা খাম্বী মৈমুৎহল্লে। সীতা লাইরৈমানা রাহমখিয়ে পারী হনুমন্ত! লঙ্কা মৈগু থৌবা নংনা থিংলৌ নীংনা তেনা হলরাইখিরবদা ঐবু লোইবা ইবুঙো রামচন্দ্র নামুংবদি কোরৌ মুমিং কয়ানি লোইদাম থাবুম করম্বনা রাবণ থরায় লৌনা চংলৌ কন্দোনোংদা শকউনসে হায়বনো

হায়না মিকপ্লবদা। হে ইমা সীতা লাইরৈমা! সনা নখোংখাগী সমুদ্র কান্না চোংনা রামচন্দ্র সনা মখোংখাদা রাইথুংলুরবগা হয়েং লোইদাম থামাবিদা সমুদ্র ফৈনা থিং লঙ্কা মপুং তাক্লা রাবণ থবাই মাঙনা পনথেংলরবগী সময মতম অতুগুম্বদা ইবুঙো চেংলৌ শকউনঙেনে। নশাবী রামচন্দ্র থোইখোইবনা সীতা সনা নখোংথা য়োৱময়ে হায়ববু তাঙনা খঙনবা যোইবু শমু নখুৎথোনবু করি থোনগবনো হায়রবগা সীতা লাইরৈমনা মণি লিক্লাংচানববু লমওক্কুরু ও হায়রবগা মণি খুৎথোল পিথোক্লবদা হনুমন্ত লৌশিংবনা সীতা লাইরৈমবু পুরুম্নবগা লঙ্কা পনউ য়ুথক মরিফু য়েংনা রাহমথিয়ে। রাবণ মকোক তরা পানবনা অহঙ্কার আপল রাংজবদি থাম্বী ঐনা মৈথাথোকপা কোরৌ মুমিং তরেংনি শুনা চকমোম মৈচাকপু থাম্বী মৈমুৎঙমদে। রাবণ মানা তাউ-জিং হৈপূম্নাবু হৈরাং পিজয়িগীদি থাম্বী মৈমুৎপিঙেনে হায়না তাউজিং হৈপাম্বগীদমক লঙ্কা পনউথক্তা অম্নম মপুক কবি নীংদনা শোনমোইরিঙেদা মপন নোংশিং নিংথৌনা মচিন মোমোন নোক্লা পান্নী হনুমন্ত অঙাওবা। নংবু আশা পুক্নীং পঙলবরা। নবুঙো রামচন্দ্র থোইখোইবা সনা মখোংখাদতুম থুনা হলখাইখিরো হায়না রাহম্নবদা মপন পবন নোংশিং নিংথৌবু শমু থাংচপ্লনা পুরুম্নবগা হনুমন্ত অথৌবদি নোংশিং পোৎলুম পি কোরৌ ঙমথং চোংনা সমুদ্র রাংমা লান খ্বা তেঙ্গানলেন অঙ্গদ সেনাপতি লাক্তিংবা মাঙদা রাইথুংলবগা বানর লাম্নী পূম্নমনা হনুমন্ত চেংলৌ মশক উরবগী হরাউ পুক্নীং থোক্লা রাংলেন পুংখৎ তৈনা লম-ওকঙময়ে হায়য়ে। অঙ্গদ জম্বুবান নল নীল কেশবী য়াউনা কোলা কোলি থৌজান্নরবগা হনুমন্ত কায়বী অথৌবনা সমুদ্র কান্না চোং লঙ্কা কোম্নুং চঙনা সীতা খোঙখুন খঙলকপবু শমু থাংচপ্লনা পাউতাক্লবগা রাম মেননোং মথুৎথোন সনা খুদোপ

য়াইওইবনা সীতা খুত্তা লৌরবদা ইবুঙো রামচন্দ্র নামুংবগী মদাইরেমনে হায়রববু তাঙনা খঙলবদা রাবণ তাউজিং ইংখোল-লেননে হায়বস্থুঙ চাইথাইরে। রাবণ নিংথৌ নপারী অক্ষয়-কুমার অথৌবা অনিমক্লাচিংনা লঙ্কা লাম্মী থিঙমদনা হাৎলমলে। অতুস্থুঙ মদোমদে। রাবণ চিনবান কোইহৌ নিংথিবস্থুঙ খাম্বী মৈস্থ থোক্লময়ে। লঙ্কা য়ুম্থুম হাঙদনা খাম্বী মৈথাথোকপস্থুঙ কোরৌ মুমিৎ তরেৎনি গুনা চাক্লরে। সীতা লাইরৈমনা ইবুঙো রাম নামুংবা লমওক্করু ও হায়না সীতা মনি লিকলু য়াইওইববু পিরকয়ে হায়না পাউদম্বগা অঙ্গদ সেনাপতি লাঞ্জিংবনা খা-হুমথিযে। তৌইগীদি সীতা লাইরৈমবু চেংলৌ শকউনরবদি ঠাকুরাণী লাইরৈমবু পুরকঙেনে হায়না অস্থুম পাউমেনববু জম্বুবান লৌশিংবনা হে ইনোংয়াই অঙ্গদ লাঞ্জিংব ও! হনুমন্ত অথৌবনা সীতা লাইরৈমবু করিগী পুরকণ্ডাই লৈতে হায়না অঙ্গদ পুক্নীং তপ্পা লৈহল্লবগা হয়েং কৌবা চীংলেন নোঙ্গা শোয়রবদা বানর মনিন খাই খ্বা মরাঙ হৌনা রাম সনা মখোংখাবু ইন্দা-ল্লক্রবদা য়াংলৌ লম্মাখাংমা য়োরবদা বালি নিংথৌরেনগী তাউজিং ইংখোল্লেন অমতা লৈবস্থুঙ অঙ্গদ লাঞ্জিংবনা য়োং লাম্মী অয়াম্ববু অরা হনথনবা তাউজিং থুম্না চাহল্লবদা কোরৌ মুমিৎ অফবদা চীংঙ্‌ রামচন্দ্র সনা মখোংখাদা রায়থুংলে। অঙ্গদ লাঞ্জিংবনা ঙমগাচিংনা লাম্মী পুম্নমগা শমু মখুৎ লোম্না পুরুম্মরবগী শ্রীরাম নামুংবনা পাউহংখিয়ে। হে অঙ্গদ লাঞ্জিংব ও। ইশানৌ সীতা লাইরৈমগী সনা খোঙথুন খঙলকপরা হায়না পাউহংববু হনুমন্ত কায়বা অকনবনা শমু মখুৎ অনিমকপু লোম্ননা পাউদমজখিয়ে হোয়দা হে প্রভু ইবুঙো! চীংঙ্‌ নামুংবা নথৌজানগী নদাইরেম জম্বুবান লৌশিংবনা জম্ম ইপোক হায়হৌরবগী পাঙ্গন ইথিন নাইহৌরে। সমুদ্র য়ুথক চামা পাকপবু কাননা চোংখিববু

লাইজ ইপাকথক্তা লিলা লাল শোক্লরে। মোইনা চীংলেন পলংলাস্থুঙ উরময়ে। চীংঙু রাম নথৌজালগী লঙ্কা কোম্নুং চঙনা মিংয়েং শানখৈকুববু নশানৌ সীতা লাইরৈমদি অশোক বন ইংখোললেন্দা লৈঙময়ে। খোইয়ম সনা নখুৎথোন খুদোপ মুংজানববু সীতা খুত্তা পিরবগা সীতা লাইরৈমা নশানৌনা মিকপঙামযে। নদাইরেম ঐস্থুঙ রামদাস খুৎফা নাইনে হায়না খঙনবা রাবণ নিংথৌরেনগী তাউজিং ইংখোললেনস্থুঙ চাইখাইরে। লঙ্কা য়ুন্নুম হাঙদনা খান্দী মৈ থারময়ে। রাবণ নিংথৌ মপারী অক্ষয়কুমার অথৌবমকপু হাৎলমলে। লঙ্কা লাম্মী অয়াম্বস্থুঙ নদাইরেম ঐগী শমু ইখুৎপাক্তা নোংমললোয়ে। রাবণ চিনবান কোই-হৌ নিংথিবস্থুঙ থদাংকোই থাদোক্লময়ে। নশানৌ লক্ষ্মী নামুংবীগী শমজী তোমথেৎলৈ চিন্তামনি লিকলু য়াইওইববু নবুঙো রাম নামুংবদা লমওক্লরু ও হায়না থোনলকপা অসিনা সনা তুলাই রথ ওই প্রভু ইবুঙো নথৌজান্না সমদ থিংলৌ নীঙনা তেনা সনা নখোংখাবু উকরে হায়না রাকৎচববদা য়োইবু সীতা লাইরৈমগী শমু মেননোং মখুৎথোন মণি য়াইওইববু শমু খুৎশিন্নরবদা শ্রীরাম নামুংবদি মণি মশক য়েংনা পিরেন থক-মাতা তাংজা মরৈতোন্দা ইশানৌ সীতা লাইরৈমা নংবু রাবণ নিংথৌ লঙ্কা মপুংয়াইগী শিংলেন নারোইতোং লৈরাং খেউমং শীংলেন মথন্না কেস্বা লৈরাং মথন্না মনবরক্তা শানৌ নংবু শীংলেন নচুথাউ লৈরাং থৌবি নরাকচান্না ধর্ম্ম বিচার রাওইদব খুত্তা কোরৌ থোয়না য়েং রাংবন পাংনা য়েংনা লক্ষ্মী হকশাং নৌবীবু নয়েং তা ধন লনমন তোনবগী য়ুমলক নাইফাবগুম্না ফাথোকথিরবী নংবু লঙ্কা মপুং তাক রাবণ থরাই হাৎনা চেংলৌ শকউনববু কোরৌ নংবু পোনবী চিলওক্লা মুংশি ইবিংঙাইগী সনা পুক্লীং কায়ববু স্থবর্ণ সনা কোনগুম স্বয়ং পুন্নামববু চেংলৌ

কদোনোংবু শকউনররসিবনো। স্বামী ননোংথৌ ঐদি সীতা মুংশি কাউওগদবী নগুংলাংগী হকশাং মৈচাক থোইশিললকলে হায়না মশি থাদা কোন্না মালেম লয়দা ওন হে ইমা লক্ষ্মী ন'মুংবী ও হায়না সীতা তেংথাননা মীকপলিংদো রাম নামুংবা রাহয়কয়ে। হে হনুমন্ত লৌশিংব ও। নংদি সমুদ্র মুথক চামা পাকপবু করম চোংনা লঙ্কা কোন্নুং চংনা সীতা থোঙথুন খঙ-লুবনো। খ্বা নমাম্নরকুগী বীর পাঙ্গন থোইবদি নংনে হায়না বাহয়বগা সমুদ্র ঈশম থোবা লঙ্কা লমওনবা খাস্বী মৈথা য়াঙবা রাবণ সিংহাসন কোযনা হুয়েন লান্দানথোবনা খুৎচপনা পাউ খুমজখিয়ে। থোইয়ম নামুংবা স্বয়ং নথৌজানগী সমুদ্র ঈচোং-ওয়্নকয়ে। রাম সনা নয়াথং কঞ্জাউবনা খাস্বী মৈশা ওই সীতা লাইরৈমগী মুংশি থৌরী অচেৎপীনা পবন নোংশিং ওইনা লঙ্কা মৈচাকঙম্ববু নদাইরেম ঐদি চকমোম খাস্বী মৈয়াঙজববু থাং-জরুইয়ে হায়না পাউখুম্নবগা রাম মুংশি থোইনা মিপকহৌ-ববগীদমক রাজা সুগ্রীব নিংথৌনা হে প্রভু ইবুঙো ও। সীতা নশানৌগীদমক চীংঙু পিরেম খকমাতানা মিকপ্নগুনো লঙ্কা থুনা হুয়েন লালশোক্না বাবণ য়াঙনা নোংমলহল্লসে হায়না রাহম্ববু রামজী নামুংবনা হোয়দা সুগ্রীব লৌশিংব ও! সীতা মুংশিবগী মীকপ্তে ইপন দরশথ নিংথৌরেন্না পিনবা মশি মশক উবগীবু মিকপ্পনে হ'য়না তাংজা ইকাইওাক্লা পাউখুম্নবদা রাজা সুগ্রীব নিংথৌনা রাম পিরেম খকমাতাববু চৈরৎহল্লে হায়দবরা। শ্রীরামচন্দ্র নামুংবদি মাকমৈ মতানবা খেনলেন মতম করদা বানর মশীং থিঙমদা খ্বা মপুম পাঙমদবা পুম্নমবু য়োংলেন অথৌ-বশিংবু লাল্লোইননা যাত্রা খোংশাল্লবদা বিজয় য়াইক্কবা মতৌ নিংথিবা কাউরেন ষম্মাউ অপিশাবু থিকলেন মাইয়োক্লনা য়োই-চানঙম্ববু খোয়মা মাইয়োক্লবা সুবর্ণ চোয়নৌ সনা মৈথাঙববু

চেংলৌমিত্তউ লোইদাম্ ফৌ ময়োন অঙৌববু চেংলৌ মিংথিংলা রামজী মমিং য়েংলম চিং পানবোম য়েংলম চিংনা যাত্রা খোংশানলকপবু রাংলেন মরাওহৌ খ্বা লাল্লাউ নোংদা কা বানর তাংজা মরৈতোন্দা জয় রাম রাম শোন্না খ্বা থৌজান থোইববু রাম নিরঞ্জন নামুংববু হনুমন্ত অকনবগী শমু নঙ্গনথক্তা তোংখৎলে হায়য়ে। লক্ষ্মণ লৌশিংবম্বুঙ অঙ্গদ অকনবনা নমদা পোনা যাত্রা খোংশাল্লকপবু হরাউ মথে লৈতনা সমুদ্র ঈরেনপুঙগী হিথেল মতা ফবদা খ্বা তেঙ্গোল থিঙমদনা রাইথুংলবদা রাজা সুগ্রীব নিংথৌনা হে বানর অকনবশিং ও! খ্বা নখোয়গা পাঙ্গন নতিক উংনা পামেন উপান ফুক চীংলেন লুথোংপু ও সমুদ্র ফৈনা থিংলরো হায়রবগা খ্বা লাঞ্জিংবশিংনা চীংলেন মপান ফুক পামেন উজাও থেক্লা সমুদ্র ঈশিং থিংববু লাইজ ইরোন মুংগী পাপী গল্লিঙ্গর লেমলৈ ঙাময়োন্না য়োৎশিনখিরবনিগীনা মালেম লয়গা তারবগী রাম নামুংবা সমুদ্র ঈপাকথক্তা ফমফম্লবগা লহান কায়বী হনুমন্ত অথোবনা সনা লঙ্কা মৈথারম্ববু কোরৌ মুমিং তরামরিনিদা থাম্বী মৈবু তেময়ে হায়মে।

রাবণ নিংথৌ মাঙদা ফম্না পলেম মমা পোকমাবী নিকষা হিংচাবীনা পারী লঙ্কেশ্বর লৈমাবা রাবণ নিংথৌরেন ও! রামচন্দ্র নামুংবা কৌববু নর মীবু নত্তে! দেব নারায়ণ নামুংবনে। করিগী বৈরী য়েক্লরুবনো। মশানৌ জানকী সীতা লাইরৈমবু রাম সনা মখোংথাদা সমুদ্র রাংমা লান্না কৎলমলুরবত্রুম লঙ্কা নরৈবাকপু তাক্তনা রাজ্য লৈবাক কুইনা চাথিঙেনে। অসুম রাহম্ববু রাবণ য়াইবী কলহৌ নীক্লা মশানৌ বিভীষণ লৌশিংবদা রাহমখিয়ে। হে বিভীষণ লৌশিংব ও! পলেম ইমা পোকমাবীনা নর মীবু চান্নলা লোইনৌ ও! বৈরী য়েক্লরুগুনো! রাম সনা

মখোংখাদা সীতা লুদা থোংনা কৎলমলু ও হায়না রাহম্বু বিভীষণ লৌশিংবনা পাউথুমখিয়ে। শাবী রাবণ নিংথৌরেন ও থযাং নতানপোম্না ইন্দ্র সরারেন ধর্ম্ম যম নিংথৌবুম্নুঙ থুনঙম ও! পলেম ইমা পোকমাবীনা রাহম্বু রাখন ও হায়রকপবু রাম অওকপনে। তৌইগুম নদা ইরেম ঐগী পায়মা উনগোইম্নুংদা নিংথনববু পাউথুমজগে। রাবণ য়াইবী কলহৌ নীকপিগুনো। পলেম ইমা নিকষানা বাহম্বু রারম অওকপনে। হে রাবণ নিংথৌরেন ও! রাম খোংলোই পাউহনবা অমত্তুনম্নুঙ সনা লঙ্কা লৈবাক তাক্লা মতৌ ওম্লোকপবু চেংলৌ ঐখোয়গী ইম্মিং থম্না উগম্নমায়ে। রাম নামুংবনা লঙ্কা কোম্নুং চঙনা পম্হেংলরবদি প্রাণ ঐখোয়গী থরাই মাঙঙৈনে। তৌইগুম সমুদ্র রাংমা লাম্লকত্রিঙৈ অসিদা তাংজা কোকথক্লা পুনা কৎলমলুরবদি লঙ্কা নপুংয়াই তাক্লরোইয়ে সনা সিংহাসন্দগুম কুইনা নাখিঙৈনে। সংসার পুম্নমবু শমু খুক্লা থুম্বা নংনা করিগী নর মীবু ওইনা শানওল্লবগী রাম প্রিয়া চাম্নবীবু হুরুঙৈবু লৈতে হায়না পাউথুম্ববু রাবণ নিংথৌরেম্না বিচার রাখিদা কঞ্জাউ মাঙওইনবদি সনা সিংহাসন্দগী শমু মখোং কাউনা মশানৌ বিভীষণ লৌশিংবগী লাইবক খেনলাইথোংদা শমু খোংনা কাউ থাংশাং মখুৎগুনা যানহৎকে তৌগুম্লবদা পাত্র অঙম্বশিংনা রাবণ খ্বাংপমশিং কোম্না থৌখামলে হায়দবরা। মশানৌ বিভীষণ লৌশিংবনা রাখমখিয়ে লঙ্কা লৈবাক তাক্লা রাবণ থরাই মাঙঙৈনে। সনা লঙ্কা লৈবাকম্নুঙ তাকঙৈনে হায়না হায়রম্লবগা রাবণ মশানৌ বিভীষণ শঙ্কর মহাদেব সনা মখোংখাদা ইন্দানখিববু খোইমোম মহাদেব নামুংবনা হে বিভীষণ লৌশিংব ও! রাম সনা মখোংখাদগুম ইন্দানখিরো। হায়রম্লবগী সরমা সতী মফম্লাংদা লক্ষ্মী সীতা শিম্নরবগা সমুদ্র কাম্না চোংলকপবু নোংলেন মরাঙ হৌগুম্না উরবগী

রাম নামুংবা করিনো হায়না পাউহংববু হনুমন্ত পাঙ্গনবনা লাইহল লঙ্কা মৈথাইঙ চোংলৌ শকখঙলকপগী হন্না পাউখুমলকয়ে। হোয়দা প্রভু ইবুঙো তাবিয়ো। নদাইরেম রাবণ নিংথৌ মশানৌ বিভীষণ লৌশিংবনে হায়রবদা রাম সনা মখোংখাদা রাইথুংলবগা বিভীষণ লৌশিংবনা রাকৎখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো! হকশাং নব অনৌব ও দেব নারায়ণ নামুংবা! তাইবং নোংশাপান অসিদা দেব মঙান অরাবনা প্রদীপ থাউমৈ ওইনা ঙান্নরিবা লাইয়িংথৌ ও! অস্তুম রাকৎচরিঙৈ তাংজা লিলা নিংথৌ ফেনা তোকলেন মশেক তরেৎমনা সনা যানখোং ওই মালেম পৃথিবী মরোন অহুম্মক্কা থাচি য়েনকম নুমিৎ মঙান অবাবনা থাম্বী মৈবু ওইনা চাক্লিবগী মঙান অরাবা পূন্নমাবু চীংঙু নারায়ণ নামুংবগী অস্ত্র খুৎশু অথৌবদা শীংলেন অরেম্বনে। খোইয়ম সনা নখোংখাদা থাউমৈ মঙান অরাবা অন্নিনা নশাবী রাবণ নিংথৌ হিংচাববু লঙ্কা লাম্পী পূন্নমনা খাম্বী মৈতান ওইনা নোংমনহন-ঙৈনে। অস্তুম পাউমেল্লবগা বিভীষণ লৌশিংবনা শমু থাংচপ্পনা রাকৎচখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো! নদাইরেম ঐনা নশানৌ সীতা লাইরৈমবু নখোংখাদা কৎলুসে হায়ববু রাবণ মৈশা লাংনা সনা সিংহাসনদগী মখোং হৌনা নদাইরেম ঐগী লাইবক খেন-লাইথোংদা শমু খোংনা কাউ থাঙলেন লুময়াম্নগে তৌবগী রাবণ মখোংখাদা মন্ত্রণা রাতানববু য়াউররোই হায়না সংকল্প রাশকলক্লে। নদাইরেম ইশাবী রাবণ নিংথৌরেনবু লংজা মতিক হায়ববু নদাইরেম ঐখোয়বুত্থম মতৌ নিংথিদবা তৌরবগী চীংঙু সনা নখোংখাবু নদাইরেম ঐখোয় মরিমনা ইন্দাল্লকয়ে। মিয়েন থাবু খংনা অকিববু কোকপি ও! সনা নখোংখাদা তয়ম হকশাং কৎচরবনে হায়না অস্তুম পুরুম্মবগা শ্রীরাম নামুংবনা দানব হিংচাববু পুক্লীং থাজকাৎতে হায়না পাউহংববু সুগ্রীব অঙ্গদ হনুমন্ত অস্তুম-

মনা হে বিভীষণ লৌশিংব ও ! ইবুঙো রাম সনা মখোংখাদা ইন্দাল্লকপা অসিবু উনবী পুক্লীং অরেপ্পা মহাক্না হায়না রাহম্ববু হোয়দা হে মহাজন অফবশিং ও। খোইয়ম সনা মখোংখাদা ইন্দাল্লকপা অসিবু পুক্লীং অরেপ্পা ওইদরবদি কলি যোর অমম্বা অসিদা ব্রাহ্মণ ওইনা পোকচগে পুত্র ইপারীস্থ চামা গুনা শাংকে রাজা নিংথৌ ওইগে হায়না সত্য রাশক্লবদা চীংঙ্, শ্রীরাম নামুংবনা রাখনখিয়ে। উনবী পুক্লীং পিনা সত্য রাশক্লবদি লঙ্কা শেংক্লববু য়াউরো নশাবী রাবণ সনা ফম্বাললেন্দা ফম্না লঙ্কা নিংথৌ ওইহনগে হায়না লনকুবিরবদা।

অসাইঙৈগী সমুদ্র ঈশিং থিংববু মালেম লয়দা তারবগী শ্রীরামচন্দ্র নামুংবনা লাইজ ঈরোনম্নুংদা তেনবী য়াইওইবা অহুম কাপচিনখিববু সমুদ্র লাইজ ঈমাবা খোইমোম লাইয়িংথৌনা সনা সিংহাসন লুদা থোংনা তাউখৎলক্লবগা রাম সনা মখোংখাদা রাকৎচখিয়ে।" হে প্রভু ইবুঙো ! খ্বা পঙনা লৈশেম্বদি সাগর ঈরৎপবু ঙম্মোইয়ে। নদাইরেম চকমোম থাম্বী মৈগী মচা নীল অকনবা বিশ্বকর্ম্মা শিলহৈবা মপারী নল অথৌবা অনিমকপু নহাল নারা মথুঙৈ খোমোম ব্রহ্মা নামুংবনা সমুদ্র সন্ধান তৌরিঙৈগী অর্ঘদা মৈ চেং থোইদিং মঙম ইরাৎ পোৎপু নল-নীল অঙাং অনিমনা সাগর ঈরেনপুংদা হুম্বরবগীদমক চীংঙ্, ব্রহ্মা নামুংবনা ঐগী ধ্যান পুক্লীং য়েখাইববু য়ামশিল্লকঙেনে। অঙাং নারা অপিশানে রারোফরোই হায়না হে নল-নীল ইনোংঘাই ও ! অসি কোরৌ মুমিংমগী মথৈ নবিংঙানা সমুদ্র ঈরেনপুংদা চীংবু চীংজাউ পলংলানচিংনা হুম্বরবম্নুঙ তাউম্নো হায়না বর লনকুবিরময়ে। নদাইরেম অনিমক্না মালেম লৈশেম্বহুম সাগর ঈরৎঙমঙৈনে হায়রবদা নল-নীল অনিমক্না রাম সীতা লক্ষ্মণ চিন্দা

শোন সমুদ্র অথেন অম্বপ খঙদনা ঈশিং খুকউ ফংনা লেপ্লবদা বানর লাম্মী অয়াম্বস্তুঙ উপি-উলেন চীংমু-চীংজাউ লুথোংপুনা মালেম লয়গা হুন্না নল-নীল অনিমক্না কোয়াং রাপৈ চাউথোইবা মহুং য়ুথক হুমফুতরা কুইনা লম্বী পরিং হুন চীংলেন চাউথোইবা থৌত্থ অপাকপা লম্বী থাংচপয়ৈ চীংলেন তেংপাক ওই পামেন অকনবনা থোয়মা নাপি ওইনা নল-নীল অনিমক্না পাঙ্গন থৌ-ওইদবগী হনুমন্ত অকনবনা পুরকপা চীংদোল চাউথোইববু শমু মখুং ওইনা ওকনা ওকঙময়ে হায়বগীবু হনুমন্ত য়াংবী কলহৌ নীক্না নল-নীল অনিমকপু চীংলেন মথা থানা ননথুরগে হায়ব-গীদমক চীংলেন পল্‌ংলা য়ুথক কুম্হ্না রাংবা চীংবু হনুমন্ত লুদা থোংনা পুরকঙৈবু জয় রাম নামুংবস্তুঙ রাজা সুগ্রীব নিংথৌনস্তুঙ হনুমন্ত মতৌ উৱবগী নল-নীল অনিমস্তুঙ শমু মখুং অনি চঙনা ওকচঙময়ে হায়য়ে। লক্ষ্মণ সুগ্রীব জম্বুবান য়াওনা ওকঙলবগী হনুমন্ত মচিন মোমোন নোক্না কঞ্জাউ পাঙ্গন তোকহল্লে হায়দবরা। খ্বা পুম্নমদি মালেম লৈহোন থোই নল-নীল লৈশেম্বদি সমুদ্র য়ুথক মরিফুত্তরা থিংলবদা য়োংলেন অৱা হক্না চোক্লবগী য়ুথক তরা রাংনা থিংঙমদরবগীদমক হনুমন্ত অকনবনা জয়দর্ক বিদর্ক অচৌবা ভংগ শৃঙ্গ মরিমকপু চীংলেন মপান ফুক্না অমরক পুরুর-বগা য়ুথক তরা রাংলিববু ফুজিল্লবদা সাগর ইরৎঙমলে রামদাস খুৎকানাই খ্বা মশীং থিঙমদা য়োংমু মপুম পাঙমদনা সনা লঙ্কা মপুংয়াইবু সমুদ্র ঈশিং থিংলবগী লম্বী য়ুথক চামা শাংবা মঙান য়ুথক তরা পাকপবু পন্থ লম্নাইতাংদা বিশ্বকর্ম্ম শেমহৈবনা সনা পানবৈ শেম হেরা মণি মাণিক্য পুম্নমনা সনা হিদাক পুম্না লুপ্না শানশেম্লবদা লৈরাই চাংজৌ নিংথিবদা বানর লাম্মী থিঙমদনা খ্বা তেঙ্গোল লিংলবদা চীংঙ্ রাম নারায়ণ শিদবগী খোইয়ম সনা শঙ্গাইশা হেরা মণি-মাণিক্য থিন সমুদ্র লৈরাই

ভাগ্না নোংহাম্নবদা রাজা সুগ্রীব নিংথৌনা হে প্রভু ইবুঙো ও! সমুদ্র ইরাংমদা বানর তেঙ্গোল লিংন্নুরসে হায়না রাকৎচরবগা চীংঙ্ক শ্রীরাম লক্ষ্মণ ভাইরোইননা রাংলেন পুংজাউ মনিন্নাইনা সনা শংদেংমুংদা রাইথুংলবগা ইন্দ্র সরারেননা পুষ্প শীংলেন লৈরিক্ষ নোংজুননা য়োইচানরে হায়দববা। রাজা দশানন মকোক তরা পানবদি চীংঙ্ক রামচন্দ্র থোইথোইবনা সমুদ্র রাংমা লানলকলে খ্বা মশীং থিঙমদনা বানর তেঙ্গোল লিংলে হায়ববু নাতারবগী লাইজ ঈয়েং তাগুম্না রাবণ মথৌ লৎশিন-থিয়ে হায়দবরা।

সনা লঙ্কা পনকোইবা সমুদ্র ইরানরা নারায়ণ মশা মঙা গুরুকপা সুন্দরা কাণ্ড মুংঙাইবা বারী অথোইবা অসিবু সমাপ্ত মতোল লোমখিরে। সভা লেংনা তিনবা নখোয় অয়াম্বদি তাংজা নরৈতোন্দা জয় রাম রাম শোন্না নাতাবিয়ো।

লঙ্কা কাণ্ড

সুন্দরা কাণ্ড মথংগী লঙ্কা কাণ্ড ৱারী হুংঙাইবা রাম থয়াং মথৌমনবু লঙ্কা ৱারী শৈহোরক্কে। চীংঙু শ্রীরামচন্দ্র থোইখোইবনা মদাইরেম বানর লাম্মী থিঙমববশিংগা য়োংমু তেঙ্গোল মনিন নাইরবগী রাবণ নিংথৌরেম্না সনা সিংহাসন্দা ফম্না মদাইরেম পাত্র অঙম্বগা মন্ত্র ৱাতানরবদা তয়ম স্থক সারণ নপিঙঙাদি য়োংমু তেঙ্গোল মরক চংনা রাম মতৌকরম্বনো বানর লাম্মী কয়াগুবা সেনাপতি লাঞ্জিংবস্থুঙ কনানা চিংলকপনো। খ্বা মরক চঙনা মীয়েং শানথৈরু ও হায়না থৌশিরবগা। মদাই-রেম স্থক সারণ অথৌবা অনিমদি দানব হিংচাবা শকলেনগুন খ্বা য়োংশক ওইনা বানর তেঙ্গোল মরক চঙনা লমগুনলাববু। রাবণ নিংথৌ মশানৌ চীংঙু রাম সনা মখোংখাবু ইলতারকপা বিভীষণ লৌশিংবনা রাক্ষস চেংলৌ শকখঙ ঙমলবগীদমক স্থক সারণ অনিমবু শমু তুংবুলননা চীংঙু শ্রীরাম সনা মখোংখাদা শমু থাংচপ্পনা ৱাকৎচখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো রাম নামুংব ও নদাইরেম অনিমা অসিবু ইশাবী রাবণ নিংথৌ মদাইরেমনে। খ্বা য়োংশক ওই তেঙ্গোল মরক চঙনা লমগুনলায়ে হায়না ৱাকৎলবদা। দানব হিংচাবা স্থক সারণ অনিমনা শমু থাং-চপ্পনা হে প্রভু ইবুঙো রাম নামুংব ও! সনা লঙ্কা লৈমাব রাবণ ইনিংথৌনা চীংঙু নতৌ য়েংলু হায়না থৌশিরাগী য়োংক্কেন

মশক ওইনা লমশুনলববু। নদাইরেম বিভীষণ লৌশিংবনা চেংলৌ শকখঙঙমলবগী শমু তুংপুলনারে। নদাইরেম ইপিঙঙানা লালফম মরক চঙনা খোয়পুঙ লৌশারাববু শায়োনলে। লঙজা মতিকয়েংনা দগি রারকনবী ও হায়না পুরুমলবগা। চীংঙ শ্রীরাম নামুংবনা রাহমখিয়ে। হে সুক সারণ অনিমা ও নঙগী রাবণ নিংথৌদা হায়ক ও। ঐগী ইদায়রেম খ্বা লাম্মী অথৌবশিংগা লঙ্কা নরৈবাক্কী দানব লাম্মী অয়াম্বগা চেংলৌ শক উনাহলসে। রাবণ শাগৈ তুমনা মাঙহলগে হায়না অসুম থৌশি চিলখিরে হায়দবরা। খোংলোয় পাউহলবা অনিমানা রাবণ মনিংথৌদা শমু থাংচপ্পনা রাকৎচখিয়ে। সনা লঙ্কা লৈমাবা ইবুঙো তাও ও। নদাইরেম ইপিঙঙানা খ্বা তেঙ্গোল মুংদা চঙনা সেনা লাম্মী মতিক য়েংলুবদি রাম লক্ষ্মণ সুগ্রীব নশানৌ বিভীষণ য়াওনা য়োংজাউ লাম্মী থিঙমদা তেঙ্গোল মপুম পাঙমদে হায়না রাকৎলবগা। রাবণ নিংথৌরেম্মা লঙ্কা মপুংয়াইগী সনাঁ পলউথক্তা তোংনা মিয়েং শানখৈরিঙৈদা মদাইরেম সুক সারণ অনিমা শমু খুৎপু থিলনা রাবণ মনিংথৌদা পাওতাকখিয়ে। চকমোম মৈথাঙ থোগুমবা অসিদি রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেননে। তাংজা লিলাথোগুমবা চেংলৌ শকপালথোংবু শংনা পানবা অসিদি চন্তন্যা ও তৌনা কৌয়ে। লাম্মী কোটি তরা মাঙওইনরকপা অসিদি কুমট অকনবনে। পোলবী য়রা ভারাইথোগুমবা অসিদি নল অথৌবনে। য়োংলেন মৈরুং কাঙনা চৎলকপা অসিদি লুমাবালী ও কৌয়ে। মোইপুং খোনগ্রেল তাবা মকম কুনলম য়াম্না সেনা থিঙমদনা লোয়নরকপা অসিদি বীহাটা অথৌবা কৌয়ে। লাইজ ঈনৌমালবা লাম্মী লাখা লোয়নরকপা অসিদি বনস অথৌবা কৌয়ে। চেংলৌ শকপালথোংবু চোয়নৌ হিংঙোন মানবা লাম্মী কোটি লোয়নরকপা

অসিদি ধুম্রাক্ষ তৌনা কৌয়ে। কোটি লিশিং অমারোম মপুং-ফাবা অসিদি পুস্কর অকনবনে। হকশাং নব অনৌবা পানবা কৈচেংলাংগুম্বা অসিদি কেসরী ও তৌনা কৌয়ে। খ্বা পুম্না মরকতগী পাঙ্গন মাপালৈতবা হকশাং থোইনা নিংথিবা অসিদি কেসরীগী মপারি খারঙ হাইনু চেক্কুম্বা অমোরো শিদবা লাইনল লঙ্কা মৈসু থোরবা তাওজিং ইংখোল চাইথাযবা হনুমন্ত অথৌ-বনে। সেনা মাগী লাম্মীদি মপুম পাঙমদে। বানর মীখলখাই অনিমা লাঙ্গোই শামু শায়া মরি পালববু শমু মখুৎ থুমনা য়ৈহৎপা অসিদি থমনুং যমনিংথৌগী মপারি মসেলনে। পাঙ্গন মতিক হায়ঙমদে। শূন্য অতিংঙাদা কোরৌ ঙমথং চোংনা চৎলকপা অসিদি সতবলী অথৌবা কোবৌ নোংশিঙজঙগুম্বনে। চীংঙু রাম নামুংবাগী মদাইরেম খ্বা লাম্মী অথৌবা পুন্নামবু পুন্নুং অচৌ মৈগুম গুণ মতিক লৈবা মশেলনে। হুয়েল লাল-শোক্লাগুন্নসে। সীতা লাইরৈমতুম রাম সনা মখোংখাদা পিরুসে হায়না স্থক সারণ লৌশিংবা অনিমানা অস্থুম রাহম্ববু। রাবণ নিংথৌরেম্না য়াইবী কলহৌনিক থাংশা মতমপালনা তাইয়ম নাপিঙভাবু রামচন্দ্রগী সেনা লাম্মী মতিক য়েংলু ও হায়না থৌশিবাদি য়োংলেন পাঙ্গন উরকপাতুম অহঙ্কার নাপল রাং-নাতুম পাওতাক্লায়ে। তাইয়ম নাপিঙঙাদি রাম মাচেঙ হাকমা ওইনা পাওমেলয়ে। প্রাণ থবায় মাঙহলনিঙয়ে হায়না রাহম্নবগা। তৌইগুম তাইয়ম খোঙলোই অয়াংবা নাপিঙভাবু লাও। য়োংমু তেঙ্গোল মরক চঙনা রাম মতৌ তাঙনা য়েংহৌরু ও হায়না থৌশিরকপবু। বিভীষণ লৌশিংবনা খোঙলোই মশক খংঙম-লাবগী শমু তুংপুলনারে। শ্রীরাম সনা মখোংখাদা নদাইরেম রাবণ নিংথৌরেনগী খোঙলোই পাওহলবাবু ফারক্লে হায়না রাবৎলর-বদা। চীংঙু রাম নামুংবনা রাবণ নিংথৌ মদাইরেম খোঙলোয়

পাউহলবশিং ও নংগী রাবণ ননিংথৌনা ৱারম করিগী তোয়না খোঙলোয পাওহল্লবনো। হয়েং কৌবা মনোং শোয়রবগা লঙ্কা লাম্মী অয়াম্বগা ঐগী ইদাইরেম বানর লাম্মী অথৌবশিংগা লানফম মায়ওক য়ানা হুরেন লানশোক্লহনসে। খোইয়ম ৱায়রা ইতেলচা লাহন রাক্ষস তিংচাবা লিশিং তরামরি নোংমন্নবা তেলনা রাবণ ননিংথৌগী মকোক তরামবু তাওজিং মরোং তমগুমনা কাপথৎকে। রাবণ নিপা থোক্লবদি চীংঙ্ ঐগী লানফম মায়ওক য়াঙম ও হায়ক ও হায়না থৌশিচিলখিরে হায়য়ে। দানব খোঙলোয় পাওহলবনা শমু থাংচপ্পনা রাবণ মনিংথৌদা ৱাকৎচখিয়ে। সনা লঙ্কেশ্বর লৈমাবা ইবুঙো তাও ও। শ্বা তেঙ্গোলন্নুংদা চঙনা লমওল্লববু বানর লাম্মী থিঙমদে। চীংঙ্ রাম নামুংবনা মদাইরেম মন্ত্র ৱাতানবদি কায়বী শাওম নিংথৌ জম্বুবান লৌশিংবনচিংনা থবি লোইদাম্বা মপারী দধিকাল অকনবা নোংলাই মপারী হেমকট অথৌবসুঙ মহিন্ত অশিংবা বিবিন্ধ অকনবা ৱাজা সুগ্রীব মপারি সতা জিতা অনিমাসুঙ য়াওনা তারা থৱালপিচাককুম মন্দলি কোয়না ফমফমঙাময়ে। নদাইরেম ইপিংঙাবু প্রাণ থৱায় মাঙলগদববু চীংঙ্ রাম মথৌজালগী খোঙলোয় থৱায় নাঙফারোইয়ে হায়না থৌখামবিরকয়ে। অসুম ৱাহম্নবগা রাবণ নাপন ৱাংনা মদাইরেম বিদ্যুৎ জিহ্বা য়াইহেবদা ৱাহমখিয়ে। রাম লানশোক্লববু খোয়মা ইমায় ওল্লোইদবা রাবণ নিংথৌরেলনে। তয়মশিং ও সীতা লাইরৈমদহুম বচন য়াথং অমেংবনা পাওথেমলুসে হায়না কোলোয় শরীবা য়াথং অপৈবনা য়োইবু সীতা লাইবৈমদা ৱাহমখিয়ে। হে সীতা লাইরৈমা ও রামচন্দ্র থোইখোইববু নংনা উনবী পুক্নীং তত্তনা নিংজবদি অসি ইম্নুং শোইয়াইমদা রাম লক্ষ্মণ অনিমাদি নোংমল্লে। বানর লাম্মী অয়াম্বসুঙ য়োংমু লালয়ামশিরে। পায়মা নপুকমুংদা

থাজদরবদি রাম তাংজা লুরেনতোলবু মিৎয়েং শানখৈজরু ও। হায়না রাহুরবগী মদাইরেম বিত্যুৎ জিহ্বা য়াইহৈবনা রাম লক্ষ্মণ চেংলৌ মশক মাল লিরুং খুৎলু উংনা সীতা চেংলৌ মিৎয়েংহল্লবগীদমক য়োইবু সীতা নামুংবীদি দানব হিংচাবা মায়া শাল্‌ওল খঙঙমদরবগী মশাবী রাম নামুংবা তাংজ লুরেনতোল মহাক খাচিল্লবগী পিরেম খকমাতা মালেম কৈদা ওন রাম তেংথাননা মীকপখিয়ে। হে ইবুঙো রাম শ্যাম অহেনবা। যৌবন নথোক্লকপা নংনা নশানৌ সীতা চীংঙ্ লাইবকথিবী ইগুলাংগী রাজ্য কৈপাক তুংঙালবা অসিদা করিগী নোংমল্লরবনো কল্লকয়ে। সীতা লাইরৈমা ঐদি রাবণ হিংচাবা মরৈবাক্তা লমলোঙ চবাল থাগুমনা থানরমলে। চীংঙ্ লাইবক খিবী ঐস্লঙ অসি কোরৌ ভুমিৎমা অসিদা নোংমল্লগে হায়না মুংশি পুক্লীং কায়না অহুম মীকপবু রাবণ নিংথৌ হিংচাবদি মচিন মোমোল্ল নোক্লা সীতা মীকপ মুংশিবীবু নাতারিঙৈদা চীংঙ্ রাম নামুংবদি লানশোক চৈরৎতনা লঙ্কা পম্থোংলেন যুথক ৮০ শুবা মাণিক্য তোরখিলনবু কালনা চোং সনা খুলয়ায় চংনা খ্বা লালহৌখোলবু সমুদ্র ঈরাওখোলগুম নাতারবগী রাজা দশানন মকোক তরা পানরদি থরায় নোংদকা মিরেল থাবু খংনা অচেন লোকলৈহৌ সনা মাগী সিংহাসনদা ফমনা মদাইরেম পাত্র অঙম্বশিংগা মন্ত্র রাতানরিঙৈ। রাবণ পাঙ্গনবগী পলেম মমা পোকমাবী নিকষা হিংচাবীনা পাখী রাবণ নিংথোরেল ও তালোয় নংগী নরুম অপাম্বী ইমৌ থম্বাল মানবী লিশিংমাবু মন্দদরি অহেনবীনচিংনা সেমা থোগলনবিবীশিংবু চেংলৌ মশক থোইবীগীদমক সীতা কয়াগী চেংলো মশকফবীলো হায়না হৃরুবনো। সীতা মঙংল্লাংগীদমক লঙ্কা নরৈপাক অসিবু পাগী মহৈচুমনা য়ানলে পারী ও। শঙলো নংগী মথৌরাং য়েনলাং নঙমদকবু প্রাণ থরায় মাঙ।

রাবণ শাকে থুমনা সনা লঙ্কা লৈপাক তাকখরা থগদে। শ্রীরাম নামুংববু হুয়েল লালশোক্লকগদবো পাৰী ও। মথান্নৌ সীতা লাইরেমা লগী শোকখদবীবু তাংজ কোকথক পুনা রাম সনা মথোগথাদনা কংজকলু ও। খাগী লাগী অথোৰশিংবু লঙ্কা কোয়ুং চনরক্লে। থাগী মৈপাখানা হুয়েন লানশিংবনা হাপ্লগনে। অহুম রাহুংবু মপারী রাবণ নিংথৌরেন্সি য়াইৰী অনৌবা কলহৌনিক থাগী মৈপারাংগুম্না নাতারিগৈ মথা পোকপা মপুরেন মৈল্যবান হলমু ময়াইকারবা লৌশিং মপুং থাবনা রাবণ মায়ওক লেপনা রাহমথিয়ে। ইনোংয়াই সনা লঙ্কা লৈমাবা রাবণ নিংথৌ লিংথিবা। ঙমিং তরা থোকুদ্রা ও। নহু হুলমু ইয়াই কারবা ঐগী চেংলৌ ইমিং নারলবদা মিংয়েং শানখৈবদি লঙ্কা নরৈপাক অসিগু রক্ত ঈগাং তুরেল চেনবরু চেংলৌ মিৎথিংয়ে। অহিং ইমুং শোইয়াইমাদমুগ শাতুক শাঙাং জিব জন্তু থরায় পালবা পুম্মানা শব্দ য়ারা থোজেল ওয়া থোংখৈবরু য়াম্না নাতারে ইনোংয়াই ও। খোমলেন ইমগুথিবরু য়ামচিল্লক্লে। লঙ্কা নপুং-য়াইদা মোহ অপাম্বরু করি রাংয়ে হায়বগীদমক সীতা লাইরেমবু লৌরুবনো। চীংগু শ্রীরাম নামুংবদি নারায়ণ শংশগবনে। খোইরম থায়াং মতানবোমথু কোৰৌ নোংশিংকগগুবনে। রাম মায়ওকয়ানা শোক্লাগয়োইয়ে হুয়েল লানশোক্লকগনো নহু হুলহু ইরায় কারবা ঐগী চিনগোই ইয়াথংবু পাওয়াজ ও। জনক নিংথৌ মমোমলোন সীতা অক্নেনবীকুম শ্রীরাম নামুংবদা কংলমলু-রুবদি সনা নরৈপাকপু তারুবোই পুম্ব মথোইতোংনা পাকহৌগৈজে হায়না অহুম রাহুংবু রাবণ নিংথৌরেন মিচম য়াম্নিয়া কঙাও নাংগইনবদি উনবী কলহৌনিক্না রাহকয়ে। হে মৈল্যবান হলহুবা ও নংদি হুয়েল লালশোক্লবমুগ য়াওজোইয়ে। করিগী রাম নীচগইনা রাহমলগুনো ইপারী ইন্দ্রজিৎ অহনবা হুরেন

লানশোকহৈবগা ইশায়নৌ কুম্ভকর্ণ হক্চাওবা লানফম থওইদবমুঙ যাহৌথোক্লবগা দানব ঐগী লাম্মী অথোবশিংনা খোইমা নারোন-সুংগী বানর লাম্মী পুম্নমাবু লাংবন কাওচেং হাইগুম্না হাইহৎলৈনে। রাম হায়েন লানশোক্লববু খোয়মা ইমায় ওল্লোইদরবা ননিংথৌ-রেলনে। হে মৈল্যবান হলমুবা ও নরাচাবু নংতে সীতা লাইরৈমাবু লক্ষ্মী শোকফদবী জনক নিংথৌ মমোম্লোম্নে হায়বমুঙ রামচন্দ্র নামুংববু দেব মধুসূদন লাই পাখংনে হায়বমুঙ তাঙনা মথঙয়ে। তাংজ ঐগী লুরেনতোন তরামবু রাম রায়রা মতেলচাদা নোংমলহৈনে হায়বমুঙ তাঙনা মখঙয়ে। তৌইগুম রাম শমু মখুৎপাক্তদি সীতা লাইরৈমাবু পীঙমলোইয়ে হায়না পাউখুম্নবগা। ইদাইরেম পুলস্ত অথোবা নংদি লঙ্কা নোংপোক থোঙজাও ঙাক্লা বানর লানশোক মায়ওক য়াও। মহুত্তর অথোবা নঙগা নশানৌ মহাবর্স অকনবগা নপিংঙাদি নোংচুপ থোঙজাও ঙাকনা বানর মায়ওক য়াও। তয়ম হুক সারণ নপিংঙাদি উত্রা অরাং পাংবা থোঙজাও ঙাক্লা য়োংমু লান-শোক্লা ও। বীরুবাক্ষ অথোবা নঙদি লঙ্কা খুলয়ায় ঙাকনা য়োংপী হুইরেল ওই ও। অম্নম হুয়েন লানথোঙ শিনলে হায়দবরা। য়োইবু সীতা লাইরৈমদি অশোক বন ইংখোল্লেন্দা সুংশি মথৈ লৈতনা নোংখোইরে হায়য়ে। চীংঙু রাম নামুংবমুঙ মদাইরেম খ্বা লাম্মী অথোবা পুম্নমক্লা লঙ্কা পলউথক্তা ফমনা পাওমেনখিম্লে। তয়ম নল নীল অথোবা বনস সম্পাদি মরিমা নংখোয়দি পোনবী উচেক ওইনা লঙ্কা কোম্নুং চঙ রাবণ মতৌ য়েংনা লমওনলু ও। হায়না পাওমেনখোলগী মদাইরেম মরিমনা পোনবী উচেক ওম্না চেংলো মিংকুপমরম লঙ্কা কোম্নুং চংনা মিংয়েং শানথৈক্লরবগা খিংলৌ নিংনা তেনা খোইয়ম সনা মখোঙখাদা শমু থাংচপ্লনা পাওদমলে। নদাইরেম লঙ্কা লাম্মী

অথৌবা পুলস্ত অকনবদি নোংপোক থোঙলেন ঙাকলিয়ে। মপাক্কি ইন্দ্রজিৎ অথৌবদি খানা পাংবা থোঙজাও ঙাকয়ে। মহুত্তর মহাবর্স অনিমদি নোংচুপ থোঙজাও ঙাকয়ে। মদাইরেম রাবণ নিংথৌ মহাক্লা অরাং লাইনা পাংবা থোঙজাওরমদা দানব লাল্লম শিনঙাময়ে। বীরুবাক্ষ অথৌবদি লঙ্কা খুলয়ায় ঙাকলিয়ে। হায়না পাওদম্নবগা রাম সনা মখোঙথাদা খ্বা য়োংনিংথৌ রাজা সুগ্রীব নিংথৌনা বাহমখিয়ে। হে নীল অকনবা নংদি লঙ্কা নোংপোকথোঙলেনচংনা পলথেং ও। খোয়মা নমায় লৈগুনো। বানর লানশোক হন্দকনোংনে। পারী অঙ্গদ সেনাপতি লাঙ্জিংবা নংদি হাওরৈ খানা পাংবা থোঙদা পাঙ্গন নমান্নবা ইন্দ্রজিৎ অথৌববু খোয়মা মায়ওকয়ানা হুয়েন লান-শোক্লা ও। নোংশিৎ নিংথৌ মপারি হনুমন্ত অকনবা লঙ্কা মৈগুথৌনা রাবণ কোইথায়াংবা নংদি নোংচুপ থোঙলেনচঙনা লানশোক খমথেংন ববু খোয়মা নমায় লৈগুনো। অরাং লাইনা পাংবরমদদি রাজা সুগ্রীব ইদোম শেকচুপ পলদাই ওই পাঙ্গন ইতিক উৎনা পম্বেংগে হায়না হুয়েন লাম্বোং মরিমদা খ্বা অথৌ লীচা হেপ্পবু কোটি মপৈ মপৈ থিঙমদনা অসুম হুয়েন লাম্বোঙ শিল্লবগা। বানব অকনবা পূম্নমনা তাংজ মরৈতোন্দা জয় রাম রাম শোলনা লঙ্কা মুংলেন পঙ্গাও শিন্না পলথেংলে হায়ন্নে। চীংঙ্ শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমা মদাইরেম জম্বুবান বিভীষণ য়াওনা কৈবি হনুমন্ত অথৌবগী হুয়েন মরালথোঙ অরুম্বদা সহায় পাঙ্গন ওইমন্না লানফম মায়ওক য়ামন্নখিয়ে হায়দবরা। দানব হিংচাবা সুক সারণ অনিমনা লঙ্কা পম্বোঙ মরিমদা বানর তেঙ্গোল লিংববু চেংলৌ মিৎথিৎলবগী রাবণ মনিংথৌদা বা-হমখিয়ে। সনা লঙ্কেশ্বর লৈমাবা ইবুঙো তাও ও। রামচন্দ্র অথৌবগী সেনা লাম্মী থিঙমদনা লঙ্কা পম্বোঙ কোয়ররে।

নদাইরেম ঐখোয়দি হয়েন লানশোক্তগোইবরা থগদে হায়না পাউমেনববু রাবণ য়াইবী কলহৌনিক থাংশা মতম্বালনা মুক সারণ নবিংগানা পাঙ্গন মীখি মতৌউনা উনবী পুক্লীং য়াংবগীদমক দানব লাম্মী কিনবা রাহয়গুনো। রাম মায়ওকয়ানা হয়েন লান শোক্লগে হায়না রাহয়রিঙৈ চিংঙ্, রাম মামুংবহুও মদাইরেম খ্বা তেঙ্গোল থিগমদবগা লাল্লাও নোংখাক চৈরোইননা জয় য়াইফশোল লঙ্কা লৈপাক নিল উংকুল নোংলৈ হৌনা সনা পম্থোংলেল মরিমদা লালশোক খমথেননা দানব লালশোক্লববু লঙ্কা মপুংয়াইদি ওক্লেন পনকোয়তমগুম্না কোয়হৎলবনিগী ময়িম লঙ্কা লাম্মী অথৌবশিংসুও বানর লালশোক য়াওববু য়োংমু লাম্মী অথৌবশিংনা দানব নেৎচৎয়ানববু উপীথোরান পৈগুমনা লঙ্কা পল্লক লানশিহল্লে। কোরৌ নোংমদোনগী চীংঙ্ ইন্দ্র সরারেলনচিংনা দেব সর্ব্ব অয়াম্বদি লানশোক কুমমৈ য়েংববু মুংঙাই মখৈ লৈতে হায়রে। রামচন্দ্র নামুংবনা মদাইরেম অঙ্গদ সেনাপতি থানা পাংবা থোগজাও ঙাকপবু পাউকোহল্লবগা হে ভয়ম অঙ্গদ লাঙ্গিংব ও নংবু লঙ্কা থুলয়ায়চগনা রাবণ নিংথৌ-রেন্দা রাহমলু ও। লাহন পঞ্চবতী গৃহয়িম অতিংঙাদগী বিচার রাখিদনা সীতা লোম্না হুখিয়ে। সময় মতম অহৈগদা চীংঙ্ ঐবু লৈঙামইগীদি খমমুং যমনিংথৌদা রাবণ মানংনবা প্রাণ খরায় থাদোক্লৌঙেনে। রাবণ মানা পোলবী উচেক ওইনা পাইখিরবসুও খোইয়ম ঐদি খরং হাইমুচেকপু ওইনা হাইহৎ-লৌঙেনে। লেমলৈ ঙাবু ওইনা সমুদ্র ঈরেলবুংদা লোৎখিরবসুও গুম্ভীর লাইরেন ওইনা ঘোৎফুক্লৌঙেনে। লৌরাই য়ুবুংকোয় লৌবুক উচি ওইনা মালেম লৈথুনমুংদা চংখিরবসুও লিলা তাংলৈ হুপুববু ওইনা চিকহৎলৌঙেনে। রাবণ পাপী ফত্তববু শোংকিদা সনা সিংহাসন মায়ওকলেপনা রাহমলু ও হায়না থৌশিচিলখিরে

হায়দবরা। অঙ্গদ যুবরাজ লাংজেং মখোল্লকপনা রাবণ মায়ওকলেপনা রাহমখিয়ে। হে রাবণ নিংথৌরেল ও ইবুঙো রাম সনা য়াথংনে। ঠাকুরানী সীতা লক্ষ্মী নামুংবীবু লাহন পঞ্চবতি গৃহয়িম অতিংঙাদগী বিচার রাথিদা পাপী লমচৎ অতাক্লনা সীতা লোম্না হুখিয়ে। সময় মতম অত্তুঙৈদা ইবুঙো রাম নামুংববু লৈঙামইগীদি রাবণ নানংনবা থমম্লুং যমনিংথৌদা শমু থুংশিন্নরোঁইঙনে। হৌজিক দৈবনোংদম্বনা তম্লক্লে। লানফম নমায় লৈগুনো। তৌইগুম হে রাবণ নিংথৌরেল ও নংনা ইবুঙো রাম নামুংববু বৈরীয়েক্লরবদি প্রাণ থরায় মাঙঙনে। চীংঙ্ কদৌঙয়রোই। মশানৌ সীতা লাইরৈমাবু রাবণ নাকোক্লা হাপনা লঙ্কা লৈপাক তান্তরিঙৈ খোইয়ম সনা মখোঙখাদা কংলমলা ও হায়না রাহমলুববু রাজা দশাননা পাউখুম্লকয়ে। খোয়মা নারোলম্লুংগী পামেল উহৈচাবা নংবু কনানো। পস্থৌ নপা কনানা শাংপা পলেম নমাস্থঙ কনানা পোকপা কোলোই নমিংথোংস্থঙ করি কৌবনো হায়না পাউহংলকপবু হোয় রাবণ নিংথৌরেল ও ঐদি রামদাস খুৎফানাই রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেলগী খোংলোয় পাউহল্লোইনে। বানর কোলোই ইমিংথোংদি বালি নিংথৌ মপারি অঙ্গদ যুবরাজ অহনবা খ্বা য়োংপাখং অতেংবা ও তৌনা কৌয়ে। হে রাবণ নিংথৌরেল ও প্রাণ নংগী নথরায় মাঙগদবুদি নমদা হুলনা করিগী কোলোই ইমিং হুংঙম্বনো হায়না পাওখুম্লবগা। তৌইগীদি হে বানর চেংলৌ শকোয়থিবা য়োং ও। নপা বালি নিংথৌরেলনে হায়রবদি বালিনিংথৌ করম্বনো। খুয়াউৎফুল্লেনবুস্থঙ লম্বী উৎফুল তাববুস্থঙ সমুদ্র লৈঙোই অকুপ্পবুস্থঙ বালি ও কৌয়ে। নপা বালি করম্বনো হান্নানা য়াথংনমনা পাউহংলকপবু অঙ্গদ পাউখুম লৈনিংশিংবনা হোয় রাবণ নিংথৌ হুরালব ও সমুদ্র ঈরম তরেৎমদা হিপোক

কুম্বাল রাইগুম্না নাকোক তরামবু লাইজ ঈদলুপ্পা লাকচিনবা রাবণ নবুককংনা ঈপিথকপা খ্বা য়োংনিংথৌ কিষ্কিন্ধ্যা লৈমাম্না ইপল শমু মমৈতোন অকুইবনা রাবণ নখরাংদা য়েং নকোক তরামদা তোংনা সমুদ্র সন্ধ্যাম তৌনবা বালি নিংথৌ মিংচৎপা মপারী অঙ্গদ ইপাতাম্বা রাম নামুংবগী চীংঙ্ৎ খুৎকা নাইনে। তৌইগুম রাবণ নিংথৌ অমদি খোইমোম ব্রহ্মা মরনকুগী মকোক তরা পালয়ে। রাবণ নিংথৌ অমদি সংসার পুংমগী নারী থুপী হুরালয়ে। রাবণ নিংথৌ অমদি লঙ্কা লৈমায়োন্দা লৈয়ে। নঙদি নারী থুপী হুবা উলপি পুক্নীং মবনা পাপী লমচৎনবা। চীংঙ্ৎ রাম মতেলচাদা নোংমলগে হায়না নোংহাম্বা রাবণ নিংথৌ হিংচাবা হায়বাদি নঙনারিঙেনে। লাহল পুর্ব্ব হয়িচকঙৈতা। কার্ত্তিকবীর্য্যার্জুন ননিংথৌনা নোংমাদোল লাইজা ঈরিকলাইদা মশানৌ রাণী ফম্বাল কম্বীপা লাইজা পাসানারিঙৈ মিংমৈ হাইনা য়েংনা লৌনারাগী নিংথৌ কার্ত্তিকবীর্য্যার্জুন অহেন-বানা থমোই মুঙপাক নলনা দণ্ডি রারকনাইঙদা নপাপোকপা নপুরেল পৌলস্ত মুনিরেল খোইখোইবনা প্রাণ নথারায় ঙাকপি-রোয়ে। হৌজিক সময় মতম অসিদদি রাবণ নথরায় ঙাকপি-নাববু পুম্না লৈতারে। হে রাজা দশানন ও খোইয়ম কোরৌ ইনোংথৌ শ্রীরাম নামুংবদি সনা অযোধ্যা অতাম্বদগী লমগাহৌ খ্বা লমলোয় ওই লঙ্কা নাপুংয়াইবু ইংখোল কৈরোয়থাকুমনা কোয়হৎলে। রাজ্য নরৈপাক তাক্তানবা থরায় নমিরেলহুঙ মাঙদানাবা য়োইবু সীতা লাইরৈমা পুমুং লৈময়োনগুম্বীবু রাম সনা মখোঙখাদা খোয়মা মায়ওক্লনা কৎলমলা ও। চীংঙ্ৎ রাঘব সীতাপতি লালকম মৈশালাংনা নশানৌ বিভীষণ লৌশিংবদা লঙ্কা লৈপাক পিগে রাজা নিংথৌ ওইও হায়না সঙ্কলপ রা-শকমরে। অসুম রাইমলাবদা রাবণ নিংথৌরেঙ্গি উলবি

কলহৌনিক কঞ্জাও মথৈ লৈতনা নাতাব্রিঁৱৈ মদাইরেম দানব লাম্মী অথৌবাশিংনা অঙ্গদ রাইবার চৎলপা অসিবু প্রাণ থরায় হাং ও। বানর য়ানও হায়না শব্দ থোনজেল বাংনা লাও-রকপাবু অঙ্গদ পাওহুলবনা হেল্লা থওইদনা পাওথুমখিয়ে। হে রাবণ মূর্খ অপঙবা বিচার রাথিদবা। নিংথৌ নত্তিক থঙদবা নঙবু ইপল বালী নিংথৌরেনগী শমু মমৈতোল অশাংবনা রাবণ নথ্রাঙয়েৎনা সমুদ্র ঈরেলপুংদা লুপ্পা ইপলগী শাললাথৌ নঙগুম-বনা অঙ্গদ ইপা তাম্বা ঐবু শমু নখুৎতোলনমুঙ ফাঙমলোইয়ে। চিনগোয় নয়াথং অসিবু ঐনা নাতাবদি নাকোক তরামগী চুরা হামুল লাকনা শূন্য অতিংঙাদা রাবণ কোকইকানা থমমুং যম-নিংথৌদা শমু খুৎশিলননা থাদোকনিঙয়ে। হায়না অমুম পাউথুম্লিঁৱৈদা লঙ্কা লাম্মী অকনবা নিপালদংনা অঙ্গদ শায়েঙপালবু লাকনা চিংথোক্লরবগীদমক। অঙ্গদ লালপুকহৌনা লাম্মী অকনবা মরিদংবু লুবাই্থ হামুল লাকনা চোংথোক্ললাবগা। লঙ্কা পল-থোঙজিন্দা শমু খুৎতোল লাকনা হায়হৎলম্লবগা। অঙ্গদ মরাই লংনা শ্রীরাম সনা মথোঙথাদা। শমু থাংচপ্পনা রাকৎচখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো রাম নামুংব ও। চীংঙু সনা নয়াথংবু নদাইরেম ঐগী তাংজা লুদাথোক্লনা রাবণ মায়ওক্লেপ ভয় অকিববু লৈতনা। হে রাবণ নিংথৌরেন ও লঙ্কা নরৈপাক তাক্তনবা থরায় নমিং-রেনমুঙ মাঙদানাবা নশানৌ সীতা লাইরৈমা ঠাকুরাণী ইবেম্মবু থোইয়ম সনা নখোঙথাদা কৎলমলা ও। হায়না রাহমলুববু রাবণ মৈশারাংনা পাওয়াঙমদে। নদাইরেম ঐবুত্তম দানব হিংচাবশিংনা। শায়েংপালবু লাকনা চিংথোকঙায়বগীদমক। কঞ্জাও লাকঙমদনা লাম্মী অকনবা মরিদংবু শমু খুদোললাকনা লঙ্কা পলথোঙজিন্দা হায়হৎলময়ে হায়না রাকৎলবদা। শ্রীরাম অহেনবনা মদাইরেমবু থৌজাল মায়ওক্লনা য়োইচালবিখি হায়দবরা।

রাবণ নিংথৌরেনমুঙ সনা মাগী সিংহাসন্দা ফম্না মপারি ইন্দ্রজিৎ অহলবদা বাহমখিয়ে। পারি লাংলেল কোঙয়াঙ রাপিহল ও। রাম লাম্মী অথৌবশিংদি সনা ইরৈপাক্কী লঙ্কা কোম্নুং চঙনা পলথেংলরে। পারি নঙবু লালফম নমায় লৈদা খ্বা মায়য়োক য়ানা হুয়েল লালশোক্লক ও। অসাইনৈগী অঙ্গদ পাওহন্নবা অহুবু হান্না প্রাণ থরায় মাঙহল্লু ও। নদাইরেম দানব অথৌবশিংবু হুয়েল লালবু যানা বানব তেঙ্গাল চাইখাযমন্নাক্ল ও। হায়না সনা ফিরোয়পি রাজা প্রসাদ অথোইববু পিজরবনা মপারি ইন্দ্রজিৎ পুনুং অচৌ মৈকুমবনা। শমু থাংচপ্পনা পাওয়াখিয়ে। ইপল রাবণ নিংথৌরেন লঙ্কেশ্বর লৈমাবা ইবুঙো তাও ও। নদাইরেম লঙ্কা লাম্মী অথৌবশিংবু কোটি মপুম পাঙমদে। নপারি ঐস্নুঙ হুযেন লালশোক অচোবা অসিদা পাঙ্গন ইতিক উংনা হুয়েল লালশোক্লগে খোয়মা ইমায় ওল্লোই। ইপল লঙ্কা নিংথৌরেন নঙদি চিন্তা অরা হুইরাংশোন্দনা সনা নঙগী সিংহাসন্দা শান্ত পুক্নীং তপ্না ফমফমবিঙাম ও। হায়রবগা মপারি ইন্দ্রজিৎ অথৌবা কোরৌ নোংশিংজংগুম্বদি সনা হুলাইতোং ধ্বজফিরাল থালনা বাংলেল পুংজাওয়ে শব্দ খোলজেল নাইবা পুন্নমদি খোলজেল নোংথককা লঙ্কা লৈপাক্লিল সেনা লাম্মী থিঙমদা শাগোল শামু মপুম পাঙমদনা। অস্ত্র খুৎসু মথৌহৌ নোংখাক চৈরোয়ননা লঙ্কা পলথোঙলেন মরিমদা লাংবল ঈকাঙাগুম্না হাথোকলকলে হায়ঙবরা। খ্বা তেঙ্গোল মনিল নাইবা পুন্নমাস্নুঙ দানব মায়ওক্লেপ কাওরেল শলথৌবা মিৎয়েংনা খলয়েংননা নোংহান্নবদা। অঙ্গদ সেনাপতি মারালথোঙ হাওরৈ থানা পাংবারমদা হালনা হুয়েল লালশোক্লববু। বানর অথৌবশিংনা থৌহুমুঙহুমহুল মুঙলেন নোংজুনা পামেল উজাউলংনা রাক্ষস লালয়াম হাৎলবশী। ইন্দ্রজিৎ অথৌবনা লালতাল

চৈরৎতনা দানব লাম্নী থৌচিললক্লবগী। খ্বা পামতালননা য়োংমু লালয়াম চাইথায়রায়ে। বানর থিঙমদনা নোংমল্লাবগী অঙ্গদ অথৌবনা মদোম লাপবুক ময়াঙহৌ লালশিকাললনা চোং নোংশিং চৈরোয়ননা। তাংজা লৌনাথোঙ্গুম্না ইনচিলখিল্লাবদি। লঙ্কা দানব লাম্নী অথৌবা থোইমা ময়ায় লৈদবশিংবু পাঙথংকাংজাই তমগুম্না থুথায়রে। মরিম লাম্নী থিঙমদনা হুয়েল লালতুন্ন-বদা ইন্দ্রজিৎ সেনাপতি অথৌবনা পাওমেল্লকয়ে। হে অঙ্গদ লালঙ্গিংবা ও রাম মতেলচাদা নোংমলবা মপাল্লি নংগুম্না নপা হাংপা মংশক কাওনা ঐবু হুয়েল লালশোল্লিংলবদি অসি কোল্লৌ মুম্বিৎমদা প্রাণ থবায় মাঙহনগে। থোয়মা নমায় লৈগুনো। হায়না অঙ্গম রাহয়কপবু অঙ্গদ লৌশিংবনা পাউথুমখিয়ে। হে ইন্দ্রজিৎ হিংচাবও। চীংগু রাম মাতেলচাদা ইপল বালি থবায় মাঙবদি। নপা রাবণ হিংচাবা পাপী কৎতাবনা য়োইবু সীতা লাইরৈমবু লোননা হুখিবগী সীতা থোঙথুন লিরকপদা রাবণ মাঙংলাংগী ইপল রাজা নোংমলয়ে। অঙ্গুহুঙ মাদোমদে। পোলবী চেক্লিংথৌ চেক্লা জটায়ু পক্ষি অশিংবাসুঙ গবক্ক ত্রিষিরা অনিমাসুঙ রাবণ মাসুংলাংগীনা নোংমলয়ে। নপা পাপী কৎ-তাবা শঙলৌ মাথৌরাও। পাপী মহৈচুম্না য়ালকনা। সমুদ্র লাইজসুঙ ফৈনা থিংলে। অসি হুয়েল লালশোক্লাবদা নংহুম থোয়মা নমায় লৈগুনো। লালকম নিপা থোক্লসে। হায়না সেনাপতি লালচিংবা অনিমাদি থোয়মা মায়ওম্নদনা হুয়েল লাল-শোক্লারে। ইন্দ্রজিৎ অথৌবনা রায়রা তেলয়াম কাপলক্লাকপী বানর লালথোঙ কায়না হুয়েন লালচেন থোক্লকলবগী অঙ্গদ সেনাপতি অথৌবনা মাদোম থোয়মা মাক্লওনদনা শোক্লারিঙৌ রাহমখিয়ে। ইন্দ্রজিৎ হিংচাবাও। নংনা লাহল নোংশিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত অথৌববু লীলা থৌম্নি. য়েংদা হুয়েন লালশোক

মবগী অহু মতম মালঙৈনে হায়না অহঙ্কার নাপল বাংবা নংগু হৌজিক চেংলৌ মিৎকুপমরমদা প্রাণ নথরায় মাংহলগে হায়না পাঙ্গন মতিক উংনা কোয়ৌ ঙমথংচোংনা ইন্দ্রজিৎ হুলাই মথুং-লেং সাথি শাথোবাসুঙ য়াওনা মালেম নৈদা তানা কাওথেরবগী ইন্দ্রজিৎ অথোবদি শূন্য অতিংঙা নৈচিল হুংফাইহুংদা চেংলৌ শকউহন্দনা শালথুপথিরে হায়রে। অঙ্গদ সেনাপতি অথোবাসুঙ অমা পোংথারিঙৈ ইন্দ্রজিৎ মথংগী দানব প্রজাঙ্ঘ অথোবনা লালফম মায়ওক্লেপনা চোংথোক্লরবদা। অঙ্গদ লালচিংবা মথংগী বানর সম্পাতী অথোবনা প্রজঙ্ঘ মায়ওকয়ানা হুয়েন লাল-শোক্লারে। দানব হিংচাবানা রায়রা মাতেলচা তেলবি থাংনং-শাববু লিচিং নাকোংফংনা সম্পাতী তাংজা লুরেল তম্না কাপ্লকপবু রায়রা তেলপাল শোয়রে। সম্পাতী অকনবনা পামেল কৈনা লংথিবহু প্রজঙ্ঘ থবা লিকশিরমদা পাল্লবগী মালেম নৈদা ওন্না নোংমল্লে। বানর সম্পাতী অথোবাদি শমু মমৈতোলনা লঙ্কা লাম্বী তরানিপালদংবু শূন্য অতিংঙাদা হাইহৎলবগা। তপন হিংচাবা অথোবানা লাঙ্গোই শামু খোঙওইননা রায়রা পাল-দম য়েংনা ইথোক্লকপাবু। নল অথোবা নোংশা মচুম তাগুম-বনা লালশোক থোংফেল মায়ওকয়ানা শামু শায়াঙথকী তপন হিংচাববু লুরেল খুংতুমমৈ ঙক্লি লুসম তেক্লা নোংমলহাল্লে। লঙ্কা লাম্বী অয়াম্বদি য়োংলেন মায়ওক য়াঙমদা হুয়েন লাল-খোঙকায় থরায় মিরেল পাইনা চেন্নখিরে হায়দবরা। হাওরে নোংচুপ্পা পাংবারম। হনুমন্ত নোংশা মচুম তাগুম্বগী হুয়েন মরালখোঙদসুঙ লঙ্কা লাম্বী অথোবা বিদ্যুতা মালী সেনাপতি লাপ্তিংবগা মহা হনুমন্ত বানর লাম্বিংবগা অনিমদি শায়েঙ শালথুতিং মকোম খোঙথুখিন লাল্লাও নোংদাকনা হুয়েন লাল-শিঙনরাবদা। বিদ্যুতা মালী- হিংচাবনা রায়রা তেজপুর মঙা

কাপ্লকপবু তেলকাপ থওইদনা হনুমন্ত মখোনাই লালশোক মরাঙ- হৌনা শমু মথুংপাক থাঙলেন রাশাবগুম্না বিদ্যুৎতা মালী অথোবগী তাংজা লুরেলতেলবু ককথংলবদা। খ্বা অথোবাশিং- সুঙ লল্লাও খোঙ্গেলচাওনা দানব নেংচংয়ানববু। অমা ইশৌরাংদনা লঙ্কা তেঙ্গোল চাইখায়রে হায়দবরা। উত্তর অমাং পাংবারমগী রাজা সুগ্রীব মরালথোঙদসুঙ দানব মীত্রাখন লাক্লিং- বনা লালহৌ নোংশা খোলদাননা সুগ্রীব অথোববু লালক্কম মায়ওকয়ানা রায়রা মতেলচাবু লাংবল খোইয়েল পাইগুমনা ইনথোক্লকপবু। রাজা সুগ্রীব নিংথৌ অক্সনবনা হেনলা থওইদনা পামেল কৈনা হাই দানব লেংকাইহাংনা মিত্রাখন সেনাপতি অথোববু হুদি থমোই কায়না নোংমলহললে। রাক্ষস হিংচাবশিংদি হুয়েন লালথোঙ কায়না লঙ্কা অরাংথোঙদা দৈত্য ফময়ান্নরবগী বজ্রমুষ্ঠি অথোবনা তেলপি নোংচুনা থাম্বী মৈশারাংগুম্না ইথোক্ল- কপাবু খ্বা অথোবশিংদি লালশোক মায়ওক য়াঙমলরবগী। য়োংমু পামতালনা বানর লালয়াম শিরবগীদমক য়োংমু মহিস্ত অথোবনা বজ্রমুষ্ঠি অথোববু খুৎভুম চৈথা অমরক্লা নোংমলহল্লাবগা। দানব হিংচাবশিংদি লঙ্কা কোমুংচঙনা হুয়েন লালচেনথোকখিরে হায়- দবরা। হাওরৈ নোংপোক্লা পাংবারমগী নীল সেনাপতি মরালথোঙদাসুঙ দানব সুকর্ণ অথোবা পাঙ্গন মপা তাঁমবমা ল.লতাল চৈরংতনা য়োংমু থওইদনা তেলপি মাঙওইকাপলা য়োংলেন লালয়াম শিহল্লাবগী। নীল সেনাপতি অথোবনা লালপুক মরাংহৌ লালশি কালনা চোং নোংশিং পোৎলুমশিনা সুকর্ণ মায়ওকয়া হুলাই চাক্লেন লাক্লা শুন্য অতিংঙাদা হুলাংথাক- লাবগী। সুকর্ণ অথোবদি উকুল লৈদা ওল্লা নোংমলহাল্লাবদা। জম্বুমালী হিংচাববু খোয়মা মায়ওক্লনা চুবা মাক্লমদা খুৎচিন কাল্লল হোৎ খুৎভুম কিলচাওখিলনা নোংমলহাল্লবগা। খ্বা

অথৌবশিংমুও লল্লাও নোংদা কা লালশোক নমচিল্লতালনা দানব নেংচং য়ানলবগী খ্বা মায়ওক য়াঙমদনা থরায় মোংদা কা মিরেল খাংবু থংনা লালচেল্লাইথংননা ছুয়েন লালখোঙ কায়না চেন্নখিরে হায়রে। লঙ্কা সনা থোঙলেলখৈ মরিমদা সৈন্য কাময়ায়না ছুয়েন লালশোক্লবজি ছুমিৎ বাংনা কা মিরেল চেপ্পা লৈবকপাক্তা কৈবী হনুমন্ত ময়ালথোঙদা চীংঙু শ্রীরামচন্দ্র থোই-খোয়বগী মখানৌ লক্ষ্মণ যৌবন মথোকক্লপা বায়রা তেলহৈবনা লিরি তেলগা থোংনা কাপথোকখিববু। উদয়ন্ত হিংচাবনচিংনা লাম্মী তরানিপালদংবু তাংজা লুরেল কক্কা ছুয়েন লালতুরবগীদমক। দানব ঈঙাঙথোকপনা ইঙা লোৌখোং চেনগুয়ে হায়দবরা। অচু-মুও মদোমদে। দানব হিংচাবা বীর্ব্ব বাক্য অথৌবনাচিংনা লাম্মী লিশিং হুম্ফু্তরাম্ব খুংমু অথৌববু মাঙওইননা শমু হক-থেংফংনা ইম্বোক্লকপবু। লক্ষ্মণ নোংশা লালতানবনা পুম্নুংচংবি লমু তুপকুমা য়ানখুরে হায়রে। য়োইমায়াই অঙালববু থোঙলোন থমগে হায়না তৌগুয়ক্লবদা রামচন্দ্র মদাইরেম খ্বা অথৌবা লঙ্কা লৈমায়োনবু চক্র মকোয়কনা ওক্লেন পলকোয়তম্মা বানর তেজোল কোটি অনি থিঙমদনা। লঙ্কা পম্বোঙলেম মরিমদা দানব মায়ওক লেপ্পা ছুয়েন লাল্লাওববু থোঞ্জেল নোংদা কা নোংশিৎ চৈরোইননা উফুল নোংলৈহৌ কাঙদেন কৈনাবং মুঙলেন নোংচুনা লালশোক মথৈলৈতনা তকচিনখিববু। লঙ্কা লাম্মী অথৌবশিংমুও লল্লাও খোঞ্জেন চাওনা খ্বা হাং ও ককয়োং তালও য়োংমু থীল ও হাম্বনা নোংলেন মরাঙহৌনা ইম্বোক্লকপবু। রা-ক্ষস মায়ওকয়া শমু হকথেংফংনা খোংফেন লালশোক্লবগী দানব লালশি ঈ খ্বা নোংমন ঈকানা লালফম ঈঙাঙচেনববু। নদি ঈশিং চেনগুয়ক্লনিগীনা। শমু খুনানথোকপনা হকশাং ঈঙাঙতে। লাগোল শামু লৈদাওন লালপোং চৈরেলমঙানবামুও ঈমু

লৈখোম তোংনা নোংমল মলনরাবদা। লালসি ঈঙাও ঈথক-হৌবদা। শগোন শামু হুলাই খোঙমী ধ্বজ ফিরাল অস্ত্র খুংস্থ পুপ্পমাবু কাওবি শিঙলোই তাউগুম তাউখোক্লে হায়দবরা। চীংঙু শ্রীরাম নামুংবগী মশানৌ লক্ষ্মণ অথৌবনা হুয়েন লালহৌ অমরক তকচিনখিরবদা দানব লালখোঙ মুৎনা নোংমলহল্লাবদা। ময়িম লঙ্কা লাম্মী মনিল নাইবা পুন্নমাম্নঙ। শূন্য লাম্মী কোটি খিঙমদা লালতাল চৈরংতনা ইস্থোক্লক্লাবগী। দানব মায়ওক য়াঙমদরাবদা শ্রীরাম নামুংবনা লালফম মায়ওকলেপ ধনু লিরুং য়াইওইববু। লিচিং নাকোঙফং সন্ধ্যান পালগাতম্না নোংহাম্নবদা। রাবণ নিংথৌ মদাইরেম অগ্নি কেতুরগ্রন কেতু অকনবা, জগ্য-গুবান অথৌবা মরিমনা চীংঙু দেব নরায়ণ নামুংববু খোইয়ম খোয়মা মায়ওকয়া লাঙ্গোই শামু খোইওননা তেলবি অথৌববু লাংবল খোইরেল পাইগুম্না শ্রীরাম নামুংববু তম্না কাপ্লকপবু ইবুঙো রামজী অহেনবনা দানব হিংচাবা মরিমবু লাঙ্গোই শা-রাঙথক্কী। তাংজা লুরেলতোলবু তাওজিংতুগুম কাপথৎতম মালেম লৈদা তানা কাপথরে। শমু মখুৎনেৎ মরিমম্নঙ মালেম লৈদা তুনা নোংমলহল্লে। খোইয়ম রায়রা তেলবুম্না কাপথোক-খিবনা তেলবি অথৌবা চামখোক্লা পাইখিবনা দানব হিংচাবা মশীং খিঙমদনা নোংমলহল্লে। শগোল শামু হুলাই খোঙমী ধ্বজ ফিরাল মশীং খিঙমদনা উফুল নোংলৈওই চেংলৌ মিকুপ-মরমদা নোংমলহল্লে। চীংঙু মথিনাই কঙ্গাও মখৈ লৈত্রা লালশোক মরাঙহৌনা লঙ্কা পলখোঙলেন মরিমদা পোলবি খারঙচাকরায়থৌনা চেক্লা য়োমদম চাইখায়বগুম দানব নেৎচৎ-য়াননা থুখায়রবগীদমক। রাবণ নিংথৌ মপান্নি ইন্দ্রজিৎ অথৌবা চেংলৌ শকউদনা মায়া লালশোকহৈবা। নোংথক লৈচিলম্নং অথা-প্পদা সলধুম্ননা দানব লালখোঙ কায়ববু চেংলৌ মিংথিংলবগীদমক

লিরুং খুৎতাগু তেনকাপ চৈরৎতনা তেলথা কুণনা কাপথার-ক্লবগী। খ্বা লাম্মী থিঙমদনা নোংমলহল্লবদা। বানর লাম্মী অকনবশিংনা তেলবি নোংচুনবা অসিবু কোরৌ নোংলোন কদাই-রমগীনো। হায়না কোরৌ ঙমথংচোংনা মিংয়েং শানখৈবমুঙ চেংলৌ মিংথিংলক্কে হায়য়ে। ইন্দ্রজিৎ মেঘনাদ অথৌবদি মদোম লাল্লাও নোংথাক চৈরোয়ননা। রাম লক্ষ্মণ অনিমবু তম্না তেলরাইথরকপগু চীংঙু রাম নামুংবনা শমু মহকশাং নব অনৌবদা তেলবান তুখোঙলোয়না পাল্লবগী। তেলবান অনা থাংঙমদা রাম লক্ষ্মণ হকশাংনিক লিরুং খুৎমুথা। লুরাই কোই-রেলথক্কী সনা লুহূপতোলমুঙ মালেম লৈদা তানা খ্বা য়োংয়াম শিরবগী। য়োংমু মরোং চৈচেলবা খ্বা লালথোঙ খঙদনা হুয়েন লালচেন থোক্লকপশিংনা বানর লাম্হোঙ মরিমগী সেনাপতি লাঞ্জিংবদা রাহমথিয়ে। হে সেনাপতি লাঞ্জিংবশা ও। খোইয়ম শ্রীরাম নামুংবমুঙ মশানৌ লক্ষ্মণ অকনবগা তেলবান চৈথা লুম্না পাল্লে। মদাইরেম খ্বা লাম্মী পুম্নমাম্নুঙ হুয়েন লাম্হোঙ কায়রে হায়না অসুম লালপাও তম্লবদা। হুয়েন লাম্হোঙ মরিমগী সেনা লাঞ্জিংবা রাজা সুগ্রীব নিংথৌমুঙ। অঙ্গদ অথৌবমুঙ। নল অকনবা অহম্মনা চেংলৌ মিংকুপমরদা। হনুমন্ত কৈবি অকনবা মরালথোঙবু তালনা চীংঙু রাম লক্ষ্মণ অনিমগী খোইয়ম সনা মথোঙখাদা বাইথুংলরবগা। রাবণ নিংথৌ মপারি ইন্দ্রজিৎ অথৌবদি হুয়েন অমরক লাগনিঙশিংনা তাংজা লিলগী তেল অথৌবনা রাম লক্ষ্মণ অনিগী শমু খ্বাংদা য়েৎনা পুল্লবগী। চীংঙু মালেম লৈদগুন খোইয়ম তাংজা লুরেলতোলদি অরাং লাইনাপাং। লক্ষ্মণ অথৌবমুঙ উফুল লৈদা ওম্না তুরে হায়দবরা। ইন্দ্রজিৎ হুয়েন লালশোক মীনমহৈবদি শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমনাচিংনা খ্বা মপুম থিঙমদনা লালশোক ঙম্মে হায়না

অহঙ্কার নাপল রাংনা মপল রাবণ মাঙদা শমু থাঙচপনা হুয়েল লালপাও তমখিয়ে। ইপল রাবণ নিংথৌ লঙ্কেশ্বর লৈমাব ও। নপারি ঐনা রামচন্দ্র মাবু হুয়েল লালশোক্কনবদি লৈরোল নোংলোন অহুম্মদস্তু বানর লালেশোক অসুমবদি উথোক্তে। নদাইরেম দানব হিংচাবা লালকম মমায় লৈদবাশিংবু মশীং থিঙমদনা বানর মরাল ওইনা লঙ্কা পম্থোও মরিমদা কোটি থিঙমদনা নোংমললোরে। নপারি ঐস্তু বালি নিংথৌ মপারি অঙ্গদ সেনাপতি লাঙ্গিংবগা হুয়েন লালশোক্কনবু। সনা চুলাই ইখুনেৎকা সাথি শাথোবস্তু য়াওনা নোংমল্লাবগীদমক। শূন্য অতিংঙা লৈচিন নোংফাইনুংদা লোৎনা ইদোম লাইশেংজারৌয়ে। হুয়েন লাম্নিঙশিংনা পাঙ্গন ইতিক উৎ কপ্লাও মৈরাথোকনা হুয়েন লাম্থোও মরিমদা তেম্থা ফুইনা কাপ। খ্বা থম্নুংথিৎনা য়োংমু লালয়াম শিহল্লবগা রাম লক্ষ্মণ অনিমদি নোংচুপ থোঙন জাওরম হনুমন্ত মরালথোঙ য়োংমু তেঙ্গোললক্তা লৈঙাময়ে। নপারি ঐগী রায়রা ইতেলচা তেলবি অথোবনা রাম লক্ষ্মণ অনিমস্তু শমু হকশাং থিৎনা তেলপাল্লে। তাংজা লিলগী থৌরিনা রাম লক্ষ্মণ অনিমবু শমু খ্বাংদা য়েৎনা পুল্লময়ে। বানর লাম্থোও মুৎলে হায়না অসুম হুয়েন লালপাও তম্নবগা। মপল রাবণ নিংথৌ মকোক তরা পানবদি মপারিগী হুয়েন লালশোক রাবু নাতারবগা। উলবী মখৈ লৈতনা হরাওরবগীদমক ইন্দ্রজিৎ অথোবদা সনা ফিরোয়পিনা সামগ্রী মশীংস্থ ইন্দ্র জগোইশাবী তরাদংস্তু তাল্লোই তুমুংশি অপানবিবু ওইন ও হায়না লনকু-বিরবগা। সনা চাকলুকহানা য়োয়চালনরে হায়দবরা। রাবণ নিংথৌ নাবাংবনা মচন ত্রিজটা হিংচাবীদা রাহমখিয়ে। হে ইমোম ত্রিজটা অহেনবী ও। জনক নিংথৌ মমোয়োন সীতা লাইরৈমদা রাহমলু ও। সীতা কোয়ৌ ননোংথৌ রামচন্দ্র

নামুংবদি মশানৌ লক্ষ্ম অহেনবগা লঙ্কা পলথোঙলেন্দা খ্বা য়োংয়ামশিনা। পারি ইন্দ্রজিৎ অথৌবনা প্রাণ থবায় মাঙমা নোংমলহলয়ে। সীতা পায়মা উনগোইমুংদা চিনগোই ইয়াথংবু থাজদাবদি সনা তুলাইতোংনা লঙ্কা পলথোঙলন্দা য়েংহাললু ও হায়রাবগা। ত্রিজটা হিংচাবীনা সীতা লাইরৈমবু পুষ্প শিঙলেন তুলাইথক্তা হাপ্না হুয়েন লালশোককমবু য়ৌরবগা। শমু খুৎপু থিলনা রাম লক্ষ্মণ অনিমা হুয়েন লালশিবদি অসিনে। হায়না পাওতাকলাবগা। য়োইবু সীতা লাইরৈমনা স্বামীজি কোয়ৌ-মনোংথৌ রাম নামুংববু চেংলৌ মিৎথিৎলবগী। সীতা থবায় নোংদাকা থিকলেন থাগাফু পিরেল থকমাদনা মুংশি পুক্লীং কায়না মিকপথিয়ে। হে ইবুঙো রাম অহেনবা। সীতা থবায় ইমিরেল ও নংবু। দেব নরায়ণ শংশঙবা দশরথ নিংথৌ মপা-রিনে। নশানৌ সীতা লাইরৈমা য়োইবু লাইবকথিবী মুংশি মথৈ লৈতবী সীতা ইশুংলাংগী। লঙ্কা লমওনথোক সমুদ্র ঈরেলপুঙনা পলওইনবা অসিদা লঙ্কা লালশোকনবগী। শানৌ লক্ষ্মণ ঙাইরোয়ননা খ্বা য়োংয়ামলক্তা করিগী লালফম নমায় লৈদনা সনা শিরুং ভৈথাঙনা। স্বামীজি হকশাং থম্বাল লৈগুম্বা ঐবু লোইবা ইবুঙো নংবু। করিগী নোংমলঙাম্লবনো কনলকয়ে। হায়না লঙ্কা পলথোঙলেনদা সীতা মতৌকমলৈদা পীরেল থক-মাদনা ত্রিজটা রাক্ষস হিংচাবী রাবণ নিংথৌ মমোমলোন্দা রাহমথিয়ে। স্বামী ইনোংথৌবুতালনা সনাতুলাইপুজিলবী ও। কোয়ৌ নোংগামম্নগে। লাহল্ পঞ্চবতি অহেনবদগী লাংলেন রাপুম থায়গুম থায়নরকপবু। অসি কোয়ৌ মুমিৎমা অসিদা ইবুঙো চেংলৌ শকউনায়ে। অকেম চকমোম লাংগা ওইবমুঙ ইপিংঙা ওইমম্নগে হায়না রাহমববু। ত্রিজটা হিংচাবীনা পাওজেলথি। হে সীতা লাইরৈমা নংনা পীরেল থকমাদনা দেখ

তুলাই মথুংনেং অসিদা মীকপ্পবু কপকদবা তুলাইনে। রামচন্দ্র নামুংববু ইন্দালসে হায়রক্লঙ ইহু রাবণ নিংথৌনা রাভাখিরগনে হায়না থৌথাঅখিরে। সীতা লাইরৈমদি সনা তুলাইথক্তা তুলাই খোঙবু থিননা মীকপখিরে। হে রামশ্যাম অহেনবা ইবুঙো তাও ও। সীতা নশানৌ ঐবু পোলবি চেকওনথোকপু ওইনা রাম সনা নখোঙখাদা করম পাইচিল্লকফদবনো। শমু নহকশাং নিংখিবদা য়োইবু শমু ইথুৎতোল চীবাপাওনৈদবি হাকুম্বি। চম্পা লৈহাও মানবীনা করম কোলফদবনো কনলকয়ে। হায়না মীকপ্পবু রাক্ষসি হিংচাবী ত্রিজটা ফংতবীনা। সীতা খুৎঙমথী। অশোকবন ইথ্মোলতালনা পুজিলখিরে হায়দবরা। লালকম লৈদা ওনবা শ্রীরাম লক্ষ্মণ লালশোক সৈনাইববু মদাইরেম খ্বা লাঙ্গী অথৌবশিংনা শমু থাংচপ্পনা রাহমখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো ও। শানৌ লক্ষ্মণ মুংজালবগা তাংজা লিলগী থৌরিনা চীংঙ্ খাংদায়েং মালেম লৈদওন্না লঙ্কা লালশোকওম্না বানর লাম্হোঙকায় খ্বা য়োং-য়ামশিনা করিগী লালনংলবনো কনলকয়ে। নদাইরেম ঐখোইদি সেনা লাইবকখিরে। চীংঙ্ করিবানো হায়না শমু মথুৎজোলনা রাম সনা থুয়ারেলবু বানর কোক্তা হাপ্না মিকপখিয়ে হায়ে। রাজা সুগ্রীব নিংথৌনস্নঙ শ্রীরামচন্দ্র থোইখোয়বা ইবুঙো তাও ও। খোইয়ম সনা নয়াথংবু তায়ম তাংজা নদাইরেম দীগ মায়কৈ পুমনামক্কগী খ্বা য়োংয়াম খোম্না লঙ্কা লালশোকনবা অসিদা লালফম শৈনাইনংনা লীল্লা থৌরি থোকঙমদরবা অসিবু করি-রানো। বানর য়োংনিংথৌ ঐস্নঙ খোয়মা লাইবকখিরে। কিষ্কিন্ধ্যা ইরৈবাকী নিংথৌ চাকচা অয়াম্বস্নঙ নমদাল্লনা খুনেক তরা চনিরগে। হায়না পীরেল-থকমাদনা মিকপলবগী। খ্বা মিকপখোলবু য়োংমু তেজোল নিল্লাবগীদমক বিভীষণ লৌশিংবন-স্নঙ রাম সনা খুয়া পাম্না মিকপ্লিঙৈ। শ্রীরাম শিকবনা চীংঙ্

নিংশা শংহোলনা অজ্ঞা খোজেলপিল্লা রাহমখিয়ে। হে বিভীষণ লোমনা অপাম্বা ও নংনা সনা লঙ্কা নরৈবাক আনন্দ সুংঙাই-বব্ নমদাহুলনা সনা ইখোঙখাদা ঈনল্লারকপগীদমক লঙ্কা লৈবাক-চানা রাজা নিংথৌ ওইহল্লগে হায়বদি সৈত্য রাশকশোয়রে 'ভাংজা ইকাইরে। সুগ্রীব ইপাতাও নংসুঙ খোইয়ম ঐগীদমক খ্বা লয়োইওইনা লঙ্কা লালশোক্লবদি বানর কোটি থিঙমদনা নোংমল্ললে। রাজা সুগ্রীব ইপাতাও নংসুঙ তুখ অরানংলে। শাবী বাল্লি নিংথৌ মপাল্লি অঙ্গদ সেনাপতি লাল্লিংবা অসিসুঙ চীংঙ্ ঐবু নিংবগী রাজ্য নরৈবাক্তা যোযচালবি ও। নোংশিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত অথোবা নংদি অযোধ্যা ইপুংয়াইগী শানৌ ভরত চিঙখোঙযাইমবদা নশানৌ রাম লক্ষ্মণ অনিমদি লঙ্কা মপুংয়াইদা মালেম লৈদা ওননা লাল্লশোক শৈনাইরে হায়না খোঙলোয় পাশহলবী ও। চীংঙ্ ঐদি খ্বা অথোবা লালফম মমায় ওন্দনা কোরৌ নোংগামন্নখিরগে। রাজা সুগ্রীব নং-নাচিংনা স্থান নংখোয়গী কম্বীরেলদা হলরাইখিরো। চীংঙ্ ইন্নুংলাংগীদমকপু তুখ অবা নংলে হায়না শোলমোইবিগুনো। অসুম রাহমখোলবু নাতারবগীদমক। খ্বা য়োংয়াম তিলনা মিকপনরিঙৈ কোরৌ নোংমদোলগী ইন্দ্রসরারেলনাচিংনা খোয়ম লেংনা তিলবদা দেব লাইনিংথৌনা রাহমখিয়ে। চীংঙ্ ইঙাই-রোইশিং ও রাবণ নিংথৌরেলবু প্রাণ থরায় মাঙদরবদি খোয়ম ঐখোয়বু তুখ অন্না নংহৌঙৈনে। ত্রিভুবন ময়োল অহুমগী মবুঙো রাম নরায়ণ শিদবনু নোংমলকরোই। লীল্লা থৌরি কোকনবা নোংশিং চাম্মনিফুমাশলমা ও। শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমনা মদাইরেম খ্বা সেনা পুন্নামক্লসুঙ পোলথি গরুড় মমিংশোল ও লীল্লা থৌরি তংঙৈনে হায়না কর্ণ নাকোঙলেন্দ্রা তাকপিরু ও হ্রায়রবগা গরুড় মালং নোংশিং অয়াঙবদা বানর লাম্মী পুন্নমদা

গরুড় মমিং সোল ও। হায়না নাকোঙ পাওজেল্লুরবদা। খ্বা ভাংজা মরৈতোলদা পোলবি গরুড় মমিং শোলথোকলবগা। চেংলৌ মিংকুপমরমদা গরুড় চেক্লিংথৌনা পাইজিল্লক্লবগীদমক চেক্লা শাহুম তারবগী ভাংজা লিল্লাতেল অথৌবা পুল্লামদি মালেম লৈখুলচঙনা হুয়েন লালচেনখিরবগী চীংঙ্ নরায়ণ শিদবদি ইন্দ্রজিৎ রায়রা তেলবান কোক্লা চীংঙ্ চেল্লা পুক্লীংশিংলবগী। পোলবি নথৌজালগী লীল্লা খৌরি কোক্লে হায়না রাম খৌজাল-নরবগা পোলবি চেক্লিংথৌদি থিংলৌ নিঙনা তেনা হলল্লাইখিরে হায়দবরা। চীংঙ্ শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমনাচিংনা মদাইরেম খ্বা লাল্মী পুন্নমা মিরেল নৈদা ওল্লবা অয়াম্বম্মুঙ শমু মথুৎলৈদা-শৌনা হৌগৎলবগা। য়োংমু তেঙ্গোল মনিলনাই লাল্লাও নোংথকানা পাঙ্গন নিপাথোক কোরৌ ঙমথংচোং। খ্বা জগোইশা রাংলেন মরাঙহৌনা রাবণ নিংথৌ হাং ও। ইন্দ্রজিৎ অথৌববু তাল ও। দানব য়ান ও। হায়না লঙ্কা পম্থোংলেন মরিমদা বানর মরাঙহৌনা অহুম নোংহাম্লে হায়দবরা। চীংঙ্ শ্রীরামচন্দ্র থোইথোইবনা লঙ্কা লালশোক অহালবা দানব ক্লাময়ানবা অসিবু নরপোংবচা অয়াম্বনা রাম রারী তারবদি খোইমোম লাইরৈমা লক্ষ্মী সরস্বতী অনিমনা থৌজাল মায়ওক্লনা বর লন-কুবিয়ে হায়ে। নমু পোংবাচাশিং ও। তাংজা নৈতোলথোংনা জয় রাম রাম শোলনা নতাবি ও।

অসাইঙৈগী খ্বা লাল্লাওথোলবু লঙ্কা লৈবাক নিল্লবগী রাবণ মনিংথৌনা মদাইরেম ধুম্রাক্ষ অথৌবদা রাহমখিয়ে। ভায়ম নংদি দানব লাল্মী থিঙমদা শাগোল শামু মপুম পাওমদা বানর মায়ওকখানা রাম লালশোক্লরু ও। তয়ম খোয়মা নমায় লৈগুনো হায়না খৌশিখোলগী। ধুম্রাক্ষ অথৌবনা রাবণ নিংথৌমাওকী

লালচং খোঙশানলকপদি অজয় ফত্তববু খোয়মা মায়ওক্লা লুরাই কোয়রেলথক্লা পোলবি লাঙজা পাই ধ্বজ কিয়ালদথোক্লা চেক্লা মকুত্তোং মুগ্নি মীশাচাবিনা রক্ত ঈঙাঙ য়াগে হায়না সনা সেলপাক খুৎতায়না জগোই মরাঙহৌঙামববু শোংকিদনা শব্দ য়ারা থোক্লেলচাও সনা লঙ্কা লৈবাক নিলনা রাম লক্ষ্মণ ফা ও। খ্বা হাং ও। ককয়োং পুল ও। য়োংমু তাল ও হায়না লঙ্কা পঙ্খোঙলেন নোংচুপ থোঙজাওরম হনুমন্ত মরাঙ্খোঙদা লাংবল ঈকাঙাগুম হাথোকল্লবদা লালফম মায়ওকয়ানা লঙ্কা লাম্নী হক-থেংফং কাঙদেন রাইফাবনা চুবা নাহুমতম মুঙলেন তেংপাক জলগুম হুয়েন লালশোক্লববু। খ্বা লালয়াম চাইনা হুয়েন লালশিরবগীদমক নোংশিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত অমরশিদবা রামভক্ত অহেনবা খ্বা য়োংপাখং লালফম থৌওইদবনা বানর লালশিববু কালনাচোং দানব লাঞ্জিবা ধূম্রাক্ষ অথৌববু শমুহক-থেংফং তাংজা মরুতোলবু শমু খুৎনালাক চকপা য়েন চানম চানম লুচাওবিচাবু শংল্লৌখুৎদাকথৎকুম মালেম লৈদা তানা লৈথৎলবগী দানব লাম্খোঙকায়না থুখায়রে হায়ে। দানব হিংচাবা মরোং চৈচেলবাশিংনা রাবণ মনিংথৌদা রাহমখিয়ে। সনা লঙ্কা লৈমাবা ইবুঙো তাও ও। নাদাইরেম ধূম্রাক্ষ অথৌব-নাচিংনা হনুমন্ত মখুৎবাক্তা দানব লাম্খোঙ মুৎনা নোংমল্লে খ্বা লালশোক ভঙ্গোই হায়না হুয়েন লালপাও অমবগা রাবণ নিংথৌরেম্দি কজাও লাকওমদনা রাহমখিয়ে। ইদাইরেম বলথি অক্লবা আকমবর অথৌবা ও। নাবিংঙাদি হুয়েন লালগাচিংনা রাম লক্ষ্মণ অনিমবু থমমুং ফার মথোঙজিন্দা থুনাথাদোক্লম ও হায়রবগা। অমা রাবণ নিংথৌমাওগী বাত্রা থোঙশানলকপখু লালচং থোঙশানলক্তা শমু মখুৎফং অনিমা তাংজা মরুতোল অনিময়ুও হকশাং খুৎদোলনিক লাঙ্গোই শাগোল মথোঙনেওগী

মালেম লৈবা তাথবু শোংকিদনা। হনুমান মরাম্ফোঙদা লালশোক চৈরক্লা ইম্ফোক্লকলবগী বলখি আকমবন অনিমনা পাওযেল্লকয়ে। হে থোয়মানারেলমুংশী পামেল উহৈ চাবশিং ও। নংগী সীতা ঠাকুরাণী লাইরৈমাস্তু রাবণ ইনিংথৌগী শমু মখুৎথাক্তা চল্লে। নবুঙো রাম তপস্যা লাইবু নিংশমবনা লঙ্কা ইনিংথৌবু কদৌঙ্গগবনো।, নংগী খ্বা য়োংনিংথৌ সুগ্রীব নিংথৌরেনস্তু তাওজিং হৈপাম্বা পামেল উহৈচাবা য়োংনে। হৌরেল লালশোক অমরক্তা দানব ইথুৎথাক্তা য়োন্দনা নোংমলঙেনে। খ্বা নাপল থাংগুনো অসুম মীচৈরকপবু বানর য়োংপাথংশিংনা পাওখুমথিরে। হে দানব হিংচাবশিং ও। ঐগী ইবুঙো রামচন্দ্র থোইথোইবদি লাইহল পঞ্চবতি মুংঙাইবদা চীংগু মদোম্মনা নংগী খর মুখন অনিমনাচিংনা দানব লাম্বী জিশীং তরামরিস্তুনা হাথলোরে। হৌজিক রাবণ নিনিংথৌগী প্রাণ থরায় মাঙগদবা সময় মতম থোক্লবগী খ্বা লয়োই ওই য়োংমু তেঙ্গোল লিংনা লঙ্কা নপুংথাইবু য়াওরৌ শায়াম চলগুম লঙ্কা পম্ফোঙকোয়না রাক্ষস নেৎচৎয়ানলাবস্তু নংগী রাবণ নিংথৌ হবালবা নিংথৌ লমচৎ থঙদবদি য়াবা তুগুপচুংনা শোংকিঙেনে। রাবণ হিংগে নিংলবদি মাঙগফিনাগী শমু মথুৎচেপ্লালোলবা ঠাকুরাণী সীতা লাইরৈমবু রাবণ কোক্তা হাপা ইবুঙো রাম সনা মখোঙথাদা কৎলমলা ও। লঙ্কা লৈমাবী মন্দোদরি অহেনবিমস্তু দানব তাংজ লুদাথোংনা নবুঙো বিভীষণ লৌশিংবদা কৎলমলা ও লঙ্কা ননিংথৌবু ওইরঙেনে। হায়না মীচৈ পাওথংলবগী শুক্ত লাম্বী অনিমা থোয়মা মমায় লৈনদনা লানকম মায়ওক লেপ্পরবদা বানর অথৌবশিংনা থৌহু মুংজাও রুন কাংদেন ফৈনারং দানব হকথেংবংনা হুয়েন লজেশোক্লবগী দৈত হিংচাবা মশিঙ থিঙমদা খ্বা মপুম পাঙমদনা হুয়েন লালশিনরে হায়বনু। লালশোক থোক্লেল তাররগীদমক

খ্বা মীমলথায় লঙ্কা নোংপোক থোংজাওডাকপা নীল সেনাপতি অথোবনাচিংনা মরুভ অকনবা সুরভ অথোবা কুমদ য়োংপাখং মরিকনা অমেম লোকলৈহোনা। হনুমন্ত অথোবা মনালচোংদা হয়েন লাল্লুবগী দানব কাওথোং কাংচাইতনা থুখায়রবদা শাগোল শায়ু মুলাই থোঙমী কোটি থিওমদনা মোংমলহল্লাবদা। আকমন অকোবনা হয়েন অমরক লানশিংশিংনা য়োংমু থৌওইদনা খ্বা তেঙ্গোল চাইখায়ররবগী বানর য়োংয়াম শিরবদা। খ্বা মীখন-থাই-কুমদ অকনবতুও আকমবন মায়ওক য়াওমদনা খ্বা তেঙ্গোল লেনথু তানবা হয়েন লালচেংহোক্লকলে। সতাবলী অকনবতুও খ্বা লালচেন অকওখদা থরায় নোংদাকা মিয়েল থাবুখংনা লাল-চেন মিওহলমারক্লে। হয়েন লাল্লুবা নীল সেনাপতি অথো-বনাচিংনা য়োংমু লাহোওকায়রনা হয়েন লালচেনরে হাইনবরা। লোংশিং নিংথৌ মপারি অঙনা সনা লিলকোয়গী মহাবলী অকনবনা খ্বা লাহোওকায়রবু চেংপৌ মিংথিংলবগী পামেল চীংচঙ চাওথোইবনু তরা মপামক্তুক পামেল কৈনা লংখিবনু আকমবন হিংচাবগী মায়রা মতেলচানা শৃঙ্গ অতিংঙদা কাপথেকচাক্লবগী হনুমান মাইবি কনহৌমিক লালকম মৈশারাংনা পামেল অমরক কৈনা হাই অচেনবংকৈয়াওনা দানব থোয়রামায়ওকয়াওমবশিংবু তেয়ে তখি হাংকুম লাম্মী থিওমদনা মৈহংলবগী আকমবন সেনাপতি অবৌবনু শমু থুকনা কংপে তালচিলখিবদা আকমবন হিংচাবনা হনুমান মায়ওকমানা মায়রা মতেলচাবু লিচিং নাকোং-কংনা কারবগীদমক হনুমান মকলাংদা বায়রা তেলয়াম পাক্লে। অথুনা ঈখাওথোকপনা শিংলেন থৈ মাহি লৈরাংনারোয়তোঙনা মপানডাক্লা শাবঙুক মক্ত ঈখাওচেনলবনু তেলকাদথোওইদনা পামেল অমরক থুংতাম্লনা তাংলা দুরেলতোলবু পানম থোম-জিনারঙল চৈথাক্লবগী মালেম লৈদাঙুনা লোংমললে। হনুমানা

অথৌবদি দানব হিংচাবশী পুরাই হামুল লাক্লা লৈতাওকোলয়া-চিবদা লেপ্লে ওানিন ইনগুম্ লঙ্কা পম্বোওকংনা তকচিল্লে হায়দবরা। মহাবলী অকনবদি নোংশিং চৈরোম্বনা কোরৌ ওমথংতোং দানব থোওইদা থ্বা তেজোলজোদা থাইথুংলবগা শ্রীরাম অহৈনববনা শমু হুকপাং কোললনা য়োম্লরে। লক্ষ্মণ অথৌবনাসু হনুমান পাওম মতিক থাখংনা য়োয়চাললরে। রাজা সুগ্রীব নিংথৌনসু খোজাদ মায়ওক্লা। বিভীষণ লৌশিংবনাসু মনিলিক্লাংচানবু থাথা ওকোইশীনা য়োরচাললায়বগা নোংচুপ মলাম্বোওদা হুরেল জাদখোও ওাক্রে হায়রে। কৃত্তিবাস লৌশিংবনা হনুমন্ত অমর শিদবা লাল্কম নিপাখোকপগী লঙ্কা লাদশোক তেংথাশেনে। নরপোংবচা অয়াম্বা মথোয়দি ভাংজা নরৈতোলদা জয় রাম রাম শোললা নাভাখি ও।

অসাইথৈগী রাবণ নিংথৌ মাদাইরেম আকমথন অথৌথ-মাচিংনা দানব খিওবদনা নোংমলহাললবগীদমক ভাজোই মরুশী মপারি থুংজাললবা। মযোম থুংওনবিশিংনা মিকপখোলবু লঙ্কা থুনরাই নিল্লে হায়দবরা। রাবণ নিংথৌরেন্দি মাদাইরেম লঙ্কা লাম্গী খিওবদনা নোংমলহাললবগীমিনা কক্লাও মৈরা থোক্লা রা-হুমকয়ে। ইদাইরেম বজ্রদন্ত অথৌবা কোরৌনোংশিংজগুম্বা মংবু লাও ও বানর মায়ওকয়াথা রাম লক্ষ্মণ সুগ্রীব অঙ্গদবু প্রাণ থথার মাওহনু ও হায়বা রাহরবগা রাবণ নিংথৌমাতাদা বজ্রদন্ত অথৌবনা শমু থাওজনা রাকংচথিরে। হৌয় সনা লঙ্কা লৈমাথা ইবুঙো ভাওও। নংদি লক্ষ্মী সীতা থাইরেমগা সনা সিংহাসনদা পালমতাম ও। মাদাইরেম ঐদি রাম লক্ষ্মণ থোইরম লাইবু নিওশমবা অনিমগা রাজা সুগ্রীব য়াওনা প্রাণ থথার তৌকখে হায়না পাওয়ারবগা। রাবণ নিংথৌরেন সনা

ফিরোইয়াওনা রাজা প্রাসাদ পিজরবগা বজ্রদন্ত অথোবদি লাজোই শাগোল লিশীং হুমফুতরামঙাহুও শামু লুরাংবাহুও লিশীং হুম-ফুতরামঙাহুনা ছুলাই কোটি থিওম্রদনা সেনা লাম্মী মপুম পাওমদা হয়েন লাজিংবা লিশীংমা। ধমুলিরুংহুবা লাখ চাম্মহু বাংলেন পুংজাওয়েনা ভেরি ধবথিথোংবা মোইবুং লাকওমদনা হয়েন লান্নাওথোলবু লঙ্কা লৈবাক নিল থোক্লেল নোংথকা নোংশা লালতাননা রাবণ সনা মথোওথাগী যাত্রা থোওশানলকপবু অজয় য়াইথিনবা ধ্বজ ফিরালথোক্লা পোলবি থারও তোং থোক্লেল য়াইথিথোলবু কর্ণ নাকোংথোলনা নতারববু শোংকিদনা লঙ্কা পম্বোওলেন রাজা সুগ্রীব মরাম্বোও উত্তর অরাংপাংবারমদা ল্যাংকল ঈকাওাগুম লালশোক চৈরৎতনা হাথোক্লকবদা রাজা সুগ্রীব অথোবগী মাদাইরেম বানর লাম্মী অকনবশিংহুও লঙ্কা লাম্মী মায়ওকয়া থোঙ্হুমুংহুমহুন পামেল ফৈনালং লালশোক মথৈলৈতনা পোক্লরবগী। দানব হিংচাবশিংনা বায়রা মতেলচাবু লোইদাম ইণ্ডা ইণ্ডেন থাদা নোংলেন মথোওফুইনা চুবগুম খ্বা মপুম হাও-দনা তেলবল্লাবগী। য়োংমু তেজোল চাইরবদা রাজা সুগ্রীব নিংথৌনা লালকম মায়ওকয়ানা দানব হিংচাববু কৈথেলচুরায়-লাংগুম হয়েন লালচাইথোক্লাবগা। মথিম লঙ্কা মনিল নাইবগী সেনাপতি লাজিংবা বজ্রদন্ত অথোবনা বাহুকয়ে। হে সুগ্রীব য়োংনিংথৌ ও। সেনাপতি লাজিংবনাদি সেনামাওদা চৎনা হয়েন লালশোক্লথোক্কে। চৌওয়ায়থুয়োংনাও। য়োংনাওশাথিবা পামেল উকৈরাম্বা। তাওচীও হৈচাকয়া চীংজুম ককয়িথকপগী হয়েন লালশোক হৈহুবা নংবু থমমুং যম নিংথৌদা প্রাণ থরায় থাদোকে হায়না বাহুকপবু। রাজা সুগ্রীব নিংথৌনা পাওখুম-লকয়ে। হে রাক্ষস হিংচাবা। রাবণ জুরালবগী মাদাইরেম। নিংথৌ মস্তিক থওদাবা নংহুম অসি কোরৌ হুমিংমদা লালশোক

মমায় লৈগুনো। শমু ইখুংবাক্তা য়োন্দনা নোংমলহালগে হায়-রবগা। বজ্রদন্ত অথৌবনা লিরিতেলগাথোং সন্ধান প্যালগাত্তম লোংশা লাল্লাওননা খ্বা য়োংনিংথৌবুত্তা কাপ্লকপবু। রাজা সুগ্রীব নিংথৌনা হেলা থৌওইদনা পামেল উজাও কৈনা হায় পাক্কজ মতিক উংনা দানব রথ মখুংনেং তুলাই চাক্লেন লাক্লা চোংখৎলবগা। সুগ্রীব মখুংবাক কোয়ৌ নোংশিংজংগুম্বনা তরান থাংহাইত্তা ওক্লি লুশমলেনবু তুপপিদরাবগা। থিঙলৌ অমরক্ নিঙ্গনাতেনা মুংলেন চাওথোইববু শমু ওইদামু। পামেল অঙন-পবু য়েৎতা পায়না তাংজা লুয়েলত্তা ছলখিববু। বজ্রদন্ত রায়রা মত্তেলচা অহুমদংনা কাপথেকঙাম্নবগী। রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেন্দি লালপুম মথিনাই মমিৎ কোয়িহৌ লালফম মৈশা-রাংনা চীংলেন চাওথোইববু মপাল ফুক কোয়ৌঙমথংচোংবা ফেলথোকখিববু। বজ্রদন্ত অথৌবগী তাংজা লুয়েলকায় তুলাই চাক্লেলতেক্লা পাল্লাবগী মচিন ঈত্তোংওনা নোংমল্লে। দানব লাম্নী থিঙমদবাসুঙ সুগ্রীব খুৎবাক চৈথা অমরক্লা সংখ্যা মশীং লাক-ঙমদনা নোংমলহাল্লে। খ্বা য়োংনিংথৌ সুগ্রীব অকনবদি লালফম নিপাথোক্লবগী চীংঙ, শ্রীরাম সনা মখোঙথাদা শমু থাঙচপ্পনা রাকৎচখিয়ে। নাদাইরেম ঐগী ইরাম্ণোঙদা হুয়েন লালশোক্ল-বদি। নাদাইরেম দানব হিংচাবা বজ্রদন্ত অথৌবনাচিংনা হুয়েন লালয়াম কাছোয়ে হায়না রাকৎলবগা। খোয়ম রাঘব শিদবনা রাজা সুগ্রীব লোয়না মাগী অপাম্ববু ঙকথিলুম্নাংকোলনা য়োই-চাল্লবগা। রাম লক্ষ্মণ বিভীষণ য়াওনা কমকম্মানরে হায়দবরা।

অমাইঙগী দানব হিংচাবা প্রাণ খরায় হিংখিবশিংনা রাবণ মনিংথৌদা শমু থাংচপ্পনা রাকৎখিয়ে। সনা লঙ্কেশ্বর লৈমাবা ইবুঙো তাও ও। নাদাইরেম বজ্রদন্ত অথৌবনাচিংনা

সেনাপতি অয়াম্বনুঙ শাগোল শামু চুলাই খোঙমী খিঙমদনা সুগ্রীব ময়াম্থোঙদা নোংমুললোরে। হায়না হুয়েন লালপাঙ-ঙম্মাবগা। লঙ্কা মিকপখোলবু সমুদ্র ইরাওখোলগুম্বগী রাবণ নিংথৌ লঙ্কা লৈম্মাবনা মাদাইরেম পাত্র অঙম্বদা রাহমখিয়ে। তায়ম লঙ্কা লৈবাক কোইবাশিং ও। ঐগী সেনাপতি হুয়েন লাঞ্জিংবা। কোয়ৌ নোংশিংগুম্বাশিংবু সনা ইপুংয়াইদা হৎরাই-রক্তুরে। লঙ্কা লৈময়োনগী বীর থায়াঙ কোলদাইরোনবদি ইদাইরেম প্রহস্ত অথৌবা। নীকুম্ভ অকনবা। ইশানৌ কুম্ভকর্ণ রায়মাবা। লালফম লৈবুখোলবগা। ইপারি ইন্দ্রজিৎ সনা রাপিহল মায়ালালশোকহৈবগা। লঙ্কা ননিংথৌ ঐগা ঐখোয় মঙামনাঙাইয়ে। তায়মশিং ও। হায়না চিন্তা পুক্নীংচংনা অম্মম রাহম্মাবগা। তায়ম প্রহস্ত অথৌবা নংদি লালশোক চৈরৎকুনো। রামচন্দ্রগী লাম্মী অয়াম্বা খ্বা লেংনা তিলবদি হুয়েন লালশোক হৈতবা য়োংমু পুক্নীংয়াংবা মশেলনে। তায়ম প্রহস্ত অথৌবা নংগী হুয়েন লাম্লাওখোলবু কোয়ৌ নোংখাকখোলগুম পঙ্খেংলু-রমদি খ্বা মমিপাই মিয়েল নোংদাকানা হুয়েন লালচেন্নখোকখিঙেনে। বানর তেঙ্গোল চাইরবদা রাম লক্ষ্মণ অনিমনা রাবণ ননিংথৌ ঐবু কাদৌঙাম্নারোই তায়ম ও। লালশোক খোঙশানথিন্দনা হুয়েন লালশোক্লারু ও হায়রবগা। মাদাইরেম প্রহস্ত অথৌবনা পাঙখুমখিয়ে। হোয় রাবণ ইনিংথৌ লঙ্কেশ্বর লৈমাবা ও। নাদাইরেম ঐ নিংথৌ নংগী য়েক্লবা রাম লক্ষ্মণ অনিমবু খমখুং যমনিংথৌদা শমু খুৎশিন্নগে। মাদাইরেম বানর তেঙ্গোল পুম্না-মমুঙ হুয়েন লাম্থোঙমুংহনগে। হায়না পাওয়ারবগা লালশোক মথৌহৌনবা নিংথৌ সনা হকশাংলেন্দা খোনজিবা অলঙ্কার চৈয়ৈ ফিময়োন সনা কক্কর মখুৎশি কুন্দর নাশি নিঙথিবা সনা লুপপমুংচঙবা ছিয়া মণিমুক্তা থামথমু শেংনা রাজা প্রসাদ

অথোইবনু পানা শমু খুৎশিলনা জয় য়াইফনাবা ব্রাহ্মণ লাই-ওইনাবনা গৃহইমপুমথুদিগী ঋক্ত মাওম তৌবিরবগা। প্রহস্ত অথৌবদি রাবণ নিংথৌমাওগী চুলাইলেংবু থোঙওইনা মায়িম লঙ্কা লাম্মী থিওবদা। শাগোল শামু পুংবুরেম রাংলেন মরাঙহৌনা যাত্রা থোঙশানলকপগী লালফম য়াইথিনাবা মতৌ ওস্থোকপা পোলবি ল্যাঙজা চেক্লা মাকু অনিমনা লাম্মী কোকথক পাই-বনু য়াংলো লম্মী চৎকদনা। সেনাপতি মথক্সী হকশাং মমিউদা। লাঙ্গোই মথুৎনেৎনা পিরেল থকমাদাবনু শাগোল হকশাংচোৎ লাঙ্গোই শাথোবনা শাঙ্গে খুমওন য়ৈঙমদনা মতৌ পুক্সীং অঙকপবু অসুম থোক্লাবসুঙ শোংকিদনা। লঙ্কা নোংপোকথোঙ নীল সেনাপতি লালকম অরুস্থদা ল্যালশোক থমথেননা ইম্থোকক্লবদা। খ্বা অথৌলিচা হেপ্পাশিংনা হে দানব হিংচাবশিং ও। নংগী রাবণ নিংথৌ হিংচাবা থোয়ম ব্রহ্মা মরলকুগী মকোক তরা পানবা। সনা লঙ্কা লৈবাকচানা নয়াংজবনু ঐগী ইবুঙো শ্রীরামচন্দ্র থোইকোয়বা লৈয়োল নোংলোন অহুম্মগী মবুঙোগী বায়রা মতেল-চাদা য়োন্দনা নোংমলঙনে। হে দানব হিংচাবশিং ও। হুয়েন থুনহুম ল্যালশোক্লসে হায়না পাওকৌরবগা। মায়িম লঙ্কা লাম্মী অথৌবশিংসুঙ বায়রা মতেলচা তেলবি শমকোক থাঙশাবা। তিলমেন থংনংতা তেলবি য়োৎকীমক্ক খুৎসু অথৌবশিংনা নোং-লেন মরাঙহৌবগী লিক্লাফুইনাচুবঙুম লাংবল থোইরেল পাইওম কাপ্পকপবু। খ্বা য়োংয়ামপাল য়োংমু হকশাংথিৎনা নোংমক্লাবকী-দমক। বানর লাম্মী অথৌবসুঙ লালশোক মরাঙহৌ। য়োংলেন লাক্লাওথোলমালনা থোয়মামায়লৈদনা উতুপ কাওদেনবা ইকনা দানব চুবা নাহুবত্তম য়ৈথুরবগী। মালেম ফুবাকু লালতাল চৈরৎতানা চীঙলেন খুৎযোংছল খুজিন য়ানফংনা নোংমক্কছাক্লা-বগীদমক। দানব হিংচাবাশিংদি মশাইলথোকওই পোক্সুবি উচেক

অয়াম্বনা শারেল শাচানরে। প্রহস্ত অথৌবনা হুয়েন অমরক লালনিঙশিংনা। বায়রা মতেলচা থুর শমকোকথাংনা খ্বা মথুৎকক্ য়োংমু মঙকশম্ববু মপৈ মপৈ থিঙমদনা নোংমল্লাবগী। নীল সেনাপতি অথৌবা নোংশা মাচুম তাগুম্বনা প্রহস্ত অথৌবগী থবাক্লিকশিরম থমোইঅথিবদা পামেল উজাওয়েনা হুয়েন লাল-শোক্লববু। সেনাপতি পাঙনমান্নাবনিগীনা শোক্লাঙমদারবদা। প্রহস্ত অথৌবম্ভু বায়রা অমরক তেলয়াম কাপ্পকপবু খ্বা লাজিংবা নীল সেনাপতি অথৌবনা হেলা থৌওইদা পামেল ফৈনা হাইনা য়ৈরুববু প্রহস্ত অকনবনা য়োংম্বকল্লাইকবনা নীল শমু মহকশাংদা য়ৈঙাম্নবগী। নীল অথৌবনা কঞ্জাও মথৈ লৈতনা তম্লা উচুং চাওথোইবনা প্রহস্ত অথৌবগী তাংজা লুরেলতম্না য়ৈকববু। তুবিদনা অচেন লোক্লৈহৌ তেৎনৌয়োংম্বক অকুইবনা চুবা নাহুম তম্না চৈথাগে হায়না তালজিল্লকপবু। নীল অকনবা চীঙলেন চাওথোইববু মপালযুক্লা হুনখিববু। তাংজা লুরেন পাল্লবগী ঙাহৌ মালেম লৈয়দা তুরিঙৈ নীল মথুৎনাফং থুৎতুম চৈথাকম্না প্রহস্ত অথৌববু নোংমলহাল্লবদা। দানব লাম্মী অয়াম্বদি খ্বা মমাঙখাঙদনা হুয়েন লাম্থোঙমুৎলবগী। নীল সেনাপতি অথৌবদি অরাং থোঙজাও ঙাকপা রাজা সুগ্রীব নিংথৌদা হুয়েন লালপাও তম্লবগী। চীংঙ্ শ্রীরাম সনা মখোঙখাদা হনুমন্ত মরাম্থোঙবু তাম্না খোয়ম সনা মখোঙখাদা শমু থাঙচপনা বাকৎখিয়ে। নাদাইরেম ঐগী হুয়েন ইরাম্থোঙদা চীংঙ্ নথৌজালগী লঙ্কা লাজিংবা প্রহস্ত অথৌবনাচিংনা দানব লালয়াম ফারোয়ে। হায়না হুয়েন লালপাঙ-তম্লবগা শ্রীরাম সীতাবনা নীল অথৌববু শমু হকশাংকোল চীংঙ্ প্রাসাদ পিজরকলা। লক্ষ্মণ লৌশিংবনাহুঙ থৌজাল মায়ওক্লয়ে। বিভীষণ লৌশিংবনাস্তুঙ হিরামনিকপিনা য়োক্লচালনারবগা। নীল অথৌবদি নোংপোক মরাম্থোঙদা ঙাকচাখিরে হায়দববা।

অসাইদৌবী দানব হিংজাবশিংনা অমা লঙ্কা অনিংখৌনা রাজকখিরে। রাবণ ইনিংখৌ ও। 'সাবাইরেন প্রেহত খংখৌ বনাচিংদা নীল কথাক্ষোবনা দানব লাম্পী থিজদনা মোংলহৌরে। ইহানা লাগু থাংচমনা হয়েন, কালপাঙ অনুমত্তী। রাবণ অনিংখৌবা লঙ্কা লিংবাকলন্নী যাবেম উলনবদুনা বাবশিন্নে। তারুম পায় অহানশিং ও। ঐবী যেনাশাক্তি হয়েন লাকশাচিং-গদবদু রাখলরে। লঙ্কা নিংখৌ ইতোম্মানাজাবনে। তৌইগুন রাম লক্ষ্মণ অনিমবু খোয়মা ইমার মৈনবা হয়েন কাললোজগে তায়বনা ও। হৌজিক রাম লাকশোনবনা লঙ্কা লাম্পী অচৌ-বাপুরামনংখোয়গুম খোয়মা নথাবলৈকলোই। রাবণ ননিংখৌ এইগুম বিক্রম থায়াও ইথৌমকনা মৈরোল লোংলোন অকনব খুনজবা লঙ্কা নিংখৌবেননে। শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমবু শমুইখুং-বাক্তা লোংমকহানগে। হায়না রাহমবগা রাজা দশানন সন মক্কশাং লোংশাথাওবনাশিদা অলঙ্কার সনা থিরোইনিংথিবু শাওতিহ লাইরেখেম তাংক্তা নুরেলজোন হৃমিং তারাথোক্কক তোইরৌ মনা মুকপালকওানবা হিয়া মনিমুক্তা খিনবু সনা নুকপ খোজ মোনর চিঙলাইশানবু চুপকেন নাপশান থায়াও তানজাওবি কক্তর পুংশিখোম মনা তম্পা কুকাংলোই নমশাতিলক মজাকনাই শিঙজেন মৈনীনিকপু হকশাবশাঙনবা লোংপোক চাকমিয়েংলোম [illegible] পুয়া উনবা শায়া বনিংখেনা হয়েনবা [illegible] সাবাইরেম তুলাই লোংজাওপুবনা রখি মানুজেংবং [illegible] [illegible] তুলাই বনিং মনিমুক্তকেহনা নিংখৌবা [illegible] থির কানন পুয়ামনা অব রাজকুমারনা এলাইহেনার, জৌবা[illegible] থিংথৌ পুরুজাহুক তেল মঙ্গ খোজবগা। [illegible] [illegible] বাহলশিংবন্দ আজবশিং এ মনা [illegible] [illegible] লোং-চুপকোজ [illegible] মৈনবানবা হয়েন [illegible] [illegible]।

লঙ্কা ঙাম্মী পুমনাক্কী অগোল শামু চুলাই রথ থিডমদা। পুক্নাও তেরে নোঙ্মাইদা শিডকা সুধালেখা থিজদা। হুয়েন লানথোকলদু নিংহ নোংশাখোলদা কুমনা লঙ্কা থুনরাইদিন। মপারি ইন্দ্রজিৎ অহনবু হুয়েন লাল্লোয়ননা। লঙ্কা অপুনবাইগী উথুম লোংতলহৌ মদা শংহোক্তহানা হুয়েন লাকদারকপবু। শ্রীরাম অহেনবনা বিভীষণ নৌশিংবা পাওহংখিরে। লঙ্কা নোংচুপথোক্তা লুহিং তরাখোকপগুম তেজমতালচাওনা হুয়েন লাকদারকপা অসিদি কনানো হায়নাবগা। হোয় হে প্রভু ইবুঙো ও। নাদাইরেম ইশাবী রাবণ নিংথৌরেনবু মালরে হায়না পাও-থুনারগা। চীংঙু রাঘব শিংবনা। তৌইগী দি সেনাপতি মথংগী পুম্নং অচৌমৈশুবা অনিহুও কোনলোই মমিংথোংকয়িকৌবনো। হোয় নাদাইরেম হুমিং মকুনালনা মমিংকোয়িহৌবা লাজোই শামুতোংবদি রাবণ নিংথৌ মপারি যৌবন মথোকলকপা। কাঞ্চন মনা অহিংবগী চুলাই তোংলকপাদি ইন্দ্রজিৎ অথৌবনে। সনা চুলাই থোঙওইনবা অবদি অতিকায়, অকনবনে। শামু য়েংলম চংপা অসিদি ত্রিসিরা অথৌবনে। থৌমুংজাওবা অনিমদি দেবান্তক নরান্তক কৌয়ে। চুলাই রথ অচৌববু শমু থোঙ-ওইনানবদি ইশাবী কুম্ভকর্ণ মপারি কুম্ভ নীকুম্ভ লাংজেংমাখোক্ত-কপনে। থমহুং যম নিংথৌওবা অসিদি বজ্রগন্ধ কোয়ৌ নোংশিগুরুগুবনে। হস্তিনুবাংববু শমু থোঙওইনাবদি থম অথৌবা মপারি মোকরাক্ষ অকনবনে। পুন মৈনী চুলাই নিংথিবা চেংলৌশিংপাকনবা লোংবু অথৌবনা হুমিং তরাখোকপাগুম মুথকবা অসিদি ইশাবী রাবণ নিংথৌবেনি রাজা কনাবনু মকোক ভয়া পাননা মহাকমে হায়না চীংঙু অমা মরোকপাক শামুকপুমিনবা অহুম পাওতাকপগা। থোকম রামানন্দ রামচন্দ্র অহেনবনা। হে বিভীষণ থোরবা অসাবাও। ইশাবী রাবণ নিংথৌ অসিদু

মৈন্নৌজনবা অখৌবাগী জেলো শকপাজখেবু পূর্ণ অনুভকায়ে। লনাং অমা মৈবাকচাবতি রাবণ মতিক ওইরে। অসুম রাইঝিটে মরিম লঙ্কা লাম্মী অথোবদি লালতান চৈরংতনা। ইহোকলবনা খা য়োংপাখংশিংভু খোয়না মায়থোকনা পাক্লেন কৈনালং য়োংভু হুন্নহনলনা রাবন লানশোক্লবদা লঙ্কা লাম্মী অথোবন্তু তিনবের তাহল চৈরংতা রায়না মতেলচাবু লাংবল খোইরেলপাইঙনা তেলখি নমকাখা থাংলেন খুৎলাকংনা শোক্লবা হয়েন লাল্লাওখোল অনিবু কোয়ৌ নোংথাকখোলগুম্না তারবগী রাজা সুগ্রীব মিংথৌ অঙ্গদ সেনাপতি নীল অথোবন্তু লাম্মুখ চৈরংতানা শ্রীরাম মমা মথোঙথাদা থাইথুংলোবগা। লঙ্কা লাম্মী মায়ওকয়ানা মহাবলী অকনবগা নল নীল পাঙ্গনবন্তু। কুমুদ সরভ গয় গবাক্ষ মখি- মন্তু। অঙ্গদ সুষেন জম্বুবান অহল্লন্তু। সেনাপতি লাজিংবা অসিশিংবু রাম্মা সুগ্রীব মিংথৌনাচিংনা রাবণ মায়য়োকয়ানা য়োংভু হুংয়ামহন পামেল উজাওলং চীঙলেন নোংজুননা হলখি- বনু রাবণ রায়বা মতেলচা থমমুং মত্রিংথৌগুম্বা তেলখি হুপুখনা শূন্য অতিংওদা কাপখ্রে। রায়বা অমরক নমকাদবকপাবু খ্রা য়োংয়াম পাল্লবগী সুগ্রীব অকনবনা চীঙলেন সুমুওইনা কাপ- থায়রবদা রাজা দশাননা পাওমেল্লকয়ে। হে সুগ্রীব য়োংনিংথৌ ও লালফম নমায়লেঙলো শমু ইখুংখোক্কা প্রাণ মরাম মাঙলগে হায়রনা রায়বা মতেলচা অথৌববু তেলজিন মরি থোক্কা কাপ- লকপবু। সুগ্রীব থমোইখিংনা পাল্লবগী মালেম লৌয়দা থম্লাখুরে। অঙ্গদ নল নীল হনুমন্তু মখিমন্তু লাল্লাওখোলখায়না হুমলেন খুৎতাহ পামেল কৈনালং রাবণ হকশাং তঙ্গা কলখিবু। রাজনা মতেলচানা পামেল থাওতপত্তুপ। চীঙলেন সুমু ওইনা কাপ- থায়রবগা। সেনাপতি লাজিংবা নজানবু পাল্লবগী।

কাঙ্গ অমুখোবা কোক্কৌ লোংশিংজংগুম্বা রাহমখি। হে ইবুঙো শ্রীরামচন্দ্র খোইখোইবা ও। নাদাইমের ঐ লোক মায়কখ্রানা হয়েন লালশোক্লাকলে হায়না রাহমজখ্রু। শাক্লৌ নরণ অহেনবা ও। রাবণ পাপীকতবদি পালক মশা [illegible]। নংদি অহাং যৌবন নাশোক্লকপানে। রাবণ মায়ওকয়াহিক্লনা। [illegible] মতৌরেংখিলে হায়না খোকাক্লিঙ্গ খু। কেনাপতি অখোবা তেক রাজকোকক্লিকানা মাক্কেন তৌরবা তুনা লোংশিং নিংথৌ। মপাদি হনুমন্ত অথোবদি চেক্লা পুক্লীংশিংলকপী। রাম মনা হথোক্লকা রাহমখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো ও। নাদাইক্কো ঐ রাবণ অমক মায়ওকয়ানা হয়েন লালশোক্লাহোগে। চীংজু, নংদি নশাক্লৌ শরণ অহেনবগা লালশোক পুক্লীংতপ আনন্দ [illegible] [illegible] ও হায়না রাহমজখবগা। [illegible] মখীনাই কোক্লৌ [illegible] থংচোং পাযন মতিকউংনা রাবণ মনা তুলাইখক্লা চোংথখবগা শাখি শাথোবগী শাজৈ মখুংহুমুলনা রাহমখিয়ে। হে মপুন [illegible] ও খোয়ম ত্রক্লা মরালকুপী অবকার, নাপলবাংবা নংদু হনুমন্ত শনু ইমুংবাক থাংলেন মাশাবগুম্বা রাবণ নকোক তমাম্বু হেক্লেন থাক্লাম খোইগুম্বা খোইদোকে। রাবণ নমায়লেপুনো হায়রকপা। রাবণ নিংথৌক্লেন্না পাওখুমমে। হে [illegible] ছাওলিং তৈথাবা পাক্লেন ঈক্লাক্লা নংগী খুংবাক চৈথা [illegible] লাবক্লা। অদি কোক্কৌ মুখিংনবা প্রাণ থবায় মাওনা [illegible] নশিংথোবা শনু খুংশিরগে। রাবণ নংহুন লালশোকক্লেপাক্লু হওক্লা। অমুখ রাহক্লিং খু লোংশোং [illegible] তৌবি [illegible] [illegible] পৌওক্লৈনা শনু মখুলক্লু কোক্লৌ লোংশিং [illegible] [illegible] পুরকিনা [illegible] [illegible] তৌক্লপী [illegible] [illegible] অং [illegible] [illegible] [illegible] থাওনাক্লা রাবণ [illegible] [illegible] নিংথৌ [illegible] [illegible]

পুংবাক "মং[illegible]চাখোলবু শমু হকপাংমিন্না" হাইখুংলক্নে। পান্দন নিপাখোক্নবে হায়রবদা'। 'মহাবলী অর্জুনবনা হে রাজা [illegible]ন ও পান্দব নতিক। উংনা শমু ইহকপাংদা চ্রেখায়া ও হায়রবদা। "রাবণ নিংথৌরেন্দি কঞ্জাও মখৈলৈন্নবা মরিং কো-রিংহৌ। শাব্রেংপালবুহাই পান্দন মতিক উংনা হনুমন্ত রাইবক-খেন্নাইদ্রোং মখনা তোমখিনজদা খুংচুমকিনবাও খিন্নাবনী। হনুমান তাংজা কোকইকা চেংলো মখিং কিন্নোরৈন্নিংও রাবণ নিংথৌরেন্দি নীল অথৌববু তন্না বায়না তেনবাইখিজনব। হনুমান অথৌবদি চেল্লা পুক্নীং শিংলবনী হে রাবণ হিংচাবা ও লালশোক ইপিণ্ডডা ওমবাদগিংউ নীল অথৌববু তন্না হয়েন লালশোক্নাখিবদি ফেক্রিনমচং নগে হান্নবা এহিথবু নাতাখনা শোক্নাখিন্নাবনী বিশ্বকর্ম মপাগি নীল অথৌবদুও পান্দোন মৈনাংং থোই মংহন হলনা হয়েন লালশোক্নাবনু রাবণ মতেঙ্গা তৌবখি অথৌবনা পান্দন কৈতুপকন্না নীল শমু হকপাংখিন্না তেন-বান্নাবনী তেনখুন ঈঙাঙখোক, নীল মৈপাকনং তম লালহৌক মথিনাইনা রাবণ অমরক মায়ওকহ্যাদা হয়েন লালশোক্নখিংউ নীল অথৌবদি তাওজিং হৈচৌকা মল।মখুববু চুপথোক্নহৈবা খৈরোই উকাহৈবনু ওইনা শাপওনবাখনা। রাবণ মকোক তমীন-দা তোংনা হয়েন লালশোক্নখিন্নে। রাবণ নিংথৌবেনহুও বাবাং লেংকমথোং 'নকাতেনাইবাক 'খৈরোই শান্না মজিরোনা বান্না তেবাইদে হান্নিনা শকোম পালতমহেংদিউ বসু ফিরং লোংকিতোকপা চোংথংলবনী। রাবণ মখত্রা তাংকা লুহোনতোনবু, কন্নুংলবুবে হান্ননিমক তেনথাহৈংখিরে হায়। নীল অয়াবায়লো্কহৈনা ফিরং খোংজিনবী মক কিন্নাদুখোক্না পোক্নাবি, রাকওই[illegible] পাইখংখিবদা। "রাবণ" শমু থুংনাদাকে রোওখিঙ্ক তাংক[illegible] লুহোনতোন মখা লুহোপক্না। তোংখনবাগী [illegible] বুরাই হাখুনাক

পোক্লবি চিমাতুনাবাহনশিঙে। হে রাবণ হিংচাবা ও ঐহাক শ্রীরামচন্দ্র মাহাকত্রেম মীগী সেনাপতি অথৌবনে। লাললোক ঐমু ভমকারোই হায়বনা মিকং খোংজিতোর থক কিরাললোক সন্না লুহংজোন্দ ভরামদা তোংনা লুত্ত জগোই শামা হন্নে লাললোকানিডে। রাবণ নিংখৌরেননা মীজ শারা নমিরেলু রাবণ মিংচিত্তোজনা হাইরপ উরাবগী শায়ামতিতমা তোবাই রবদা। নীজ শমু হকশাংথির্দো তেলবাজকাঞ্চনমক সন্না লুহংপা থকগী থালেম নৈয়দা তারে হায়ে। রাজা দশাননদি রাঙ লারাখৌনা খাজা পূম্না রোংকে অজিলকপা তুত্তরবু। শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমবুত্তা ইথোকলক্রাবদা লক্ষ্মণ অহেনবনা মথাদি রাম অতিরগী শমু থাঙদালেপ। রাবণ মায়ওকয়াননা হায়মখিয়ে। হে রাবণ হিংচাবা ও। নৈরোঙ্গ নোংখেক অহল্লবু তমকারে হায়কী রাবণ নথমনা থাকতবা অথু অমি কোমৌ হুখিৎমক্ত হয়েন লাললোকতাবে হায়রবনা। রাবণ খোঙ্খেকতাংনা পাওমেন্না লকয়ে। হে লক্ষ্মণ লাললোক অকব থওনরা নংবু থোয়মা মরাইতজনো। ঐহাক লক্ষ্মণ খবায়কোগে মোংহাথখিয়ে। অসুম রাক্ষসিতেনা হুমিয়া সনাজিনকোইগী লক্ষ্মণ বোখন মাথোক্লকপনা বাঁয়গা মতেতা তেলফি মৈমিথোকখা অহুমদনো। রাবণ থমোইতগা কাপখিবু রাবণ মতেলচানা কাপখত্রে। লক্ষ্মণ মতেলচা বত্রনত্ত তেলদি অথোরবু নহান পাজাতয়া কাপখিবহুন রাবণ মতেলচা পিঙহানহু অথোইবগা শুত্ত অতিঞ্জনা কহুথকাবনী। লক্ষ্মণ অথোইবতি লাজলুকনাথহো লোংশা আলপালিবা। রাবণ মতেলচা মীজ লক আকৰ্ষবা। বীচুতার স্বরভেংশা। নৌতী মূর্ছাপাবা। হুনিমুখ অথোবা। কর্ণিকর তেজিমুখ মজাবহু পিশিতেলনাথোকনা রাবণ মকোক ভয়ালবুত্তা কাপখিবহু। লক্ষা মিখৌ হিংচাবা থাজরা মতেলচানা শুত্ত অতিঞ্জাদা থবরকহুন

অনিংখোয়না লম্যুঙদা হায়ে। তেলকাপৎচেনুংতা রাবনা লক্ষ্মণগী কক্তা ওজেংবি, ওয়াংমিনমান্নবনা, লক্ষ্মণ তেলহৈবগী লাইবক থেনং লাইথোং নমধা, তোমখিললম্বদা, পালাবনু, তেলপালুথোওইনা লিরি, নাকোংবং, বাবা খিলকাম্নথিবনা রাবণ শিরং মথুংহু কক্কথলবগী। শিরং থুংহু হোংবনদা শ্রীরাম শিদবনু কাপ্পগে নোংমাংখা তেনরি, লমথয়্যুতেনবু লিরিতেলগাথোং সন্ধান্নু পাল-তম চুম্না কাপ্পগাবনু। লক্ষ্মণ তেলহৈবগী পিম্নুম পাকোয়রে লাইবক থেনলাইথোংদা তেলথুন নম্না পাম্নবগী আংজা কোকজৈকা চেংলো মিংক্লিংনা মালেম লৈবদা তুম্নাবগীদমক রাবণ অচেন-লোকলৈহৌনা লক্ষ্মণ হকশাংপুম্নে চিংলাবনু। নোংপোক সনা চীংবুথোইনা লুমক্ষাম্নাবাগীদমক। কোথেমবি লিয়ায় লোপক্রম কিংলিংউ নোংলিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত অপোরনা অচেনথং-লৈবাঙনা তানজিলশিরবগী। রাবণ পুক্রোপ অহেনবদা থুংবাক নোংক্লিংকঙবনা চৈক্সাবগা লক্ষ্মণ প্রাণ থরায় তংতরিকনু শমু নমদাংথোনা চোংথোকলক্লে হায়দবনা। লক্ষ্মণ শৈনাইরাম্বু ধর্ম্ম অংশ শংথংবানিষীনা বিষ্ণু মমিংথোকনা চেয়া খুন্নাংশিংলক্লে হায়। মৈথং রাঘব শিদবা সীতাপতি অহেনবনা মাইক্লি কনহৌবিরুবগীদমক থমু শিরং মথুংহু কোরো চুম্নিবাংগুম্বনু লিচিং নাকোংবং সন্ধান পালতমমোনা চঙখিরবদা। হনুমান লৌশিংবনা শমু থাঙচনবনা হে প্রভু ইবুংঙো। নাহাইরেম রাবণ কনবদি সনা চুক্নাইরোজাও তোংনা হয়েন লালথোক্লায়ে। ইবুংঙো নহাক খোইরোইয়া নংক্লি শমু খোংথাকনা, রাবণ লানথোকবা, অনিমু চীংগু মনা নথুমোল থহাল তৌখ্রক্লেগুমবনু মালেম লৈমজাখিগনো। নাহাইরেম ঐহাক নমদাক্লোনা রাবণ লানথোক্লাবি এ। অমুক হাহনজবদা শ্রীরাম অহেনবক্লি হয়ু হনুমন্ত অপোইবগী শমু নমদাতোনা হয়েন লানথোক্লখিবনু। রাবণ

পায়না উদংলাকপুদা লিঙখৎখিরে। শ্রীরামগী অহেনবকুদি ককোয়া হয়রেন লাললোক্লাগে। হুনাহি রথ ওইনারবদা লোংথিং নিংবী মপারি হনুমন্ত অখোৱা। ইপারি অক্ষকুমার হাংপা। লঙ্কা মৈহুৎখোবা অসিবু হায়া প্রাণ থরায় মাঙহনখিগে হায়না রাৱণনা ভেংলাখোংবা কাপ্পরকপনু। হনুমান শমু নমগনখিংবা পাল্লবগী রাৱণ মতেলচা তন্নেংতবু তেলবি শমকায়ারকপনু। চাংঙ রাম মতেলচানা শূন্য অতিংতাদা কাপথেকলে হায়রে। রায়না অমরক নমকায়াখিবনা রাৱণ খোরজিন্নরাবতা পাল্লবগী শমু হকশাংনিক রাৱণ কোকঙকা থোইনা হু অশোনলৈগুম তেলবায়-মদা। চাংঙ শ্রীরামচন্দ্র থোইথোয়বনা পাওযেল্লকয়ে। হে রাৱণ পাপী কত্তবাও। অসি কোঙৌ হুমিংমদা তাংজা নাক-তোলবু কক্লহিগোই। মনা নংগী লুহংপতোল অয়াম্বু মালেম লৈবদা তানা কাপথাখিগে। লুহংপ থাদাথোকলনা মনাকোকি অহেনবিদা নমওক্লাক ও হায়না চাংঙ লিমিথখোইহনিং শকক-তোলহৌরক। পাল্লবা মিংয়েংচুম্না কাপথোকখিবনু। তেলবি অবৌবা থীজাকোঙ্গায়রললবনা রাৱণ লুহংপতোল অয়াম্বু মা-লেম লৈবদা তানা কাপথায়বগী। রাৱণ লিংখৌরেম্নি থরায় খিরেলপাইনা মালাইরেম শকা লাগী পুন্নাম্বু নবদাহনবা লঙ্কা মপুংয়াইহনজনা হয়েন লাললেহোকখিরে হায়দবনা। থোয়দা রাৱণ শিলবনি জয় য়াইকথোইনা লালকম নিপাথোক্লাবগী। রাৱণ অথৌনিতাহেয়া লাললোক মথারলোনা নোংমাবাশিংবু তম মম্ম লোলনা প্রাণ থরায় হিংহনলে। থা মখোং চৈজনবা লোইবু মৈনাইবাশিংগুম তেনবাল অনাকোক্লাকপী থানল মরাঙচৌ খোংবু মথাইরাং তাংজা মতৈতোলনা জয় রাম রাম লৌলিনা পুক্লাবে হৌজনবা। চাংঙ শ্রীরাম শিল্লনা রাৱণ শানিলোয়রক অহানবা। মালাইরেম কুন্তিবাস অহেনবা লৈলনবগী অসিবু

নরপোংপাচা খোয়ম শাইবু নিঙবা নখোয় পুম্নামক্তি জয় রাম রাম শোলনা নাতাখি ও। রামচন্দ্রনা রাবণ লালশোক অহানবনে।

অসাইগী সনা লঙ্কা লৈমাবা রাবণ নিংথৌরেননা সনা খাগী সিংহাসনফম্না নশানো মন্দোদরি অহেনবীগা মাদাইরেম পাত্র অঙবাশিংগদা রাইমখিরে। তায়মশিং ও। লাহাল এনা খোয়ম মহাদেব শিদবা সনা মখোঙখাবু ইনদালখিঙৈ মাদাইরেম নন্দি খোঙশংবনু খা য়োংশক মালনা চেংলো শককোয়খিরে হায়না পাওনোকচিল্লাবনু। নন্দি খোঙশংবনা হয়েং চেংলো ইশকমালবা বানর মখুংবাক্তা নোংমল ও মিচৈঙাম্বনু হৌজিক সময় মতম খোল্লারে। য়োংমু লমলোয়ওইবা রামচন্দ্র খোই-খোয়বনা সনা ঐগী লুহুপতোল তরামনু রায়রা মতেলচানা মালেম লৈয়দ্রাতানা কাপথংলকয়ে। তায়মশিং ও। খোয়ম ব্রহ্মা শিদবাদা ঐনা অমরশিদনা লৈজগে হায়না বর লননিবমুঙ অমর শিদবদি ওইকরোই। খা লময়োইওইবা নরপোংবচাগী শমু মখুংবাক্তা নোংমলঙৈনে হায়রঙমবনু। হৌজিক মতম থোক-লরে। সনা লঙ্কেশ্বর লৈমাবা ঐনু প্রাণ থরায়মাঙনা লঙ্কা লৈবাকতাকবরা খঙদে। তায়মশিং ও শানৌ কুম্ভকর্ণ য়াম্নমবা থাবুম তরুক য়াহিল্লা খোমলেন মিকপখোৱদবা লোইদাম থামা রাংলিশুম খা লালশোক্লবা য়াহৌরা ও লঙ্কা লৈবাক তাকপা হাল্লাগনে হায়রবগা। মাদাইরেম পাত্র অঙম্বনা কুম্ভকর্ণ মচিল্লাক থুরাবাংলৈ অয়াকপা রক্ত ঈঙাঙ অথুম্বা শারেল শাময়োন নরায়ণ তৈল্য ওয়োকপামুঙ শারম শারম থিঙমদা লেঙৈ ঙাপুমপাঙমদা য়ুহি লৈয়ু ঈঙাঙফুরেল মশীং লাকঙমদনা কোটি মপেয়াম্না পৈ-রবগা। লঙ্কা লাম্বী থিঙমদবা পুম্নামনা কুম্ভকর্ণ নাসিকা য়ালং লোংশিংখোঙদা চীঙলেন পাল্লংলাগুর য়ামনা পৈ খোয়লেন

মিকপথোক্লবা য়াংলেন পুংজাওয়ৈ মোইবুং সিঙ্গাজেরে থবথি খোংঙা খিৎমদনা কর্ণ মাকোং অমিমদা শব্দ খোজেনচাওনা য়াহৌবস্নুঙ খোমলেন মিকপ থোক্করাবগী দানব লাম্মী লিশীংমানা কুম্ভকর্ণ অচৌবা য়াউলেন চীংশাং মালবদা অচেন লোকলৈহৌ লাঙ্গোই শামু কান্তি অথৌবনা তাংজা নুরেলয়ান কোম্নি শাজে চিলপুলং অকুইবনা মাকথংখোম ওনয়ৈনা য়াহৌবস্নুঙ লেঙবিদর-বগীদমক মেনাংতালবা লিশীংমাবু নাতোন নাকোং অনিমদা হায়েঙ শারম চেম্না থৌজিনবস্নুঙ লেঙবিদে। লাম্মী লিশীংমচানা থোক্তু সুংজাও উবি উমৈলতাশোলথংলং থুংস্থ অথৌবশিংনা কুম্ভকর্ণ শমু মহকশাংদা তিলমেন তাকোকথুম্না য়াহৌবস্নুঙ লেঙবিদরে। তাখুল ঈঙাওথোকপবু ঈঙাওলৌখোংচেনগুম্নাবগীদমক তানলোয় মরুমবি মপারি মমোমলোন মমি মনাই পুম্নাবদি গৃহ ময়িমনিল মালেম লৈয়দা ওম্না মিকপ্লরে হায়ে। অসুম মিকপখোলবু মাতাদারবগী লাঙ্গোই শাগোল শামু খিঙমদনা কুম্ভকর্ণ অচৌ-বা য়াপুরোনবগী শমু নমগনথক্তা চীংশাংশারমচেনগুম হৌথোক-পাস্নুঙ খোমলেন মিকপ থোক্তবে হায়ে। শামু মনাতোল মালং নোংশিংথোঙদা আহার মচিঙ্গাক অহাওবগী মনম মুংশিববু পায়শামনিংশানা পুজিলখিরবগী তাংজা লিম্নানিংথৌ অনন্ত বাসুকী কেন্দোকলেলকমগুম মথম্না চেংলৌ মমিংপাও চীঙলেনপাম্নং লাওম্না হৌথংলবদা পায়মা মপুকমুংদা মথম্না নিঙথনজখিরে। য়াহিপ-থাপুমস্থদনা য়াহৌখোক্লবা অসিবু সনা লঙ্কা লৈবাক্তা মতৌ অরুম্বা করম্বু "লৈথিবগীদমক হোৌথোক্লিগবনো। অসুম নিঙথন-লাবদা থোঙলোই প্নাওহলবনা মশাবী য়াকপ নিংথৌরেন্দা নপানৌ কুম্ভকর্ণ অথৌবথি খোমলেন মিকপখোক্লে হায়না য়াকথলবগী। তৌইগীদি তায়মশাও নবুঙো কুম্ভকর্ণ অথৌববু পুন্না পাওকো-থংবুঙ হায়রমগা। খোঙলোই অয়াওবনা অচেনলোকলৈহৌনা

হে ইবুঙো কুম্ভকর্ণ অকনবা ও। নশাবী রাবণ নিংথৌরেলনা কারক ও হায়ে। পাওখেন্নুরবগা কুম্ভকর্ণ অথোবদি শারেল শাকুম চাম্বগানিপালগুঙ শামু পোংবুম মরিফুদংগা চাথোম অমি ওইনা চাজিন্নারবগা। লঙ্কা লাম্বী অন্নাম্বদা রাহমখিয়ে। ইশাবী রাবণ মরেবাক অসিবু ইন্দ্র সোরারেলনা হয়েন লানশোক্লাবগীবু খোমজেন তুমগনব্বাদনা যাহৌথোকলবরা। অদুম পাওহংববু মাদাইরেম মিরুবাক অশিংবনা পাওখুন্নখিয়ে। হোয় ইবুঙো কুম্ভকর্ণ অথোবা ও। ইন্দ্র সন্নারেনবু করিরাওইঙাইদৈতে। নশাবী ইবুঙো রাবণ নিংথৌরেলনা চীংঙু রাম শিন্দবগী শমু ওইরমথাবী সীতা লাইরৈমাবু লোম্না হরুবারাগীদমক লাহান লোইদাম থামাবীদা নোংশিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত পান্নমবনা লঙ্কা কোলনুংচঙনা থামবিমৈথাথোক্লারে। হৌজিক লোইদাম থামাবীঅসিদদি শ্রীরামচন্দ্র থোইথোহবনা বানর য়োংয়ামথোম খা তেজোন মাশিঙথিঙমদনা লঙ্কাপলথোঙ কোয়রে। নাদাইরেম সেনাপতি অথোবশিংদুঙ রামনা শিরে। নশাবী রাবণ নিংথৌ-রেলনা হয়েল লানশোক্কববু মনা লুঙ্গপতোল অহুমবু মালেম লৈদাতানা হয়েল লালচেন্নক্লে আহুগীবু যাহৌথোক্লাবনে। আদুম পাওখুমবাগা হয়েন লালপাওদমবু তাকাদাবনিঙ্গীনা। তৌইগীদি শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমাবু প্রাণথবায় লৌরুবাগা শাবী রাবণ নিংথৌরেলদা তমলাগে হায়না যাত্রা খোঙশানল্লক্লাববু দানব মন্দোদর লৌশিংবানা হে ভাই কুম্ভকর্ণ অথোবা ও নিংথৌসনা মথোঙখাদহুম ইন্দালসে হায়না পাউকৌথংখিববু চিঙজন পা-লংলাগুম চাওথোইবনিগীনা মরেপ অকুইবানা লঙ্কা পকাউহেল অমালুহুপ মঙার্লনাইনা লঙ্কা খুনয়াই চংখিনবু খা তেজোন মনিলনাইবনা মিথয়েংশানথৈরাবগী য়ারাকুতপচুং চেংলৌমখিংঙক য়োয়মু তেজোনচাইনা জোরাবে হায়মানরা। চীংঙু রামশিনবনা

বিভীষণ লৌশিংবাদা পাওহংখিয়ে। লঙ্কা কোলম্বুংদা মরেপ-নোংথৌফংনা ক্ষেংখিবা আসিবু করিনো হায়রাবগা। হোয় প্রভু ইবুঙো ও নাদাইরেম শাবি রাবণ নিংথৌ মশানৌ শাবি চিংখোঙয়ায়মাবা কুম্ভকর্ম অথৌবানে। নাওবা মাখুৎঙৈগী হৌনা পাঙ্গল মপাতামরে। লালফম মমায়ওনদে। নাদাইরেম আসিবু পলেম ইমা নিকষা হিংচাবীনা নাওনৌবা মুমিৎতা জিবথাবায় পালবা লিশিঙতরা মুনি ঋষি লাইবু নিঙবা মাশিঙ চাম্মা ইন্দ্রজগোইশাবী চাম্মসুঙ চাহৎলবগীদমক চীংঙ্‌ সরারেলনা বজ্র মথুৎত্ত কোরৌ নোংশিঙ অথৌবানা পুকনোপ অহোম্বদা তেন-বাল্লবাবু হেলাথৌওইদনা লাঙ্গোই ঐরাবত শায়াংথকী ইন্দ্র সরারেনবু মালেমলৈদা তানা য়েথরাবগীদমক দেবলাইনিংথৌদি খোইয়মলাইফংথৌশিংগা ব্রহ্মা সনা মখোঙথাদা রাকংখিয়ে। নাদাইরেম কুম্ভকর্ণ হিংচাবানা চীংঙ্‌ নংনা সৃষ্টি মালেমলৈকোয় শেম্বাদি আহার মচিঞ্জাকপু ওইরে। অসুম রাহমখোলগী চীংঙ্‌ রজগুণ শিদবানা খোয়ম লেংনা তিনবা ও মালেমলৈশেম্বাদি মাঙফারোই কুম্ভকর্ণ অচৌবাদি খোমলেন মীকপথোক্তনা য়া-হিপস্নো। সাপ মীচৈখোলগী তননা কুম্ভকর্ণদি খোমলেন তুমগনখিরবাগীদমক ইশাবি রাবণ নিংথৌরেননা চীংঙ্‌ ব্রহ্মা সনা মখোঙথাদা নাদাইরেম কুম্ভকর্ণ অসিবু খোয়েনমিকপথোক-তরে। প্রাণ থরায়মাঙববু মালয়ে। চীংঙ্‌ নথৌজালবু করম চালহৌবিগবনো হায়না বরলননিরবদা। তৌইগীদি লোইদাম থাবুম তরুকস্না য়াহিপস্নো। কোয়ৌ মুমিৎমা খোয়েনমিকপ-থোকহলগে অসুম লনকুবিবা নাদাইরেমনে। মাবু হয়েন লালশোক্লবদা নাদাইরেম থ্রা লাম্মী পুমামবু উজবিপুক্লীং য়াঙ-হলগুনো খোয়ম নংগী চীংঙ্‌ মতেলচাদা য়োম্মানানোংমল্লাঙেনে। অসুম পাওথুম্লাবগা। অসাইঙৈগী কুম্ভকর্ণ মশকতবগী য়োংথু

লায়খংনাখিবশিংসুঙ অঙ্গদ সেনাপতি অথোবনা বানর লায়া অয়াম্বশিং ও অলাইশিংগী লঙ্কা খুনরাইডালবদি য়োম্নমায়াইলাই-রেলডাগুদলবা মশাবী চন্দ্র থাজপাথংবনা থাজনেম্নাথোকপগী লঙ্কা খুনরাইডালবনে কম্বিগী লালকম পুক্নীংয়াংবনো। উলবী পুক্নীংয়াংগুনো হায়না অসুম থৌখামচিললে হায়দবরা। কুম্ভকর্ণ ছিংচাবসুঙ মশাবী রাবণ সনা মথোঙথাদা য়োজরাবগা। রাবণ নিংথৌরেননা কোলিকোলা থৌজালনা সনা কালত্তেথানা কম-কমহাল্লাবগা কুম্ভকর্ণ অকনবনা শমু থাংচম্না পাওহংলকয়ে। সনা লঙ্কেশ্বর লৈমাবা ইবুঙো ডাও লঙ্কা নারৈথাক অসিদা কুম্ভকর্ণ ঐবু লৈরিঙৈদি চিন্তা অরাববু নিংথৌ নংগী সনা হক-শাংলেন্দা চঙকরোই। শাবী রাবণ নিংথৌরেন নংবু সমুদ্র ঊরেনপুংনা বৈরিয়েক্লারাবসুঙ লাইজা কাময়োংননা সমুদ্র লৈকক্-থোক্লা কংহল্লাগে। চকমোম থাম্বী মৈতরঙনা শাবী নংবু কিদরাবদি থাম্বী মৈতরেঙ অরাববু চাহংলাগে চীঙলেন পাল্লং-লা অচৌবনা থৌওইদরাবদি মালেম লৈতুম মায়মথিক্লা হোং-থায়রগে। ভূমিলৈমায়োননা য়েক্লায়বসুঙ য়াথেনথোংজিতোলনা চিকথায়রগে। অবাং বৈকুণ্ঠ নোংমাদোলমুমিংনা তারাথরাল-পিচাকপুম্নামবু পুমুংচংখিলারাকশেংকুম শেংথায়রাগে। লৈরোল নোংলোল অঙম্মবু চেংলৌ মীংকুপখায়মদা মাঙহল্লাগে। সনা লঙ্কা লৈমাবা নংবু বৈরিয়েক্লাবা মহাকপু কনানো থুনা পাওতাক-পি ও হায়না শারেঙ পালবুতিং মমিং কোয়িহৌনা অসুম বাহ্মাবগা রাবণ নিংথৌরেননা হোয় লানৌ কুম্ভকর্ণ অকনবা ও। দশরথ নিংথৌ মপারি রামচন্দ্র থোইকোয়থনা লাইলপঞ্চবতি অহেনবরাতৈঙৈ ইচল সূর্পনখা অহেনববু শমু নাতোলহেন শানৌ খর-দূষন অনিরনাচিংনা সেনা লাম্বী লিশীং বয়িদুনা হাংজবা-লীদমক মশাচুনৌ সীতা লাইরেমবু পাজল লুংজমখিলা অশোকবন

ঐখী ইঙখোয়েন্না শালখুদলিয়ে। মতৌ অমিগীকমক রাক্ষস রাবণ অনিথনা খ্বা নমকোইখৈরনা সমুদ্র কৈনাথিং লঙ্কা শহরুইকোরনা য়োংসু তেক্কোদলিংলে। মহৌ শামচা বিভীষণ হৌশিংবসু রাম মিচংওইনা তৈন্‌থিয়ারনিংঈনা শান্নৌ নংবু পোম্মলেন তুম-গনকাদা লোইদাম থাশিঙহনা য়াহৌখোকপনে। চেংলৌ মরিংশায় হায়না বাওইগনো। লালকম মায়ঙকয়ানা ঙমেন লানশোক্লবা ও হায়না অমুম বাহন্নাবগা কুম্ভকর্ণ শান্নোই মচুমত্তাঙবনা পাওখুমলকয়ে। শাবী ইবুঙো সনা লঙ্কা কৈশাম্পা ও চিংগোয়নয়াথং অমিবু পায়মা ঐখী উনগোইমুংদা নিঙথনবদি নহৌ তুমহৌয়োনবা ওইনা নাতায়ে। লাহাল খোয়থানাগীরক্তা দানব লায়ৌ লিশীং তরামন্নিপনা নোংমলয়ে হায়রবদি রাম লক্ষ্মণ মতিক শঙনা সীতা করিগী হৌরবনো। সীতা অমুম লোগে নিঙবাবদি শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমবু হায়া প্রাণ থরায় মাঙহলঙলে। শঙলৌ নংগী মাথোয়রাং য়েনলাং নাওনম অমিবু করিবানো পানবা কৈরেন অথোবা কায়া কৈনিংথোবু লঙ্কা নাপুংয়াইদা কৈরেন চঙনা থাথোকপবু মালয়ে। হে রাবণ নিংথোরেন ও নতৌ নথমাগী অয়োনবনা প্রাণ থরায় মাঙনিঙববু ওইরে অমুম রাহন্নাবদা। রাবণ নিংথৌরেন্দি কুম্ভকর্ণ চেংলৌ শককোইরেংনা কথাও মাইথলেতা য়াথংপাওথিথোক্না বাহনথিরে। হে কুম্ভকর্ণ শাচৌকা শারেলশাহাগা বাংমৈতোলঙবা নবু লোইদাম থাশিঙ হনা য়াহৌখোকপদি নথাবী রাবণ নিংথৌ ঐখী ইতৌ অয়োনবু ইলাইরেন দানব খুকথাওলোয়া বাহকনা ও হায়না য়াহৌখোক্লে। শংকম শিমচা কৌবদি লমনু মতম কংআমদা প্রাণ শবায়শিনা নহাক শাকব ওইমনাকহুব শংলেব শিমচা শংহৌ শামত্তা কৌবলে। চিংগোর নাতাথং অমিবু ঐনা নাতাবদি লালকম য়াওকয়ানা ঙমেন লানশোকনিঙবগা খোয়মামাংগী য়েংলেনিঙবা ওইনা নাতায়ে

হায়রবগা কুম্ভকর্ণ লৌশিংবনা খবু খাংচনবা পাওখুমজক্করে
লাক্নইবোম ঐবা সনা অখোওবাদা রাক্ষসলাককনজনবু লৌৱী-
শুনো নিংখোন্বনা নারাথংবু হেনতোকড়া আনবনা মায়থকাবা
রাক্ষ লন্দন অমিন্দগী তাংজা লুক্লন্জোনবু শাম্মী রাবণ মাওদা
খারারচাবলখাওস খংলগে। লাইদা নক্কা মৈথাবদা হনুমান
অখোৱবুস নোংমনহান্নককে হায়না শাম্মেই পাৱবুন্থিংনা অঙ্গয
বাহান্নাবনা মশাখী রাবণ নিংখোম্বেনবা ঐবা কিরোই পিনা রাজা
প্রসাদ পিজরবগা। কুম্ভকর্ণ অখোৱবদি রাবণ নিংখৌ রাঙ্গী
যাত্রা খোঙশালক্রবদা অঙ্গয় য়াইখিনবা সুমিৎ মখি উদা বাজং
বোংশিং লেঙবিদা চীঙয়া নোংহৌদমা নোংলেন অয়াংহৌনাচুবদা
রক্ত ঈঙাঙয়ান লুরাই কোয়রেলথক্তা শাঙারশেল মৈবি পাই
পালবোমশমূওইরমগী শিংলি হকশাংচোং য়াংলৌ লম্বী চংবদনা
পোলবি ল্যাঙজা পাই মতৌ অঙ্গম কত্তরববু হেনাখৌওইদনা
হয়েন শান্নাওখোলবু নোংশা লাপ্লাওতমা লঙ্কা নোংচুপখোঙদা
খোকলকপবু বানর লাম্মী অখোৱবশিংদি কুম্ভকর্ণ মথক উম্লাবগা
খ্বা মতুচুং য়োংমু মখি পাইনা হয়েন লালচেমরে। কুম্ভকর্ণ
হিংচাবনা বর অচোবনা পাওমেল্লকরে। বানর কক্য়োং অপিশা
লাংবল কৌচেঙমাগবা মাম্নিমুপীগুম্বা অসিশিনা লঙ্কা লৈবাক
তাকইলগে হায়না হয়েন লালশোক্লগায়ে। অঙ্গম হয়েন লাল
করেম্মা তাইনৌক্লায়ে হায়দবা। কুম্ভকর্ণ মায়থকয়াওঅদবগী
খ্বা অখোৱবশিংদি কুমুদ অকনবানাচিংনা লাম্মী কোটি মপন্ন তরাইনা
হয়েন লালংনেখিরে। ওজন্যা অখোৱবসু লাম্মী মখৈ কুম্ভাইনা
য়োংবু তেলোন কায়রে। সরভস অকনবনা খাজর য়োংশাবং
লাম্মী লাখা মকিংহনা হয়েন লালচেংহোকলক্রে। য়োংবু মীডা
অখোৱবসু লাম্মী লাখা মরিকুত্তবানিলালসুনা তাংজা ওয়রখংনবা
হয়েন লালচেনলে। শরাভ অখোৱবসু তেলোন কুম।

তাইরোয়না হয়েন লাম্নেত কায়রে। শাওম লাল্লী থিওন্দা য়োংমু মপুরশাওন্নবা পুন্নামদি কুম্ভকর্ণ মতাওয় তিন্নয়েংবা থিনাবগী য়োংমু তেল্লালকায় খ্বা হুকচেনবা য়োংমু নয়পোন্নবা য়াংলো অমাকত্তু মাতাম কুরোনহু বানর চেংলো শকথওনাদনা চেনমননাবগীদমক অঙ্গদ সেনাপতি অথৌবনা বাহয়থিন্নে। হে খ্বা অকনবা য়োংমু অথৌলিচাহৈপপাশিং ও কুম্ভকর্ণ অচৌবা অদিগুম্ববু হুয়েন লালশোকওয়াবদি সংসার পুন্নামদা কীর্ত্তি ঐথোয়না মিংচংঙৈনে হায়না থৌথায়াবগা। খ্বা সেনাপতি অথৌবা হুয়েন লালচেংখোকথিবা অয়াম্ববু অঙ্গদ অথৌবনাচিংনা কুমুদ সরভঙ্গ গবাক্ষ অহুমগা চত্তুনা মহিত্ত বিপীক্ষ য়াওনা কুম্ভকর্ণ মায়ওকয়া থৌত্থু খুওহুমহল পামেল উন্নাও লংথিবনা কুম্ভকর্ণ মহুকশাংদা পান্নুবদি পামেল নথম্না থাওতেকনানা থৌত্থু উৎফুল ওইরে। মহাবলী লাইপাথং হনুমন্ত অথৌবনা নোংশিৎ পোৎলুমপি কোয়্রৌ ওমথংচোং পামেল থুংনু অথৌবনা কুম্ভকর্ণ শমু মহুকশাংদা মৈরুবনু শমু হকশাংনিকপিদে হায়দবনা। কুম্ভকর্ণ অথৌবম্নুও মুংমুকরাইফবনা হনুমন্ত নমশাং ইলনা চৈথাওামলবগীদমক তাংজা কোকঈকানা মালেম লৈয়দা তুরে। অঙ্গদ সেনাপতি অথৌবম্নুও দানব মায়ওকয়াকবগী কুম্ভকর্ণ চৈথাথোলগী মালেম লৈয়দা ওনলে। কুমুদ অথৌবম্নুও শমু মথুংবাক অচৌবনা মৈহুথলে। সরভঙ্গ গবাক্ষ অনিমাক্নুও সরাইনিংহলননা থিলথুবগী মচিন ঈতাও ওনাতুরে। মহিত্ত বিপীক্ষ অনিমক্নুও শমু মথুংপিনা ঊমথুবনু চেংলো মঙিংকিং তাংজা কোকঈকানা মালেম লৈয়দা ওনলে। সেনাপতি অথৌবা তরেংমবু কুম্ভকর্ণ শমু মথুংবাক্তা মৈলাইয়াবগীদমক খ্বা লাল্লী অয়াম্বদি নোংচৈ মরাওহৌবগী মুমাকলাকংপাইওম্ন হুয়েন লালচেংখোকলাবনিন্দীনা - নিল সেনাপতি অথৌবনাচিংনা সরভঙ্গ সুরভ গবাক্ষ চত্তুনা অথৌবা মঙাম্না

কুম্ভকর্ণ খমথেংননা থৌত্থ ঙুঙ্হুমহুল পামেল উজাঙ হাইনা য়েক্লবন্ন। শমু নমগনখেংপাগুম্না তারবগী নীল অথৌবা নোংশা লালজানবস্থুঙ কুম্ভকর্ণ মায়ওকয়ানা শোকনরুবন্ন শমু মখুক্লু অচাওবনা মালেম লৈয়দা নম্না সুহৎলে। গবাক্ষ অথৌবস্থুঙ খুৎতুমকিলজাও থিম্নকপগীমা লেম লৈয়দা শুনলে। সরভঙ্গ অকনবা চস্তুন্থ্য অথৌলিচাহেম্নাস্থুঙ খুৎবাক চৈথা অমরক্লা ময়াঙ্গৈথোংঙম্না মালেম লৈয়দা তুরে। খ্বা লাম্মী মঙাদংবু য়ারেন খোংজিতোন্দা য়োৎচিনখিববু শমু মনাতোন অরাওবালমদা অচেন থংলৈয়াঙ মিরেলথাবুথংনা চেম্তোকললক্রে। অতুম্মুঙ মদোমদে। য়োংমু লাম্মী লিশীংমাস্থুঙ শমু খুদোল লাক্লা য়োৎচিলখিববু কর্ণমনাকোঙ অহোবদা খ্বা মমি পাইনা চেম্থোকললক্রে হায়দবরা। য়োংমু তেঙ্গোল থিঙমদবদি কুম্ভকর্ণ মশক য়েংঙমদনা মিরেলনোংদাকা য়াবাতুকুপচুং রাজা সুগ্রীব নিংথৌবু তালনা চেম্থোকলবগী খ্বা য়োংনিংথৌ রাজা সুগ্রীব অথৌবনা কুম্ভকর্ণ মায়ওকয়ানা রাহমখিয়ে। হে কুম্ভকর্ণ হিংচাবা ও। নাচাও পাঙ্গন লৈরবদি রাজা সুগ্রীব ঐগী শমু ইখুৎস্থ পামেল চিঙচাকু চাওথোইবা অসিনা চৈথাগে। পাঙ্গন নিপা থোক্লা খাঙজাঙম ও হায়রবগা নোংশালাম্লাও খোলদালননা অস্থম পাওমেল্লববু কুম্ভকর্ণ অথৌবনা পাওখুমলকয়ে। হোয় হে সূর্য্য হুম্মিৎ মপাম্বি বালি নিংথৌ মশানৌ ও। ঐস্থুঙ নংবু হুয়েন লালশোক্লগে হায়না নোংহাম্লিয়ে। নংগী পামেল চৈথাখঙলাবগা প্রাণ থরায়লৌগে। অস্থুম পাওখুম্মাবগা রাজা সুগ্রীব অকনবদি লালশোক মরাংহৌ পামেল থাঙতপলাক্লা কুম্ভকর্ণ থমোইতম্না হুলখিববু চিঙলেন পাম্লংলাঙম চাওথোইবানিগীনা শমু হকশাংনিকপিদবনিগীনা তিল্লাং হাইশিংননা রাহমলক্কয়ে। হে সুগ্রীব পাঙ্গন নতিক লৈতবা নংনা কিষ্কিন্ধ্যা লৈবাক চাবদি শিঙলেন অরেম্বনে। কুম্ভকর্ণ তিমেল

ঈথুংবু পাম্মেন চাওখোইবা চাকতানা তনলা কারেতোরচননা 'তিলমেল তাখোঙগৈবা দানব লাম্নী লাখা অমনা পুংনাশাশিংপুবা খাওনং অখোবগী তিলমেল মায়গকয়ানা খোকনা নামান্দলগনো হায়না খুংবাক তিরাইরমেল মালেমখোঙবু থিরা হুনকপবু সাগর ঈরম তরেংখাবু লাইজা ঈথকহো মালেম লৈবাক নিকয়ে। দেবসর্ব্ব অস্ত্রাস্ত্রাদি অসি কোয়ৌ মুৰিংখদা সুগ্রীব থরায় মাঙ-গবরা হায়না শোললোইরিঙৈ রাজা সুগ্রীব অকনবনা পান্জন মতিকউৎ কোয়ৌ ঙমখংচোনো শূন্য অতিংঙাদা তিলমেল মায়ওকয়া শমু মথুংওইনা ওক্লাবগা মালেম লৈয়দা তননা থিনখোকলথ-গীদমক কজাও মথৈ লৈতনা চিঙলেন পান্নংলা নাপোম হুমকু-তরামরিম্নববু শমু খুংতাম্নবা সুগ্রীব তাংজা নুরেলতন্না হুলথিববু পান্নবগী রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেন্দি মালেম লৈয়দা ওন্না হুয়েন লালতুরবদা। কুম্ভকর্ণ অকনবনা সুগ্রীব শায়েঙপালবুরাকনা চিংখিরবগী মাদাইরেম খ্বা লাম্মী পুন্নামদি য়োংমু তেঙ্গোল মথীনাইনা মীকপনোংথকা শমু মথুংতোলনা তাংজা মকোক পায়না মিকপমে হায়ে। নোংশিং নিংথৌ মপারি শ্রীরাম ভক্ত অহেনবা হনুমন্ত অখোবদি চিঙলেন মতোলতোংনা মিংয়েং শানখৈরিঙৈ নিঙখনথিয়ে। রাজা সুগ্রীব নিংথৌবু কুম্ভকর্ণ শমু খুংবাক্তগী পাঙ্গল খুংঙমথিনা মুন্নুসে হায়ববু সুগ্রীব ঈনিংথৌনা শমু হক-'থোংকনা শোক্লারিঙৈ নিংথৌ ঐগী পাঙ্গল করিবাংয়ে হায়বগী হুয়েন লালন্নাবনো হায়না বাতাথিরাগবরা। তৌইগুম কুম্ভকর্ণ হিংচাবানু সুগ্রীব ঈনিংথৌনা পাঙ্গল খুংঙমথিনা হুয়েন লালশোক ঙমলকউনে হায়না খ্বা তেঙ্গোল মহিলমাইনা শোংকিম্নারবশিংবু উলবি পূরীং তপহন্নে হায়দবরা। সুগ্রীব নিংথৌ পাঙ্গনবদি লঙ্কা পললোল অহুমহুনা পুজিলথিরববু উলবি মথন্না লৈমিঙশিংমা কুম্ভকর্ণ শমু মনাতোন অম্রাংখবু য়্বারেন খোংকৈচিক শমু মথুং

অনিমন্না নাপা নাহমলাক নাতোন নাকোঞ্জশেং থমোই খোঙ-ন্নাকাও থান্বী মৈরিকচোংগুম শ্রীরাম সনা মখোঙখাদা হুয়েন লান্নপাও তম্নবগা চীংঙ্ রাঘব শিদবনা কোল্লি কোলা থৌজালনা বিভীষণ জম্বুবান অনিমনা য়াথং চিঙলেন পান্নলোগুম সুগ্রীব মতিক থাগৎপিখিয়ে। সেনা লাম্বী পুন্নামক্তঙ খুয়াউফুলদোনা য়োয়নারে হায়দবরা। কুম্ভকর্ণ হিংচাবদি চেংলৌ শকোয়থিবনিংগীনা থিঙলৌনিঙনাত্তেনা হুয়েন অমরক লালহোৗক্লাবদা অসাইঙেগী নাতোন ঈঙাঙ থোকপবু ঈম্মু থকয়োংনা ময়িম লঙ্কা লাজমীচঙনা য়োং খ্বা তেঙ্গাল য়োংমু পামতালননা চাহৎলবগীমমক বানর লাম্মী অরাম্বদি থরায় মিরেল পাইনা শ্রীরাম সনা মখোঙখাদা হুয়েন লালচেম্বোকলক্লাবদা কুম্ভকর্ণ শাচৌবদি লুহুপ নোংথৌফং লান্নাও নোংখাকচৈরোয়ননা ইনজিন্নক্লববু লক্ষ্মণ যৌবন মথোক-কলকপা রাক্ষা তেলহৈবনা কুম্ভকর্ণ মায়ওকয়াঙম্ববু য়াথং লুরাক্লনা রাহমলকয়ে। খোয়মা ইমাঙলেপ্পা নংবু কনানো গুণ নতিক খঙলবগা খমমুং যম নিংথৌবদা প্রাণ থরাম থাথোকে হায়রাববু। শ্রীরামগী মশানৌ লক্ষ্মণ অহেনবনা পাওখুমখিয়ে। দশরথ নিংথৌ মপারি দানব মায়ওকয়াবা লক্ষ্মণ ইথোকলক্লকপনে-হায়-রবগা। ত্রোইগীদি হে লক্ষ্মণ অঙাং অপিশা নংবু কোলনা প্রাণ থরায় লৌগে নশাবী রামচন্দ্র অহেনববু হান্না হুয়েন লাম্পোক-নাখিগে। অমুম রাক্ষকপবু চীংঙ্ শ্রীরাম শিদবনা মাতাবলী খোয়ম সনা মখোঙখাদা থম্ম লিকং মখুংক্ত বালি নিংথৌ ক্লাংবনা তেলবি থাশাববু জিরিতেলগাথোংনা কাপথোকলবনী। কুম্ভকর্ণ হকশাংথলনা পাম্রবু হেলা থোওইদনা মুংমুক অকুইবমু শমু খুংগুওইনা তালজিল্লকপবু খোয়ম রাম শিদবনা ত্রিভুবন মরোল অহুম্মগী মবুঙোনা চীংঙ্ মতেলচা অমথ অথোবা তেলবি চৈরৎ-তাববু রায়াথিলকাপ্পনা কাপথোকখিববু কুম্ভকর্ণ শমু হকশাং ফাওনা

মালেম লৈয়দা তুনা পাম্লুরবদা অমথ তেলবি য়াইওইবদি সমুদ্র লাইজা ঈদা চামলুরাবগা খোয়ম সনা তেলদোলঙ্গুংদা চঙলক্লে হায়ে। কুম্ভকর্ণ শাচৌবদি চীংঙ্ তেলবাল থোওইদনা লালশোক চৈরংতনা ইনজিল্লকপবু খোয়ম রায়রা নমকাপ্না তেলবি নোংচুন-রবাগী সুমিত্রা সনা জিলকোয়গী লক্ষ্মণ অথোবনা রাহমথিয়ে। য়োংমু লাম্মী অথোবাশিং ও কুম্ভকর্ণ শাজাওবা অসিবু চীংঙ্ তেলবাল য়ায়ে থ্বা মপৈ থিঙমদনা শমু মাগী লেংবানথকতা তোংলূরবদি মালেম কুবাক্লনা নোংমলগবরা থঙদে হায়না রাহম-খোলগী গয় গবাক্ষ অকনবা কন্ধমাদন অথোবা নীল কুমুদ অকনবা জম্বুবান অঙ্গদ অনিমক্তু য়াওনা বানর লাম্মী থিঙমদনা কুম্ভকর্ণ শমু নমগনথক্তা তোংলূববু ককচেং লুচাওবিচানা মালেম লৈপুংকাবগুম নাতারবগী কুম্ভকর্ণ শাচাওবা পাঙ্গন মপাতাম্বনা শায়েঙপালবুহাই নোংশা লাল্লাওতয়া লাওথোকলক্লাবগী শমু নমগনথলনা কাথিবস্তু পালবোম লেংদোলথলনা তোংলুবস্তু তাংজা লাইথংননা হুয়েন লালচেনথোকলে হায়দবরা। কুম্ভকর্ণ অথোবদি তেৎনৌয়োংকী মকপু শমু খুৎতাম্বনা চীংঙ্ হকথেং-কংগে হায়না তালজিল্লকপবু খোয়ম রায়রা মতেলচানা থাজা কোঙাক্লমানবনা শায়েঙ মতালবোম চীংশাং নাপোম মালবা শারেল য়েংলমগীগা য়োংশুক মথুৎস্তুঙ চীংঙ্ পাঙ্গনথোক্লা কাপথোক-লবগী চিঙলেন লৈকিনথাগুম পালবোম মালেম লৈতাখিবনা থ্বা ঙশীং থিঙমদনা নলথুরে হায়ে। কুম্ভকর্ণ হিংচাবদি রক্ত ঈঙাঙ থোক্লবগী য়াইবি কলহৌনিক্লা পামেল চিঙচাগু মপানফুক্লা শমুওইদা শুনা খোয়ম হকথেংকংগে হায়না তালজিল্লকপবু শ্রীরাম শিদবনা রায়রা মতেলচা ইন্দ্রবান তেলবি অথোবনা বাহু মতাল-বোম শমু ওইরমগীস্তুঙ কক্‌থোক্লবদা খুরশ গকোক থাঙশাববু রায়রা অমরক তেলগা থোংনা কাপথোক্লবদি খুকলু হংজাও অনিমা

তুপা পাল্লবগী মালেম লৈয়দা নোংলনা তাংজা থিন্না, লমচৎনা মালেম ফুবাক্না ইনজিলক্লাবগী চীংগু মতেলচা কোন্নৌ নোং-মদোলগী ইন্দ্র সন্নারেললনা ফুরকপা তেলবি অথৌবনা পুকনোল অচৌবা মালেম লৈহোমপাংকুম্বদা তুমবাবদগী শিবিদরবগী রাঘব নরায়ণ শিদবদি লালশোক মরাওহৌ কন্নাও মখৈলৈতনা শি-চিংনাকোংঙ্কর সন্ধান পাল্লদময়েংনা ব্রহ্মাস্ত্র তেলবি খাইওইবনা তাংজা নুরেলতোলবু কল্লথেক্লোবদা মকোক লৈত্রাখিবনা য়োংমু লাল্মী লিশীং অনিস্তুনা নলথুরে হায়ে। কুম্ভকর্ণ শান্নাওবদি লালশোক মমায় লৈদনা চিঙলেন লৈকিনথাগুম শ্রীরাম রায়না মতেলচাদা নোংমল্লে হায়দবরা। থোয়ম বিক্রম থায়াও মথৌমল কুম্ভকর্ণ লালশিবা অসিবু কৃত্তিবাস অহৈবনা লেংলমশৈনে।

অসাইগৈগী মহিম লঙ্কা লাল্মী শৈনাইবা লালশোক লাই-থংনখিবশিংনা রাবণ নিংথৌরেন লঙ্কা লৈমাবদা শুমু থাংচপনা বাকৎচাখিয়ে। সনা লঙ্কেশ্বর লৈমাবা ইবুঙো তাও ও। নপানৌ কুম্ভকর্ণ য়ায়মাবনমচিংনা সেনা লাল্মী পুন্নামন্নুও হয়েন লালথোক মুৎলে হায়না অমুম হুয়েন লালপাওতুমাবদা রাজা দশাননদি মুংশি মখৈলৈতনা তাংজা কোকঈকানা সনা সিংহাসনগী মালেম লৈয়দা ওন চিঙলেন নোংলাওথিগুম শীয়েন মায়থাননা মিকপ-খিয়ে। শানৌ পলেম পিয়চা কুম্ভকর্ণ চীওথোঙ্রায়মাবা নংবু থোয়ম ব্রহ্মা মায়নকুপী রাহিপ থাবুম্নুদা লোইদাম্ব মানা বাংলাবগী নাচাও পান্নল নতিক মাওল্লে শানৌ ও। নন্নাবী ঐগী বাহ ইতালবোম শাগেল য়েৎলমসুগ্রীবু ওইনাবনে। অমলকম নামায় লৈদবা নংবু প্রাণ থবায় মাঙলবদি সনা লঙ্কা লৈবাক অসিবু মিথ্যা অরেমববু ওইরে হায়রুনা রাজা সভা মাক্লগজিল হুম্ভুহনবা নাহা মুপী পুন্নামনা লঙ্কা লৈবাকনিংলনা মিকপ্পায়রবদা

ত্রিষিরা পাঙ্গনবনা রাবণ মায়ওকলেপ পানবা কৈরেলথৌগুম শায়েঙ পাল্লবু হাইনা বাকৎচখিয়ে। দানব তাংজা কোকথৃকী লঙ্কা ইনিংথৌ ও। উলবি পুক্নীংকুলনা খোয়মা লাকতক্লারিগুনো। শত্রু নংগী য়েক্লবা রাম লক্ষ্মণ অনিমবু লালশোক চৈরৎতানা প্রাণ থবায় লৌরুগে হায়না শায়েঙ পাল্লবুতিং য়াল্লেন খোংখে চিঙ্গা অন্দম বাহন্নবগা। রাবণ নিংথৌরেন্দি লাইজা ইন্নুংবুগুম-লবনু পুক্নীং মতোলচোংনা হরাওখিয়ে হায়দবরা। ত্রিষিরা অথৌবগা হুয়েন লাল্লোয়নাবদি দেবান্তক নরান্তক অতিকায় অহন্নমক রাবণ নিংথৌরেনগী মমাতোলনা পোকপা মহোদর মহাপাশ অনিমগা কোরৌ নোংশিংজংগুম্বা তক্কমাদি সনা লুহুপ মঙালনাই থাম্ন থাংনপতৈ তাইরন নামৈয়েপলাবগা ঐরাবৎ অঙৌবগী মচেঙপাচামদা নাওয়ালবা লাঙ্গোই মচুমতাবদি ফিগে লমশংমালবগী শমু শায়াঙথক্তা মহোদর পাঙ্গনবনা লাঙ্গোই শাগোলতোং সনা ছুলাই নিঙখিবদা মহাপাশ অথৌবনা তেজ মঙালনাই শিংঙেল পুষ্পলৈগুম ফমফমখিয়ে। ছুলাই রথ মক্লবা তারা থরালমিচাকুম। তাঁগুপ মায়রেঙহৌবা সেনাপতি লাম্লিংবা ত্রিষিরা অথৌবনা শমু খোঙওইনয়ে। অতিকায় অকনবমক কাঞ্চন সনা অহিংবনা তাওখংবনু সনা ছুলাইলেংদুমতোং ইন্দ্র সম্বারেনগী শাগোল মথুংনেংকা মান্নবা লাঙ্গোই মহৌকাবনু দেবান্তক অহৈনবা হকশাং থরোলৈগুম্বনা শমু খোঙওইনয়ে। নারান্তক নোংশা থাওদানাবমক ছুলাই সনা অহিংবগী রথ লম্ন-ঙালবনু শমু খোঙওইনবগা লালচৎ চৈরৎতানা যাত্রা খোঙশান-লক্লীবদা। পলেম মথোয়গী মমাপোকমাবিশিংনা শমু গুক্লোংলাক ঙকখিলুম্নাংকোল থজাই লেংলোয়চুপ শন্নাংতোলগানাজ মীরূপ হলথংঙমদনা বাহমখিয়ে। পারি নাওবা অপিশা নথোয়বু হুয়েন লালশোক মায়ওকয়াঙলোই। য়োইবু সীতা লাইরেম্মা

পম্মা থবাল লৈগুম্বীবু তাংজা নখোয়গী কোক্তাখোংনা শ্রীরাম সনা মখোঙথাদতুম কৎলমলু ও। অঙ্গদ বাহন্দবু হোইয়াদনা হে পরেম ইমাপোকমাবিশিং ও। নপাব্রি ঐখোয়বু বিক্রম থায়াঙ কোকদাইরোনবগী মচেং পাচামদা পোক্লবা মশেলনে। পাঙ্গন ঐখোয় ইখোকক্লকয়ে। নাযুপোংওইবা কনাগী শমু মখোওপায়না খাজওলোই হায়না পলেম মমা থৌথামখোলবু পাওয়াদনা রাংলেন মনিলনাই ভেরে সিক্লা খোলজেলচাও লক্লা পম্মোওলেন য়ুথক মশ্রিকুহবৰু সনা থোওজাওহাংনা লাংবল ইকাঙা-গুম হুয়েন লালদারকয়ে। থ্বা লাম্মী অথৌবা পুম্নামক্তও দানব হিংচাবশিংবু খোয়মা মায়ওকক্লানা নোংহামলাবদা মশিং লৈকা লাম্মী অথৌবনা য়াহমকয়ে। বানর লাম্মী অয়াম্বশিং ও রাবণ ইনিংথৌগী মপাব্রি মরিক্মা মশানৌ অনিমগা থমদুং যমনিংথৌগুম্বা মশেলনে য়াবা তুগুপ চুংনা শোংকিদবনা। প্রাণ থব্রায় হিং-জনিওলবদ্রি সমুদ্র বাংমা লাম্না হুয়েন লালচেনখোকখি ও হায়না অঙ্গদ পাওমেয়াবগা থ্বা লাম্মী অথৌবা শমু খোওকাপ অথাং-থুদিংদা লৈবাক য়ুহারাবশিংমা পাওথুক্লকয়ে। হে দানব হিংচাবা-শিং ও শকলেন নখোয়গী এমায়থিনবা কচ্রিগী পাওমেয়ানকপনো। লাহাল অবাং অমাই নামাওগী দানব মোংশিংজংগুবাশিংবু থ্বা ঐখোয়গী লালশোক ইমাওথাওদনা বোক্তি মগী খিওমহায়ওমদনা নোংমচ্ছেমরে। হৌজিক মখোয়হুও শমু ইখুথাক্তগ চওকক্রে। প্রাণ থব্রায় হিংশিরাদ্রবাদ্রি হায়না অঙ্গদ রাক্ষসরবনা বানর লাম্মী অথৌবমি য়োংজাওক লালাওখোলযান চীওশাংখোইরেজপাইগুম্না গিরি চীওজাও কুক রাক্ষস তাংজা লুরেকতনা থামেল লৈনাজং শমু হুরকোকবং থুম্বা লোইনমিংজং মামবনা থানক তাংজা লুরেলকবু শায়োংপানবু হাই শমু মখোওতোলমা কাওগা কাওজা শোক্ল-রবগী থ্বা মায়ওকরাওজরা হুয়েন লালচেংখোকখিরবগী নয়াওক

অকনবনা দৃষ্ট অভিংঙাদা মালং চৈরোম্ননা ভিলমেল মখুৎহু হুমকপদু খা য়োংরাম পাল্লবগী বক্ত ঈঙাওথোকপনা লাখেল লৌ- শুবাংচেনলে। য়োংমু অথৌবশিংমুক্ত নরান্তকে মায়ওকখাওমদনা লালশোক নিঙহলনাররবগী পায়মা মিংদোলথুক নিংশা শংহোলনা রাজা সুগ্রীব মিংথোদা হয়েন লালশাও ভাবগা সুগ্রীব নিংথৌ- রেলনা পারি অঙ্গদ সেনাপতি ওইজিংবা নংবু লাও ও। দানব হিংচাবা নরান্তক মায়ওকয়ানা হয়েন লালশোক্লা ও হায়না হয়েন লালতাখিবনু। নরান্তকে অকনবনা ভিলমেল মখুৎহু ভাঁশোন কোইরেংতা সনা খেরেথোংনা চোইনৌসনা ইলৌথিলবা ত্রিভূবন মঙ্গোল অহন্মনা থাঙগন্দবা তাবু খুৎথাক ভিল্লাইমেল অচেমখংলে- রাও অঙ্গদ মায়ওকয়ানা তালজিল্লকপদা অঙ্গদ পাঙ্গন মপাতাখনা হে নরান্তক হিংচাবা নংগী ভিলমেল মায়ওকয়াবমুঙ খোয়মা ইমায় গুনলোই ভাথিল অনাথভলবগা প্রাণ থয়ায় মাঙহালগে হায়না লালবম মনায়লেদা চেংলৌ মখিৎকুপ্তা থবাক লৌংনায়ানা অহুম নোংহায়রদা নরান্তক অথৌবনা হৃদি খলোইতম তাহুল চৈরংতানা হুমকপদু অঙ্গদ থাবাকলিকশিরমদা পান্নুবদি ভিলমেল মথমা থাকতেক্রাবগী মপালেম নৈথারোলদা হনথায়ে। অঙ্গদ যুবরাজ অহলবদি ওয়েলহুতবা কাচকহৌ কোয়ৌ ভঙথংচোং নোংশিং শোংলুমপিনা দৃষ্ট অভিংঙাদা রাবন মপারি নরান্তক অথৌবগী রথ মখুৎহুৎনা লাক্লোই শাগোল মমিমহুৎ সাথি শাথৌবগা রাওনা অঙ্গদ শমু মথোঙঙ্গাপ্পী কাওথেক্লে। খুংভুম নোংমৈশিংনং মালবনা নরান্তক তাংলা দুরেলতোলবু মাখেল লৈয়লা তানা মৈথঙবগী মপাকী দেবান্তক অকনবনা চেংলৌ য়োংবুক অহুইবনু শমু খুৎজাহনা তাজিলকপদু হেনা খৌঙহনা অঙ্গদ পাঙ্গন মতিকচৈং দৃষ্ট অভিংঙাদা ওবলেম মৈলাওক নেমি শিঙনাংথেলুনা লেংথোক্লে। দেবান্তক হিংচাবগী থাজাই

তোংখিল্লমদা খুংচুম কিলজাও খিলবারক্লা নোংমলহাল্লে। মহোদর ত্রিশিরা অনিমক্তু কল্লাও মথৈলেতনা অঙ্গদ খমোই অম্বিবু তম্না য়ায়রা তেলদাইবকপগীদমক অঙ্গদ অহলবনা হুয়েন অমরক লালনিঙশিং লালশোক চৈরৎতানা মহোদর লাঙ্গোই মথুংনেংতগী শম্বু শায়াকুক্লা মহোদর থাবালিকশিরমদা চৈথারবগী মালেম লৈয়দা ওম্না নোংমলহাল্লবদা মহাপাশ অকনবনা য়ায়রা মতেলচা তেলখি অথৌববু চীঙশাংখোইরেল পাইগুম নোংপোক খোঙজাও তাকপা নীল সেনাপতি অথৌববু তম্না কাপলক্লাবগীদমক নীল অথৌবনা চিঙলেন মপালফুক লালশোক মায়ওকরা চিঙলেন চাওখোইবনা মহাপাশ অথৌববু মালেম ফুবাক্লনা নলথুয়ে হায়ে। ত্রিশিরা অথৌবদি রাক্ষস য়াম্না হুয়েন লালশিরবগী লালশোক মৈশারাংনা য়ায়রা মতেলচাবু লাংবল খোইপাইতম্না কাপলকপবু মহাবলী অকনহয়িংচেংদি দানব তেলকাপ খোঙইল্লা পামেল কৈনালং খোঁচু খুংচুম হুলখিববু ত্রিশিরা য়ায়রা মতেলচানা শূন্য অতিংঙাদা খুঙলেন হুমুওইনা মাওহম্নাবগী হনুমন্ত পাঙন মতিকচৈং নোংশিং পোৎলুমশি কোরো ওমথংচোংকা ত্রিশিরা রথ মথুংনেং মরিশ্ববু লাক্নোই শাক্লাওশেংনা নোংমলহাল্লবদা। ত্রিশিরা অথৌবদি মালেম লৈয়দা কুম্না তিলমেল মথুংত্ম মনা মৈলৈখিলবদু খোক্লাংতামৈকাওনা মলকপবু হনুমন্ত অথৌবনা শূন্য অতিংঙাদা তিলমেল মায়ওকয়ানা খোক্লাংখাওতথ লাক্লা হুলখোক্লবদা। ত্রিশিরা অকনবনা থাওজেন মথুংত্রনা তাংজা লুমেলয়ানবগী হায়না তাজাজিলখিববু মহাবলী অকনবনা থাওশাংখুংচু মুজা কজাইকিলদা খিলখোক্লাববু ত্রিশিরা অকনবদি কুমার চক্র মৈতম তাংজা কোককিনা থাওমলুবগী হুয়েন অমরক লালনিঙশিংনা হনুমান হকখোকংগে হায়না তাজজিল্লকপবু মহাবলী অমমালিকখবনা লুবাই হাম্নুজাক শক্লাংখোঙদানেংনা অমাইওম খাওশাং মিকুংচুনী তাংজা

নুংশাদা ক্রুদ্ধংনরদা অতিকায়গী অথৌবদা কপ্পা ঐকহল্লে। তাংবা লিকাথৌওম ইবজিনক্লাবগী মথা লাগী অত্রবশিংদি দানব মাক ওকপাওন্দবনী চীংঙ, শ্রীরাম সনা মথোংথাবুজালনা নাকচেন নিংহুলনারক্লবদা শ্রীরাম থোইখোয়রবা পাওহংখিরে। শত্রুলেন- শংনাপানবা লৈবাকতাগী হুকথেংকংবা অসিবু কনানো হায়রবা বিভীষণ নৌশিংকনা হোয় হে প্রভু ইবুঙো তাও ও। নাদাইগী শাবী রাবণ নিংথৌ মপাগী বংস শাগৈমন্ত্রগী গুণ মতিকলৈবা অতিকায় অহেনবনে অগ্রম পাওতাক্লবদা। থা মিথকথাই নীল কুমুদ মহিন্দ্র দ্বীবিদ্ধ সরভ মতামনা লাল্লাওখোলমায়না চিংগ্লেন মপালকুক পায়েল কৈনালং অতিকায় মায়ওকয়ানা। শোক্লরবু দানব কায়বা মতেলচা তেলবি অথোকনা পামেল যৈঙ্কপকপা য়োংমু লালয়ায়শিন্নবগী থানয় অথৌলিচাহেন্নশিংদি খোয়মা মমায়- ঙানা চীংঙ, সনা মথোংথাদা হপ্তোকলক্লে হায়দবরা। অতিকায় অথৌবদি লালশোক মমাংকায়না হে রাম লক্ষ্মণ অনিম ও ঐগী লালশোক মায়ওকয়ানা দানব চৈথাখাও ও। অমবা মিপাথৌক্লসে হায়সা য়াবাখোক্লাওবা ইনজিনক্লাবগা সুমিত্রা মপাগী লক্ষ্মণ অহেনবনা লিকং পুংতাক্লনা দানব হিংচাবগী খোয়দা মায়ওক- ক্লাওবু মাপংলুক্লনা খাইদকয়ে। হে লক্ষ্মণ অঙাংঅপীনা ও। লংতকপি লালশোক মায়রৈথনা থাজবক মায়ওকলাওয়োইরে। সিংহ কোংশকমাওদা লাক্লাই মোইশাচানা কেশওমদবা হুক্লকলে। রাবণা ইক্লনচানা অমদুং যমসিংথৌগী মায় মথোংথিজিনা থাগোক্লে। থোং থরাম হিংজানিংদমদি লিনদং পুংসুখা তেলপোং থাগোক্লা হয়েন লানক্লচংহোক ও। অতম বাহুকপবু লাক্ল তাহোমোংপাকেও মোকন মথোক্লকপা। হে রাক্ষস হিংচাবশিং ও লালশোক থৈদিওক্লা চয়াদবি চিনগোই লমাথংবু চাওতমো হায়না পাওখুম্মিংই অতিকায় হিংচাবদি লিচি থাদোইতিং রাক্লা তেজুরাম কাপজলপু রুরব

তেলহৈবনা শমু হকশাং য়েৌহলদনা শূন্য অতিংঙাদা কক্থেরে। থামনা নমকাপ্নাখিবা তেলবি অথোবা মঙাদংনা অতিকায় হকশাং- নিকনা তেলথাল্লবগী অতিকায় অথোবদি ওক্লেল চৈথারবগা খিলোমখিনাইবা ভুকুকবু কজাও মথে লৈতনা রায়রা মতেলচা অথোবা তরেংতংবু লকা তেলদোলচপ লিচিং নাকোঙবং লক্ষ্মণ থামোইতম্না কাপলকপবু হকশাং তুখোঙ য়েৌহালদনা শূন্য অতিংঙাদা কক্থেরে। অতিকায় রায়রা মতেলচানাসু লক্ষ্মণ মতেলচাবু শিঙনাংনেম্বিথেকুম কাপথেক্লারে। লক্ষ্মণ অতিকায় অনিমদি পোলবি অনিমা থোঙগাওনা মাচেঙ কোইতুচাম্নাদবা তুঙম্নাবগী কোয়ৌ নোংলোলথক্তা দেবলেংনা ফিলবনা পবন নোংশিং মিংথৌদা রাহমখিয়ে। নোংশিং নিংথৌ লৌশিংবা ও লক্ষ্মণ কর্ণমাকোঙলেন্দা ভাকপিরু ও। অতিকায় হিংচাবা অসিবু প্রাণ থল্লায় পঙনা মাঙখিরোই রায়রা নংগী নাতেলচা য়াইওইবা ব্রহ্মাস্ত্র থুংবু অথোবনাসুম অতিকায় থল্লায় মাঙলৈনে হায়না অসুম পাওজাকহল্লাবদা লক্ষ্মণ তেলহৈবদি চেম্না পূক্নীংশিংমা চীংঙ্ পাওজাকখোজগী থোয়ব মন্ত্রশোলনা ব্রহ্মাস্ত্র তেলবি য়াইওইবনা অতিকায় অথোবগী তাংজা লুক্লেলকক্লা নোংমলহান্নেশ লক্ষ্মণ অথোবদি লালয়ম নিপাথোক্লা জয় য়াইফম্নাবগী মপান্নৌ চীংঙ্ শ্রীরামচন্দ্র থোইথোম্নবা সনা থুম্নাক্লেন্দা। অতিকায় লাল- খোকল্লাবু হয়েন লালপাঙম্মাগে হায়দবম্না।

অসাইতৌবী মরিম লঙ্কা লাম্নী মৈনাইবা থল্লায়নোংলাকাম্না লম্নাচেন লাইথংনখিবশিংমা রাবণ মনিংথৌবা শমু থাবক্লবনা থাকহনখিয়ে। নাদাইরেম দানব লাম্নী পূম্নামগা মপারি নকানৌ ভরককবুসু বানর য়োংমু অথোবাশিংগী শমু মথুংরাক্লা লেক্লে অহকপা রামচেং অহাপকাকওম্না হয়েন লালখোঙ মুংজোম্নে।

নাদাইরেম ঐথোয়দি অমমকম মায়ুংকয়াওয়দবনী ইদোম লাম্ন-শেংজয়কপা। মশেলনে হায়না হয়েন লালপাওত্নাবগা রাবণ নিংথৌরেন্দি মপাগি মশাক্নৌ তেংথাবা মুংশি চৈরম্ওমদা নুবাই শুখ্না নয়া মিকপতৈ মপাগি ইন্দ্রজিৎ চকমোম খাম্বি মৈথাং থৌওমনা মপন রাবণ মাওদা লক্কা বাশকখিয়ে। নপাগি ঐদি রাম লক্ষ্মণ লয়োইবা অনিমগা বানর লাম্মী অয়াম্বগা চেংলৌ মীৎকুপময়ম মাংহল্লুগে। ইপন রাবণ নিংথৌ নংদি চোয়নৌ সন্না শিংহাসনদা পল্লেম ইমা মন্দদোরি অহেনবীগা মাদাইরেম ইমু পাত্র অওবাশিংগা মন্ত্র বাতাননা লক্কা লৈবাক ভাকওম ও। অশুম বাহল্লাবগা মপল রাবণ নিংথৌরেনহুও মপারি ইন্দ্রজিৎ কোন্নোয় য়াথংতানা হয়াওমথৈলৈতনা সনা ফিরোয় অয়াম্বা নিংথৌ লালপোৎ কমণ্ডলবস্তু সামগ্রী মশীংহনা পিনারবদা। মপল রাবণ নিংথৌরেনবু শারেল য়েংওইকোয়না পুক্নাবগা চকমোম খাম্বি মৈমৈমগী স্থান কম্বিরেল নিকুম্ভীলা লাইকম থুংওইহনবা বীরা বামন পুন্নামনা বেদ মন্ত্র শোলনা জয় য়াইফনাবা পূজা ইরাংপিরবদা চকমোম মথিনাই খাম্বি মৈরাঙহৌ মুর্ত্তি শংলজখোর্না চুনাই রথ নিওখিবা। অস্ত্র শৃংহ অথৌববু ইন্দ্রজিৎ অহনবদা মম লনকুবিয়বগা হয়াও মীথলৈতনা পলেম রমা মন্দদোরি লক্কা লৈমাবিবু চেংলৌ শকওনগে হান্না মপল সনা মথোঙথাদা পুক্নবগা। মন্দদোরি অহেনবীনা হে পাগি ইন্দ্রজিৎ অহলবা ও শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমবু হয়েন লালশোক্নাওমোই হায়না থৌথানবু পাওজাদনা হে পলেম ইমা ও। নপাগি ঐহুম জয় য়াইফনাবা বচন য়াথং অমকবু খাথোকপি ও। শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমবু মপাগি ঐ প্রাণ থবাব লোকথে হায়না অগ্নি চৈরেননা লনকুবিবা দিব্য রথ মকতাবু শমু থোক্তওইননা লক্কা থোংপোক থোংজাওহাং মমক ফিরাল মাকওইথননা হয়েন লালদানুমকে এ

চীংগুদ্ শ্রীরাম শিন্দবগী মাদাইরেম খ্বা য়োংপাখং নীল অকনবনা ইন্দ্রজিৎ মায়ওকয়ানা রাহমখিয়ে। হে ইন্দ্রজিৎ অঙাং নাবা অপিশা ও ইবুঙো শ্রীরাম লক্ষ্মণ গুণ মতিক খঙদনা ফক্রিগী হয়েন লালদারকপনো। নপল রাবণ মাদাইরেম শায়িমৈতান-লাগুম্বশিংবু কোটি মশীং থিঙমদনা লঙ্কা কোলমুংলেন্দা হলরাই-খিদরাবানে। ভর অকিববু চংঙেনে অসুম পাওমেলবু ইন্দ্রজিৎ অথৌবদি নীল অকনববু হেলা থৌওইদনা শূন্য অতিংঙাদা মায়াথুলাইতোং চেংলৌ শকউদনা তিন্নমেল মখুৎসু অথৌবা থাংনং চীনিবোঙবনা। খ্বা অথৌবশিংবু য়োংমু নমলিখিত্না চৈপিরবগী বানর য়োংপাথংশিংদি ইন্দ্রজিৎ চেংলৌ মশকউদনা আকাশ অতিংঙাদদি শব্দ খোঞ্জেলতারবগী কোরৌ থোয়নায়েং পামেল কৈনালং থৌদু নঙতুম হুলথংখিববু শূন্য অতিংঙাদগী মামেম লৈয়দনা মাহলথারকয়ে হায়ে। অহিং ইঙুং শোইরাইমদা খ্বা মরুপতিন্ন য়োংমু মরুপ ফম্মা মীকপ্পাখিয়ে। খ্বা কনাগুম্বা অমনা রাহমখিয়ে। হে বানর য়োংমু ইপাচাশিং ও। খ্বা ঐথোয়বু লাহাল বালি নিংথৌনা কিষ্কিন্ধ্যা লৈবাক্তা সনা কম্বাল ফম্মিঙে দুখ: অরা-ববু নংঅমদে। পামেল উইহৈচাববু য়োংমু ইবুকতমম্মে। সুগ্রীব ইনোংথৌগী কম মহাকথক অসিদদি বনবাস লম্বোইরকপা কনাগুম্ববু মিত্রনম্মোই ওইরাবগীদমক লঙ্কা পুংময়োন অসিদা সমুদ্র রাংমালান দানব চেংলৌ শকউনা য়োংমু লায়থংনা থরায়ম্মিরেম্ন পাইনা ফক্রিগী লালনংলাবনো কনলকয়ে। তামোই ইকু উদনা পারি চুংজালবা ইমোম চুংওনবিশিংবু চেংলৌ শকউদনা লঙ্কা পুংময়োন অসিদা প্রাণ থরায় কয়ম মাঙসিবনো হায়না লুরাই খুৎনা নম্মা মীকপবু নাজারবগী নীল অথৌবনা আকাশ অতিংঙাদা ইন্দ্রজিৎ মশক উমনা চিঙলেন খুৎতাম্ন শব্দ খোঞ্জেলত্রানা তাকথংখিববু দানব হিংচাবা ময়া খাজশোকরিবনা রায়রা

তেলংলুমনা য়োংমু লাঙ্খোঙলুংনা কাপখৎলাবগী কুমুদ অকপ্পবগী তেজোল লালবুদি অয়াম্বহৎত ইন্দ্রজিৎ তেলখা খাঙজনবগী প্রাণ থরাংচপ তাম্বুল ঊডাঙখোকপনা হুয়েন লাংশিংদে হায়ে। ইন্দ্রজিৎ অখোঁবন্নুড নোংপোক খোঙজাওরবগী নীল কুমুদ হুয়েন লালখোঙ অমিমবু খা তেজোল মুংহনলমাবগা রাত্রি ইপুংথাদা লক্তিন থার্দাপাংবরগী অদম মন্নালখোঙদা চেংলো শকউহনদনা শব্দ খোঙলেলতানা রাইহৌকয়ে। হে বানর লাম্পী অয়াম্বশিং ও। রাবণ মিংথৌ মপানরি লালফম মিপাখোকপা ইন্দ্রজিৎ অথোবদি এরনে। অদি ইচুং শোইয়াইমদা খোয়েল তুমগন্দা মিংয়েং নাওঙদাকপী নৈবনে য়োংমু নমিংথানা চোংখোক্লক ও হায়রবগা। খা লালবলতাকপা তারক য়োংমু মীয়োর অতোলবা খোয়েল তুমগন্দাবনা পাওথুক্লকয়ে। হে রাবণ হিংচাবা মপারি ও খা এরখোয়গী সেনাপতি লাক্লিংবা সুষেন অকনবা ধুম্র ধুম্রাক্ষ অথৌবা পর্বমাদন দৌন্মিংবা অহিস্ত শিবাক্ষ অকনবা য়োংমু য়োংলেন হোরাং কক্‌য়োং মখীং খিঙমদনা নপা রাবণ ছিংচাবগী প্রাণ থরাম লৌদরিবামখৈ তরা চাপুম হুকহিয়োই হায়না নোংহাক্লিয়ে। অদুম পাওথুরাবদা ইন্দ্রজিৎ অথৌবদি কজাঁও মথৈলেতনা শূক্ত অতিংডা মৈচিলনোংকাইমুংদা চেংলো শকউহলদনা ব্রহ্মাস্ত্র থুংবা অথৌবশু চিচিং নোংথাকখোইনা কাপথারক্লাবগা অদন সেনাপতি মন্নালখোঙবু হুয়েন লালখোঙ মুন্থহনলয়াবদা ইন্দ্রজিৎ অথৌবদি লালশৌক চৈথংতানা উত্তর অবাংপাংবা রাজা সুগ্রীব মরাক খোঙদা মোংখা লাক্লাওনবা রাইমখিয়ে। হে য়োংমু জেজোল

নাইবাশিং ও খা নামিং নাইবা কনাকনা খোমজেল তুমগন্দাবনো। অদুম পাওহংবদু সেমা লাম্পী অতোনবা খোরেল তুমগনদবা খা লালবল তাকলনা পাওথুমখিয়ে। হে ইন্দ্রজিৎ ছিংচাবা ও কিষ্কিন্ধ্যা লৈমাবা রাজা সুগ্রীব নিংথৌনাকিংনা কপা

রাবণ হিংচাবগী প্রাণ থবায় মাওদগিনথৈ তথাচাপুম হুক্তা লাইজ চিনখুল থোংদনা রাত্রি অহিং থোয়েল তুমগনলোই হায়না সকর রাশক চাওনা নোংহল্লিয়ে। অতম পাওখুমাথগা ইন্দ্রজিৎ মায়া লালশোক হৈবগা রায়রা তেলবি অথৌবনু লিরি তেলসাথোং নোংশা থোকনানা রায়রা তেলথা অমসুং রাজা সুগ্রীব নিং-থৌবাচিংনা সেনা লাল্নী থিজুনদবদি লিরবি মক্লোলতৈংশুমা হুয়েন লালশিহল্লাবগা। ইন্দ্রজিৎ মেঘনাদ অকনবদি অহিং লালশোক থমথেংননা নোংচুপ থোঙলেনভাকপা হনুমান মরাকথোঙ শ্রীরাম লক্ষ্মণ লৈবারমদা চেংলো শকউহন্দনা রাহয়করে। হে বানর অকনবা মিংয়েং নাওহুমদবা কনাদৈবনো ঐগী লালশোক মায়-ওকয়া ও হায়না হুয়েন লাল্লাওরকপনু নোংশিং মিংথৌ মগারি হনুমন্ত যৌবন মথোক্লকপনা হে রাক্ষস হিংচাবা। গুণ নত্তিক খণ্ডনা অহঙ্কার নাপন রাংবা ও। লাহাল লোইদনা থমাবিদা নংগী লঙ্কা কোক্লচিংনা নপা রাবণ হিংচাবগী থনাওকোইথাথোবা লঙ্কা ইপুম হাওদনা থুম্বি মৈমাও চলবা শ্রীরামচন্দ্র মাদাইরেক থুং লালমন ভাকপা থোয়েল তুমগন্দাবা হনুমান পাকন ইপা-ভাক্কদি ঐনে। অহিং ইথুং লোইয়াইদনা অমিদা মিংয়েং নাওহুমদা থোয়েল তুমগন্দাবদি ইমুত্তো শ্রীরাম লক্ষ্মণ অমিমনা বিভীষণ জম্বুবান অমিমা খ্রা কোটি মগীং থিজুদনা নপা রাবণ হিংচাবনু 'প্রাণ থবায়লোগে ঠাকুরানী সীতা লাইরেমা লগী মরক শিদাবী' অদুবু সীতা মতক উদারিবামথৈ তথাচাপুক হুক্তিল্লোই লাইজা চিনখুল থহিল্লোই হায়বা রাত্রি অহিংশিদা জীব লোং-থিল হাওদনা অহঙ্কার রাজনন্দন মোখামিরে। রাবণ মহাদানী অকনবদি চিঙলেন মপাককুক পাজেল উজাও হাইবা ইন্দ্রজিৎ পাকন মসাতাম্বনু লাংবল কোজেত হাইগুম হাইহৎকে হায়না কোয়রী ওমবংচোংনা ভাগজিলথিবনু ইন্দ্রজিৎ অহৈবদি থোয়ম

ব্রহ্মা মরুলকুগী নরপোংবাচানা উরবা হুলাই রথ মরুথবু শমু খোঙওইনবা নিঙ্গীনা। চেংলো শকউহলদনা রাবনা মতেলচা অমনা নোংশিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত অথৌববু মালেম লৈঙনা তানা কাপথরবদা ইন্দ্রজিৎ মেঘনাদ অথৌবদি লালশোক চৈরংতানা শমু হকথেং তাদবানিঙ্গীনা চীংঙ্, শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমক্তু ইন্দ্রজিৎ মায়ওকয়ানা খোরুম বাররা মতেলচা চন্দ্রবান থাজা কোঙগার শাবনা লিচিং নাকোঙকংনা কাপখিববু চীংঙ্ তেলকাপ থোঙইদনা মেঘনাদ বাররা মতেলচানা খুর শমকোক থাঙশাবা অনিদং কাপথোকখিববু শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমদা তেলবাল তুথোঙলোয়না পালবগী খোয়ম লিরুংখুৎসুথা তেলদোং ঙৈথাঙননা তুরাবগী মশামৌ লক্ষ্মণ চেংলৌ শকথঙনদরে হায়ে। মাদাইরেম বিভীষণ জম্বুবান লৌশিংবা অনিমনাচিংনা খ্বা তেঙ্গোল মনিল নাইবা-শিংদি ইন্দ্রজিৎ বায়রা তেলবাল লুম্নাবগীদমক তাংজা মরৈতোন্দা জয় রাম রাম শোলনা নোংমললে হায়দবরা। ইন্দ্রজিৎ অথৌবদি শূন্য অতিংঙাদগী মালেম লৈয়দা কুম্না নোংশা লাল্লাওননা লঙ্কা পম্থোঙখিংলম্লাগা মপল রাবণ নিংথৌরেঙ্কা শমু থাংচপননা হয়েন লালপাও তম্লাবগা সনা সিংহাসনদগী মপাক্কিবু থৌজাল মায়ওক্কনা য়োয়চালনরে হায়ে। অসাইঙৈগী শ্রীরামচন্দ্র মাঙ্গাইরেম য়োংমু লাম্মী পুম্নামরক্তগী খোরম ব্রহ্মা মরনকুগী অমর শিদানা পাল ও হায়না নোংদবা বিভীষণ হনুমান অনিমদি তেলবাল অনা কোক্লাবানিঙ্গীনা অহিং ইশুং শোইশ্রাইমদা শিঙচেপ৮ মৈরাথালনা লালথম তেঙ্গোল লঙ্কা পম্থোঙ মন্ত্রিমদা সেনা লাম্মী অথৌবা কনাগুম্ববু হয়েন লালতুদবনো হায়না চেংলৌ শকথঙবনু। কাইথি শাওমনিংথৌ জম্বুবান মন্ত্রি লৌশিংবা হলমু মমায়কানা ইরেং-মালৈলেচম্লাবদি পায়মা নিংশাখংহোলনমা প্রাণ মবাম্ব তংকে তৌজাববু লৌশিং পুক্নীং কাওনমবগী শব-খোজেল লাকনা

হে বিভীষণ লৌশিংবা ও নোংশিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত অথৌববু জীব থবায় হিংলবরা হায়না পাওহংববু। বিভীষণ লৌশিংবনা হে কাইবি শাওমনিংথৌ ও তেলবাল তুথোওলোয়রবগী লৌশিং পুক্লীং ওক্লাবরা ত্রিভুবন মরোল অহুমগী মখুংগো শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমবু পাওহংদনা মাদাইরেম ভক্ত নাইখুংচওবু করিগী পাওহংওস্নো। মহাবলী পাগনবদি শমু ইমাওচংপা শিওচেপ মৈরাথালবা অসিনে হায়না পাওখুমাদা। রাজা জম্বুবানদি হনুমান মশক উরবগা হে নোংশিং নিংথৌ মপারি ও। নংবু জীব থবায় হিংলিবদি চীংওু রাম লক্ষ্মণ অনিমনাচিংনা খা সেনা অয়ান্বস্ত প্রাণ থবায় হিংওনে হায়না শারেল য়েংনা-কোলনা য়োইচালবিরবদা। হে হনুমন্ত অথৌবা ও লাহাল হয়িচকওে দেব লাইরুপ অয়াম্বগা রাক্ষস হিংচাবাশিংগা হয়েন লালশোক্লাওে অমৃত শিদায়েনবু য়েনচানাওেভারৌবা পর্ব্বত হি-মালয় উলগীচীঙ ঋষিমুখ চিওলেন পাল্লংলাদা ঔষধ হিদাক শিদাববু উপাল মরি পাল্লিবনে। সমুদ্র রাংমা লাম্না চিওলেন পাল্লংলা অনিমদা ভক্তি সেবাতৌনা ঔষধ হিদাক নিরু ও। হায়রবগা হনুমান অথৌবদি নোংশিং পোৎলুমপি কোরৌওমথং-চোং সমুদ্র রাংমালাননা চিওলেন পাল্লংলা অনিমদা থোয়মা ময়ায়থায়না ঔষধ হিদাক থিরুববু। লৈঙাম্নদরাবগীদমক মহাবলী অকনবনা রাখনখিয়ে। মন্ত্রি জম্বুবান লৌশিংবা চিন্নগোয় ময়াথং অসিবু দানব তেলবাল কোকঈক্কারবগী সোরি পাওতাকলবরা। তৌইগুম রাজা জম্বুবান অশিংবা অজ্ঞা ময়াথংদি শোয়রিরোই হায়না চিওলেন মশালকুক মমৈ কৈজাওই চীঙজাও লুথোননা সমুদ্র কালনা চোংলক্লাবগী চিওলেন পাল্লংলা অনিমদা অমৃত রথক উদনা লোংলববু ঔষধ হিদাক মজান্না চীংওু শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমাববু উরবগী ঔষধ হিদাকলেনবা মুর্তি শরিনাওই

শন্নরেন মপাল কাওনা চোংথোকলক্লাবনী অমৃত শিদাবা হিদাক অমম বরিমদু অমম লোংশিং নিংথৌরেননা শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমক্তা নাদাইরেন কোম্মু লাম্নী অমাখা পুন্নামনক্কুম মালং কুয় অনমশিঙ্না ঔষধ হিদাক শাঙনম নম্মহাল্লবগনি। শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমা খ্যা মোথ্মু থোংলেন. হক্কাও কক্কুয়োং পুন্নামগ্রহও. বানর মতুক্কু শাক্রেও শ্যালশ্মাতিংনা অমমুং মথোঙগ্নিলনী হনবাইরক্লে হায়দবক্লা। রাবণ রূপান্নি ইন্দ্রজিৎ মেঘনাদ মথৌবা রায়ক্লা তেলমালথোলনী লঙ্কা পাত্নাঙ অরিমলা হক্লেন লালত্তুরাবদু রাজা জম্বুবান লৌশিংবা চিনপ্রেঙ্কা সন্নাশংগী মহাবলী অকনবনা সমুদ্র রাংমাল্লাননা ঔষধ হিদ্বাক শিরুবগী শ্রীরাম লক্ষ্মণ মাদাইরেম বানর লাম্নী অয়াম্বা লালশোক মায়ওকয়ানা নোংমহাল্লবাদু প্রাণ থরায় হিংহানলা অসিবু কৃত্তিবাস অশিংবনা য়াথং মায়ওকচা. আয়ণ মারম য়েংনা লেমলমলেনে। হে নমু পোংওইবাশিং ও শাস্ত্র পুক্কীং তপনা নাত্তারবগা। অজ হকশাংস্কুংগী দুখ: অরাবক্কও কোক্লায়ে। মৃত্যু অকবদি পূর্ণ মাহৈয়ালনাবনে। চুপ্লেলনাবুম্মুং নাচিন রাম রাম শোললনা নাত্তাবীও।

চীমক্ক শ্রীরাম শিদাবনী মাবাইরেম খ্যা. তেঙ্গোক মনিল লাইবাশিংদি লাক্কাও লোংথাকপগুম হয়েন লাক্লাওরক্লাবনীদবক মনা লক্কা ঔষধা মার্বগ নিংথৌরেন্দি ইশা। চুঙপচুংনা লোং কিনাবনীদবক মাদাইরেম লক্কা লৈবাক কোইবাশিঙনা মায়মথিয়ে। তারুম পাক্ক লৈবাক কোইবাশিং ও। খ্যা তেঙ্গোল মুথনা প্রাণ থরায় মাঙলানদু য়োংমুক্লিনরেনবু লৈবকগুম কীম থরায় হিংলক্লো। জাতমশিং ও মনা লক্কা নামিকথৌ ঐগী প্রাণ থবায় হিংনাবা হয়েন লাললোক্লাকগুনোনে। লক্কা সমা থোঙলেনখৈ মরিকদু লংলাওকৈনাক্কাললনা। দুথিংকাঙদু ও হায়না লক্কা পাত্থোঙলেনবু

খিংজিল্ললে হায়রকরয়। খোঙলেজা পৌরোনবনু খ্বা তেলোন ময়িল নাইবনা চেংলৌ মিংখিৎলারবী বানর অর্ঘন হুন্নিংয়েংঙ লালশোক চৈৎতারশিংনা লাল্লাওখোল মায়না লঙ্কা পঙউমুংক মরিমু বাংবনু ইথোল কৈরোই চোংগুম চোংজিনশিরবদা লঙ্কা ইনপুম হাতদনা খাম্বি মৈরুখোল্লাবগা অরিম লক্কা লাঙ্গী অয়াম্বা হুলজু হুলবা নহা মুখি পুন্নামন্দি খাম্বি মৈচল শাগুম চাকহৎলে হায়দবনু। শ্রীরাম অহেনবগী বাদাইরেম খ্বা লাঙ্গী অয়াম্বদি খাম্বি মৈরিক চোংগুম দানব নেৎচৎয়ান লায়েল কৈনা হাই খৌহু মুতজাও হুলনা ইনজিনখিরবদা কুম্ভকর্ণ মপাদি কুম্ভ অথোবা নিকুম্ভ অকনবা সন্ধবাণ অয়াঙবা প্রজন্ধ অশিংবা বজ্রকন্ধ অকনবা সুমীদাইক অশিংবা দানব মথোক্লকপা তক্লকয়া রাকা মনিং থোকা শমু খাচৈয়না লায়েংপালবু তিংবা রাহমথিরে। লনা লঙ্কা ইনিংথৌ ও। চৌঙয়ায়খুয়োংনাও য়োংবাঙশাখিবা লায়েঙ্গ উটৈচাবা তাওনৈবাশিংবু খোয়মা মারওকয়ানা লালশোক থমথেং নাবনু খোয়মা ইমাঙ লৈরোই হায়না ইংখোকলল্লাকয়। রাক্ষস হিংচাবা বজ্রকন্ধ অথোকনা তেংনৌরোকলী মুকপু শমু খুৎক্লনা অঙ্গদ অথোবগী থাপালিকশিন্নমদা চৈখিরাবগা তাংজা কোকঈ কানা লেমৈখুমৈতাগুম্না মালেঙ্গ লৈরবা তুন্নাবনু তুমিলৈরদাশৌনা চেংখৎলাবনী। চিঙলেন খুংলুওই খৌহু মুতহুম অচৌবনা বজ্রকন্ধ অকনবনু চুবা নাহ্মতয়া হলথুরবদা মথায়ৌ সন্ধবান অয়াঙবনা হায়না খিলকাথ্রকপনী অঙ্গদ মহুক্লাংদা তেলবাক্লবনী য়োক্লা তমবাংচোন অঙ্গদ লালপুকহৌনা সন্ধবান অথোবনু ইমাই তুক মখুংনেৎকা আর্নি শাখৌরাহুত য়াওনা অঙ্গদ শমু যাত্নাঙবাক্লা উকুল নোংলৈখোক্লনা কাওথেক্লবনী চুবা নাহ্মতয়াংখুংচিনকিল্লাও মিল থাঙলাংখুংক্লমুল শমু লেথোনক্লম্না য়ানহৎলানবনা প্রজন্ধ হিৎচাবনা থাঙলাংখুংতামুনা তানজিনকপান্ন অঙ্গদ অকন্নবনা

খাওশাংখুৎহুমুল খাঙ খাওজেংতন্না য়ানথুরে হায়ে। সেনাপতি মাখশী হুনীদাইক হিংচাবানা জিরুং খুৎতাম্ন লালশোক মায়-শুকয়ানা চঙলক্লিঙে। মখা য়োংপাখং বিবীদ্ধ অকনবনা পামেল চীঙচাওচাওখোইববু শিঙমাং নেম্বি কুককুয়া শমু খুৎতাহ অচেৎলোক্লেহৌনা দানব রথ মথুৎনেৎ মরিমবু হুনাই রথ য়াওনা মৈথেল্লাবগী। হুনীদাইক হিংচাববু শমু হকথেংঙং তাংজা খুদোললাক্লা শূন্য অতিংডাদা কুমার চক্র মরৈতম্না হাইহৎলবগা। মালেম লৈয়দা ওয়া নোংমলহাল্লাবদা। কুম্ভকর্ণ মপারি কুম্ভ অকনবনা লিচিং মাকোঙফংদা তেলবাইরকপবু য়োংমু মহিস্ত অখোবগী পুকনোপ অহোম্বদা তেলবাল্লাবগা। মালেম লৈয়দা তুরমলুববু জেম্বা পুক্লীংশিংনা তম্না উচুং চাওখোইববু শমু খুৎতাম্না কুম্ভ হিংচাববু শমু হকথেংফংগে হায়না তালজিলখিববু বায়রা মতেলচানা মালেম ফুরাক্লনা কাপথুজ্জাবগী নাতোন ঈঙাঙখোক্লা হয়েল ল্যালতুরবাদা অঙ্গদ সেনাপতি লালজিংবাহুও লালশোক চৈরংতনা ইনজিনখিবাবু বায়রা মতেলচা তেলখি থাংনং শাবানা অঙ্গদ থাবাকখিৎনা পাম্নবাগী হুযেন বেজ অনিমাহুও নোংপোক খোঙজাওরবগী নীল সেনাপতি অকনবানচিংনা পামেল খুৎতাম্ন খৌহ মুঙহুমহলনা কুম্ভ হিংচাবাগী খোয়মা মায়ওক য়াক্লবাবু তেলবাল ইকুম্নাওম পাম্নবগী। মখা য়োংনিংথৌ রাজা সুগ্রীব অখোবনা চিঙলেন খুৎদোলছল পামেল উজাও লংখিববু দানব বায়রা মতেলচানা কক্‌থেকজ্জাবগী সুগ্রীব অকনবদি লালকম কজাওখোই। নোংশিং পোৎলুমপি। কোম্নৌ ঙমখৎতোংনা রাক্ষস জিরুং মথুৎহু অচৌববু পাকন খুৎঙমখিনা মুম্নাবগা। চুমা চায়রংতম্না খুজিন কিনজাওশিনলনা নোংমলহাল্লবদা। মপানৌ নিকুম্ভ অকনবনা লালতাব চৈরংতানা য়োংম্নু তেজোক চাইশাম্নাবগী। মখা লায়থাংননা হয়েল লালচেনলবদা পবন

নোংশিংন্নিংথৌ মপারি মহাবলী অকন হন্নিংচেংনা পাজন মতিকউং কোজৌ ওনথংচোংনা হয়েন লালথোক্লরবদা। মহাবলী অকনবদি দানব মায়ওকয়ানা লালশোক হকথেংবনা দানব চকশমলাক য়েংনাও কোক্তাথেকুম ওক্নি লূশম লৈথংলে হায়রদবরা। রাবণ নিংথৌরেন্দি লঙ্কা লাম্বী অয়াম্ববু নোংমলনে হায়বদু নাতারবগী কজাও লুংশিথোইনা রাহমখিরে। ইদাইয়েম থোড় মপারি মকয়াক অকনবা ও। নপল থোড় অথৌবগী বৈরি য়েক্কবা রাম লক্ষ্মণ অনিম্বু প্রাণ থবায় সোক ও হায়না সনা ফিরোইপি রাজা প্রসাদ পিজরবদা। শাগোল শামু হুনাই থোঙমী থিঙমদনা লঙ্কা নোংচুপ থোঙজাওজগা ইহোকলক্লাবদা। চীংঙু শ্রীরামচন্দ্র থোইথোইবগী শমু ওইরমলেপ তেলবি নোংচুননা কোয়ৌ নোংথাকপগুম কাপলক্লাবগী। চীংঙু রামনা মতেলচা ব্রহ্মাস্ত্র তেলবি য়াইওইববু লিচিং নাকোঙকং নোংথাকচেয়োয়নদা মকয়াক হিংচাবগী তাংজা লুয়েলতোলবু মালেম লৈরদা তানা কাপথংলে হায়দবরা। থোয়ম বিষ্ণু শিদাবা শ্রীরামচন্দ্র অহেনবগী লালকম য়াইফাবা কৃত্তিবাস শেমহেবনা লেংজিনশৈ অসিবু নমু পোংবাচাশিং ও। নাচিন রাম রাম শোলনা নাতাবি ও।"

অসাইতৈগী থোড় হিংচাবা মপারি মকয়াক অকনবানাচিংনা দানব জালথোক মুংলাবগী রাবণ নিংথৌরেন্দি কজাও মথৈলেতনা রাহমখিরে। পারি ইন্দ্রজিৎ মায়াজালশোকহৈবা ও। জালশোক শকউহলদনা রাম লক্ষ্মণ অনিম্বু থুনা প্রাণ থবায় থাজহল্লু ও হায়না রাহয়াবদা। "মেঘনাদ অথৌবনা শমু থাংচদনা মপালগী রাজা প্রসাদ লৌবথা মর লনহুৎহেবি চককোয় মৈরেবদা শমু থাংচদনা মেনাংতনবা তুমেংকাই অতৌবনা বনি ইয়াংবদা। চককোয় থাখি মৈয়েবা সহায় মিংতেন চুনাবিনা মুক্তি শংশৈথোক্লা

মরি [illegible] তুলাই [illegible] বিবা অস্ত্র [illegible] অথৌবনু ইন্দ্রজিৎ [illegible] বর [illegible] বিনবদা লালশোক [illegible] অথৌ [illegible] লকা। [illegible] ভাঙ্গরা হয়েন লালমায় [illegible] ইন্দ্রজিৎ [illegible] [illegible] লাক তেলমেলাক তেলথি লোক্তুনলা কাপথরক্লবগা [illegible] অথৌবনিংবু [illegible] [illegible] [illegible] অথৌওমচুংতুনা থানর [illegible] নীল লেনচেংতি [illegible] পাক্তেন খুন্দ্রওই টাঙথাংনাপোমখুল মহিম [illegible] লাম্নী [illegible] কাওথোংকাংচাইতন্না খুথাররবনী ইন্দ্রজিৎ অথৌবদি য়োংবু লাম্নী অথৌবনু কৈথেল চুরাইরাংওনা খুথায়ররাবনি [illegible] তেলবুম ওয়ানিপালদংবু তেলথি নমকামারক পুগী [illegible] চত্তক্ত [illegible] তেলফি ওরাদংবু [illegible] তেলথারে। রাবণ নিংথৌ মপারি ইন্দ্রজিৎ অথৌবনা [illegible] নমকাম্মারকপা বানর য়োংনিংথৌ কিষ্কিন্ধ্যা লৈবাবা রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেনকা [illegible] মপারি হনুমন্ত অথৌবা। [illegible] তেলপুম চামা চামা থোক্লা তেলথারে। সুষেন জম্বুবান নল নীল বিবীক [illegible] কুমুদ বিভীষণ [illegible] [illegible] ইন্দ্রজিৎ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কনহৌনিক [illegible] ব্রহ্মাস্ত্র খুংবু [illegible] লিক্নি তেলগা [illegible] [illegible] রাবণ মপারি ইন্দ্রজিৎ মায়া লালশোক হৈবদি পুক্নীং অকিচওনা [illegible] । [illegible] হয়েন [illegible] অনিবা প্রাণ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইন্দ্রজিৎ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বা [illegible] । [illegible] শ্রীরাম [illegible] অনিবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অনিবনু [illegible] সীতা [illegible] [illegible] [illegible] ইন্দ্রজিৎ [illegible] [illegible]

উদাপি থাচকহৌ বায়না মতলম্ মথৈকা। থ্না লানফম্ লেহৌ হৌকে খায়দে লমথোকপাকম্ বাক্তি লালি মায়াবদা লেপ্লৌ কিংকিংলক্তী। মহারথী অজনবনা হিপ্রবিং থাংগৎকয়াবা নাহুমখিরে। হে ইন্দ্রজিৎ হিংচাবা ও লোয়নবু সীতা লাইরেমা লম্মী অঙ্গ। শিংথাদী বু লৌতী পূক্নিং কোন্‌লিনে। অহিগ্রিং চুপী হাংলী পাশী লাইজা ঙৈঙেল পুংখুম্ব লরক উপাতাসবু লোংখিলবদা। হে ইন্দ্রজিৎ হিংচাবা ও তাকা নরী সুরেম্‌কাংখোংলাং সীতা ঠাকুরাণী লাইরেমবু শ্রীরাম সমা খুয়ারেনা শমু থুংচানা। কননা ও হায়রকপা। মেঘনাদ অহৌবা কি মতমতা অথৌবাকৈ লেহৌলি থাওজেন মখুংদা অরোইবনা মাল্লা সীতা লাইরেমবু পুম্মচবি কাথুকলকুম তুপ থাঙ্গ্রোবদা সীতা হকপাং থাটিঙ্গ্রাবদী থ্না পুমাবদি লৌৰু থোক্লেলথাক্লা মীকনাদে হায়রে। চৌংত্থ শ্রীরাম শিংবক্তু অশানৌ অমম্ব খৌবম মহৌকলকনপী অকমি দুমাংকোননা মীকপনিরে। শানৌ লম্মন থাম্বাও কোন্নাইরোনবা ও নশাবী সীতা লাইরেমা খৌজেল পুক্নিং কাউনাদবী অসিবু চাংত্থ, ঐগীদমক লঙ্কা পুংখরোন অসিদা শিংলেম মচুথাও লৈরাং থাওবি মরাক চাঁখিবু সীতা মশক উনাবদি প্রাণ থবায় হখিরেনবু মাঙতেনে হায়না খানেন লৈরবী অন মুখশি পুক্নিং কাবনা অতুম মীকপনরবদি। মাদা ইন্দ্রেন বিভীষণ লৌশিংবা। হে প্রভু ইবুঙো ও শ্রীরাম শিদাবা নশানৌ সীতা লাইরেমবু নাক্সিরোই অশিরেম ইন্দ্রজিৎ হিংচাবা মান্না শাকওনহৈবা মায়া সীতা লাইরেম পুন্না রিজেনে হায়না চাংত্থ ঙৈদা পুক্নিং শিংহানবদা থোয়রসনা অথোওবাদা শমু বীচেনা লাইমখিরে। লাইজম হায়রিচকদে ইন্দ্রজিৎ বাপী অমূলোকহৌবা অসিবু থোয়রকক্লা শিংথানা থাইমথরে। এই ইন্দ্রজিৎকী খোৰাও চকখোক লীবিদীবর্তিকা অমাসুনী মজিমন মহোম লাইমবু ননিকিদ্র থুনডব কী ভোইখবা চকখোক লৈনেথাবু যজ্ঞ লৈমতোলা। বব

লননিংখিডে বীগ্নি মৈথাম্বমা শমু খুৎখুম ওইরাবদি প্রাণ থবায় তথনা লোমেল ও হায়রবনু মৈরে। ইন্দ্রজিৎ অখোবনা বজ্র যাওম তৌরিবা সময় যাতম অসিদা কশালৌ লক্ষ্মণ অকনবনু বীগ্নি মৈথায়হাল্লে। লক্ষ্মণ শমু খুৎথাক্তা মোনদাবা লোংখলডেনে হায়না থোক্নম সনা মখোণ্ডখাদা অয়ম থাক্লাবম্‌। তৌইগদি হে বিভীষণ লোয়না অপাম্বা ও নংগা হনুমন্ত অখোবদু জম্বুবান লৌশিংবগা ইশানৌ লক্ষ্মণ ভেলহৈবগী সজ লনলুপওইনা লঙ্কা কোল্লুং চওখি ও হায়রবদা। চীংঙ্‌ মখোথাগী মদাহৈরেম বিক্রম থায়াওকোলদাহৈরোনবা মরিমদি লঙ্কা কোল্লুংজেনা ইন্দ্রজিৎ মাওম উয়াবগী মাংলৌ লমথাওবদা মহাকলী অকনবদি ব্রাহ্মণ হলদু ময়ায় কাবা মৈনাওইনা চওখিরবদা ইন্দ্রজিৎ অখোবনা হে ঠাকুর ব্রাহ্মণ হলমুবা ও। শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমবু প্রাণ থবায় মাওনা খ্বা লাজগা মাওহলগে থক্তি লনকুবিরম ও হায়রবগা। হে রাবণ মপারি ও। তাংজা নংগী লুপ্লেনতোলবু রাম লক্ষ্মণ অনিমগী তেলবি অখোবা আহার মতিক্লাক ওইহনো। বামন ইরলকু থক্তি ইথোক্লালদি অসিনে হায়রবদা। ইন্দ্রজিৎ অকনবনা রাইওইরবরে। হে ব্রাহ্মণ হলমুবা ও নংদি লঙ্কা ইপুংলাইদা নাওক্লেনবনদি রাম লক্ষ্মণ অনিমক্কুম থক্তি লনকুবিখিবদি বামন করি বানো হায়রকপদু। হনুমন্ত মায়া বামন মৈনা শাবনা মৈনা নিঙ্গনা পাওখুমথিরে। হোয় হে রাবণ মপারি ইনোংরাই ইন্দ্রজিৎ অহলবা ও। বামণ ঐদু হনদু ইয়াম কারবানিগীনা রাম লক্ষ্মণ অনিমদা লাক্লকেং থাওঅদনা থক্তি লনকুখাক্লে হৌজিক অকনবহলনা মর অসিরেহৌ ও হায়রবদা রাম লক্ষ্মণ অনিমনাচিংনা লোংমু লাগী অয়ামবু খ্বা তেক্কোল চাইনদা বর লনকুমিরেহৌ ও অমম রায়মবদু। হোয় হে ইন্দ্রজিৎ হিংচাবা ও নপা রাবণ নিংথৌনাচিংনা লঙ্কা নাইবাক পুরামক্কু ইমুংডা থাম

শিদাবগী সনা মথুৎবাক্তা য়োন্দনা নোংমলম্লনো। বামন ইরলকু স্বস্তি ইথৌজালদি অসিনে হায়না মহাবলীয়েন থোইথোয়বা অমরশিদাবদি স্বরূপ চেংলৌ মশকওন পাঙ্গন মতিকউৎনা রাক্ষস হিংচাবা যজ্ঞ মাঙম ঙাক্লিবাশিংবু বায়ু নোংশিং মরাঙহৌবগী নোংলৈ মরৈতম্না হাইহৎলবগা ইন্দ্রজিৎ অথৌবদি যজ্ঞ মাঙ্গী মতোললোমদনা লিরুং থুৎতাম্লু মমিৎ কোরিহৌনা চোংথোক্লকলগা লিরি থমোইতিং লাকা তেলমৈরাক তেলবি নোংচুননা কাপ্লকপবু লক্ষ্মণ মতেলচানা কক্থেক্লে। রাবণ মপারি ইন্দ্রজিৎ অথৌবগা শ্রীরামগী মশানৌ লক্ষ্মণ যৌবন মথোকলকপগা শায়েঙ অনিমা শোয়নদা পালবোম অনিমা হেলনাদবানিগীনা লালফম নিপা থোক্লাদরাবগী লক্ষ্মণ উলবি লৈনিঙশিংবনা রায়রা মতেলচা ব্রহ্মাস্ত্র তেলবি অথৌববু সন্ধান পালগাতম্না ইন্দ্রজিৎ তাংজা লুরেলতোলবু মালেম লৈয়দাতানা কাপথৎলবগী মায়িম লঙ্কা লাম্নী থিঙমদবদি লালশোক মায়ওক য়াঙমদাবগী ইথোল ফৈরোইথক্কী কৈথেল চুরায়রাংশুম হুয়েন লালচেম্বোকখিরে হায়ে। রাজা দশরথ নিংথৌ মপারি সুমিত্রা লিলকোয়গী লক্ষ্মণ চকমোম মৈথাঙথৌঙবানাচিংনা হনুমন্ত অথোবা বিভীষণ লৌশিংবা রাজা জম্বুবানসুঙ থ্বা মনিলনাই নোংশা লাল্লাওননা চীংঙ্ শ্রীরাম সনা খুরারেন্দা বিভীষণ লৌশিংবনা শমু থাংচপ্পনা হুয়েন লালপাও তম্নাবগা বিষ্ণু শ্যাম রামচন্দ্র অহেনবনা লক্ষ্মণ হকশাংকোলনা য়োয়চালবিরিঙৈ ইন্দ্র সরায়েলনাচিংনা দেবসর্ব্ব অয়াম্বনাসুঙ ভোমান পুংজাওখিন,না পুষ্প লৈমায়োনবু লৈরিক নোংচুননারে হায়দবরা। লঙ্কা লালশোক অচোবা রাবণ নিংথৌ মপারি ইন্দ্রজিৎ লালশিন্না অসিবু কৃত্তিবাস অশিংবনা লেংলীমশৈনে। রাম রারীতানা অকমাথোইতোংগে নিঙজরিবা নর পোংবাচাশিং ও তাংজা নথোয়গী নারৈতোম্বা জয় রাম শোল্লনা নাতাবি ও।

অসাইতৌগী ইন্দ্রজিৎ অথৌবা মাদাইরেম্ দানব হিংচাবা মরোং চৈচেন্নবাশিংনা রাবণ মনিংথৌদা শমু থাংচননা হাকং চাথিয়ে। সনা লঙ্কা লৈমাখা ইবুঙো তাও ও। মপারি ইন্দ্রজিৎ অথৌববু লক্ষ্মণ শমু মথুংবাক্তা নোংমলহেনবে হায়না অহুম হুয়েন লালপাও তম্মবগা মপল রাজা দশাননদি মুংশি থমোইকায় তাংজা কোকৃঙ্গকানা সনা সিংহাসনগী মালেম লৈয়দাওয়া মী-কপথিয়ে। পারি ইবুঙো ইন্দ্রজিৎ অহলবা নংবু পলেম নমা পোকমাবি মন্দোদরি অহেনবীনা খোয়ম মহাদেব শিদাববু তপস্যা কোরৌ লনশামলগী ইরলনা তালকংজখনে। পারি ইবুঙো নংবু থ্বা নত্তিক মহুতবাশিংগা সঙ্গ লমলুপওইনা লক্ষ্মণ শমু মথুংবাক্তা করিগী নোংমল্লাবনো কনলকয়ে। পারি ও সনা লঙ্কা পুংময়োন অসিদা নিংথৌ সনা মিতওই ও হায়না নোংদম্বা নংবু লৈতারবদি বৈরি য়েক্লবাশিংগী শমু খুৎথুম ওইরাঙেনে হায়না কোরৌথোইনা রেং মালেম খোঙবুথিলনা মীকপথিয়ে। পলেম নমা মন্দোদরি অহেনবীনাচিংনা মমৌ থম্বালমালবী রাজা কন্যা অহেনবীশিংনা শমু খুদশমনা ওকথি লম্নাংকোলনা মুংশি মথৈ লৈতা ইন্দ্রজিৎ কোলোই মমিং কাননা মীকপ্পারবগীদমক রাবণ নিংথৌরেন্দি মুংশি কঙ্গাওথোইনা খাওইরকয়ে। সীতামহুংলাংগী পারি ইবুঙো নোংমললে খর্গ থাঙশাং ইথুংহ্ অসিনা সীতা শয়াঙখায়না য়ানহংজুগে হায়না অশোকবন ইখোল মুংঙাইবা শিঙলেনখেঙমাল লৈরাং উমংচঙনা সীতানাক্তা লেপ্পুরবদা মাদাইরেম বীরবাক অশিংবা ধর্ম্ম থাগীখঙবনা শমু থাংচপ্পনা হে রাবণ ইমিংথৌ নংহু ব্রাহ্মণ শাগৈ অতাঙখনে অত্রি মুগী হাংপগী পাপী লাইজা ইরৈলপুংগুবরু নিংথৌ নংগী পায়মা সনা উজগোইহুংদা খত্তিযবনে হায়না থৌখামথোলগী রাবণ নিংথৌরেন্দি সনা শঙ্গাই মকোলশ লৌয়দা "হলজিলথিরকদা" চীংতু, শ্রীরাম "লক্ষ্মণ" অশিমবু হুয়েন

লালশোক্লগে হায়না অহঙ্কার সনা ফিরোয়শেং সনা লুহুপ মণ্ডালনাই কর্ণ নাকোঙ কুনমদা কুন্দর নাসিথোন বাহু মতাঙ্গখোম কুনমদা বিজুলিমোংথাঙ কুপকুম সনা তানজাওসি তানচপ থুংসি মণ্ডালনাই হিরা মুক্তাশ্বণি মনিক থাম্বু সনা লিকক্নাংসি চোয়নৌ সনা খাওনপলাক নীপুর খোঙসিথোন পুষ্প হুলাই লেংজাওথক্তা সূর্যা হুমিং তরা থোকুম তেজ মণ্ডালনাই থাংলেন পুংজাওয়ৈ ভেরিবথিখোং কারাপুংতোংয়ৈ ধ্বজ ফিরালথাল শাগোল শামু থিঙমদা মায়িম লঙ্কা লাম্মী পুম্নাহুপ লাল্লাও নোংখাকপগুম্না নোংচুপ থোঙজাওরম থোকলক্লাবগা। রাবণ মায়ওকয়াঙম্না থ্বা য়োংপাথং অঙ্গদ অকনবানাচিংনা বান্দর সেনা লাম্মী অয়াম্বম্মু রাবণ রায়না তেলবালথোলগী পাঙ্গন নিপাথোক্তনা হুয়েন লালচেম্থোক্লক্লে। রাবণ নিংথৌরেন্দি লালতাম চৈরংতানা শ্রীরাম লক্ষ্মণ অনিমাবুথীনা চঙলক্লাবগী রাজা সুগ্রীব নিংথৌনা অদাইঙৈগী থ্বা য়োংপাথং তুরেল রায়থুপিজাগুম নিঙনাতেরকপশিংবু সেনা হাওশিঙমগাচিংনা বীর পাঙ্গন মথীনাই পামেল উজাওলং থৌহু হুঙয়ামহুলনা হুয়েন লালশোক্লারবগী লঙ্কা লাম্মী অকনবাশিংবু খোয়মা নাত্তোলথকী লাংবল কৌজেং হাইগুম্না দানব লালশি-হাল্লাবদা বীরবাহু হিংচাবমুঙ সুগ্রীব নিংথৌ অকনবনা শমু মখুংজিল তরামনা য়াওলেন শায়াঙথায়না নোংমলহাক্লে। মাত্রম হিংচাবমুঙ চেক্লা থুদোল লাকুম হাইহৎলাবগা তাংজা লুরেল-তোলবু য়েনলাং থুংদাকলৈগুম লৈথংলে হায়দবরা। রাবণ নিংথৌ মাদাইরেম উজমাদা অথৌবনা অঙ্গদ মায়ওকয়ানা চঙলকপবু কিলথিলচেথাম্নারক্তা থিলথলে। রাক্ষস হিংচাবশিংবু য়াম্না য়োংলেন মথুংবাক্তা নোংমলাথনিগীনা রাবণ নিংথৌরেন্দি কক্তাও মথৈলতনা খোয়ম রাম লক্ষ্মণ অনিমবু চীংঙু হক-থেংকংগে হায়না তাকজিলক্লাবদা লক্ষ্মণ রোথিংবনা রাবণ

মায়ওকয়া লিরি থমোইহিং লাকাতেলমৈরাক রায়রা শেংকম-থোংনা কাপখিববু লঙ্কা নিংথৌ রায়রা মতেলচানা কাপথেক্লাবদা রায়রা নমকাপ্পারকপা তেলবি মপুন্মনা তেলবুম চাম্মাথোকনা লাংকল খোইরেলপাইগুম কাপ্লকপবু লক্ষ্মণ তেলহৈবগী রায়রা তেলবুম তরাদংনা তেলজিন মায়ওকয়ানা কক্থেক্লে। তেলবি নমকাপ্পাখিবনা রাবণ নিংথৌরেনগী সার্থি শাথৌবগী তাংজা লুরেলতোলবু ককথোকলাবগা বিভীষণ লৌশিংবমুঙ লালকম কল্লাংথোইনা সনা হুলাই শাপোংশেয়াবা লাঙ্গোই শাগোল নিপালমাম্নুঙ বিভীষণ থেঙগু মথুংস্নুনা য়ৈথুরাবগী রাজা দশানন্দি কল্লাও ঈথকহৌনা তিলমেল মথুংস্নু সনা য়েললৈথিলবনা বিভীষণ লৌশিংবগী থাবা লিকশিরবুতম্না হুপ্লকপবু লক্ষ্মণ অকনবা অগ্নিং-চেংগী রায়রা তেলবুম অহুমদংনা কক্থেক্লাবগী রাবণ নিংথৌরেন্দি কল্লাও ঈথকহৌরাবগী লাহাল মকুময় দানব হিংচাবানা মমোম মন্দদোরি অহেনবীদা ললউলদা ত্রিভুবন লৈরোল নোংলোল অহুম্মনা থাঙ‌ঙমদবা তিলমেল অথৌবা শ্রীরাম শিদাববু চৈপিনাগে নোংহাম্বা তাবু থুংবাক তিল্লাইমেল তিলমেল হুঁঙশোনলৈথা হুপ্লক্লাবগী লক্ষ্মণ তেলহৈববু মালেম লৈয়দা তুনা হুলথুরবগীদমক মশাবী শ্রীরাম থোইথোয়বনা পিরেল থকমাদনা রাহমখিয়ে। ইদাইরেম খ্বা প্রাপ্পী অথৌবাশিং ও। শানৌ পলথৌপামচা অসিবু রাবণ তিলমেল মথুংস্নুনা চৈপিরাবগী মালেম লৈয়দা তুরাবা অসিবু মুংশি পুক্লীংলৈতনা করিগী মিংয়েং শানথৈনায়বনো হায়না রাহমখোলগী রাজা সুগ্রীব নিংথৌরেন শমু থুংনাকং তিলমেল তাথোঙলাক্লা শংথোকলুববু ঙমদারবগী অজদ অকনবনা তিলমেল তায়েঙপায়না শংথোকলুবামুঙ ঙমদারদা মহাবলী অকনবনা পাঙ্গন থুংঙমখিনা তিলমেল তাশংপবু ঙমদারবগীদমক মশাবী চীংঙ রাম অহেনবনা মশানৌগী থমোই থোঙপাকমেৎনা

তিনমেল তাকোমশুববু শংখোক্লে হায়দবনি। থোরম শ্রীরামচন্দ্র অহেনবদি চীংঙ্‌ উদবি কনহৌমিক পুক্নীং মৈচাকথোক্না রাহবশিরে। রাবণ পাপী কত্তবা অসিবু প্রাণ থবায়নৌনা নাদশোক খুনঙমদারাবদি চীংঙ্‌ কোলোই ইমিংলেন শ্রীরামচন্দ্র কৌরদি শিঙলেন অরেবনে। তায়ন থ্বালেংনা তিনবাশিং ও হৌজিক চেংলৌ মিংকুপনবরম্না রাবণ থবায় লৌরগে। লোয়না অশাম্বা সুগ্রীব নিংথৌ নংনাচিংনা শানৌ লক্ষ্মণ অহেনবা মালেম মৈরবা ওন্না তুমাবা অসিবু চৈমৈকিরোয় মৈনাথালনা ঙাকঙাম ও হাক্না লিরুং থুংতাগু রাবণ মায়ঙকরানা চঙখিববু। রাবণ নিংথৌরেননা চেংলৌ মিংথিংলাবগী থবায় নোংদাকা মিরেল থাবুখংনা শোংকিরাবগী সনা লঙ্কা মপুংয়ায়বু তালনা চেনখিরে হায়ে। থোরম রঘুপতি শিঙাবদি মশানৌ লালকম শৈনাইবা লক্ষ্মণ অহেনববু ঙকথি নুঙাংকোলনা থাজাই লেংলোয়চুপ পিরেল থকমাদানা মীকপথিয়ে। শানৌ পন্থৌ পামচা প্রাণ থবায়থম্না লোয়নাবা নংবু রাক্ষস হিংচাবগী শমু মথুংবাক্তা নোংমল্লাবদি অযোধ্যা ইপুংয়ারদা চীংঙ্‌ ইদোম্বা কারম হলবাইথিসিবনো শানৌ ও। থোরম নশাথি ঐরং লমলক্কাপীচং পামেল উকুপেংনা ভন্না চানিরাগে। তৌইঙম হে ইদাইরেম মুপেলোশিংবা ও। লক্ষ্মণ থবায়হিংনবা মতৌকয়মশেমসিবনো অসুম রাহন্নাবগা। হোর হে প্রভু ইকুচো ও হাওবৈ থানাপাংকনমগী গন্ধমাদন চীঙলেন পাক্লাংনাদা ঔষধ হিরাক শিনাববু মৈয়ে হায়না সোংশিংনিংথৌ মশাগি মহাবলী অকনববু থৌনিখিবদা। রাবণ নিংথৌরেম্না চেংলৌ মিংথিংলাবগী হে ইদাইরেম কালনীমী হিংচাবা ও। মাংলৌ নমথাঙমদা মায়া শাজওনহৈনা হনুমান থবায় লৌর ও হায়না থৌসিথোকনী কালনীমী হিংচাবদি সমুত্র ইবারদা তপস্যা নাইরুনিংবাশানা কীরন রাবংথেঙনা থাহনখিরে। হে অদিং

[illegible] মথু অরাকনা চেরিংমকে [illegible] পুখিক্তি [illegible] ইরিকলাই, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পায়মনাবা ও। [illegible] মহাকনা অকনবা [illegible] লাইবু নিংশানবা [illegible] য়াথইনা [illegible] [illegible] ওস্থৌর [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] য়োইফাংতোকা [illegible] [illegible] [illegible] নোংমাং [illegible]।

অপসরী [illegible] [illegible] [illegible] মিংলা [illegible] ওইখিরে হায়রে। রাবণ [illegible] কাঞ্চী [illegible] হনুমন্ত শমু মথৈত্তোকলনা হাইবনা [illegible] [illegible] চিংলোম পালবা ঔষধ হিদাক থিরুবদু [illegible] চিংলোন মপাল [illegible] লুদাখ্যোংনা সমুত্র, কান্নরাচোংনা। শ্রীরাম লনা মথোক [illegible] বাইথুংলাবগা য়োংমু, [illegible] হিদাকইহবনা অমৃত য়েলাং শিদাববু লক্ষ্মণ হকশাং [illegible] হিংহাল্লাকপা। চিংগ [illegible] শ্রীরামচন্দ্র শিদারদি নোংশা, [illegible] মাদা ইরেম [illegible] [illegible] য়োংমু মনিলনা [illegible] হায়দবা।

[illegible] মপাল হনুমন্ত [illegible] [illegible] ঔষধ, হিদাক [illegible] চিংলোম পালংলাবু [illegible] সমুদ্র [illegible] [illegible] রাবণ নিংথৌ হিংচাবানা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] হিংচাবা [illegible] হনুমান [illegible] [illegible] হনুমন্ত শমু [illegible] [illegible] শমু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] মথোক [illegible] বাইথুংলে হায়ে। শমা [illegible] হিংচাবা [illegible] [illegible] তবা, পাল্লরক্তি [illegible]

মোংমাদোলদা খোয়ম ব্রহ্মা শিদাবানাচিংনা ইন্দ্র সরারেলগী থুলাই মথুংনেংকা উচ্চৈশ্রব মগারি মাতুলী সাথি শাথোবন্নও থুহন্নু থুলাই পুন্নামগী চাংগু শ্রীরাম সনা মথোঙথাদা কং-জন্নাবগী খোয়ম বিষ্ণু শিদাবা সীতাপতি অহেনবদি মুনিং চামিথোক্নুম সনা থুলাই থোঙওইনারবদা ইন্দ্র সরারেলনা বা-হায়করে। হে রাম কৌরৌ ইনোংথৌ ও চাংগু নংগী সনা মাথুংবাক্তা রাবণ থবায় মাঙলবগা খোয়ম লেংনাতিলনা তিলবা ত্রৈলোয়গী দুখ: অরাবদু কোক্লাঙেনে। তোইগুম চাংগু নংগী পায়মা উনগোইহনুংদা আশা পুক্লীং করি নিঙবনো হায়রাবগা। হোয় হে ইন্দ্র সরারেল ও। নাদাইরেম থু়া কদুয়োং অপিশা রাক্ষস শমু মথুংবাক্তা নোংমলবাশিংবু প্রাণ থবায় হিংহালবি ও হায়রাবগা। বাসব সরারেলনা বায়ু নোংশিং নিফুমাপলদা অমৃত শিদাবদু নোংলেন মরাঙহৌনা চুহাল্লাবগা য়োংমু থবায় হিংহাল্লাবগা। রাবণ নিংথৌরেন্দি কন্নাও ঈথকহৌ লালশোক থোঁওইদনা শ্রীরাম শিদাবদু তম্না চঙলক্লাবদা খোয়ম রায়রা তৈলদুমনা রাবণ হকশাংথিংনা তেলবাল্লাবগী কন্নাও মথৈলৈতনা রায়রা মাগী তেলবি অথৌবা অমনা চাংগু রাম অহেনবগী লইবক খৈনলাইথোংদা তেলবালে হায়। খোয়ম য়াইরি কনহৌনিকলাবগী রায়রা মতেলচা তেলবি শমকোকুথাঙশাবদু লিরিতেলগীথোঁঙ খোয়ম কপলাকশেংসোনা সন্ধান পাজদমরেং লিটিং নাকোঙফং নোংথাক থোন্নেলচাঙনা রাবণ মকোক তরামদু য়েন্দৈম থারিমিশোইগুম মালেম লৈয়দাভানা কাপথংলাবদু খোয়ম ব্রহ্মা মরাজকুগী পুখুং লায়োনহলগুম মকোক তরামগুনা চোংথোক্লাবগী খোয়ম উলবি কনহৌনিক রায়রা নুমক্লাপদনা কাম্নাবগী ভাংজা লুরেলতোল তরামদু মাহৌ তরায়কনুনা রাবণ মকোক কল্লাবহুও মালেম লৈশোপুংদা ইঙাচেঙগুম শোগুম

শৌথোক্লাবদা চীংঙ্ রাঘব অহেনবগী মাদাইরেম সার্থি শাথোবা মাতুলী লৌশিংবনা শমু থাংচয়না বাকৎচাখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো নাদাইরেম রাবণ হিংচাবা অসিবু লাহাল হায়রিব্রকৈ থোয়ম ব্রহ্মা শিদাববু কোয়ৌ হুনিংমদা রাবণ মকোক্ তরাবক শৌনা তপস্যা কোয়ৌ ননশামলবু লৈয়ে। তাংজা মকোক্ ককপদি শিবিরোই থোয়ম নংগী ব্রহ্মাস্ত্র তেলবি য়াইওইবনা রাবণ পুকনোপ অহোম্বদা বায়রা তেলবাল তুপ্লাবদুম রাবণ থবায় মঙেঙেনে হায়না বাকৎলাবদা। রঘু লিক্লাং হুমেক আযোধ্যা লাইপাখং উত্তম শ্যাম অহেনবদি বায়রা মতেলচা ব্রহ্মাস্ত্র তেলবি অথোবা গরুড় চেক্লিংথোগী পোলবিতুনা অনিশারা কুবের ননিংথো নোংলাই অহেনবা অগ্নি মৈরেমা ধর্ম্ম মমনিংথো ইন্দ্র সরারেল চীংঙ্ মঙামনা চঙলিবা তেলবি য়াইমংচাল বায়ু নোংশিং নিকুমাপলমনা তেলবি চিন্দাতোংবা থুংস্থ অথোবদু লিরিথামোইতিং লাকা তেলমৈরাক লিচিং নোংথাকথোইনা রাবণ নিংথৌরেনগী খ্বাঙ থাঙজেংতরা শমথোক্লাবদা তেলবি অথোবদি পাতাল লৈথাকাওনা সমুদ্র লাইজা ঈমিক্লাইদা শানতেংনুরবাগী থোয়ম সনা তেন্দোনমুংদা চঙলক্লে হায়দবরা। সনা লঙ্কা লৈমাবা রাবণ নিংথৌরেনগী তাংজা নুরেলতোল তরামদি খা লোংচুম্বাল লৈতাঙথরো মালবনা তাওজিং মনোংওইমাক্লাবগী মালেম লৈমদা কেল্লকপাহুগুম চীংঙ্ শ্রীরামচন্দ্র বায়রা মতেলচানা রাবণ্ নিংথৌরেন লৈরোল অহমাবু খুনঙবা পাজন মপাতাবদু নোংমলহায়বগী বানর লাগী অয়াম্বদি নোংশা লাম্লাওননা হমাও মথৈলৈতনা অশৈ মরাঙহোৌদা নোমনা অদম্বহোৌরে হায়দবরা। কোয়ৌ নোংমাদোলগী থোয়ম লেংনাজিলবা পুরাম্বা মেঘবর্ণ ঐথোয়গী হুথ : অবাবদু লম্বাইশেংবায়াওবা লাম্বুশেংলে হায়না বাংলেন ধমান পুঙজাওথিন্দনা হমাওরে হায়দবরা। মাতুলী

লাক্লোই স্মর্থি শাথোবাহুঙ রাম সনা রাথংলোনা কোরৌ নোঙ্গাখিরে হায়। খোয়ম দেব নরায়ণ নামুংবা দশরথি অহেন-বনা রাহমখিয়ে। হে বিভীষণ লৌশিংবা ও চিন্তা শিঙবি ঙামচৌপেনা নশাবি রাবণ নিংথৌরেনবু চকমোম থাম্বি মৈদা ইকপিক্ক ও হায়রাবগা বিভীষণ লৌশিংবনা রাম সনা রাথং লোনা অমল পিথোমবিগে হায়না তৌরিঙৈ। রাবণ নিংথৌ মশানৌ মন্দদোরি অহেনবিনাচিংনা রাজা কন্যা অহেনবী লি-শীংমগানা খ্বা লাম্মী অথৌবাশিংবু শোংখিদনা লালফম মরকচঙনা স্বামী কোরৌমানোংথৌবু ঙকথি লুয়াংকোলনা মীকপখিয়ে। ইপুরোইবা ইবুঙো কোরৌ নোংমদোলগী খোয়ম লেংনাত্তিলবা-শিংনাহুঙ ঙএকাদাবনে। নংবু করিগী বানর মখুংবাকতা নোংমল্লাবনো কল্লকয়ে হায়না মীকপ্লাবগা। মন্দদোরি অহেনবীনা চীংঙ শ্রীরাম সনা মথোঙথাদা শমু থাংচপ্পনা ভক্তি লৈদাপক্কা পুক্নমজাখিয়ে। রামচন্দ্র নামুংবনা চেংলৌ শকখঙদাবগী হে সুন্দরি নিঙখিবী ও স্বামী নাপুআরোইবগা হুমিংশিঙপুময়াম্বা পুন্সি মতোল লোম্মানা ও অহুম লনকুবিশিললে। বিভীষণ লৌশিংবনা হে রাম কোরৌ ইনিংথৌ ও নাদাইরেম অসিবু ইন্দ্রজিৎ পলেম মমা পোকমাবি মন্দদোরি অহেনবীনে হায়না পাওতাকলবগা। তৌইগীদি রাবণ মামঙলেলবু থাম্বি মৈরা মুংতরাহনো হায়রবগা মন্দদোরি অহেনবীহুঙ লঙ্কা কোম্নুংচঙনা হুলবাইখিরে। রাবণ মশানৌ বিভীষণ লৌশিংবনা মশাবিবু থাম্বি মৈগাকোয় আমল-পিথোমতৈনা কোরৌ নোঙ্গাহাল্লাবদা লঙ্কা লৈময়েনগী রাজা নিংথৌওই ও হায়না বিভীষণ লৌশিংবদা রাবণ সনা ফম্বাললেন্দা অভিষেক ফম্বাল কাহললে। চীংঙ রাঘুরাম নামুংবনা রাহমখিয়ে। খ্বা লেংনাত্তিলবারকতগী ল্যাংলেল বাথকথোলঙমবা হনুমন্ত অকনবা ও। শানৌ সীতা লাইরেমা চীংঙ ঐশ্বীদমক লৈরাং

মাচুথাওনা নোংথোইবীবু চেংলৌ শকউনারগে হায়না থোশিথোলগী হনুমান লৌশিংবনা অশোকবন ইথোয়েনদগী সীতা লৈরাং মাচুথাওবীবু শমু থাংচয়না পাওকৌরুবদু রাক্ষস হিংচাবাশিংবু শোংকিবগী পাওয়াঙমদারাবনিগীনা রাজা বিভীষণ লঙ্কা লৈমাবনা সনা ফুলাইশেম মিংথৌ পোৎলোই অয়াম্বা রাওনা য়োয়বু সীতা লাইরেমাবু পাওকৌরুরবদা। শ্রীরাম নামুংবনা শানৌ সীতা লাইরেমা অসিবু লঙ্কা মপুংয়ায় অজিদা লোইদাম থাবুম য়াম্মা নোংথোইরাবিনে। চকমোম থাম্বি মৈদাঙ্গীক্কা সাথি রাচুম্মাখিসে হায়না রাহম্মাবগা। য়োয়বু সীতা লাইরেমাদি মশাবি রাম সনা য়াথংইলনা থাম্বি য়েৎকোয় শমু থাংচয়না রাহমখিয়ে। হে পলেম ইমা পোকমাবী থাম্বি মৈতারেঙ অরাবি ও স্বামী কোয়ৌ ইনোংথৌবুহেননা সীতা পুক্নীং অমাতৈনা চংলাবদি ঐবু উফুল নোংলৈওইনা সাথি রাচুম্বীরক ও হায়না চকমোম থাম্বি মৈরীঙ্গুংদা চোংজিলথিববু। অগ্নি মৈরেমনা য়োয়বু কৈরাতালদাথোংনা য়োয়চালনাঙাময়ে। থোয়ম শ্রীরাম নামুংবা কৌশিল্যা সনা লিলকোয়গী জ্যাম অহেনবাদি সীতা মাশক উদারবগী মালেম লৈয়দাওম্না মীকপলিঙৈ য়োয়বু সীতা লাইরেমদি তাংজা লুরেলথক্তগী চম্পা লৈহাও লৈহৌ শিঙলেন মাচুথাওদা পুষ্প থাওনলিকহৌ লৈরাং লৈমিং থুইদা চকমোম থাম্বি মৈরেমনা সীতা কৈরাতাপদাথোংনা রাম মায়ওকননা কংলম্মাবদা য়োয়বু সীতা লাইরেমগী সীতা লক্ষ্মী মারমচং সতী পুক্নীং অরেপপিবু সাক্ষ্যাৎ তাঙনা থঙলাবগী বিষ্ণু শিদাবা রামচন্দ্র অহেনবাগা পামৈলসাইথোনলৈগুম্না য়োয়চালনারে হায়দবরা। সনা লঙ্কা লৈমাবা রাজা বিভীষণ লৌশিংবা শংলৌ মথোয়রাংগী রাম সীতা অনিমাহৌ সনা ফুলাইতোং লক্ষ্মণ বিভীষণ সুগ্রীব অহনমহৌ শমু থোঙওইননা মাদাইরেম সেনাপতি অরাম্বাহৌ

চুলাইলেংতামতোং বাংলেম মরাওচহৌ' তরেংশেন্মাখৈরেনা মাদমইরেম রাক্ষস' হিংচাবাশিংনা চীংঙু রাম রামুখগী শমু মাওদাচং' য়োংমু' লাম্নী অথৌবাশিংনা চীংঙু হৈনা মাতুংইনমা চুংঙাই মথৈলৈতনা লঙ্কা কোম্নুংলেন্দগী সনা অযোধ্যা' লৈবাকতালনা থিঙলৌনিংঙনাতেনা হলবাইরক্লাবদা। চীংঙু দেব নরায়ণ নিরঞ্জন' য়োয়রেলবা রাবণ য়েক্লববু প্রাণ থবায়লৌনা লঙ্কা লৈবাক খুনঙম্বা সনা মায়থংগী লক্ষ্মণ লঙ্কা লালচাইথোবনা থম্মুলিরুং মখুৎস্থগী লিরুং খোংজিতোলনা সমুদ্র পনজাওথিংববু লাইজা ইরম অহমওইনা থিলথায়রম্লাবাগা য়াংলৌ লমথাঙমা কুহিয়া নিংথৌরেনগী রাজ্য মরৈবাকপু য়োৌরাবগা খোয়ম সীতাপতি লাইনিংথৌনা বাহমখিয়ে। হে নোংশিংনিংথৌ মপারি হনুমন্ত অকনবা নংদি শানৌ ভরত লৈবাক ঙাকঙম্বদা লঙ্কা লালশোক খুনঙমরাবু হাম্না প্লাওতমঙাম ও। হায়না থৌশিখোলগী সনা অযোধ্যা কোম্নুংচঙ ভরত মাঙদা লেপ্না রাম বিজয় মাইকাবাবু বীনোইয়াথংমেঙনা পাওতাকলবগা ভরত লৌশিংবা থাবা উলেনথাগী পামেল উরাইকংগুম নুংশি মথৈলৈতনা অযোধ্যা লৈবাক ঙাকঙম্বাদি হনুমন্ত তাংজা মরৈতোলদা শ্রীরাম মিংলেনপল্লিঙৈনা ভক্ত পুরুীং মায়োনচোং হয়াওমথৈলৈতনা সনা অযোধ্যা দ্বার থোঙজিল খুতিংদা পূর্ণ ঘোংখিল তাওজিং নানৌথেং প্রদেব থাওমৈথাল মশাবি রাম নামুংবব্ নম: শমু থাংচপনা মালেম লৈয়দাপক্লা পুরুমতায়ে হায়দবরা। চীংঙু শ্রীরাম নামুংবদি সনা মাগী সিংহাসন অবাংবদা মশানৌ সীতা লাইরেমাগা নুমিং লিপ্নীং খোককুম অযোধ্যা লৈবাক ঙালনা কমকয়াবদা রাজা সুগ্রীব নিংথৌ পাঙনবানাচিংনা রাজা বিভীষণ লৌশিংবাহুত বানর সেনা লাম্নী অয়াম্বদি খোয়ম সনা য়াথংলেন রণ অথুম্বনা বাহয়াবগা অম্নান মখোয়গী কম্বিরেন্দা হলরাইখিয়ে হায়দবরা।

খোরম শ্রীরামচন্দ্র মামুংবগী হয়েন লানশোক, অচৌবা লঙ্কা বারী মুংঙাইবা। অসিবু মাপাইরেম কৃত্তিবাস অহৈবনা বাহৈ মরেংচানা লেংলমশেনে রাজ্য সভালেংনা তিলবা, নখোয়দি কোরৌ নোংখাকখোলগুম চৌংঙু কোলোই মথিংলেন জয় রাম রাম শোলনা নাতাবি ও।

উত্তরা কাণ্ড

লঙ্কা কাণ্ড মথংগী উত্তরা কাণ্ড মশা অকোনবা প্রসঙ্গ রাগী হুংঙাইবা শৈগুরককে। মমু পোংওইবা মখোয়গী পারুমগ উনগোইরুদে। উনবী পূক্নীং ভপ্পা নাতাবী ও। চীগঙ্ রামজী নামুংবনা মপল রাজা দশরথ নিংথৌরেনগী সনা মকমলেল সিংহাসন অবাংবদা তেজমণ্ডালনাইনা ফমকল্লিঙৈদা মুনি ঋষি লেংনাত্তিনবা পূজামনা বাহমজখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো শ্রীরাম নামুংবা ও। নংগী শংলৌ মখোয়গী মশানৌ সীতা লাইরেম্মা লক্ষ্মণ অর্কনবাগনা বৈরি য়েক্লবা রাবণ নিংথৌরেনবু যাওহল্লে। মুনি ঐখোয়বু দুখ: অবা চঙদনা য়াংগোইরাঙেনে। হায়না শ্রীরাম পাক্কন মতিকবাবু বচন য়াথং অবেংবনা অনুম থাগৎপিঙৈ চীংগঙ্ রামজী অহেনবনা পোনবী কোকিল খোন্দাননা পাও-হংখিরে। মুনি লেংনাত্তিনবাশিং ও সনা লঙ্কা লৈবাক্কী দানব হিংচাবাশিংগী জন্ম মপোক করম্না পোক্লাবগীদমক পাজন্না মপাঙ্গান্না পোক্লাবনো নাতানিঙঙে। হায়না পাউহংববু মহা মুনিরেন অগস্ত্য লৌশিংবনা পাওখুমলকয়ে। নাপাইরেন রাক্ষস হিংচাবা-শিংনা শাক্তম মপাঙ্গান্না পোক্লবদি। [illegible] পর্বত [illegible] পায়খাপা তপস্যা [illegible] দূর্বাসা মুনিরেনগী [illegible] [illegible] দূর্বাসা [illegible] [illegible] শিংনা [illegible] মুনি [illegible]

খোংজী মতাইকাং মচিন মোমোন নোকৃচিন্নাবগীদমকপু দূর্ব্বসা মুনিরেননা কন্যা অহেনবী নখোয়বু স্বামী ননাক থাদনা পুত্রা নচা পোক ও হায়না শাপ মীচৈঙৈদা তৃণবৃন্দ মমোমলোনসু য়াংলৌ লমথাওদা মুনি মীচৈখোলবু নাত্তাখিরাবগীদমকপু স্বামী মপুলৈতনা গর্ভ মপুংফারববু মপাল তৃণবৃন্দ মুনিরেননা পৌলস্ত্য মুনি মপারি বিশ্বশ্রবা সিঙথিবদা বিবাহ লুহোংলাবগী কুবের লননিংথৌ তপস্যা লাইনিংববু শাৎলকয়ে অহুনসু মদোমদে। কুবের মশানৌ রাবণ পাজনবসু বিভীষণ লৌশিংবা কুম্ভকর্ণ হুকচাওবা মমোম সূর্পনখা ত্রিজটা অহেনবীসু কোলনা শাৎলকয়ে। হে প্রভু ইবুঙো ও প্রথম অহানবাদদি খোয়মোম সৃষ্টি মালেম লৈকোয়শেম্বনা কোরৌ নোংলৈদা মালেম লৈরৈতারিঙৈ লাইজা ঈরিক ল্যাইনা ঈশিং তরঙ শেমলে। লাইজা তরঙ ঈপাকথক্তা মালেম লৈকোয় শেম্মে। পৃথিবী লৈবাক শেমলবদা খোয়মোম লাইবু ম্লাউনোরবগা পামেল উজাও হোরে। লতা উরী পোকয়ে। অহুনসু মদোমদে গন্ধর্ব্ব (কনকবা) তাংজা সিলা নিংথৌ নসু পোংবাচা রাক্ষস হিংচাবসুঙ শেমলক্লাবদা বিদরাকেশ কোবনা পাজন মপাতাম্না পোকলারবগী সংসার পুম্নামকপু শসু খুত্তা পুম্না ওমজনবনা সঙ্কটা কন্যা অহেনবীবু তালোয় মতুওইরবনী। মপারি মহাবলী কোববু মপালনা থিকলেন মায়য়োকলনা লমদক অতাবদা জ্ঞানলযবু খোয়মোম মহাদেব নাক্কুবনা মর ননকুথোকইনা য়োকচানবীবা ত্রীর অকনবগী ধারা অং-সুঙ তৎতনা দানব হিংচাবা মায়া শাৎলক্লবদা। মকা লৈবাক চানা দেবসর্ব্ব অন্যাম্বা নসু পোংওইবা পুম্নামবু রাক্ষস শসু খুৎখুব চঞ্চলবানী। ঈনিংঙু অবা কোয়বা খোয়ম নিকু শিদাবনা হয়েন লাকপোক্লবদা খোয়ম মায়ওকন্নাওমবনা দানব থবায় মীকোলপায় মীবেল কোংদা-কনা পাতাল লৈথারোক্না হয়েন লাকচেনখিয়ে। " হায়না অহুন

রারী লৈবদু রামচন্দ্র নামুংবনা সনা য়াইথং অমুংবনা রাহমখিরে। অগস্ত্য মুনিচেন ও মদা লঙ্কা লৈবাক মসিদি মতৌ করম্না শেমজসবনো নাতানিংঙে হায়না পাওহংবদু হোয় প্রভু ইবুংঙো ও মনা মদা মপোক্তি লাহান সন্তাপন মশাগী সুপ্রসাদ্য অহানবগী মশাগী বিশ্বাস অতোনবগনা মপল নিংথৌরেনগী থন লনয়ায়-থনদবদু লনমুন্নাবা রাগী কয়াও মথৈলৈজনা শাপ মীচেখিরে। মশাবিদি কবস্বাইশা থেংগু থেংঙলায়ইপিচাবু শালওনজেল মশানৌদি লাক্লোই মোইশায়াবু ওইখিরে। কোরৌ হুমিং অমম্ম মশানৌ লাক্লোই মোইসায়ানা লাইজা ঈথৌলাংবদী লৈরাই চাংজোওম্না লাইজা ঈথকলুঙৈ মশাবী থেংঙলায়ইপিচানা শমু নাত্তোন চপ্পা কৌথেম্বা লিরাই নোপকুম চিংনারিঙৈ পোলবী কদাইলমগী গরুড় উচেকনিংথৌনা চেক্লা মচিঙ্গাকপু ওইবাগীনা লাক্লোই চঙনা রাইখিরে। নোংপোক সনাচীঙ চীঙলেনপল্লংলাবা শামু শয়াংশেংনা চাকবগী পবন নোংশিংনিংথৌ রাওইখিরে। হে পোলবী চেকনিংথৌ ও কৈলাস সনা চীঙ অসিবু মীরাইমনা চঙদবা চীঙনে। রুদ্রগী লাক্লোই শা চানবগাবনো চাকমোইরে হায়না থৌঙ্গামথোলগী পোলবী মাইবা কনহৌনিক কয়াও লাকওমদনা হয়েন লালশোক্লসে হায়না তেমশীঙনারবদা। গরুড় চেকনিংথৌমা চোয়নৌ সনাচীঙবু উপনা শাদোল লৈবাকক্তা খুজিস লৈরদা শিক্লা থাজনবদু। মাকং নোংশিংনিংথৌরেনসু কয়াও মথৈলৈজনা মালং তমথায়াঙ নিকুথাপলমনা থমপোন চৈরেঙ্গা নোংশিং পোংথাদনা হয়েন লালশোক্লবদু। গরুড় শুমদীল মুহাওবায় লেঙবিদরে হায়ে। গরুড় নোংশিং নিমনা হয়েন লালশোক খোজবীবু তাইবং সংসার পুম্নমক চেংলৌ মিংকুপময়দা মাকে হায়না তৌওমলাবনী ... খোয়মোম বক্সা চিক্লাবনা গরুড় চেকনিংথৌ পাজন মলায়াবদা বজন মথং

অমৈঙবনা হাইখিয়ে। নংনা হয়েন লালখোক্লবা অসিগী চাংঙু ত্রেতা সৃষ্টি মালেম লৈকোয় শেমবু মাঙলক্লে। পবন লোংশিং নিংথৌ মলং অমাগুম্না ঙমনবা চেক্লা মমাঙথাঙদবে হায়না নোংশিং কক্লাও তোকইহনে। চেক্লা পূর্ণাঙ্গ ভুহাও মাপু পৌনবী নশা কাংখি ও হুইরবগা। ব্রহ্মা শিরাবা মিত্রোয় য়াথংশিন গরুড় তুবুগবু কাংবিরাকগী। মলং মখিমাই থমগোন পূর্ণহৌ অমরক্তা পোনবী তুমকচঙনা লোংপোক সনাচীঙবু চাওথাং নাপোম ভরেংঙমা সমুদ্র ঈরেলপুঙা হুহরে হায়ে। বিশ্বকর্ম্ম শেমহৈবনা তম্না রাজা লৈবাক থুনলিংয়ে অহু লোংশীবু সমুদ্র ঈনেলপুংনা হেনবা লাংথোঙওই সনা লঙ্কাপুর লৈমরোল ও তোনাকোয়ে। সনা লঙ্কা লৈমায়োন্দা বাঙনবা রাক্ষস মপারি রাবণ নিংথৌরেননা থোয়মোম ব্রহ্মা সনা মখোঙথাদা ধ্যান পূক্লীং লেপ্পা তাম্বা মাগী লুয়েলকক থাম্বিমৈদা ঊক্তা কোয়রৌ ননশামনগী রাবণ মকোক তরাপাল্লে। কুম্ভকর্ণ হকচাঙববু ব্রহ্মা সনা মখোঙথাদা ঊনবী পূক্লীং লেপ্পা নিঙজমনবী অহিং নিদ্রানি খোমলেন তুমপনবগু লোয়দাম থাবুম তরুক মাহিপ ও নোংমতা চেংলৌ মীকপথোক ও। লোইদাম থাবুমগুমনা খোমলেন মীকপথোক্লবী লোক্তা প্রাণ থক্তায় মাঙ ও হায়না লনকুখিরময়ে। বক অংশ বিভীষণ লৌশিংবাহুঙ চাংঙ ব্রহ্মা সনা পুকোয়েন থবাল লৈঙনখোক্তা ভনস্তা কোয়রৌ লনথাবগু কুমশিঙ শথা তরাঙমা তবা চানাংদা লাইজ ঈথাংদনা বাহিয় শিরৌ কুমাংঙবগু য়াংলেন পূর্ণশক্তা নিঙজমনবীবু বিষ্ণু ভক্তি অতাঙবগু লনকুখিরে। অসাইঙেগী বিষ্ণু শাস্ত্রশোক মায়ওকয়াঙমনবা পাতাল লৈথারোম্দা চাইহি কুমশিং য়ামা খানথুপপাশিংনা নাতারবক্লীবু মাঙেন লৈবাক য়োলগী খিঙলৌনিনাতেনা রাবণ শবু মথুংথাক্তা চঙলকয়ে। রাজা দশানন মকোক তরা পার্বতি থোয়মোম ব্রহ্মা মতাংবু

অচৌবা থংজলুবগী পাঙ্গল ঈথক হোৌগুমলাবরিণী। তাইবং সংসার পুম্নমক্তা বাহু কির্তি কিচংকে হায়রগা মশাবী কুবের লানরিথৌ লঙ্কা লৈবাক চারবু তাথোক্লম্লাবমুক। উনবী পুক্নীং পেত্রাবগী কৈলাস সনা চীঙ্গাংমদা থাম্না ফম্বী ওইজরবু কুবের লৌশিংবগী তাংজা থোঙজিন লৈনা হৌরেম লালশোক্নাকবু চহি কুমশিঙ য়াম্না শোক্নারবগা রাবণ শমু মখুংবাক্তা চমাবগী কুবের লনকুশংনরে অহুনসু মহোৎসবে। রাবণ কম্বাও থৌথেলিতনা নোংপোক লনাচীঙ হিমালয় উনবী চীঙবু নাইতেনবা হৌরেম লান্দাথিবদা য়াওলমৌ লবখাংমদা কুশধ্বজ নিংথৌ মচোমলোন যেমথক্তি অহেনবীনা সতী পুক্নীং লেপ্না চীংঙ বিষ্ণু নাপুংববু তপস্যা লাইবু নিংজাওনবীবু কাম আশা লাকওনদনা সতী পুক্নীং নৈথাঙ্গগী সতী য়াথং অকৎবু থোক্না হাইমথিয়ে। হে রাবণ পাপী কজবা নংবু মোমসু ঐগী মাগী কোরৌ ইনোংথৌ বিষ্ণু শিঙ্গাবগী অবতার মশাকওন্দা য়োন্দনা রাবণ নথবার মাঙ ও হায়না শাপ মীচৈনখ্যে। অহুনসু মহোৎসবে। মরুত্ত নিংথৌরেননা যজ্ঞ মাওম তৌজওয়াহুঙ রাবণ থাম্নাও মতাপবোম্না খুনঙমখ্যে। রাবণ নিংথৌ পাঙ্গল শক্তিক অরাম্বমুক রাজ্য লৈবাক থুত্তা চললে। হে প্রভু ইবুঙো নমু মিংথৌ অনারণ্য অথৌবা পাঙ্গল নিপাথোকপা নোংশা মাচুমতাগুম্বা মহাকথক্তাবু হৌরেন লালশোকনবু রাবণ চৈথাখোলগীনা অনারণ্য অথৌবদি থোয়ম্না মাইথিবন্না কোকৌ লেকাম্নদাইদা হে রাবণ হিংজাবা নংবু নিংথৌ ঐগী শাথৈরেন ইনোংবার রাজা নিংথৌ পাঙ্গলবা পুত্র মপুংকাম্নবী শমু মখুংবাক্তা লোংমক ও হায়না [illegible] রাবণ লানশোক্নরদি অহুনসু মহোৎসবে। কার্তবীর্য্যার্জুন নিংথৌবা হৌরেন লানশোক্নবদি কার্তবীর্য্যার্জুন অকুপবা রাবণ হিংচাববু [illegible] থৌওইদনা তেংবৌ থোথহিংলেন পৌতু মঙ্গাখনবা রাবণ

থবায় মাঙহলগে হায়না তৌওম্লববু পুলস্ত্য মুনিরেনগী মতম ময়াথংনা প্রাণ থবায় হিংজাখিরে। চাংঙু রামচন্দ্র খোয়রোম্লবা নংদি শুণ নতিক নৈবগী লাহাদা কার্ত্তবীর্য্যার্জ্জুন অকন্নবু পরশুরাম শমু মথুংবান্তা প্রাণ থবায় মাঙরে। পরশুরাম পাক্কন মপাতাম্লবা বাহুশুরম্বু কোরৌ লোংখৌথিংনা ৱারংওম্বা নরায়ণ শিন্দবা কিস্কিন্ধ্যা নৈরাবা বালি নিংথৌ পাক্কনবা শমু মমৈত্তোন অকুইবনা রাবণ খ্বাওদা য়েং তাংজা নুরেলতোল তরান্দা তোওনা সমুদ্র সন্ধ্যা তৌবা বালি মিংচংপবু মাঙহনবা দেবউত্তম খোয়খোয়বদি নংনে হায়না অনুম রাকংচরবদা। শ্রীরাম নামুংবনা লোনবী কোকিল খোন্দালননা অনৌবা পাওহংলকয়ে হে মহামুনিরেন অগস্ত্য লৌশিংবা ও। রাবণ মতৌকয়ববু মৈবনো নাক্তানিংঙে হায়না পাওহংববু। অগস্ত্য মুনিরেননা হোয় প্রভু ইবুঙো ও মাদাইরেম রাবণ নিংথৌরেন্দি কোলোই অমিং চংকে হায়বগী ধর্মরাজ রায়েলববু হয়েন লালশোক্লবদা যমরাজ নিংথৌরুঙ পাক্কন মতিকউংনা রাবণ থবায় মাঙহনগে হায়না লোংহায়ববু খোয়রোম ব্রহ্মা নামুংবনা থমমুং যমনিংথৌ ও শমু নমুত্তাক্তা লোংমলকায়োয়রে। বিষ্ণু অবতার শঙ্খশংকগী রাইগা মতেলচানবা লোংমলথেংনে হায়না থৌখামখোলগী রাবণ নাপল রাংনা বর্ম্ম যমনিংনৌবু শমু খুঙুম চনখিয়ে। অচুনমু মদোমবে। ভোগবতি নৈফয়োন্দা রাজনবা তাংজা নিলানিংথৌ অনন্তবাসু তোকলোম নিশীংপানবনাচিংনা নিল্যানিংথৌ পুম্নাকপুঙ তাংজা থুনওমলাবগী নিপাত্তক কপচ নিংথৌরেনবু হয়েন লালশোক্লববু ব্রহ্মা প্রাচিন ঋষি পানবনা রাইমখিয়ে। হে রাবণ নিংথৌরেন ও নংনা হয়েন লালশোক্লবনা নিপাত্তক "কপচ" নিংথৌ অমিবু চাংঙু ঐখোয়গী লনকুলৈবা রাজা নিংথৌরেননে। 'নিংথৌ 'নালিজতাম্বু উনবী থুকমাক্তা মিত্র মতাও শাগা 'ও' হায়না থৌখামলবগী ব্রহ্মা রাবণনা

মিত্র লমদোংশোনাংওইনা থোজামাখিয়ে অচুনচু মপোমদে। বরুণ মচৈকাকপু মাতৈনা হুয়েন লান্দাখিদৈ-ব্রাহ্মণো লমথাওদা সংসার পুম্নাকপী। পলেম মমা পোকপাপী রাওত্রেম মতেংপী স্মরতী তাজেনবীবু লমওল্লারকপী রাবণ শমু থাংচপ্পা ম্রাচেম নৈমদা পল্লা গুরুম্মবগা। নোংমাই মৈবাক পুম্নমক্কী রাজা নৈবাক খুনওসখিরবদা। রাবণ মৈপান্নাংবা বালি নিংথৌরেনবু হুয়েন লানশোক্লাখিগে হায়না ইন্দালখিববু বালি নিংথৌ শান্ত পুক্নীং তপ্পনা চেংলৌ শকউরবদা রাহমখিয়ে। হে রাবণ নিংথৌরেন ও হুয়েন করিপীবু ইপিতওঁবা লানশোক্লাসিবনো। নংবু মিত্র লমদোম্ব অচেৎপা মহাক্কে হায়না সনা সিংহাসনদা চৈফাংচামননা তাউজিং তংমানরিবগদা রাহমলকয়ে। পাথৌ বালি নিংথৌরেন ও নংদি করিপী মালেম নৈথারোম্বা মাকোয়ওঙবো হায়না অহম পাও-হুংববু। হে রাবণ নিংথৌরেন ও নৈরোল নোংলোন অচুম্বাপী মবুতো মহাবিষ্ণু নামুংবা মথৌথাপী মালেম নৈথারোম্ব অসিদা মাকোয়রিয়ে হায়না পাওথুববু তৌইনীদি পাথৌ অপানবা নংগুমবু বিষ্ণু নামুংবনা করিপী পাতাল নৈথারোম্বা মাকোয়হাজবা নোক্লকয়ে। ঐ হুয়েন লানশোক্লগে থাম্বা কপী কদাইদমদা নৈরিগদবনো হায়না বাহনবকপবু। বালি নিংথৌ নোংশিংবনা পাথৌ অদা নিংথৌরেন ও ঙিদোই নয়াম্বং অসিবু নবক নৈথা তাইজনে বাক্য রাখাংথোকনো হায়না থৌবাকবু থৌথাওমদনা। রাবণ তাবকা কোকৃইকা কয়াও লাকখ্রমনা বালি নিংথৌ তমাইক্রিংলাংপাম্বা কোকৌ ওমথওঁচোও বিষ্ণু কোক্লোই নিংজেন কাজা হুয়েন লানশিংবুববু মহাবিষ্ণু শিদারনা অইবং শঙখথাই চক্রগজুক পাম্রোম মরি পালনা। হুয়েন লমদোম্বাদকপী রাবণ নিংথৌরেনবু শমু থুম্বালাক তেংলোনমঙী য়োংহিং কোমজাংইক্র থুবাও হুনাহন্না বালি দৃষ্টিবাককপকদা থাও অমাম মাওথাং

হায়না মুমিৎশিংবুম য়াম্না লৈহন্নাবগী। খোয়মোম ব্রহ্মা মামুংবনা বচন য়াথং অমেংবনা নারদ মুনি লৌশিংবু বিষ্ণু কনা খুন্নারেন্দ্রা-খৌশিরাগীদু নারদ মুনিরেননা হে প্রভু ইবুঙো বিষ্ণু মামুংদা ও নাদাইরেম রাবণ নিংথৌ অমিদু বালি নিংথৌ মরেবাক্তা প্রাণ থরায় মাঙহনবীগনো সময় মতম য়াৎলিয়ে। হয়েং ইবুঙো নংনা ত্রেতা যুগ য়ায়মবদা শ্রীরামচন্দ্র নামুংববু ওইনা অবতার শঙশং পোকলুরবদা রাবণ থরায় মাংহনবী ও হায়জনকয়ে হায়না শীংলেন লৈথোক্লাবদা। হোয় নারদ মুনিরেন ও বালি নিংথৌ-রেনগী দন্তি রায়রকশঙদা লৈবনে থাদোকপিরো হায়রাবগা। বালি নিংথৌ পাক্তনবানথু নুকলেন পুন্না হানা য়োরচান্নারবদা সনা ফিরোয়পিনা থাদোক্লাববু শোঙকিদনা। জম্বুদ্বীপ মায়কৈ য়াংমালাননা হুয়েন লান্দাখিবদা বিষ্ণু অবতার শঙশংবা পুরুষ নিপা অথোয়ববু চেংলো শকউরাবগী খোয়মা ইমাং লেপ্পা নংবু কনাদো হায়না পাওহংলকপবু। মহাপুরুষ নিপা খোয়খোয়বনা পাওথুমখিয়ে। হে রাবণ হিংচাবা নংগুম্বনা গুণ লৈতিক হঙলাইদৈতে হায়না মুত্তি শকলেন লোংনা মাঙখিরাবগীদমক রাবণ য়াইবী কলহৌমিন্না খুন্থ অতিংঙাদা কোরো ঙমথঙচোংনা শীংয়েংশানবৈববু উদয়াবগীদমকপু হিমালয় উনচীচাওবু নাতৈনবা চংখিরবগা। খোয়মোম নংগী নপুরেন মুমিং শাগৈরেন্দ্রা নাউ-নোবা মথন্না নিংথৌরেনবু মায়কৈ তরামদা দিগ্বিজয় খুনঙমলে হায়রবু নাতায়রবগী মথন্না নিংথৌয়েনগা হয়েন লানশোকনববু লানশোক মথৈলৈতনা শোক্লারবদা রাবণ থরায়মাঙগে জৌগুম-লাম্বগী। ব্রহ্মা পিদাবা খৌশিকোলগী ভার্গ মুনি লৌশিংবনা হে মথন্না নিংথৌরেন ও খোয়মোম ব্রহ্মা মরাথংনে রাবণ অস্ত্র মাঙকাহিরোয়। বংশ অমী শাগৈরেন্দ্রা লোক্লাবা রামচন্দ্র মামুংবগী শমু মথুংবাক্তা খোকৈলাউতনে হায়না খোথাংবীরাবগী

রাবণ থবাক্ত য়াওলক্কে। রঘুপতি নরায়ণ নামুংবা ও নাদাইরেম রাবণ লালশোক চৈরতবদি অচুনমক মদোমদে। কোরৌ নোংলোন অরেৎমাবু নোংথৌ লৈরাক, খুনওমলারগা। লোয়নদাম চন্দ্র থাজা পাখংবা নোংপোক, লমহৌরাই অহিংওানবা য়াইবগ্যচানবু কোরৌ নোংলেম ভরেৎমদা খবী শেনগোয়রেলদু হুয়েন লালশোক্লকবদি। লোয়নদাম থাজা পাখংবনা রায়রা মতেলচা থাবা উনগী তেল কোটি সহস্র লিশীংমনা রাবণ তাংজা লুররনভয়া কাপথরকপবু। রাবণ রায়রা মতেলচা খাম্বী মৈবী তেলনা ভুমহল্লাবগী খবী শেঙোয়রেন্দি। রাবণ মায়য়োক য়াওমদনা হুয়েন লালচেনলাববু খোয়মোম ব্রহ্মা নামুংবনা থৌখানখিয়ে। হে রাবণ নিংথৌরেন লঙ্কা লৈমাবা ও। য়োইময়াই লাইরেল তাউদনবা নশাবি ঈশুংমগী সংসার পুম্নামবু ওান্না মৈ। তামা থরানমীচাক্কী তৈজ মণ্ডাল থোক্লবা জীবজন্তু থরায়পানবা পুম্নামনা থাজা মখুওৈনা চেংলৌ মিংকোর থনবা কোরৌ-ত্তুমিং ভরামওানিদা পূর্ণ মপুংফারবদমু আনন্দ মুংওাইবা য়াইনে। চন্দ্র থাজ মায়ক্লবাবু হুয়েন লালশোক্লকগনো লঙ্কা নরৈবাক নিংথৌ চাকচা রাৎতবদাহুম হুলবায়খি ও হায়না হুলবায়হল্লাবদা। য়াংলৌ লমাথাওমদা রাবণ হিংচাবদি লানচৎ নোংফাইয়াম লোয়নদাম থাবুমশি লাংহৈ কুমশিং ওল্লাবগীনা বিচার বা থিদনা মশাবি কুবের ললনিংথৌগী মক্তইরোল রম্ভা ইন্দ্র জগোয়শাবীবু শম্ম খুৎওমথিনা কোরৌ পাউদোইবাগী মপাল কুবের পুক্লীংতপা ব্রহ্মা দশাননবু শাপ মীচৈথিয়ে। সংসার পুম্নামকী নারী মুপী অহেনবী উনবী পুক্লীংলেপচরী স্বামী লাইওইনবীশিংবু রম্ভা ইহইরোল অসিগুম্বীবু তাংজা ঈকায়নওনা মুপী পাক্সন থেকখিরাবদি মুক্তি উকুলওই ও হায়না চৈরকক্রে। অদুগী মাদাইরেম কুবের চিনংগোয় মথাথংদগীবু য়াওকাবকনিদ্রীনা নশানৌ সীতা ফাইরেমা

রাবণ শমু মথুংবাক্তা চল্লাবীদুম্নুঙ রাবণ পুক্রীং য়াংবনা চংঙমদবী লক্ষ্মী শোকক্কাদবীনে। চৌঙ্ঙ রামচন্দ্র নামুংবা ও। নাদাইরেম রাবণ হিংচাবাদি চীংঙ ব্রহ্মা মরনকুগী মকোক্ক তম্না পানবা পাঙ্গল মপাতাম্মলবগী লৈরেল নোংলোন অহুম্মাবু থায়াঙ মতাল-থোম্মনা খুনজম্মে। মালেম লৈবাক লৈমনাচিংনা থাংঙমদে। মালেম চিথেক তম্নামদা দিগ্বিজয় য়াইফাথোয়না কোল্লোয় মমিং চংলাবগীদমক সনা লঙ্কা মরৈবাক্তা রায়থুঙলুম্নবদা মশানৌ বিভীষণ লৌশিংবনা শমু থাংচপ্পনা রাহমথিম্মে। ইশাবি রাবণ নিংথৌ-রেন ও। নংনা পাঙ্গন নতিক উৎনা নিংথৌ নমানবাশিংবু হুয়েন লালশোক্লাখিবদা নাদাইরেম মমান বৃহতা মমোম্মলোন ইচল কুম্ভতি নিঙথিবীবু মথন্না নিংথৌ দৈত্য হিংচাবনা হুখিরে। নপারি ইন্দ্রজিৎ অথৌবাম্নুঙ তপস্যা লাইবু নিঙনা যজ্ঞ মাঙম তৌম্লিবনিগীনা হুয়েন লালতানলৌদারে হায়না অম্নুম রাকংলবগা। লঙ্কেশ্বর লৈমাবনা তৌইগীদি ইপারি ইন্দ্রজিৎ অহানবনা যজ্ঞ মাঙম তৌবগী ব্রহ্মা মরনকুবু য়েংসে। দৈত্য হিংচাববু হুয়েন লালশোক্লাসে হায়না মপারি ইন্দ্রজিৎ ঙাইরোয়ননা মুখা দৈত্য হিংচাববু লালশোক থমথেঙনাক্লববু মমোম কুম্ভতি অহেনবীনা পাউমেলঙময়ে। হে ইচুনিংথৌ সনা লঙ্কা লৈমাবা ও নমোম ঐগী স্বামী ইনোংথৌবু ওইরবগী ইপারি লাংলেন কোংয়াঙ বাবিহনবু শাহনঙমলে। সম্বন্ধ নঙাইরেনবু ওইরে প্রাণ থম্বায় মাঙহনবীরাগনো। হুয়েন নঙ্গাতুম লোয়নাখি ও হায়না পাওমেল্-ঙমলাবগীদমক। দৈত্য হিংচাবা মথন্না নিংথৌ ঙাইরোয়ননা চীংঙ ইন্দ্র সরারেনবু লালশোক মথৈলৈতম্না শোক্লাববু দেব লাইরিংথৌনা বায়না মতেলচা থোম্লেন তুমগনয়াই শাখব তেনবী অথৌবনা রাবণ মিংয়েং নাউঙমহল্লাবদা শমু খুংনালাক্লা ইন্দ্র জাম্নোয় মথুংনেং ঐরাবত অতৌবগী শমু মথোঙদোন য়িরী

কৈখোঙ মানবদা থৌরি কায়নপুন্না হনজেল্লাবগী। মপান্থি ইন্দ্রজিৎ অথৌবনা ইন্দ্র সরাক্নেম পুরন্দ পাখং ঙোয়রেনববু লিল্লা থৌরি তেলনা পুল্লাবগা অমরাপুর লৈবাক খুমঙমলাবগী। সনা লঙ্কা লৈবাক্তা ইন্দ্র সরায়েনবু থৌতু ফুঙজাও নম্না দণ্ডি থারক-নরাবগা। দেবসর্ব্ব পুম্নামগী লিক্লাং সুমেরু দেব লাইনিংথৌনিগীনা খোয়মোম ব্রহ্মা নামুংবগী বচন য়াখং অমেংবনা লাইশেঙহনলয়ে। হে প্রভু ইবুঙো শ্রীরামচন্দ্র নামুংবা ও। খোয়ম নংগী থায়াঙ নতানবোম্না রাবণ নিংথৌ অতুগুম্ববু থায়রা নতেনচাদা নোংমনয়ে হায়না অসুম থাকৎচরবদা। রামচন্দ্র নামুংবনা অনৌবা থাহল্লকয়ে। হে মহামুনিরেন অগস্ত্য লৌশিংবা ও রাবণ নিংথৌ হিংচাবদি অজয়য়াইথীবা বিজয় য়াইফা য়াম্না কোল্লোয় মখিং চৎয়ে। তৌইগুম ভক্ত ঐগী অপাম্বা নোংশিং নিংথৌ মপারি হনুমন্ত অথৌবদি লালশোক শৈশাইদনা পাঙ্গন নিপাখোকয়ে হনুমান মপায়াওদে হায়না অসুম থাহম্বু। রাম সনা মখোঙথাদা মহামুনিরেননা অনৌবা থাকৎচখিয়ে। হোয় প্রভু ইবুঙো ভক্ত নংগী নহকশাং হনুমন্ত অথৌবদি খোয়মোম লেংনাতিল.লাবা পুম্নামনা ভক্তি মতিকয়েংনা বর লনকুবিবা অমর শিদাবনে। চীংঙ্ বিধাতা অতাম্বা মহাকুম্ভও হনুমান মতিক হায়ঙমলোইয়ে। চীংঙ্ খোয়না লাইবকফবা মহাবলীরেনগী গুণ মতিক থঙলিয়ে মীয়ামঅমনা হায়ঙমলোই হায়না অসুম পাউথুমলাবদা। রঘুপতি নিরগুণ নামুংবনা মুনি বিবর পীখিয়ে হায়দবরা। সনা আযোধ্যা লাইপাখং অতেংবা সীতাপতি লাইরিংথৌনা মশানৌ ভরত লৌশিংবদা থাহমখিয়ে। ইশানৌ লক্ষ্মণ থান্নরা মতেল হৈবগা শত্রুঘ্ন অথৌবগা সনা ইরৈবাকী থায়রা শাখোঙলীন হয়েন লাম্থোঙথায় ধর্ম্ম পন্থোঙ য়েংনা শানৌ পাঙ্গন থোকললগা নখোয় অহুমাগী নশাবী ঐদি চোয়নৌ সনা য়োইকোইহুদা

মাঙৈ অহুম চন্দনা সীতা লৈমরেলগা কৌবা চীংদোইরাংগুম তোইনগে হায়রম্লবগা চীংঙু রঘু রাম শিনবদি সনা মাপী য়োইকোলম্নুংদা আনন্দ লুংঙাইথোইনা পাম্নবদা মশানৌ য়োইবু সীতা লাইরৈমদি ভম্পা গর্ভ মপুং ফারবগী মশাবী রামজী নামুংবনা রাইকনখিরে। শানৌ সীতা লাইরৈমা ও শমু হকশাং থম্না লৈরিঙৈ অসিদা আহার চিঙ্গাক কম্নম্বু তংলিংবনৌ হায়না পাঙ্‌হংবনু। সীতা লাইরৈমানা হোয় প্রভু ইবুঙো স্বামি ইনোং-থৌ ও য়োইবু নশানৌ ঐবু চিঙ্গাক অহাও থনজো হায়রবদি লাহন খোয়মা নারক চৎনা বনবাস লম্বোইদৌদা মুনি লেংনা তিনবশিংগী তালোম মরুম্বীশিংনা শম্নাং তোনগা নাম্না য়োই-য়োইচালদৌদা সীতা ঐনা পাউমেলঙামম্বে। হয়েং অযোধ্যা ইপুংরাইদা হলবাইবক্রবগা পলেম শিলনা নাওয়োকভাম্বী নংথোয়বু চেংলৌ নংথোয়গী নশক উবগে হায়না সৈত্য বাশক্রম্ববু লৈয়ে হায়না শমু মথুংলোম্না রাহমজবদু খোইয়ম রাম নামুংবনা শানৌ সীতা লাইরৈমা ও মুনি ব্রাহ্মণী অচুম্বীশিংবু চেংলৌ শকউননা য়োইনা খোঙ্গামরু ও হায়রবগা রঘুপতি লাইয়িংথৌনা কোরৌ মুমিংমদা সনা য়োইকোলমুংগী মালং নোংশিং লাংনা রাথোকলুববু মদাইরেম পাত্রঅঙম্বশিংনা মলোম মঙোম নাপ্পা চিকথেম্নবগীদমকপু মদাইরেম পাত্র লৌশিংমাঙওইনবা অমনা খোইয়ম সনা মথোঙথাদা রাহমজখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো রামজি নামুবা ও অযোধ্যা নরৈপাক অসিবু ধনলন রাম্না লোইরম্বগীবু সনাসেম্পাক চাকচাননা পানলমম্বে। হৌজিক চীংঙু নহাকথক অসিদদি সনাসেম্পাক চাকচানদরে। নশানৌ সীতা লাইরৈমবু য়োইবু লক্ষ্মী লমচং শোইরবগীবু ওইরমবরা। অযোধ্যা নরৈবাক অসিবু মরান অতোন তাবদু রামজিন্নকয়ে হায়না নাম্নাচিকথেম্নবা হায়রবগা। মদাইরেম পাত্র অঙম্বশিংনা হায়ঙঅদবদু চীংঙু সনা মথোঙথাদা মদাইরেম

ঐমা রাকৎচবনে হায়না অসুম রাহয়বু নাতারবগা সনা য়োই-কোলমুংদা য়াচংখিরবগা কালেন নোংশা কনবানিগীনা হাওরৈ খানাপাংবরমগী সাগর পুখরি লাইজ ঈরিক্লাইদা লাইজ পাসাননা ইরু শান্দোংলিঙৈ মাদাইরেম খোবা মোমম্ব তালোয় মরুম্বীবু শল্লাং তোনচিংনরবদীদমকপু স্বামী হুল্লাননীংনা মপাম খোবা মরানয়াইদা ভুমহলবাইখিরবগী মপলনা ইমোম নংবু খোবা মরান-য়ায়দভুম হনবাইখি ও হায়না কোবা মনোংশোইদনা মমোমবু খুৎজেং পলবাইশয়া লারিক্লবগা হে মাক্লোরেম খোবা শগুলেন তেংমাইথিনবা মপারি ও ইমোম অসিবু খুৎপুন নংনা লাল্লোই থায়ে হায়বগীবু নমান ঐঙোন্দা ইন্দাল্লকয়ে হায়না অসুম রাহয়বু মল্লান খুনজেনখিববু অহিং য়ুথক মরি শুনা ইমান মরানয়াইদা খোখামলে। নমোমবু অহিং ইমুং শোইয়াইমদা বেতানিপা কবম্বনা মুংগুন পুক্রতিরিবিঙৈনে। ইমান শগুলেন তেংমাইথিনবা ও তালোয় তুমুংশি অপাম্বীবু ওইঙমলারোইয়ে। তোইগুম সনা য়োইকোলমুং শীংলেন অশোকবন ইংখোললেন লৈরাং খেউম্যংদা তম্পা শীংলেন মচুথাউ লক্ষ্মী হকশাং ময়েং তানা মুমিৎ শীংবুম য়ায়া লৈরম্বীবু সনা কম্বাল লেপমময়ে। ঐদি চীংঙু রামজী স্বামী মপুরোইববু নত্তে হায়না রাহায় শাংদাননা অসুম পাও-মেলনরিঙৈ রঘুপতি নারায়ণ লাইয়িংথৌনা নাতারবগী চীংঙু মথল্লা সংশয় রাম্ভুংখঙগুম-চিন্নে হায়ে। মশানৌ সীতা লাইরৈমমুঙ সনা য়োইকোলমুংদা লোইদাম মেরাথাগী চন্দ্র মপুং ফাগুমনা কমকমলিঙৈদা মদাইরেম অযোধ্যা খাংডা নিংতোনবী য়োইছে লেংনা তিনবশিংনা মুবা য়োমলোইফমা পাউমেলখিয়ে। হে ঠাকুরানী সীতা ইবেম্মা ও নংবু লহান লঙ্কা সনা য়োইকোলমুংদা য়োইবু মচুথাউ লৈরাং খাউবী নবাকচাম-নিম্মুং থাগুম শকওং মাচেং নাইনা মুংওল্লিঙৈদা রাবণ চেংলোই শকথঙলোরিঙেনে।

মালেম লৈয়দা ইনা রাবণ চেংলো মশক তাকপিও হায়না রাইসবু সীতা লাইরেম্বানা হে শকথি ইভাশিং ও য়োইবু ঐনা রাবণ চেংলো শকথুজলক্কে। তৌইগুম য়োইহে থাংজা নিংজোলবীশিং ও দণ্ডক উমংলেন পকথতি সনাখোংনাংপোকপদগী রাবণ পাম্নী ফত্তবনা চরান তম্না চরণৈ শমু খুংগমথিনা সনা দোলাইথক্তা হাম্না পুরিঙৈদা সমুদ্র ইয়েন্দা শাম্না মমি উহৌবদি ছাংজ লুরেনতোনবু তরা পাম্নে হায়না মালেম লৈদা ইনা তাক্লবদা মদাইরেম থাংজা নিংজোনবীশিংনা রাবণ মশকশানা মালেম লৈদা ইববু চেংলো মিংথিংলবগী। হে রাবণ পাম্নী ফত্তবা নংগুম্না ঠাকুরানী সীতা ইবেম্মা অসিগুম্বীবু চুম চরাল তমম্নে হায়না তাংজ লুরেলতোল তরাযদা শমু খোংনা কাওনা শাম্রিঙৈ য়োইবু সীতা লাইরেমাদি তাউজিংহুগুম মরু পাল্লবীনিঙ্গীনা মীমোক খোনজেল তাদনা চন্দ্র মপূংফাবীদি মিংয়েং মরাইথিনা সীতা খোমলেন ভুমগনখিরে হায়ে। অযোধ্যা থাংজা নিংজোলবীশিংনুভ মরান মখোয়গী লোনম্নিমম্নাইদা মদোম মদোম চংখিরে। অসাইঙৈগী স্বামী কোয়ৌ মনোংথৌ লাইজ পাসাননা ইক্ক শান্দেংলুবনুভ সনা য়োইকোলনুংদা য়াচঙলক্লবগা মশানৌ সীতা লাইরেমাদি য়োইবু গর্ভ মপূংফা অওম ওলাংশাওনা মিংয়েং নাউঙুমঙাম্বীবু রাম কৈরাতান্দা কম্না সনা য়োইকাংথোন শীংলেন লৈগী কমজাও নিংথিবা জেল্লা নমথাজথক্তা থাংগৎলে। য়োইবু কমল নীংথিবীদি শিনৌ লমিংতিনগুম লৈমা খোমলেন চুমলৈডদা অসাইঙৈগী থাংজা নিংজোলবী কোজোয় ময়াথংদগী সীতা লাইরেমানা রাবণ মশক শাববু তরম মলাবীনা চীংওু চেংলো মিংথিংলবগী খোইমা মখলনা সংগম থাকুংবওঙ্ককী দমকপু মশানৌ জরুও লক্ষণ শক্রম মালাইরেম ভূমগু লৌশিংজেহুভ মখোয়ু মরিমনাবু শাউকৌরবগা রাবণ তনৌরেংদি চীংওু শীরোম

থকমাতাসা রাহসথিয়ে। ইশানৌ ভরত লক্ষ্মণ শত্রুঘ্ন ইদাইয়েম সুমন্ত্র মংসুঙ নাতা ওঁ। খোয়ম ঐবু চীংঙু ইপুরোন মমিং শাপৈরোন্দা পোকপাশিংবু বিজয় য়াইফাথোইনা কোলোই মমিং চংয়ে। ইপল রাজা দশরথ নিংথৌরেন সৈত্য রাচুমসুবসুঙ মায়গৈ পুন্নামদা দিগ্বিজয় য়াইকাথোইনা কোলোই মমিং চংলম্মে। চীংঙু ইহাকথক অসিদদি ইশানৌ সীতা লাইরৈমবু রাবণ মথুং-বাক্সী চকমোম খাশ্বী মৈরৈমনা সাক্ষী রাচুমলকয়ে অতুনসুঙ মদোমদে। ইপল রাজা দশরথ নিংথৌরেন কোরৌ নোঙ্গাথিরবনসুঙ সাক্ষাৎ শংশঙকাওনা সতী লক্ষ্মী লমচং শোয়দাবীনে হায়না রাচুমলম্মে। চীংঙু ইথমসুঙ সতী পুক্লীং লেপপীনে হায়না অযোধ্যা লৈবাক ভাকমমরিঙৈ অসিদা লোইদাম থাবুম মঙানিহনা গর্ভ মপুংফাখিরবী অসিবু সতী পুক্লীং লেপ্নীরাই হায়না গুণ মতিক থঙদবগী সীতা মশুংলাংগীনা অযোধ্যা ইপুংয়াই অসিবু মরান অতোনতাবনা য়ামজিল্লকঙৈনে কোলোই ইমিং ফত্তববু চীংঙু মিংচংলে তাংজা ইকায়য়ে। হে লক্ষ্মণ লৌশিংবা নংগা সুমন্ত্র শাথৌবা নবিংঙানা শানৌ সীতা লাইরৈমনা মুনি তালোই মকুম্বীশিংবু চেংলৌ শকউনরুগে হায়রিঙৈ অসিদা সনা হুলাই পুনা বাল্মীক মুনি মরানয়াইদা থমলমলু ও শানৌ ও চীংঙু কোলোই ইমিং থিবনা ফত্তে হায়রবগা। ভরত লক্ষ্মণ শত্রুঘ্ন সুমন্ত্র মন্ত্রিমনা চীংঙু দেবনরায়ণ নামুংবা ও। সীতা লাইরৈমাবু লৈতরবদি রোইথু লক্ষ্মী মমিং ওল্লে। সনা অযোধ্যা নরৈবাক অসিথু আনন্দ ভুংঙাইথোয়ররোইগবরা হায়না অনুম রাহুম্বু রাম মশাথিনা পাঁউয়াদরবগী। চীংঙু সনা য়াথংইরা শানৌ সীতা লাইরৈমবু লক্ষ্মণ ভৈলহৈবা সুমন্ত্র শাথৌবগনা বাল্মীক মুনি মরানয়াইদা থমলমলুরে হায়দবরা। জানকী সীতা লাইরৈমা গর্ভ মপুংফাসথীবু মথু বাল্মীক মুনিরৈমনা হৈরাং অমুনবায়েং

তাওজ্রীং অশং থম্না অমৃত হাওথোইবা মৈথিরকপু কোরৌনোংজা খুদিংবু থৌজাল মাইয়োকপীওম্মে হায়দবরা। চীংঙ্ কমল নামুংবীদি মশাবি রামচন্দ্র নিঙথিবগী মায়থোঙ পুর্ণ মপুংফারবরু চেংলৌ শকউদয়বগীদমকপু পীরেন থকমাতানা মুংশি থকাও ঙমদরে। থোয়ম মশাবি রাম অহেনবামুঙ সীতা হকশাং খাইথিরবগী পীরেন থকমাতানা মশানৌ লক্ষ্মণ শান্ত পুক্নীংতম্মদা রাহমখিয়ে। হে ইশানৌ লক্ষ্মণ পলেম পম্বৌ পামচাও থোয়ম নশাবি এবু মতৌকরম ওইসিনবনো থোমলেন মঙলানচাননে হায়বমুঙ নশাবি সীতা ইনেম্মাচাবু চীংঙ্ অবতার ঊপোক খুদিংমকপু পোকমমগে হায়না নোংহাম্বাবু রাম এগী লাইবক খেল্লাইথোংদা দেব কোরৌ রায়েলবনা য়েক্লকপগীবু তৌশিল্লা রারম খংলুঙমদরে। শানৌ প্রাণ থরায় ইমিরেলগুম্বা নংনা হৌজিক মতম অসিদা শানৌ করম থৌরাংখিগবনো। নশাবি সীতা ইশানৌবু মুংশি পুক্নীং কাওফদে প্রাণ প্রিয়া চান্নবীগী সীতা চেংলৌ মশক মালনা স্বর্ণ চোইনৌ সনাকোনবু মুর্ত্তি শংশঙহৈ ও হায়রবগা। মশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংবনা রাম সনা বাক্য য়াথংলৌনা মদাইরেম শিনহৈবাশিংনা মালেম লৈরুমথোম কোনলাং মহী চেন্না চেংলৌ মিংকুপমরমদা সীতা চেংলৌ মশক মান্না সনা মুর্ত্তি হৈরবগা। শ্রীরাম শমু ওইরম থানা ফমফম মান্নরবমুঙ মুর্ত্তি রাহমদবনিগীনা চীংঙ্ পুক্নীং হনাওথোকপিন্ন- বগীদমক থোরম তাংজা মরৈতোম্পা হে শানৌ সীতা লাইরেম্বা ও। য়োইবু নংবু মকম করিগুম্বদা চংখিরবনো হায়না থোন্না মীকপ্পাবগী কোরৌ মুমিং তরেৎনিগুনা কর্ত্তা রায়েলখিরবগী মশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংবনা ইবুঙো রামচন্দ্র নামুংবা ও রাজ্য নরৈবাক অমিন্না নিংথৌ রায়েলখিরবদি হে প্রভু ইবুঙো লাহাল পুর্ব্ব হরিচন্দ্রকৌজা ব্রাহ্মণ শাগৈরেলশিংনা কাওরেল মশ মন্নৈজা পাপ, গুরু অনিমমু,

বায়েল। মথল লাইনা কর্তা রাজেলবীরবগীদমকপু ব্রাহ্মণ মীচৈ-খোলগীনা খোয়মা নাবক চৎনা। গোপিল কাওরেল লামওগীবু ওইনা শালওনখিয়ে। অদু মৈরাং মতমমাঙাগনে চীংঙু সনা নবৈবাক আনন্দ খুংঙাইবা। অসিদা শান্ত উনবী পুক্নীং তপ্পা কর্তা বাজেল তৌবী ও হায়না বাহমখোলগী। মসাগী লক্ষণ খাথংইমা চীংঙু শ্রীরাম নামুংবদি পুক্নীং হরাওচঙনা। সনা রাজ্য লৈবাক খুঙ্গাথমা মশানৌ অহম্বনু খোয়মা মায়ওক্না বায়েল খোদামমারে হায়দবরা। খোয়ম শ্রীরাম নামুংবা সনা মখোঙশাদা মদাইরেম কৃত্তিবাস অহৈবনা কলম মথংশিন অয়োন মরম য়েংনা বাহমশৈনে সভালেখোতিনবা সাধু খোয়মোম লাইবু নিঙবা নখোয় পুম্নামদি তাংজা নরৈতোন্দা। জয় রাম রাম শোলনা নাতাবী ও।

কোক্নৌ সুমিৎ অমদা ভারকত মহামুনিয়েলনা অযোধ্যা কোমুং চঙনা খোয়ম সনা মখোঙশাদা বাকৎচখিয়ে। হে রাম প্রভু ইবুঙো তাও ও নদাইরেম মথক্না দৈত্য হিংচাবা মপারি লবন হিংচাবাবু প্রাণ থবায় মাংহনবী ও হায়না বাহমখোলগীবু। চীংঙু মথোৎশাগী পলেম মমা সুমিত্রা সনা লিনগোয়গী শত্রুঘ্ন অথোবনা হে প্রভু ইবুঙো দেব নরায়ণ অথোবা ও নদাইরেম লবন হিংচাববু ঐ হুয়েন লালশোক্ককপে হায়না পাউমারম্বা। মশাবী রাম নামুংবনা বিজয় য়াইফারক ও হায়না রাজা প্রসাদ অথোয়ববু লুমলেন পাম্না হানা য়োইচামরবগা। খোয়ম মশাবিবু শারেল য়েত্তা কোই ভক্তি মাতেম। ঐয়দা। লক্কা অহুম পুবম-লবগা রাম সনা বাক্য য়াথৎলোনা শত্রুঘ্ন অথোবাদি প্রালশোক খোঙশানখিন্দনা। সেনাপতি হাউসিংওমগাচিনা যাত্রা। খোঙশান-খিরবদা। লাহাল নোংমী বাল্মীক মুনি সনাকসাইবু লমলবী

সীতা লাইরেম্বা চন্দ্র কপুংফাওবা য়েংহৌবা নাওয়ালপিবুকথনবীদি মুনি ময়ানবাইদা মশাগী থবৌ লৈরাংয়োমগুবদু নাউনৌবগী কোরৌ তুমিং ভক্তনি মুনা থমিলুজা ইরাং হৌনবদু কর্ম-থৌরম লোইরম্বগা মলাইরেম সেনা লাক্সী অরাক্সা শংগোল শামু লোনাই খোঙমী ককব কিরান অস্ত্র খুংগু খুংলাই পুম্না হৌনা হুয়েন লাপ্লাখিবদু অসায়বৈগী লবন হিংচাবদু লানশোক থমথেংনক্করবগী লানব লেংচং মামা হুয়েন লানশিংহল্লে। লবন থবাই মাওহল্লবগা খিঙলৌ সীতনা তেনা রাম সনা মথোঙথাদা শত্রুঘ্ন সেনাপতি লানজীংবনা শমু থাংচম্না হুয়েন লানপাও তমখিয়ে। মলাইরেম ঐনা চৌংথ, নথৌজানগী মথন্না লৈবাক তাক্লা লবন হিংচাবদু প্রাণ থবায় মাওহলম্মে হায়না অহুম পাউদমলবগা মশাবী রাম নামুংবদি হরাও মথৈ লৈতনা থৌজানবীখিয়ে। শানৌ শত্রুঘ্ন অতোনব ও তনবা থয়াং নথৌমননা মথরা লৈবাক খুনঙয়ে। মথরা খুননিংথৌবু ওইরক্নো হায়না রাজ্য লৈবাক ভাকহল্লে হায়রকপরা। রাম ভরত লক্ষ্মণ অহুমমসুত সনা অযোধ্যা মরৈবাক্তা পাপ পুন্য মখল নাইনা বায়েললবগী মপল রাজা দশরথ নিংথৌ-রেলগী নিংথৌ পর্ব্ব মহাকথক্তা সনা সেম্পাক চাকচানথবদু ঙংনা সনা সেম্পাক চাকচানরবগী অযোধ্যা নগর খুনং মনিল লাইবে হায়দবরা। থোইরম বিষ্ণু শিদবা রাম শ্যাম অহেনবনা চৌংথ, কর্ত্তা বায়েলবদি অসিনমু মদোমদে নম পোংবচা নথোয় অয়াবদি তুপলেন নাম্না মুনা নচীন রাম রাম থোম্মা মাতাবী ও। কোরৌ সুমিংথনোংলেন রাইকা অমদা সনা অযোধ্যা মরেপাকী প্রাণাম মশাম্মি অতাং নবা অপিশা অন্তকাল মতম বাংলিঙৈনা মপল ঐদু হায়া লোংমনখিবা অসিবু সময় মতম থাংলিয়ে কৰি বানো। অযোধ্যা লৈবাক চাককলা রাজা নিংথৌরেল অয়াবনহু মশান্নিনা হায়া লোংমনবদু নাতাম্নক্তে। চৌংথ,

রামচন্দ্র মামুংবগী কল্প মহাকথক অসিদদি মপারি ওলনা মাংনরে। হায়না মপারি প্রাণ থবায় চুম্নবু ব্রাহ্মণনা খীকলেন থাদা পম্না নিংখৌ সনা খোঙাংলেন ঙাক্লিবা লক্ষ্মণ খোঙশংহনবদা য়াহমখিয়ে। নশাবী রাজা নিংখৌ মহাকথকতা মপারি ওয়া থাইনরে পারিবু প্রাণ থবাই হিংহনবীও হায়না অহুম য়াহমখোনগী লক্ষ্মণ সনা খোঙলেন ঙাকপনা চীংঙ্, সনা মখোঙথাদা শমু থাংচরনা য়াকথচখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো সনা নমৈবাকী ব্রাহ্মণ মচা শিরববু জিবন থবায় হিংহনবী ও হায়রয়ে হায়না অহুম য়াকৎপবু। শ্রীরামচন্দ্র মামুংবনা মদাইরেম পাত্র অওবশিংগা শাস্ত্র পুন্নীং তপ্না পাপ পুন্য মথমাইনা য়ায়েলনরবদা মহামুনিরেল নারদ জৌশিংবনা হে প্রভু ইবুংঙো ও। লহান সত্য যুগ অহানবদদি ব্রাহ্মণ লেংনা তিনবনা ধ্যান পুন্নীং লেপ্না তপস্যা লাইবু নিঙলমরে। ত্রেতা যুগ য়াইমবদদি ক্ষেত্রি শগৈ পুন্নমনা তপস্যা লাইবু নীঙবা থয়াঙ মতালপোম্না কীর্তি মিংচৎনারে। ত্রেতা মথংগী দ্বাপর য়াইমবদদি বৈশ্য ললওমবনা তপস্যা লাইবু নিঙঙে। মহাধন্যকলি যুগ অকোনবদদি শূদ্র শাগৈরেমা সেবা খোগল শোয়দনা তপস্যা লাইবু নিঙঙে। হৌজিক ত্রেতা যুগসিদদি শূদ্র শাগৈ পুন্নমনা তাইবও কলিযুগতা তপস্যা লাইবু নিংনগদবনু হৌজিক সময় মতম য়াৎলিঙেদা ধ্যান পুন্নীং লেপ থাম্বী মৈদাইহৈমা কোয়ৌ অনশামমগী দমক ব্রাহ্মণ মপারিবু নোংমনবনে চীংঙ্ নংমা য়ায়েল খোদা শোয়বগীবু মখে। হায়না পাউখুমকগা খেইরম শ্রীরাম মামুংবনা পুষ্পকিংগুল দৈশী চলাই তোংনা দক্ষিণ খামা শাংবরমদা খোয়মা নায়ক চৎনা লম য়েংলুববু। অসাইঙৈগী নারদ মুনি মরাখৎবু জোয়দনা শূদ্রবেতা নিপা অমনা মখোঙ খোংখৌরৌদা ঙাঙনা মকতোনবু থাম্বী মৈখিকং খৈবু কাখরোংনমা তপস্যা লাইবু নিঙখো অহুম

চৈংঙ্ চেংলো মিংথিংলবগী রামচন্দ্র থোঙখোম্বনা থন্থ থাওশাং য়াইওইরনা অওজা লুরেন করনা কোরৌ নোঙাহল্লবা দেবসর্ব্ব অয়াম্বনা কোরৌ নোংনাংপানগী য়ারা খোঙ্গেন লাউনা পাউ-মেনথরকয়ে। হে খোয়মোম মীক্লাং সুমেক শ্রীরাম নামুংবা ও নদাইরেম শূদ্র পোংবচা অদিবু যুগ কুমশীং লায়া খোয়মোম লাইবু নিংবগী চৈংঙ্ লাইবক ফনা কোরৌ নোঙাখিয়ে। দশরথ নিংথৌ মপারি ও নংঙোন্দা বর লনকুবীগে হায়না পাউহংজকপবু হোয় দেবসর্ব্ব অয়াম্বশিং ও সনা ইরৈবাকী ব্রাহ্মণ মপারি নোংমনবাবু প্রাণ থরায় হিংহনবী ও হায়না বর লননিরবগা অসাইভৈগী ব্রাহ্মণ মপারি অচাং নারা অপিশাবু প্রাণ থরায় হিংহল্লবগী গারোংতা বায়েনবদি অঙ্কুনস্থ মদোমদে। হে নরোই য়াংবচাশিং ও ত্রিভুবন মরোল অহমমগী ইবুঙো রাম নিরঞ্জন য়োইরেনবনা অগস্ত্য মুনিরেলবু চেংলৌ শকউনগে হায়না পনম চংথোকখিববু য়াংলৌ লম্মথাংদা রাজা ব্রহ্মতত্ত্ব নিংথৌরেম্না মুনি সনা মথোঙখাদা প্রসাদ মোইচায়বব্ য়াওরৌ শায়তুবু থংঙমদনা তবাচাযায়োন্দা থংঙমদনা চাশিনখিরবগী অপরাধ লঙজা থোয়না মুনি শাপ মীচৈথোনগী পোনবী লঙজা শারেল হিংশোক শায়বগা মকু থোংঙাইবচা চেকলা মিংকুংপগা পোনবী অনিমনা চেকলা কায়দোংফমবু মুমঙমসুঙ খোয়মোম বায়েন চুমনা মকু থোংঙাইবিচা নঙনা পামেল কায়দোংহাল্লে থবানা নংগী ক্ষমী-রেনলে। লঙজা খোঙনেম্বীচা নংদি মকু কায়দোংফবু মুরঙাই চৈতে হায়না দণ্ডি বাবক্কববদা পোনবী লাঙজা চেকনিংথোনা মকু লায়খিরে হায়দবনা। শ্রীরাম নামুংবসুঙ অগস্ত্য মুনিরেলবু সনা মোইকোলমুংদা প্রাক্ত পুক্লীং তম্বা কমকমমানা মিটেম্না মশাদো ভরত লক্ষ্মণ অনিমসুঙ চৈংঙ্ রচন রাথ্য লমেঙবনা রাহমখিরে। মহান ইশ্বারৌ মীতা লাইরেম্না মঙলাংবীমক লক্ষা কানশোকইবা

রাবণ নিংথৌরেল ব্রাহ্মণ শাগৈরেন্দা লাউনৌববু শমু ইথুংবাক্তা লোংললহল্লে। লানথম মৈশা লাংঙৈগী অপরাধ লঙ্জববু কোক্নবা অশ্বমেধ যজ্ঞ মণ্ডম তৌসে হায়না মন্ত্র রাতানরবদা। চীংঙু রাম লামুংবনা সনা য়াথং অমেংবনা বাহমখিরে। হে মহামুনিরেল ও অশ্বমেধ মণ্ডম তৌবগী যজ্ঞ মণ্ডমশাদি লাঙ্গোই মচু কররবনো হায়না পাউহংববু। রাজা ব্রাহ্মণ মনাওয়োক বশিষ্ঠ কৌশিংবনা হোয় প্রভু ইবুঙো যজ্ঞ মণ্ডম শাচনবদি লাংগোই মহাকপুম্না ঙৌবদা চোইনৌ সনাফিগে মৈরি চুদানবনা ইরৈ পুংথিলবা লাংগোই মচীনতোন্দাসুঙ তাম্র কোরী থোকপা কর্ণ মনাকোং অনিমাদসুঙ শেনবী তেম্নবা মচু মালনা শংমা হেনবা লাংগোই ওইনঙৈনে। বেদ লাইরিক হৈবা ব্রাহ্মণ লীশিং চাঙবু শীংলেন বার্তণ তৌনা পাউকৌজরবগা মুনি ব্রাহ্মণ মীপুম খুদিংদা লাংগোই শাগোল শামু ছুলাই রথ চাম্মা চাম্মা গুনা সনা মীপোংসুঙ তরা তরাগুনা লানজঙৈনে। লাংগোই শাগোল মরাইবক্তা চোয়নৌ সনা মপাক তোঙ্গা জয় য়াইফা মিংথু বিদ্যা লাইরিক ইনা থাদোকঙৈনে হুয়েন লাম্মী মপুংফানা লাংগোই শাশেলহলঙৈনে। শাগোল চাক্তাখিবদা রাজা নিংথৌ নমান্নবাশিংনা কাওয়বদি লানশোক তম্না থুনওয়রবগা সনা লঙ্গে থোমনা লান দক্ষিণাবু ওইনঙৈনে হায়না অচুম পাউতাক্লবদা। রামচন্দ্র নিংথিবনা তৌইগীদি যজ্ঞ মণ্ডম শাবু চানগনবদি নিংথৌ কনাগী সনা মরৈবাক্তা লৈরিগবনো হায়না পাউহংলকপবু। নারদ মুনিবেনা পাউথুমকয়ে হে প্রভু ইবুঙো তাও ও। মাগী অবাং পাংবরমগী হেমর উনগী চীংবু নাউডেমনা লৈরিবা দেব গন্ধর্ব মীবুঙো বৈজন্তি নিংথৌরেলগী সনা মরৈবাক্তাহুম মণ্ডমশাবু চানশদবা লাংগোই অপুম অহমদংবু থৌনা উবদে। লানশোক মথৈ মৈতনা পাঙ্গেংনুরবদা লাংগোই শাগোল কাক ও রাবণা

পাউত্তাকপিরবগা। চীংঙ্‌ শ্রীরামচন্দ্র মামুংবনা তৌইগীদি হে শানৌ ভরত লৌশিংব ও নংনা হুয়েন লানগাচিন্না লাংগোই শাগোল ফারু ও হায়না রাজা প্রসাদ অথোইববু সনা চাকলুক -হানা য়োইচাররবগা। খোইয়ম মশাবীবু শারেল রেং ওই কোন ভক্তি মালেমরৈদা পক্না পুরুমজরবগা রাম শ্রীবাক্য মাথং অথুম্ববু তাঙজা লুদা কংনা মাদাইরেম অযোধ্যা লাম্মী অয়াম্বা শাগোল শামু পুম্না হুম্না রাজা বৈজন্তি নিংথৌরেলম্বু লান-শোক থমথেংনরুরবদা হুয়েন লানথোক্ত কাইনা চেন্নরবগী বৈজন্তি লৈবাক থুত্থম চন্নবগীদমকপু শাগোল মঙমশাবু লাজোয় খুত্তা চন্নে। সনা লনগৈ অয়াম্বম্বুঙ থোম্নবগা থিংলৌ নিঙনা তেনা খোইরম মশাবীদা লাঙ্গোই মঙম শানাচিংবা চোইনৌ সনা লুপা পুম্নমা কংলরবদা। খোইয়ম মশাবীদি লাঙ্গোই মঙমশাবু চেংলৌ মিংথিংলবগী হয়াও মথে লৈতনা শানৌ পঙ্গৌ পামচা ভরত চীংখোঙ য়াইমবা নঙদি লালশোক খোয়না থোবা জয় মাইফ হায়েবা অহুবু লেপ্না ওইররে হায়না চোয়নৌ সনা য়োই-কোলজুংদা খুংশম পলরাইননা চংখিরবগা খোইরম প্রসাদ অথোইববু চামররে হায়দবরা। হয়েং কোরৌ মমিংমদা চীংঙ্‌ শ্রীরাম নামুংবনা রাজা নিংথৌ পুম্নমবু কোললোয় মমিংথা চোইনৌ সনা মপাক্তা লাইরিক থুদোলই শীংলেন বার্ত্তণ তৌনা পাউকৌরবদা। মশানৌ শক্রম্ন মথরা লৈবাক চাবম্বুঙ কাইবী শঙম নিংথৌ রাজা সুগ্রীব নিংথৌ হনুমন্ত মল নীল রাজা বিভীষণ য়াওনা সনা পোংলেন পুনা চীংঙ্‌ সনা মথোঙথাদা য়োইনা থোথনজররে। মুনি ঋষি পুম্নমবু পাউকৌজরবদা বাল্মীক মুনিরেম্মি নোংলাই নিংথৌ অহেনবদা কুইম মঙম চংখিরবগী ঋষি অথোইববু য়াওদরবগীদমকপু রামচন্দ্র নামুংবদি চীংঙ্‌ প্রাণ উনগোইমুংবু সংশয় বাম্নবঙমমলবগী পুক্নীং কউ

চম্না ' ক্রমকপ্পু উন্নবগী। মহামুনিরেল অয়াম্বা মুনি পুরোহিত নিপান মকনা চীংঙ্, রামচন্দ্র নামুংব গু লোয়না ঐখোয়গী অপাম্বা বাল্মীক মুনিরেলবু ঙাইরিঙৈ অমিদা ব্রত তরা চাহেনসে যজ্ঞ মণ্ডপ শান্নগু থারসে হায়না রাহন্নবগী চীংঙ্, দাশরথি অহেনবদি মশানৌ সীতা লাইরৈমগা থানা ব্রত তরা চাহেন-মায়রবদা। লোইদাম চন্দ্র মপূংকা সূর্য্য মুমিৎ মুংখরবা থেলেন মতম অকবদা যজ্ঞ মণ্ডমশা নিংখিববু শাগোল ইরুরবগা। লাংগোই মরাইবক্তা সনা মপাক তোপ জয় য়াইকা মিংচংপবু বিদ্যা লাইরিক ইরে। মশানৌ শত্রুঘ্ন অতোনববু সেনাপতি হুয়েন লানগাচিং ও হান্নবগী খোইয়ম মশাথী রামনারায়ণ নিংখিবনা চোয়নৌ সনা সেম্পাকথক্তা সনা চাকলুক হাহন্নবগা অলঙ্কার চরৈ ফিরোল, নিংথিবশিংবু সামগ্রী মশিংহুনা শেৎহন্নবগা। শত্রুঘ্ন সেনাপতি লৌশিংবনা খোইয়ম সনা মখোঙখাদা থুং-ফাং চাংজৌ চেপনালোননা রাহমজথিরে। হে রাম প্রভু ইবুঙো চীংঙ্, সনা নয়াথংবু ভয়ম ভাংজা লুদা থোংনা শা-গোল নংগী মণ্ডমশাবু লাংগোই মতুং ইমা যজ্ঞ শাশেন্নুগে। চীংঙ্, নংদি সনা য়োইকোলমুংগী সিংহাসন নিংথিবদা মোংপোক সনা কোনলাংচানগী অঙ্গ মুর্ত্তি নিংখিবীগা খোইয়ম নতে ননাওনা অযোধ্যা লৈপাক ঙাক্লম ও হায়না স্তুতি শীংলেন লৈশি লৈথোনজরবগা রাম সমা মখোঙখাগীবু শত্রুঘ্ন অতোনবদি সেনা হাওশিঙমগাচিং হুয়েন লাম্বী মপুংফানা লাংগোই শাশেনহন-খিববু।' ' শাগোল মণ্ডমশানা লাহন মাগী থবানা কম্বীরেল গন্ধর্ব্ব রাজা মরৈবাক্তা চঙখিববু বৈজন্তি নিংথৌ মপান্দিনা মকজবগীদমক শত্রুঘ্ন অথোবনা পাজল মতিক উথনা হুয়েন লানশোয়রবগী দেক গন্ধর্ব্ব খুনগংচাইমা খুনজননদা। লাংগোই পুন্নীং মতুং ইমা পশ্চিম নোংচুপলমদা চাক্তাখিরবদু বরবাল

নিংথৌরেলনা রাজ্যবু লানশোক চৈশোদনা থুনঙমলে। কোক্রৌ মুনিং অমদি বাল্মীক মুনি মরানয়াইবু নাতৈননা শাংগোল চাক্কাথিববু লহানবনোংগী য়োইবু সীতা লাইরৈমা মপারী মুনি মমুমনাক্তা নাউনৌবা লব নায়া অপিশা গয় অতিক লৈরুনা পুম্নং চংবী লাকোনলক্তা পুম্নং লাগা শেন্না লাংগোই থঙমশাবু হুমা কোক্লোই থুনা ফারবগা। লাংগোই শয়াংতোং মালং চৈরোইরনা থুরূপ মানবন হৌ হুমাং লোকইথোক্তা শায়ঙববু সেনাপতি শত্রুয় অথোবনা চেংলৌ মিংথিংলবগী কনজাও মথৈ লৈতনা হুয়েন লানশোকববু লব নারা অপিশানা শত্রুয় মায়-য়োকয়ানা রাইরা তেনবাইনববু তেনকাপ থঙইদনা শত্রুয় শমু মহাকশাংদা তেনকাপ তুথোঙ লোইনা পায়বগী অঙাং নারা মাইয়োক রাঙমদনা অরা মথৈ লৈতরবগী উনবী পুক্লৌ নীওশিংনা রাইরা মতেনজা লাহান লবন হিংচাববু নোংময়বা তেনবী অথোববু নীরি তেনগা থোং সন্ধান পানগা তম্না কাপলক্লবগী লব শমু মহকশাংদা রাইরা তেনবায়বগী অঙাং তাঙজা কোক্তকা মালেম লৈদা তুরিঙৈ শত্রুয় অথোবমা অচেম খচলৈয়াং মালং চৈরোয়ননা তানজখিরবদা শমু থুংনা ফংনা কারে। শয়াং তারেননা পরৈ লানগা শানা দোলাই রথ থক্তা হাগা পুখিরে হায়রে। মপাল সীতা লাইরৈমা সনা অযোধ্যা লৈপাক্তা পাউ-নোক্লবা রাণী মশাবী রামচন্দ্র নামুংবমা মুনি মরানয়াইদা শান্থ শহনবী কোক্লৌ নোংজা থুদিংবু য়োইবু পিরেন মাইথাননা সুংওল্লিবী অদুনা মপারী লব নিংথিববু মতম শাশেলবনা কাথোকথিরে হায়রবু মাতারবগী মালেম খোঙবু থিনা মীকপতম্নবু মপাবী অতোব মুনি ঋষি লেংনা তিনবকা বর লমক্তু রাজা নাওয়োকপর লুপ অতোনবা শীংবী ভংখায় লৌনা পালেম লাংগোলজঙবা অদুনা পাউজংখিরে। "হে পাতাম হুমা লৌনা

মাথৈম নৈদা ওন্না মীকপ তেংথাওগনা অসিবু পলেম করি রানো হায়না পাউহংববু। হোই ইপাগী শানম ঙাইখিংতোন কুশ খুংজানব ও নশাবী লব অহনবা মপাল নাউয়োক্তববু পুন্সুং চংবী 'ল্যাকোয়ক্তা শাননখিববু মীরৈপাক নিংথৌ পানবা কনাগুম্বগী যজ্ঞ শাথেনববু নারিগবনো পারি লাংলেন কোং-য়াংরাপিহলবু পরৈ লানগা শানা ফাখিরবা অসিবু পলেম নমা ঐগী সীতা খোমলেন মঙলানচানগুম্ববু খোক্লয়ে হায়না মুনি কংলৈ মণ্ডমাংদা য়েংইবু তাঙজা মশমক্তা শমু খোঙবখিন ডিম্বে্রাক য়াংদৌ চোংগুম মীকপখিয়ে হায়দবরা। মপারি কুশ নৈরাং অতোনবনা হে পলেম সীতা লাইরৈম ও নপারি অচাও লেপকাদরিবা পম্বো ইপা খংদরিবা ইয়ু মুনিরেল খোয়মোম জাইবু নীংবগী মুনি গৃহ মশাইগোন্দা শানখুপচরিববু রারম করিনীং মুনি মতিক খংদা হেন্না থওইদনা শাবী লব অহনবা কোংয়াং রাপিহলবু কাখিবা লাংগোই শাথেলবা অস্তশিংবু তাংজা খোঙ্গুল লীনা হুয়েল লানশোক্করগে। ইপল সনা নয়াথং পলেম সীতা চীনগোয় নত্তিনমেন্দুম নপারি ঐঙোন্দা থাবীও হায়না নাবা অপিশা কুশ অতোনবনা বর লননিজখি। য়োইবু সীতা লাইরৈমা লক্ষ্মী পিমেন মাইতাননা হেকঙাই মপাউ চাওনা রাহমলকয়ে। হোয় পারি কুশ খোম্মদোম অতোনব ও নশাবীগীদমক তাংজ খোঙখুল লীনা হুয়েন লানশোক নমায় বৈরগনো। শানৌ নচিন ননাও চেংলৌ শকউনরবগা শমু মথুংথাক্তা চল্লবগা হুয়েম তন্না লানশোকয়ম ও। ইপাগী মপান পম্বৌ নিংথৌবু চেংলৌ শকথংত্রিবা বালক নাবা অপিশা মবীংঙাবু তনবা নিপা খোকলক ও হায়না য়াথং লনকুবীরবগা কুশ অতোনবনা মপান সীতা লাইরৈমবু পারৈন য়েং-ওই কোকদা পুক্কমলবগা লাংথোই শাথেনবশিংবু চেংলৌ মিংখিংনবগী শক

যাওয়া থৌরকল বাংনা তাহনখিরে। রাজা নিংথৌশিংগী মপুইরমশিংনা শত্রুবী লৈব অহনবনু কাখিবা লংখোয়দু অমনা নিংঙা লোক্লবদি কুশ অতাং অশিনা ঐখোয় লানশোক থোকলকপা যাওয়ারকয়া। হায়না রাইরুকপা কুশ চৈনবাং অতোয়বদি লোংশিং চৈরোয়নবা অতক নিংঙা নিংথৌ চুরেন লান্না খিবদা থোক্নবা। পুরকনবু চেংনৌ থৌরুপচরনবা হরেন ক্যাংখোং যুদ্ধ হাংগী সেনাপতি হয়েন লানজিংবা। শত্রুগী অথোবা মথক্তা নিংথৌরেললা হেলা থোওইদনা যাইরা। মতেন বাইরকপদু থোং লিনা কুশ অথোবনা যাইরা মতেম। তেনবী অথোববা শত্রুগী অথোবশী শনু মহকপাংদা। তেনবাদ কুশদা থোক্না পাইরবী শত্রুগী অতোয়বশিং লানকম ঈশালাং তেনবাল অনা থাংবা লোক্লবদু কুশ অতাং অশিশানা লানকম নিপা থোক হেন্না থওইদনা যাইরা মতেম। তেনবী অথোবনা শত্রুগী সেনাপতি অথোবদু উনবী থক্নুংখিংনা লোংমলহরে হায়দবরা। মশাবী লব অহনবনুও শনু মথুংতা চরা থক্ত মওমশাদু লোক্লবদা সীতা মপাগী কুশ অথোবদি লানকম নিপা থোক্লবগী থীজনৌ নিংনা তেনী পলেম মমা সীতা লৈশা মখোওথাদাবু খোনজেলসে হায়না মশানৈ মচিন মনাওদি লানকম অমা পোংকাদ্রিতেদা। রামচন্দ্র মনাইরেম লাম্বী মরোং চাইজেনবা থবাম লাইশেংকদিনাশিংনা চীংওদা রামচন্দ্র মনা মখোওথাদা শনু থাজর্ননবা বাকখিয়ে। হে প্রভু ইবুঙো ও লাংলোই লাংগী মওমদা থাকনুমবু নিংথৌ পাক্লপ লৈবশিংনা কাওনবদি লানশোক। থওইদনা পুরুজমরে হাওরে লোচুংলবগী মুনি লাইবু নিংবা মনীরীলে হাজেক চেংনৌ লকপানমথোংবু চীংওদা মনা লকলেন মাজে। কোয়ৌর মনিংখোংদি লব শাবনবা ওং কৌরে। কক পাক্লবা মরুপ পুরুচংগী মানকৌনজক্কা লাংগোইবনীনা কোজগায় পুরা কাওনবদিনবু

মশাকনৈ শত্রুঘ্ন অবৌবনা শমু 'তুংবুমনা কাকেনবনু মশানো তুশ ও হায়না কৌব। অহুনা হুয়েন লানজরকপদা মশানৌ মখয়া নিংখৌয়েলনা' হুকেন 'অমরক লানশোকন্নবনু হেনা' থওইদনা মদাইরেম লাম্মী পূন্নমক্ত নোংমলহল্লে। 'হে প্রভু' ইবুঙো শত্রুঘ্ন অতোনবনুঙ মোংমলহল্লে, শমু মখুংবাক্তা প্রাণ খবায় থাওলে। মদাইরেম ঐখোয়দি লংমাইশেংবা লাওমা ইদোম ইদোম লাইশেংজরকপা মশেন্নে। শাগোল মংগী মঙমশাক্নুঙ লোকলৌরে হায়না বাকংচরবগা রাম মায়ুংবনা তৌইদি হে ইশানৌ লক্ষ্মণ লৌশিংবা নংনা হুয়েন লানগা চিংনা লাশোক থম্বেংশক ও লাংগোই খুত্তা চলক ও হায়না চীংঙ্ খোমাখোনগী লক্ষ্মণ বাইরা তেনহৈবা লঙ্কা লানজাইখৌবানা হাওশিঙমগাচিং সেনা লাম্মী তেঙ্গোল তরুকতনা লব কুশ হুয়েন লানশোকপবনু লক্ষ্মণ তেনহৈবসুঙ লাম্মী তেঙ্গোল তরুকমগা শানৌ মচিন মনাওগী শমু মখুংবাক্তা নোংমল্লে হায়দবরা।

অহুনসুঙ মদোমদে চীংঙ্ দাশরথী অহেনবগী মশানৌ ভরত চীংখোঙ মাইমকনা হুয়েন 'অমরক লানগা চিংমা লানশোক মখৈ লৈত্তনা শোক্নরুবসুঙ লব কুশ শমু মায়য়োক মাওমদনা নোংমল্লবগী খুংশি মতিক হায়ওমদা চীংঙ্ পিরেল থারমা তানা মদোম খুংতোল্লবগীদমক খোইরম উনবী কনজাও নীক কনজাও মখৈ লৈতনা লাহান লঙ্কা লানশোকতৈগী মিত্র মমলোয় অক্তেংপা রাজা সুগ্রীব নিংখৌ জম্বুবান নল নিল বিভীষণ রাজকুল নিংখৌ মাওনা মদাইরেম অযোধ্যা লৈবাক পূন্না থবা লব কুশ অকিমবু হুয়েন লানশোক্নকসে হায়না খোইরম বাক্তা খোংশানমিল্লৈ রাবা অনিশা অনিমবু চেংলৌ লাকউনবরা সেনাঃ লাম্মী পুন্নমক তাকনা মৈয়েংতোনা জয় রাম বাম শোয়জ ॥ খোংখৈ নোংঙাও

খোলঙ্গম শোক্লবদা চীংঙ্, শ্রীরাম নাম্বুংবেরগ মিত্র লমজোম অচেংপা রাজা সুগ্রীব সিংথোরেল নল নীল রাজা, কুহিরা সিংথৌ অঙ্গদ অহমমক্তা লব কুশ অমসুং অনিমক্কী শমু মথুংবাক্তা লানশোক শৈনাই নংলা প্রাণ থবাই মাওলে। জম্বুবান বিভীষণ হনুমন্ত অহুমমদি প্রাণ থবায় মাওহন্দনা, পটে লানগা শা শমু তুংবুমনা মপান সীতা লাইরেমমা হয়েন লানবাও ভয়াকে হায়না পুখিরবদা লব কুশ অনিমনা শমু থাওচপন্দনা বাহমথিরে। হে পালেম ইমা ইবেমা চৈরাং ঐখোয়বু ইচায়ান-বীবা ও নপাগী ইবিংতাবু পম্বৌ পাজম ইতিক উং হয়েন লানথোক্নুংনা রাজা সিংথোরেল রামচন্দ্র সিংথৌ সনা চোংলেন থনবনাচিংনা নোংমলহল্লে। অমম্ব শিদবা জম্বুবান হনুমন্ত বিভীষণ অহুমদি প্রাণ থবায় হাংতনা পুম্বকয়ে হায়না অহুম হয়েন লানবাও তানবদা মপান সীতা লাইরেমদি লৈমা থম্মোয় লৈকাম্নুংদা বাইরা তেন্না থারবগুম মীরেল থাবু থংনা চোং-খোরকলে। পারি নাবা অপিশা লব কুশ অহেনব ও নবাংতানা হয়েন লানবাও তানবা অসিবু নপান পম্বৌ সিংথৌ চৈরাও নংথোয়বু নচায়ানবীবা তাওজাং মরুপলনা খোইজি থাংথো মিহনবীবা হাওমন খোম শীরিগুম্না পাতোন-শিংবীবা পম্বৌ নপা পোকমাবানে। চীংঙ্, নত্তৌ করম্না ওইবগীদমক পম্বৌ নপা নচা থঙনদনা হয়েন লানশোকনরবগী প্রাণ থবায় মাঙলবা অসিবু খোইরম করি বানো কমকয়ে। নপানৌ সীতা ঐদি য়োইবু থীকলেন থাগা কায়রে। চৈরোন অহনবী মকুতা বিষ্ণু অবতার বংশতবা সনা অযোধ্যা লাইপাকং শ্রীরামচন্দ্র অহেনবা স্বামীজী কোনৌ ইলোংবৌ নংবু করিগী নপাগী লোনবংদবা শমু মথুংবাক্তা শানৌ জনত- মমন মরুম রাজনা প্রাণ থবায় মাঙলবদি চৈরোন লোংজোন, অহুমবু [illegible] নিংশনরমদা উংকুল লোংদে ওইরা মাঙহনরো, হায়রবীবু

নপাবো: সীতা লাইরৈমা 'থবী' কপী খুদিংদা হুংখ অবানংলবী ঐদি অদি 'কোয়েৌ হুদিঙ্গনা ' সীতা' থবায় মাঙকে হায়না মাঙেম' লৈদা ওয়া-মীকয়বু হৌগৎলবগা খোইবু' পিরেল থাকমা তানা' সনা:লঙ্কা 'লৈবাবা' রাজা বিভীষণ 'কাইবী শওয় নিংথৌ অনুবাস লৌগিংবা লোংশিং নিংথৌ মপাগী হনুমন্ত পাঙ্গলবগা অময় শিংবা অহনমবু 'মপাগী লব-কুশ অনিমনা শমু চুংবুয়না পচৈ লানসাশানা বয়ু মীকং পাবোং শেয়া পুললকপবু পিরেল থাকমাতা মিয়েন থাবু বংনা থোকপিয়বদা মপাগী অনিমবু শয়াং তোলপনায়া হাইমখিয়ে। নপল পন্থৌ নিংথৌ রামচন্দ্র না-মুংবা থুয়া পন্থৌ অহমগবু খিংবাই নিংথৌ লানভাইবা পাউজেন চেক লোইবী কাক অমুবনা শায়েন থাঙজি মিতঅচেনবনা হায়গনে। চৌংঙ্ প্রাণ থবায় হিংনবা নপল ঐনা বাল্মীক মুনিয়েলদা বর লননিগে। পাতাল লৈখারোল নোংলাই মপুঙ য়াইগী থিংলৌ নিঙনা তেরকপবু ঙাইনবা পোনবী উচেক ঙাক-লুসে হায়না হয়েন লানশোক্লকমবু তাননা চৎখিববু য়োয়বগা য়োইবু সীতা লাইরৈমা চংবী পীবুকলা নোংদা লায়োনখোকুখী কমল নীঙথিবীনা মপাবী শ্রীরাম নামুংবনা সনা লিকং থাঙননা মালেম উৎফুল থক্লা থয়াল লৈকাতাঙ্গুম নোংমলঙমবা অহুবু চেংলৌ মিংথিংলবগী সীতা থিক্লেন থাগাবু ঙকখি লুয়াংকোন ফৈরা তান্দা থোংনা মীকপখিয়েৎপ 'স্বামী কোয়ৌ' ইনোংথৌ বিষ্ণু অবতার শংশঙবা চৌংঙ্ দাশরথী অহেনবা ইবুঙো ভাঙ ঙ ত্রিভুবন ময়োল অহুমকী মবুঙোনে। করিগী অঙাং নায়া অপিশা নপায়ীবু নঙনা ফৈরা তান্দা থোংনা নাউয়োকতবগী-নমক চেঙলৌ শকথংনদনা করিগী নোংমলঙবমো হায়না মাঙেম লৈদা ওয়া অনুম মীকপ্নিঙৈদা নোংলাই অপুনবাইদা বরী অময় চৎলুবা বাল্মীক মুনিরেননা থীঙলৌ নিজা তেরকপদা চেংলৌ

থিংখিংলকপী যে সীতা "লাইরেমা" মংবুগ ইনোংবাগী নম্ব ফুল অনিমা নখিংগা হুগ্তা পজেম নবাদচা" অকপবু শোরবা নাকোলমুংদা চেংনবা শকউবদম্বা শানথুরম্বিগে হায়দা। শীনরুংবকপা বাল্মীক মুনিরেনবা অমম পিদনবু চীংগু কোকপা থিরা প্রাণ থবাগ হিংবরে হায়রনবা। রাম মপাচনা" ভরত লক্ষণ শত্রুঘ্ন অহুমবুগ মদাইরেন লুমগু শাগোল শামু ফুলাই খোঙনী পুম্নমক হিংহনে হায়রমবা। বাল্মীক মুনিরেন খঙি অথোইবনা রাম ভরত লক্ষণ শত্রুঘ্ন মদাইরেন লুমগু শাগোল শামু ফুলাই খোঙবী মকু থিরাল অস্ত্র পুরগু খুৎলাই পুম্নমবু হিংহনবা। অসিবু ভাইবগ লোংশাপানবী নমু মীবু ওইনা পোক্লমবা সাধু খোইমোম লাইবু মীওবা মংখোয় অরাগদি তাঙজা লৈতোনখমা নচীন রাম রাম শোক্না নাত্তারী ও।

রামচন্দ্র নামুংবনা বাল্মীক মুনিরেনবু পুক্নমবগা অসাইতৈগী লব কুশ হায়রবা কোবা অঙাং নাবা অপিশা অনিমক্তবু পাকপা মিপা থোক্না প্রাণ এখোয়গী থবায় মাঙহনবা অহুবু পম্মৌ মপা কনানা শাংপা পলেম কনানা পোকপনো হায়না পাউজনবু মহামুনিরেন অথোইবনা হোয় রাম নামুংব ও মুনি মপাজীনে। তুপ মতিক হংহিগুনো হয়েং চীংগু নংঙী মঙ্গ কুমৌ চংলবদা চেংনো শকথংনা ও হায়রমবগা খোয়মা নাগোলমুংদা শানথুপ-হুনবা লব কুশ সীতা পজেম মমা অহুমবু মুনি পুজা পম্মা পূহ [illegible]লেন্দা চংখিরে হায়রে। চীংগু দেব নারায়ন নামুংবগুম মঙ্গ [illegible] শমু মাঙদা হোয়না অযোধ্যা মথুঙমাইদা হল-লাইরক্লগা [illegible] মঙ্গ মণ্ডপ অচৌববু [illegible] [illegible]লাইদা বাল্মীক মুনিরেননা মোইবু সীতা [illegible] মপাজী [illegible]মিত্র তাইবী [illegible] মথুংগা কম অথুবু হুরী [illegible] [illegible] শাউল

পুক্নশীংদিংবা শাথৈ কায়না লেপ্লা সুংগুম বাক্কা। মপঙ্গ রামচন্দ্র নামুংবনী নিরগুণ মতিক অরুবা রামায়ণ মশা ভয়েৎনবী রাক্সি সুক্কাইনবু অশৈ পক্কেচানা থিগা খোনমান্না সীতা তেংথান্না রাম্ব অশেননা ভক্তীয়বগা বাল্মীক মুনিয়েলদি রাম কুশৈ তান্না চৎলক্লে। সীতা মপাল্লী লব কুশ অনিমসু থিগা যজ্ঞ খোঙ্‌-মামনা শক্ক খোঙ্জেলথোক রামায়ণ চীন্দা শরুক সনা অযোধ্যা নগর খুঙ্‌ং থায়না রাম মাঙন্দা চঙথিববু শ্রীরাম নামুংবনা পাউহংঙমে। হে ইয়ু বাল্মীক মুনিয়েল ও খুৎনাউ থংবা য়েনা সুংশি শাথৈ লেনবা অশৈ খোনথাম্নবা অনিমা অসিবু কনানো হায়না পাউহংববু হোই মুনি ঋষি লেংনা তিনবনা নাওয়োকপা সীতা মপাল্লীনে। কোল্লোয় মমিংথোংদি লব কুশ তৌনা কৌয়ে হায়না পাউতাকলবদা। চৌংঙ্‌ রাম নাক্সুবনা তৌইগীদি ঐগী ইপাল্লীবু লেপ্পা ওইরে হায়না ফৈরা তান্দা থোং খজাই লেং-ওনচুপ শম্লাং তোনকনাল্লা অনৌবা মীকপথি হায়দবরা। পাল্লী নাবা অপিশা নবিংঙাব্‌ ইপম্মা নাউয়োক্কনা পলেম নমানা মুনি মরনয়াইদা খোয়দোম লূপ্পাবীবু ওইনা নাউয়োকপা নবিংঙাবু অচাও লেপফাদরিঙেনা পাঙ্গল নতিক নৈবগী পঙ্গৌ ইপা ইচা খঙনদনা লাংগোই মঙমশাগীদমকপু হুয়েন লানশোক্করুইয়ে হায়না মালেম নৈদা ওম্না মীকপমমন্নে হায়দবরা। রাম পিরেন থক্কা ভাববু চৈরৎলবগা বচন য়াথং অমেংবনা বাহল্লকয়ে। মহা বাল্মীক মুনিরেল ও নমোংখাই ইশপনৌ সীতা লাইরৈমবু পাউ-ক্কোকরবগা রাম সীতা অনিমদি যজ্ঞ মণ্ডম লোমমন্নবদা মুনি ঋষি রাজানিংথৌ সনা চোঙজেন থনবা পুন্নমবু শাগোল মপুম পাওবদা শামু মশীং লাককওমনা মনা পোৎলেম শেমনা দাব দক্ষিণা তৌরমনা চৌংঙ্‌ সনা উনগোইরুবদা সীতা লাইরেমবা অনিবু মুনি লভাবকা। সাক্ষী বাচুক্না যজ্ঞ খুদোংচোংলে হায়না

[illegible] সীতা মতি অচুবীনা অন্তর্যামী চীংঙু [illegible] পুরীং [illegible] তাইকে নোংশাপান [illegible] পুন্না অসিনা সীতা [illegible] [illegible] ইচুশাও [illegible] ইরাক [illegible] [illegible] ইকাই [illegible] [illegible] মাকোম পৃথিবী [illegible] [illegible] [illegible] তানা [illegible] ইচল পগেম [illegible] [illegible] রাজাশিংবী মাচলর [illegible] [illegible] শিবনী ও। [illegible] লাইরকশিবী মাঙ্গি [illegible] [illegible] ঐবু পগেম নতী [illegible] তাঙ্গীনথকা রাজারগে [illegible] সনাপুরদা [illegible] শাখং পুরক রগে হাকনা [illegible] মাকোম [illegible] [illegible] [illegible] খৌমিয়েখ্না তাঙ্গথংবা মনা কাংথোন [illegible] পুরুংজগা [illegible] নিকুপমরক্ষা মাকোম [illegible] কারম্য পভান [illegible] চওখিরে হাকনবা। চীংঙু দেব নারায়ণ শ্রীরাম অহেনবসুত মশানৌ ভরত লক্ষ্মণ শত্রুঘ্ন মপারী লব কুশ অনিরুদ্ধ ভূমি মাকোম [illegible] [illegible] মীকপনরবু বাল্মীক মুনিরেলনা হে প্রভু ইবুঙো হরি শ্যাম অহেনব ও। পিরেন থকমা তানা মীকপশিঙকো নশানৌ সীতা লাইবেমা অসিবু অযোধ্যা সনা [illegible] অসিনা চীংঙু চাবি কুইনা পানকবোইরে। বুগ মতম [illegible] চীংঙু সনা নকমগেম বৈকুণ্ঠ নোংমোন [illegible] [illegible] হাকনা পাউমেনখোনগী চীংঙু পিরেন থাকমা তাবনু [illegible]। অযোধ্যা সনা সিংহাসন [illegible] পুর্ণ মপুংফানা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তাইনা সনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাংথোইনিবনা [illegible] সনা [illegible] [illegible] চীংঙু [illegible] নোংমোন [illegible] [illegible] [illegible]। চীংঙু শ্রীরাম [illegible] রঘুপতি লাইমিংনৌ চীংঙু [illegible] মতিক [illegible] [illegible] [illegible] অযোধ্যা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

কাণ্ড বারী হুংজাইববু মৈশে মতোন লোমখিরে। রাজা নজা লেংবা তিনবা সাধু খোইমোম লাইবু নিঙবশিং ও নংখোয় অমাবদি তাংজা নরেজোম্বা জয় রাম রাম শোজা লাজখীরো। খোইয়ম রাম নামুংবগী গুণ মতিক অরুবা সমুদ্র ইরেন পুক্তুবা অসিবু রামায়ণ মশা তরেংগুনা লেংলয়বু পোইরে সনা লৈমা-য়োনবু মুংশি লালনংতোইয়াম্নবগী দমক রামায়ণ মশা তরেংমবু থাবা ভক্তি ভংলবগুম ভংলববু মৈতেংগু লোইরেনখোম্বনা য়োইবু মশানৌ নোংবায়োন নোংপোক লৈরৌখোম্বীগা লাইরেল কংলে য়োইকোল-মুংদা লিক্লাই মদোম পানকরিঙৈ মদাইরেম লোইয়ম বাংঙমনহা শ্রীদাম কৈসামচা জ্ঞাণ লৌশিং লৈতরিবা ঐনা রামায়ণ মশা তরেংমবু কুরিংগুমজিল্লাককুম্না লাইরিক মপুম ওইনা কলম মচিন য়েকচরকপা অসিবু মরুপ লেংনা তিনবা লাংঙন মপোক চং-খোনবা খোইমোম লাইবু নিঙবা শাস্ত্র লাইরিক হৈবা কুমশিঙ নাঁওপুন্দনা নমু মীয়াম পোকপা রারম খঙজিলশেংবা ভক্ত লৈখোন লমচং নাইবা নংখোয় পুম্নমক্কী থুয়া লৈখোঙদা রাংঙম তানজা ইরুকংনা পুক্নমজবনে। ত্রিভুবন মরোন অহুমমগী মবুঙো খোয়ম শ্রীরাম নামুংবদি কোল্লোয় মিংথৈরোন রাম তারগ্ মন্ত্র মপুঙ ফাববু উনবী পুক্নীংপীনা ভক্তি কোরৌ লনশাবা লাইরেল মৈতেংঙ শ্রীগরিবনিরাজ নরেন্দ্র তাইবং সরারেলগা য়োইবু তম্ফা মশানৌ কেগে মোইরাংনিংথৌচম্নু থংদাইরাংলোন শ্রীগমতি সতি পুক্নীং লেপ্পীগনা মদাইরেম প্রজা লৈবাক অয়াম্বা অসিবু রামান্দি ধর্ম্ম অথোইবদা উনবী পুক্নীং লেপনবা রামায়ণ সাত-কাণ্ড মশা তরেংমকপুগুনা পোইরে মৈতৈরোল্দা ওন্থোকশেনে রামায়ণ লাইরিক মুংঙাইববু সমাপ্ত লাইরিক মতোন লোমখিরে। চীংঙ শ্রীরামচন্দ্র মথোজানবু লাইরেন মৈতেংঙ নোংথোরেলগু পুন্দুলেম খেনমাইলাংনা কোনজিলমগে। তাইয়ম ইরাকনা

[illegible]


MANIPUR UNIVE...
4690
IMPHAL
Dated 2.2.91
CANCHIPUR